राधेश्याम

[illegible]ংসী কোচি

[illegible]
খুন্দ্রাকপম রাধেশ্যাম

অহানবা কোঙবা : ২০০৭

অকোঙবা : কেংঐচং শঙ্কাই দেবী, নোহাখোলপীদমক

মশীং : ৫০০

মমল : ১৩০/ (লাইব্রেরী এডিসন)

ফংফম থোকপা : অইবা

শপুনশ্রেকপা : এল, জয়চন্দ্রা, সগোলবন্দ তেরা

নম্বম : বি, এস, প্রিন্টিং প্রেস, সগোলবন্দ রোড, নিং কৈথেল এরিয়াল বিল্ডেংগী মনাক।

ꯄ꯭ꯔꯦꯁꯤꯗꯦꯟꯇꯀꯤ ꯋꯥꯔꯣꯜ

ꯁꯃꯥꯖꯒꯤ ꯈꯣꯡꯆꯠ ꯃꯇꯨꯡ ꯏꯟꯅꯥ ꯁꯥꯍꯤꯇ꯭ꯌ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤꯁꯨ ꯃꯁꯛ ꯍꯣꯡꯉꯤ। ꯋꯥꯔꯤ ꯃꯆꯥꯒꯤ ꯁꯛꯇꯝꯁꯨ ꯃꯇꯝꯒꯤ ꯌꯥꯎꯜ ꯃꯇꯨꯡ ꯏꯟꯅꯥ ꯃꯁꯛ ꯀꯌꯥ ꯍꯣꯡꯂꯦ। ꯋꯥꯔꯤ ꯃꯆꯥꯁꯤꯡꯗꯥ ꯋꯥꯔꯤ ꯁꯥꯅꯧꯁꯤꯡꯒꯤ ꯅꯨꯡꯁꯤ ꯋꯥꯔꯤꯒꯤ ꯃꯐꯝ ꯂꯩꯕꯛꯂꯦ। ꯑꯆꯨꯝꯕꯅꯥ ꯖꯌ ꯑꯣꯏ ꯍꯥꯌꯗꯨꯅꯥ ꯄꯥꯎꯖꯦꯜ ꯄꯤꯕꯒꯤ ꯃꯇꯝꯗꯁꯨ ꯂꯣꯏꯔꯦ। ꯃꯍꯧꯁꯥꯒꯤ ꯐꯖꯕꯕꯨ ꯁꯤꯡꯊꯥꯗꯨꯅꯥ ꯑꯄꯥꯋꯕꯁꯤꯡꯒꯤ ꯊꯝꯃꯣꯌꯕꯨ ꯐꯖꯕꯒꯤ ꯄꯨꯖꯥꯔꯤ ꯑꯣꯏꯍꯟꯕꯒꯤ ꯄꯥꯟꯗꯝꯗꯁꯨ ꯂꯥꯝꯖꯤꯡꯂꯛꯂꯦ। ꯍꯧꯖꯤꯛꯇꯤ ꯋꯥꯔꯤ ꯃꯆꯥꯒꯤ ꯃꯤꯠꯌꯦꯡ ꯄꯨꯟꯁꯤꯗꯥ ꯌꯦꯡꯂꯛꯂꯦ— ꯑꯋꯥꯕꯒꯤ, ꯅꯩꯍꯠꯄꯤꯕꯒꯤ, ꯑꯥꯁꯥ ꯂꯩꯇꯕꯒꯤ, ꯅꯨꯡꯁꯨꯛ ꯅꯨꯡꯖꯥꯅꯕꯒꯤ। ꯁꯨꯅꯥ ꯁꯨꯅꯥ ꯂꯥꯏꯕꯁꯤꯜꯂꯛꯄꯥ, ꯅꯣꯡꯃꯥ ꯀꯅꯕꯁꯤꯡꯒꯤ ꯃꯥꯡꯊꯕꯛꯂꯕꯥ ꯃꯒꯨꯟ, ꯑꯁꯤꯡꯕꯅꯥ ꯑꯄꯉꯕꯁꯤꯡꯒꯤ ꯃꯊꯛꯇꯥ ꯃꯥꯌꯊꯤꯕꯥ, ꯑꯥꯁꯥ ꯂꯩꯇꯔꯕꯥ ꯇꯥꯏꯕꯪ, ꯍꯤꯡꯅꯥ ꯍꯤꯡꯅꯥ ꯁꯤꯕꯕꯥ ꯄꯨꯟꯁꯤ— ꯁꯛꯇꯝꯁꯤꯡ ꯑꯁꯤ ꯑꯩꯕꯅꯥ ꯃꯍꯥꯛꯀꯤ ꯑꯀꯣꯌꯕꯗꯥ ꯂꯩꯔꯤꯕꯥ ꯁꯃꯥꯖꯗꯒꯤ, ꯏꯃꯨꯡ-ꯃꯅꯨꯡꯗꯒꯤ, ꯅꯣꯡꯃꯥ ꯅꯣꯡꯃꯒꯤ ꯊꯣꯛꯂꯤꯕꯥ ꯊꯧꯗꯣꯀꯁꯤꯡꯗꯒꯤ ꯎꯕꯀꯏ। ꯃꯁꯤꯅꯤ ꯋꯥꯈꯦꯁ꯭ꯌꯥꯃꯒꯤ "ꯀꯣꯆꯤ" ꯍꯥꯌꯅꯥ ꯃꯤꯡꯊꯣꯟꯕꯥ ꯋꯥꯔꯤ ꯃꯆꯥꯁꯤꯡꯗꯥ ꯎꯠꯂꯤꯕꯥ। ꯎꯄꯟꯌꯥꯁ, ꯋꯥꯔꯤ ꯃꯆꯥ, ꯗ꯭ꯔꯃꯥ ꯑꯃꯗꯤ ꯁꯩꯔꯦꯡꯒꯤ ꯂꯥꯏꯔꯤꯛ ꯀꯌꯥ ꯏꯔꯕꯥ ꯍꯧꯖꯤꯀꯁꯨ ꯂꯦꯞꯇꯨꯅꯥ ꯏꯔꯤꯕꯥ ꯅꯍꯥ ꯑꯣꯏꯔꯤꯕꯥ ꯑꯏꯕꯁꯤꯒꯤ ꯍꯟꯗꯛꯀꯤ ꯋꯥꯔꯤ ꯃꯆꯥꯁꯤꯡꯁꯤꯗꯥ ꯇꯣꯞ ꯇꯣꯞꯄꯥ ꯃꯁꯛ ꯊꯣꯀꯄꯥ ꯃꯇꯧ ꯎꯏ।

ꯅꯣꯡꯆꯨꯞ ꯍꯥꯋꯝ ꯈꯣꯋꯥꯏꯖꯦ ꯂꯨꯞ (ꯅꯣꯍꯥꯈꯣꯜ) ꯅꯥ ꯌꯥꯊꯪ ꯇꯕꯦꯠꯁꯨꯕꯥ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯄꯨꯊꯣꯛꯆꯔꯤꯕꯥ ꯂꯨꯞ ꯑꯁꯤꯒꯤ ꯅꯍꯥ ꯑꯣꯏꯔꯤꯕꯥ ꯑꯏꯕꯁꯤꯒꯤ ꯋꯥꯔꯤ ꯃꯆꯥꯒꯤ ꯂꯥꯏꯔꯤꯛ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯌꯥꯝꯗꯥ ꯂꯥꯟꯊꯣꯛꯆꯔꯤ ꯂꯣꯌꯅꯅꯥ ꯑꯏꯕꯥ ꯑꯁꯤꯅꯥ ꯐꯖꯕꯕꯥ ꯁꯥꯍꯤꯇ꯭ꯌꯒꯤ ꯂꯩꯆꯜ ꯀꯌꯥ ꯄꯨꯊꯣꯀꯄꯥ ꯉꯝꯕꯥ ꯇꯥꯏꯕꯪ ꯃꯄꯨꯅꯥ ꯀꯨꯝꯍꯩꯔꯁꯅꯨ ꯍꯥꯌꯅꯥ ꯄꯨꯅꯦꯝꯖꯔꯤ।

ꯇꯥꯡ ꯶-꯱꯱-꯲꯰꯰꯶
ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕꯥ

ꯀꯨꯟꯖꯣ ꯁꯤꯡꯍ ꯅꯤꯡꯣꯝꯕꯝ
ꯄ꯭ꯔꯦꯁꯤꯗꯦꯟꯇ, ꯅꯣꯍꯥꯈꯣꯜ

প্রসিদেন্টগী ৱারোল

সমাজগী খোঙচৎ মতুং ইন্না সাহিত্য হায়বসিসু মশক হোংঙি । ৱারী মচাগী শক্তমসু মতমগী য়াওল মতুং ইন্না মশক কয়া হোংখ্রে । ৱারী মচাশিংদা ৱারী শানৌশিংগী নুংশি ৱারীগী মফম লৈবকত্রে । অচুম্বনা জয় ওই হায়দুনা পাউজেল পীবগী মতমদসু লোইখ্রে । মহৌশাগী ফজববু শীংথাদুনা অপাৱবশিংগী থম্মোয়বু ফজবগী পুজারী ওইহনবগী পান্দমদসু লাম্হোকখ্রে । হৌজিক্তি ৱারী মচাগী মীৎয়েং পুন্সিদা যেংলক্লে — অৱাবগী, নৈহৎপিবগী, আশা লৈতবগী, নুংশুক নুংজানবগী । শূনা শূনা লায়বশিল্লকপা, নোঙ্মা কনবশিংগী মাঙথবক্লবা মগুণ, অশিংবনা অপঙবশিংগী মথক্তা মায়থীবা, আশা লৈত্রবা তাইবঙ, হিংনা হিংনা শিববা পুন্সি — শক্তমশিং অসি অইবনা মহাক্কী অকোয়বদা লৈরিবা সমাজদগী, ইমুং-মনুংদগী, নোংমা নোংমগী থোক্লিবা থৌদোকশিংদগী উবকই । মসিনি ৱাখেশ্যামগী ''কোচি'' হায়না মিংথোনবা ৱারী মচাশিংদা উৎলিবা । উপন্যাস, ৱারী মচা, ড্রমা অমদি শৈরেংগী লাইরিক কয়া ইথ্রবা হৌজিকসু লেপ্তুনা ইরিবা নহা ওইরিবা অইবসিগী হন্দক্কী ৱারী মচাশিংসিদা তোপ তোপ্পা মশক থোকপা মতৌ উই ।

নোংচুপ হাৱম খোৱাইজে লুপ (নোহাখোল) না য়াথঙ তবেৎশুবা ওইনা পুথোকচরিবা লুপ অসিগী নহা ওইরিবা অইবসিগী ৱারী মচাগী লাইরিক অসি মীয়ামদা লাম্হোকচরি লোয়ননা অইবা অসিনা ফজববা সাহিত্যগী লৈচল কয়া পুথোকপা ঙম্বা তাইবঙ মপুনা কুম্হৈরসনু হায়না পুনেমজরি ।

তাং ৬-১১-২০০৬
নিংথৌকাবা

কুঞ্জো সিংহ নিঙোম্বম
প্রসিদেন্ট, নোহাখোল

ꯑꯍꯩꯕꯒꯤ ꯋꯥꯍꯣꯜ

ꯅꯣꯍꯥꯈꯣꯜꯒꯤ ꯄꯨꯟꯁꯤꯒꯥ ꯅꯛꯄ, ꯑꯆꯦꯠꯄ ꯃꯔꯤꯒꯥ ꯂꯣꯏꯅꯅ ꯍꯧꯔꯛꯈꯤꯕ ꯑꯩꯒꯤ ꯁꯥꯍꯤꯠꯌꯒꯤ ꯄꯨꯟꯁꯤꯅꯤ। ꯉꯁꯤꯁꯨ ꯅꯣꯍꯥꯈꯣꯜꯒꯤ ꯏꯄꯥꯛꯇꯥ ꯏꯊꯛ-ꯏꯄꯣꯝ ꯑꯣꯏꯅ ꯍꯤꯡꯖꯔꯒꯥ ꯑꯩꯒꯤ ꯇꯔꯥꯁꯨꯕ ꯂꯥꯏꯔꯤꯛ "ꯀꯣꯆꯤ" ꯈꯥꯏ ꯃꯤꯌꯥꯃꯒꯤ ꯃꯥꯡꯗꯥ ꯄꯨꯊꯣꯛꯆꯔꯤ। ꯁꯥꯍꯤꯠꯌꯒꯤ ꯄꯣꯊꯣꯛꯁꯨ ꯑꯥꯔꯠꯀꯤ ꯃꯍꯥꯎ ꯍꯛꯆꯤꯟꯅ ꯆꯦꯟꯅꯕ ꯌꯥꯝꯅ ꯀꯨꯄꯁꯤꯟꯕ ꯈꯨꯠꯁꯦꯃꯗꯨ ꯗꯔꯀꯥꯔ ꯑꯣꯏꯔꯥꯌꯅꯩ। ꯔꯥꯐꯃꯁꯤ ꯃꯤꯔꯥꯏꯕꯗꯤ ꯉꯝꯖꯗꯦ। ꯈꯥꯏꯗꯒꯤ ꯆꯝꯕ, ꯑꯌꯨꯛ, ꯅꯨꯃꯤꯗꯥꯡ ꯁꯤꯖꯤꯟꯅꯕ ꯃꯥꯉꯥꯡꯗꯥ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯄꯒꯤ ꯍꯩꯅꯕꯤꯁꯤ ꯉꯁꯤ ꯐꯥꯎꯕꯗꯥ ꯅꯥꯊꯦꯕ ꯉꯝꯗ꯭ꯔꯤ। ꯃꯍꯧꯁꯥꯒꯤ, ꯈꯨꯠꯁꯦꯃꯒꯤ ꯇꯥꯏꯕꯪ ꯃꯊꯦꯜꯂꯁꯤꯡ ꯑꯩꯈꯣꯌꯒꯤ ꯑꯀꯣꯌꯕꯗꯥ ꯊꯣꯛꯂꯤꯕꯁꯤꯡꯁꯤꯅ ꯎꯔꯨ-ꯊꯦꯡꯅꯔꯨꯕ ꯃꯅꯥꯒꯤ ꯊꯝꯃꯣꯌꯗꯨ ꯆꯤꯡꯁꯤꯟꯈꯤ; ꯃꯊꯪꯗꯅ ꯑꯍꯤꯡꯕ ꯁꯇ꯭ꯇꯝ ꯑꯣꯏꯅ ꯑꯇꯣꯞꯄꯒꯤ ꯊꯝꯃꯣꯌꯕꯨꯁꯨ ꯈꯨꯊꯥꯡꯗꯥ ꯆꯤꯡꯁꯤꯜꯂꯤ। ꯃꯁꯤ ꯁꯥꯍꯤꯠꯌꯗꯥ ꯉꯥꯎꯖꯕꯁꯤꯡꯅ ꯊꯝꯃꯣꯌꯗꯥ ꯊꯥꯒꯣꯟꯅꯖꯦ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯂꯥꯏꯅꯤꯡ ꯑꯣꯏ। ꯂꯥꯏꯔꯤꯛꯁꯤ ꯄꯨꯊꯣꯛꯄꯗꯥ ꯇꯦꯡꯕꯥꯡꯕꯤꯕ ꯄꯨꯝꯅꯃꯛꯄꯨ ꯑꯍꯩꯕꯅ ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ।

ꯇꯥꯡ ꯱꯴-꯵-꯲꯰꯰꯷ — ꯑꯍꯩꯕ
ꯋꯥꯏꯔꯥꯡꯕꯝ

অহৈবগী ৱাহোল

নোহাখোলগী পুন্সিগা নক্কবা, অচেৎপা মরীগা লোয়ননা হৌরকখিবা ঐগী সাহিত্যগী পুন্সিনি। ঙসিসু নোহাখোলগী ঈপাক্তা ঈথক-ঈপোম ওইনা হিংজরগা ঐগী তরাশুবা লাইরিক "কোচি" খাই মীয়ামগী মাঙদা পুথোকচরি। সাহিত্যগী পোথোকসু আর্টকী মহাও হকচিন্না চেন্নবা য়াম্না কূপশিনবা খুৎশেমদু দরকার ওইরায়নৈ। রাফমসি মীরাইবদি ঙমজদে। খাইদগী চম্বা, অয়ুক, নুমিদাং শীজিন্নবা মাঙাঙদা ফোংদোকপগী হৈনবীসি ঙসি ফাওবদা নাথেবা ঙমদ্রি। মহৌশাগী, খুৎশেমগী তাইবঙ মথেল্লশিং ঐখোয়গী অকোয়বদা থোক্লিবশিংসিনা উরু-থেংনরুবা মনাগী থম্মোয়দু চিংশিনখি; মথংদনা অহিংবা শত্তম ওইনা অতোপ্পগী থম্মোয়বুসু খুথাংদা চিংশিল্লি। মসি সাহিত্যদা ঙাওজবশিংনা থম্মোয়দা থাগোন্নজে অমসুং লাইনীং ওই। লাইরিকসি পুথোকপদা তেংবাংবিবা পূম্নমকপু অহৈবনা থাগৎচরি।

তাং ১২-৩-২০০৭ — অহৈবা
ৱাইরাংবম

[illegible]

য়াওরিবশিং

ꯌꯥꯊꯪ

ꯀꯕꯣꯛꯂꯦꯅꯥ ꯃꯈꯨꯠꯇꯥ ꯆꯩꯁꯨ ꯄꯥꯏꯗꯨꯅꯥ ꯂꯝꯕꯤꯗꯥ ꯆꯠꯂꯤꯉꯩꯗꯥ. ꯊꯦꯡꯅꯕꯥ ꯃꯤꯁꯤꯡꯅꯥ (ꯃꯥꯕꯨ ꯃꯨꯡꯁꯤꯕꯤꯕꯥ)ꯍꯪꯂꯀꯏ.

" ꯉꯁꯤꯅꯥ ꯀꯅꯥ ꯑꯃꯨꯛ ꯎꯝꯅꯗꯣꯏꯅꯣ; ꯏꯕꯣꯄꯤꯁꯛꯄꯨ ꯊꯦꯝꯕꯥ ꯉꯝꯕꯁꯤ ꯀꯅꯥꯃꯇꯇꯥ ꯂꯩꯇ꯭ꯔꯕꯣ ? "

ꯃꯇꯦꯛ ꯈꯔꯥ ꯈ꯭ꯋꯥꯡ ꯀꯣꯟꯗꯨꯅꯥ ꯂꯥꯛꯄꯒꯤ ꯑꯋꯥꯕꯗꯨ ꯍꯟꯗꯣꯛꯄꯥ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯌꯥꯡ ꯇꯤꯡꯈꯠꯂꯒꯥ ꯀꯕꯣꯛꯂꯦꯅꯥ ꯈꯨꯝꯏ.

" ꯃꯔꯩ ꯐꯇꯇꯕꯥ ꯏꯆꯥꯕꯨ ꯊꯦꯝꯅꯕꯥ ꯃꯤ ꯊꯤꯔꯨꯒꯦꯅꯦ ꯫"

ꯆꯠꯀꯗꯕꯥ ꯃꯐꯝꯗꯨ ꯍꯥꯏꯔꯒꯥ. ꯊꯦꯡꯅꯔꯤꯕꯥ ꯃꯍꯥꯛꯁꯨ ꯏꯕꯣꯄꯤꯁꯛꯄꯨ ꯑꯃꯨꯛꯀꯁꯨ ꯊꯦꯝꯕꯤꯔꯅꯕꯥ (ꯍꯥꯟꯅꯥ ꯊꯦꯝꯕꯗꯥ ꯌꯥꯍꯟꯅꯕꯥ ꯉꯝꯈꯤꯗ꯭ꯔꯕꯅꯤ) ꯍꯥꯏꯖꯦ ꯫

ꯏꯕꯣꯄꯤꯁꯛ ꯑꯃꯗꯤ ꯀꯕꯣꯛꯂꯦꯒꯤ ꯃꯔꯛꯇꯥ ꯍꯟꯗꯛ ꯇꯧꯅꯔꯤꯕꯥ ꯃꯔꯩꯒꯤ ꯂꯥꯅꯁꯤ ꯃꯤ ꯀꯅꯥ ꯌꯥꯝꯅꯥ ꯈꯪꯅꯔꯦ ꯫ ꯃꯕꯥꯅꯤꯃꯛ ꯍꯟꯗꯣꯛꯂꯗꯦ ꯫ ꯀꯕꯣꯛꯂꯦꯒꯤꯗꯤ ꯃꯤꯆꯪ ꯌꯥꯝꯅꯥ ꯂꯩ ꯫

য়াথং

কবোক্লেনা মখূৎতা চৈশু পায়দুনা লম্বীদা চৎলিঙৈদা, থেংনবা মীশিংনা (মাবু মুংশিবিবা) হংলকই,

"ঙসিনা কনা অমুক উম্নদোইনো ; ইবোপিশকপু থেম্বা ঙম্বসি কনামত্তা লৈত্রবো ?"

মতেক খরা খ্বাঙ কোন্দুনা লাকপগী অৱাবদু হন্দোকপা ওইনা য়াঙ তিংখৎলগা কবোক্লেনা খুমই,

"মরৈ ফত্তবা ইচাবু থেম্নবা মী থিরুগেনে।"

চৎকদবা মফমদু হায়রগা, থেংনরিবা মহাক্লসু ইবোপিশকপু অমুক্কসু থেম্বীরনবা (হান্না থেম্বদা য়াহনবা ঙমখিদ্রবনি) হায়জে।

ইবোপিশক অমদি কবোক্লেগী মরক্তা হন্দক তৌনরিবা মরৈগী লানসি মী কনা য়াম্না খঙনরে। মবানীমক হন্দোক্লদে। কবোক্লেগীদি মীচঙ য়াম্না লৈ।

ꯍꯧꯖꯤꯛꯁꯨ ꯃꯤꯆꯪ ꯈꯣꯝꯕꯥ ꯆꯠꯂꯤꯕꯅꯤ꯫ ꯏꯕꯣꯄꯤꯁꯛꯀꯤꯗꯤ ꯃꯊꯟꯇꯅꯤ꯫ ꯃꯥꯒꯤ ꯄꯨꯛꯂꯤꯡ, ꯂꯧꯈꯤꯕ ꯐꯤꯔꯦꯞ, ꯍꯥꯌꯗꯣꯛꯈꯤꯕ ꯕꯔꯥ ꯉꯥꯛꯂꯤꯡꯕ, ꯂꯩꯈꯤꯗ꯭ꯔꯕ ꯃꯄꯥꯅ ꯃꯥꯉꯣꯟꯗ ꯊꯟꯅꯕ ꯌꯥꯊꯪꯗꯨ ꯉꯥꯛꯀꯅꯤ ꯈꯪꯕꯁꯤꯅ ꯃꯥꯕꯨ ꯇꯨꯡꯂꯣꯝꯗ ꯈꯣꯡꯐꯝ ꯍꯟꯗꯣꯛꯇꯨꯅꯕꯒꯤ ꯆꯩꯉꯥꯛ ꯑꯣꯏꯔꯤ꯫

ꯀꯕꯣꯛꯂꯦꯅ ꯃꯥꯒꯤ ꯃꯤꯆꯪꯁꯤꯡꯕꯨ ꯑꯃꯒꯤ ꯃꯊꯪꯗ ꯑꯃ ꯏꯕꯣꯄꯤꯁꯛꯄꯨ ꯊꯦꯝꯍꯜꯂꯤ꯫ ꯃꯥꯒꯤ ꯍꯩ-ꯁꯤꯡꯕ, ꯀꯞꯄ ꯂꯥꯎꯕ ꯀꯌꯥꯅ ꯏꯕꯣꯄꯤꯁꯛꯀꯤ ꯄꯨꯛꯂꯤꯡꯕꯨ ꯈꯨꯗꯨꯝ ꯆꯅꯕ ꯉꯟꯅꯛꯇꯕꯗꯒꯤ ꯃꯥꯒꯤ ꯃꯤꯆꯪ ꯊꯤꯕꯅꯤ ꯑꯃꯗꯤ ꯊꯥꯖꯤꯜꯂꯤꯕꯅꯤ꯫ ꯃꯈꯣꯌꯁꯤꯡꯗꯨꯒꯤ ꯃꯔꯛꯇ ꯏꯕꯣꯄꯤꯁꯛꯀꯤ ꯃꯃꯥꯟꯅꯕ ꯑꯃꯅ ꯍꯥꯏ,

" ꯏꯃꯥꯁꯤ ꯑꯍꯜ ꯑꯣꯏꯔꯦ, ꯁꯥꯡꯅ ꯄꯨꯟꯁꯤꯗꯧꯕꯁꯨ ꯃꯥꯟꯗ꯭ꯔꯦ; ꯍꯤꯡꯂꯤꯉꯩ ꯃꯇꯝ ꯈꯔꯁꯤꯗꯤ ꯄꯨꯛꯂꯤꯡ ꯂꯩꯇꯅ ꯂꯩꯍꯅꯁꯤꯅꯦ꯫ "

ꯏꯕꯣꯄꯤꯁꯛꯁꯨ ꯍꯥꯌꯔꯤꯕꯁꯤꯒꯤ ꯅꯨꯡꯒꯤ ꯏꯆꯦꯜ ꯈꯪꯏ꯫ ꯃꯥꯒꯤ ꯑꯅꯤꯡꯕꯒꯤ ꯑꯣꯟꯅ-ꯇꯩꯅꯕꯗ ꯃꯃꯥꯟꯅꯕꯁꯤꯅ ꯕꯔꯥ ꯃꯌꯥꯝ ꯉꯥꯡꯂꯛꯀꯗꯧꯔꯤ꯫ ꯁꯃꯖꯤꯟꯅꯕ ꯍꯥꯌꯔꯛꯏ,

হৌজিকসু মীচঙ খোম্বা চৎলিবনি । ইবোপিশক্কীদি মথন্তনি । মাগী পূক্লিং, লৌখিবা ফিরেপ, হায়দোকখিবা ব্রা ঙাক্লীংবা, লৈখিদ্রবা মপানা মাঙোন্দা থন্নবা য়াথংদু ঙাক্কনি খঙবসিনা মাবু তুংলোমদা খোঙফম হন্দোক্তুনবগী চৈঙাক ওইরি ।

কবোক্লেনা মাগী মীচঙশিংবু অমগী মথংদা অমা ইবোপিশকপু থেমহল্লি । মাগী হৈ-শিংবা, কপ্পা লাউবা কয়ানা ইবোপিশক্কী পূক্লিংবু খুদুম চনবা ঙন্নক্তবদগী মাগী মীচঙ থিবনি অমদি থাজিল্লিবনি । মখোয়শিংদুগী মরক্তা ইবোপিশক্কী মমান্নবা অমনা হায়,

"ইমাসি অহল ওইরে, শাংনা পুন্সিদৌবসু মান্দ্রে; হিংলিঙৈ মতম খরসিদি পূক্লিং লৈতানা লৈহনসিনে ।"

ইবোপিশকসু হায়রিবসিগী নুংগী ঈচেল খঙই । মাগী অনীংবগী ওন্ন-তৈনবদা মমান্নবসিনা ব্রা ময়াম ঙাঙলক্কদৌরি । শমজিন্নবা হায়রকই,

“ꯂꯥꯏꯕꯛꯇꯥ ꯇꯟꯅꯟꯅꯕꯅꯤ ꯈꯜꯂꯒꯥ ꯄꯦꯟꯊꯣꯛꯀꯣ ꯍꯥꯌꯌꯨ꯫”

“ꯃꯗꯨꯅꯥ ꯌꯥꯔꯛꯀꯕꯗꯒꯤ ꯍꯥꯌꯔꯤꯕꯅꯤ꯫”

“ꯌꯥꯁꯤ ꯇꯣꯛꯑꯁꯤ꯫”

ꯆꯠꯈꯤꯅꯕꯥ ꯍꯧꯒꯠꯂꯛꯏ꯫ ꯃꯃꯥꯟꯅꯕꯗꯨꯁꯨ ꯑꯔꯣꯏꯕꯥ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯍꯥꯌꯔꯛꯏ,

“ꯏꯃꯥꯅꯥ ꯁꯤꯜꯂꯤꯕꯁꯤ ꯅꯉ ꯑꯃꯗꯤ ꯁꯥꯒꯦꯕꯨ ꯅꯨꯡꯁꯤꯕꯗꯒꯤꯅꯤ꯫ ꯃꯃꯥꯅꯥ ꯃꯆꯥꯕꯨ ꯅꯨꯡꯁꯤꯕꯁꯤ ꯑꯣꯏꯖꯕꯥ ꯇꯥꯅꯕꯅꯤ ꯍꯥꯌꯔꯤꯕꯔꯥ ꯅꯉꯒꯤꯁꯤꯕꯣ? ꯏꯃꯥꯁꯦ ꯆꯅꯤꯡ ꯇꯥꯅꯥ ꯍꯤꯡꯅꯕꯥ ꯅꯌꯨꯝ ꯄꯥꯟꯁꯤꯜꯂꯣ꯫”

“ꯍꯟꯗꯛ ꯃꯄꯣꯛꯀꯤꯗꯤ ꯑꯣꯏꯔꯔꯣꯏ꯫”

ꯃꯈꯥ ꯇꯥꯔꯃꯗꯅꯥ ꯆꯠꯈꯦ꯫ ꯃꯃꯥꯟꯅꯕꯗꯨꯗꯤ ꯕ꯭ꯔꯥꯐꯃꯁꯤꯗꯥ ꯁꯥꯡꯊꯅꯥ ꯉꯥꯡꯅꯅꯤꯡꯂꯤ꯫ ꯀꯔꯤꯒꯨꯝꯕꯥ ꯃꯃꯥꯟꯅꯕꯁꯤꯅꯥ ꯏꯕꯣꯄꯤꯁꯀꯄꯨ ꯅꯝ ꯍꯥꯗꯨꯅꯥ ꯐꯥꯔꯒꯥ ꯕ꯭ꯔꯥꯐꯃꯁꯤꯗꯥ ꯉꯥꯡꯅꯔꯛꯀꯕꯗꯥ ꯏꯕꯣꯄꯤꯁꯀꯤ ꯑꯁꯨꯝꯅꯥ ꯈꯨꯟꯅꯀꯄꯥ ꯌꯥꯏ,

“লাইবক্তা তন্নন্নবনি খল্লগা পেন্থোকও হায়য়ু ।”

“মদুনা য়ারক্কবদগী হায়রিবনি ।”

“য়াসি তোকঅসি ।”

চৎখিনবা হৌগৎলকই । মমান্নবদুসু অরোইবা ওইনা হায়রকই,

“ইমানা শীল্লিবসি নঙ অমদি শাগেবু নুংশিবদগীনি । মমানা মচাবু নুংশিবসি ওইজবা তানবনি হায়রিব্রা নঙগীসিবো ? ইমাসে চনীং তানা হিংনবা নয়ূম পানশিল্লো ।”

“হন্দক মপোক্কীদি ওইররোই ।”

মখা তারমদনা চৎখ্রে । মমান্নবদুদি ব্রাফমসিদা শাংথনা ঙাঙননীংলি । করিগুম্বা মমান্নবসিনা ইবোপিশকপু নম হাদুনা ফারগা ব্রাফমসিদা ঙাঙনরুবদা ইবোপিশক্কী অসুম্না খুন্নকপা য়াই,

"ꯏꯃꯥꯗꯥ ꯑꯩꯅꯥ ꯍꯟꯗꯛ ꯃꯄꯣꯛꯀꯤ ꯌꯨꯝ ꯄꯥꯟꯅꯔꯣꯏ ꯍꯥꯏꯈꯤꯕꯗꯨ ꯁꯦꯔꯥꯟ-ꯇꯨꯔꯥꯟ ꯍꯥꯏꯈꯤꯕꯥ ꯅꯠꯇꯦ, ꯑꯩꯗꯤ ꯏꯃꯥꯗꯥ ꯃꯤꯅꯝꯕꯥ ꯕ꯭ꯔꯥ ꯉꯥꯡꯗꯕꯅꯤ ꯫"

ꯃꯇꯨꯡꯗꯥ ꯏꯕꯣꯄꯤꯁꯛꯀꯥ ꯃꯃꯥꯟꯅꯕꯁꯤꯒꯥ ꯕ꯭ꯔꯥ ꯈꯛ ꯉꯥꯡꯅꯈꯤꯗ꯭ꯔꯦ, ꯅꯥꯊꯩꯗꯨꯅꯥ ꯂꯩꯔꯦ ꯫ ꯏꯊꯣꯛꯄꯥ ꯌꯥꯔꯔꯣꯏꯗꯕꯥ ꯕ꯭ꯔꯥꯐꯝꯗꯥ ꯃꯇꯝ ꯁꯥꯡꯅꯥ ꯉꯥꯡꯅꯕꯥ ꯍꯥꯏꯕꯁꯤ ꯉꯥꯡꯅꯔꯤꯕꯥ ꯑꯅꯤꯗꯨꯒꯤ ꯃꯔꯛꯇꯥ ꯈꯠꯅꯅꯕꯥ ꯌꯨꯝꯐꯝ ꯊꯣꯟꯕꯅꯤ ꯫ ꯑꯇꯩ ꯃꯃꯥꯟꯅꯕꯁꯤꯡ, ꯃꯔꯤ-ꯃꯇꯥꯁꯤꯡꯅꯥ ꯇꯧꯗꯐꯗ꯭ꯔꯕꯥ ꯊꯕꯛꯀꯨꯝꯅꯥ ꯏꯕꯣꯄꯤꯁꯛꯄꯨ ꯌꯨꯝ ꯄꯥꯟꯅꯕꯥ ꯊꯦꯟꯅꯦ ꯫ ꯀꯕꯣꯛꯂꯦꯒꯤ ꯅꯤꯡꯖꯕꯁꯤꯗꯕꯨ ꯊꯨꯡꯂꯕꯗꯤ ꯃꯈꯣꯌꯒꯤꯁꯨ ꯍꯔꯥꯎꯖꯕꯅꯤ ꯫ ꯑꯍꯜꯁꯤꯒꯤ ꯑꯟꯅꯥꯕꯁꯤꯗꯥ ꯃꯈꯣꯌ ꯄꯨꯝꯕꯅꯥ ꯅꯨꯡꯕꯨ ꯏꯁꯤꯡ ꯆꯥꯏꯗꯨꯅꯥ ꯄꯦꯠꯍꯟꯅꯕꯥ ꯂꯥꯛꯂꯔꯤ ꯫

ꯊꯦꯟꯅꯥ ꯅꯧꯕꯒꯤ ꯄꯥꯟꯕꯩꯁꯤꯅꯥ ꯏꯕꯣꯄꯤꯁꯛꯄꯨ ꯌꯥꯍꯟꯕꯥ ꯉꯝꯗ꯭ꯔꯦ ꯫ ꯎꯄꯥꯏ ꯑꯃꯥ ꯑꯣꯏꯒꯗ꯭ꯔꯥ ꯈꯟꯗꯨꯅꯥ ꯂꯩꯀꯥꯏ ꯑꯉꯥꯡꯁꯤꯡꯗꯥ ꯏꯅꯁꯤꯜꯂꯒꯥ ꯏꯕꯣꯄꯤꯁꯛꯇꯥ ꯂꯛꯂꯍꯜꯂꯤ,

"ꯍꯣ, ꯄꯥꯈꯪ ꯁꯔꯤ ꯁꯛꯍꯦꯟꯕꯥ, ꯅꯃꯥꯅꯥ ꯀꯧꯏ ꯇꯥꯗꯕꯥ, ꯅꯆꯦꯅꯥ ꯍꯥꯏꯕꯁꯨ ꯏꯟꯗꯕꯥ, ꯌꯥꯍꯣ ꯍꯣ ꯫"

''ইমাদা ঐনা হন্দক মপোক্কী য়ূম পান্নরোই হায়খিবদু সেরান-তুরান হায়খিবা নত্তে, ঐদি ইমাদা মীনম্বা ব্রা ঙাঙদবনি ।''

মতুংদা ইবোপিশক্কা মমান্নবসিগা ব্রা খক ঙাঙনখিদ্রে, নাথৈদুনা লৈরে । ইথোকপা য়াররোইদবা ব্রাফমদা মতম শাংনা ঙাঙনবা হায়বসি ঙাঙনরিবা অনীদুগী মরক্তা খৎননবা য়ূম্ফম থোনবনি । অতৈ মমান্নবশিং, মরী-মতাশিংনা তৌদফদ্রবা থবক্কুম্না ইবোপিশকপু য়ূম পান্নবা থেন্নে । কবোক্লেগী নীংজবসিদবু থুংলবদি মখোয়গীসু হরাওজবনি । অহলসিগী অন্নাবসিদা মখোয় পূম্বনা নূংবু ঈশিং চাইদুনা পেৎহন্নবা লাক্লরি ।

থেন্না নৌবগী পান্বৈসিনা ইবোপিশকপু য়াহনবা ঙমদ্রে । উপাই অমা ওইগদ্রা খন্দুনা লৈকাই অঙাংশিংদা ঈনশিল্লগা ইবোপিশক্তা লক্লহল্লি,

''হো, পাখং শরী শকহেনবা, নমানা কৌই তাদবা, নচেনা হায়বসু ইন্দবা, য়াহো হো ।''

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

ইবোপিশক তাশিন্নদনা চৎখি । মাক্লক্রদবনা অশিংবা মীগী হৌনবী ওইগনি হায়নদ্ খঙই । নোংমা লৈকাইগী লৈশাবীশিংনা মানা লাকপদা (ইবোপিশক তানবা) লাবা শম্ব,

''হ যং য়ুম পাল্লবা মতমদা পাখং পাক্রান্ ইচা ওইনা ফংদৌ শক্তক ইচানুপী ঙাক্তা পোকখ্রে ।''

ইবোপিশক খুমাদে, য়েংলমদে, মানা চৎকদবদ্দা চৎখি । অসিগুম্বসি কয়াবক হংনাবে । পারিং ফাথনবা হোৎনরকই । অসিমক্তদা মাগী মমাঙদা কল্লক পেম্মবগুম্মা কনাগুম্বনা তায়বকই,

''শক্তাসিনবু ময়ুম পানবা খঙঙেরাও ?''

কনা অমনসু হায়,

''কনাগী নপীনবু মাঙোন্দা লৈযু য়ানেগে ? হনুবী ফাওবা লৈনীংওই ।''

পম্মমকসিদা ইবোপিশক্না নাচুংদবা ঙমই । কবোক্রেনদা খোয়দৌ থীৎনা শাউনীংই ।

ꯀꯥꯢꯅꯊꯣꯡꯗꯥ ꯏꯕꯣꯄꯤꯁꯛꯅꯥ ꯂꯨꯅꯥ, ꯀꯤꯅꯥ ꯈꯪꯖꯔꯤꯕ ꯑꯣꯖꯥ ꯑꯃꯅꯥ ꯊꯦꯟꯅꯔꯦ,

"ꯃꯃꯥꯒꯤ ꯑꯄꯥꯝꯕ ꯊꯨꯡꯍꯟꯕ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤ ꯃꯆꯥ ꯑꯣꯢꯕꯒꯤ ꯃꯊꯧꯅꯤ ꯫ ꯅꯉꯁꯨ ꯃꯆꯥ ꯑꯣꯢꯕꯅꯤꯅꯥ ꯅꯃꯥꯒꯤ ꯑꯄꯥꯝꯕꯗꯨ ꯐꯪꯍꯜꯂꯨ ꯫"

ꯏꯕꯣꯄꯤꯁꯛꯅꯥ ꯈꯨꯝꯗꯦ, ꯃꯥꯌ ꯅꯣꯟꯊꯗꯨꯅꯥ ꯂꯩ ꯫ ꯏꯀꯥꯢ ꯍꯉꯣꯏꯖꯔꯤꯕ ꯑꯣꯖꯥꯒꯥ ꯕ꯭ꯔꯥꯐꯝ ꯑꯁꯤ ꯐꯣꯡꯅꯥ ꯉꯥꯡꯅꯕ ꯉꯝꯖꯗꯦ ꯫ ꯏꯀꯥꯢꯈꯨꯝꯅꯕꯒꯤ ꯆꯦꯠꯂꯕ ꯃꯕꯤꯗꯨ, ꯅꯝ-ꯍꯥꯕꯒꯤ ꯊꯧꯗꯥ ꯑꯣꯁ꯭ꯊꯣꯕꯀꯄꯁꯤ ꯏꯕꯣꯄꯤꯁꯛꯀꯤ ꯃꯐꯃꯗꯥ ꯇꯌꯥꯡ-ꯇꯁꯣꯢꯕ ꯕ꯭ꯔꯥꯐꯝ ꯑꯣꯢꯅꯥ ꯊꯣꯛꯏ ꯫ ꯍꯧꯖꯤꯛꯄꯨ ꯃꯃꯜ ꯌꯥꯃꯍꯜꯂꯒꯥ ꯉꯔꯥꯡꯕꯨꯅꯥ ꯃꯤꯔꯥꯌꯕꯗꯨ ꯏꯕꯣꯄꯤꯁꯛꯅꯥ ꯌꯥꯕ ꯉꯝꯗꯦ ꯫

ꯏꯕꯣꯄꯤꯁꯛꯅꯥ ꯇꯨꯃꯤꯟꯅꯥ ꯂꯩꯕꯁꯤꯗꯥ ꯑꯣꯖꯥꯗꯨꯅꯥ ꯉꯥꯡꯕ ꯌꯥꯕ ꯉꯥꯡꯂꯀꯏ ꯫ ꯉꯥꯡꯗꯕ ꯌꯥꯔꯛꯔꯕ ꯃꯇꯥꯡꯗꯥ ꯏꯕꯣꯄꯤꯁꯛꯅꯥ ꯇꯞꯅꯄꯅꯥ ꯍꯥꯌ,

"ꯑꯣꯖꯥ, ꯑꯩꯕꯨ ꯑꯣꯖꯥ ꯍꯥꯠꯄ ꯃꯤꯗꯨ ꯑꯣꯢꯍꯟꯕꯤꯒꯅꯨꯕ; ꯑꯩ ꯍꯟꯗꯛꯀꯤꯁꯤ ꯌꯥꯕ ꯉꯝꯃꯣꯢꯅꯦ ꯫"

ꯊꯣꯡꯖꯤꯟ ꯃꯔꯨꯃꯗꯥ ꯂꯣꯟꯅꯥ ꯇꯥꯔꯝꯕꯤ ꯀꯕꯣꯛꯂꯦꯅꯥ ꯆꯡꯁꯤꯜꯂꯛꯂꯒꯥ ꯁꯥꯎꯔꯡꯅꯅꯥ ꯍꯥꯌ,

"ꯅꯃꯥꯒꯤ ꯕ꯭ꯔꯥ ꯏꯟꯗꯕꯇꯥ ꯅꯇ꯭ꯇꯅꯥ ꯅꯉꯒꯤ ꯑꯣꯖꯥꯒꯤ ꯕ꯭ꯔꯥ ꯐꯥꯑꯣꯕ ꯍꯤꯛꯇꯣꯛꯂꯕꯀꯣ ꯫"

ꯕ꯭ꯔꯥ ꯃꯈꯥ ꯇꯥꯔꯛꯂꯤꯡꯩꯗꯥ ꯏꯕꯣꯄꯤꯁꯛꯅꯨ ꯆꯠꯈꯤꯒꯦ ꯇꯧꯏ ꯫ ꯀꯕꯣꯛꯂꯦꯅꯥ ꯊꯠꯂꯒꯥ ꯃꯈꯥ ꯇꯥꯔꯀꯏ,

কাইনথংদা ইবোপিশক্না লুনা, কিনা খঞ্জরিবা ওজা অমনা থেন্নরে,

‘‘মমাগী অপাম্বা থুংহনবা হায়বসি মচা ওইবগী মথৌনি । নঙসু মচা ওইবনিনা নমাগী অপাম্বদু ফংহল্লু ।’’

ইবোপিশক্নু খুমদে, মায় নোন্থদুনা লৈ। ঈকাই হঙোয়জরিবা ওজাগা ব্রাফম অসি ফোঙনা ঙাঙনবা ঙমজদে । ঈকাইখুম্নবগী চেৎলবা মবীদু, নম-হাবগী থৌদা ওস্থোবকপসি ইবোপিশক্কী মফমদা তয়াং-তশোইবা ব্রাফম ওইনা থোকই । হৌজিকপু মমল য়ামহল্লগা ঙরাংবুনা মীরায়বদু ইবোপিশক্না যাবা ঙমদে ।

ইবোপিশক্না তুমিন্না লৈবসিদা ওজাদুনা ঙাঙবা যাবা ঙাঙলকই ।ঙাঙদবা য়ারক্রবা মতাংদা ইবোপিশক্না তপ্নপ্না হায,

‘‘ওজা, ঐবু ওজা হাৎপা মীদু ওইহনবিগনুবা; ঐ হন্দক্কীসি য়াবা ঙম্মোইনে ।’’

থোঙজিন মরুমদা লোন্না তারম্বী কবোক্লেনা চঙশিল্লক্লগা শাউরংননা হায়,

‘‘নমাগী ব্রা ইন্দবতা নত্তনা নঙগী ওজাগী ব্রা ফাওবা হীক্তোক্লবকো ।’’

ব্রা মখা তারক্লিঙৈদা ইবোপিশক্নু চৎখিগে তৌই । কবোক্লেনা থৎলগা মখা তারকই ,

"ꯅꯉꯅꯥ ꯅꯄꯥꯒꯤ ꯁꯥꯒꯩ ꯏ-ꯃꯔꯤꯁꯤ ꯈꯝꯍꯟꯗꯧꯔꯤ, ꯃꯗꯨ ꯈꯪꯎꯀꯣ ꯫"

"ꯑꯩꯅꯥ ꯌꯨꯝ ꯄꯥꯟꯗ꯭ꯔꯤꯕꯁꯤ ꯂꯩꯈꯤꯗ꯭ꯔꯕꯥ ꯏꯄꯥꯗꯨ ꯑꯅꯤꯔꯛ ꯁꯤꯍꯟꯗꯅꯕꯅꯤ: ꯏꯃꯥꯗꯤ ꯃꯁꯤ ꯈꯪꯗꯕ꯭ꯔꯥ ?"

ꯃꯃꯥꯡꯒꯤ ꯃꯇꯝꯗꯥ ꯃꯁꯤꯒꯤ ꯕ꯭ꯔꯥꯍꯩꯁꯤ ꯍꯥꯌꯈꯤꯗ꯭ꯔꯤ ꯫ ꯍꯟꯗꯛꯀꯤ ꯃꯔꯩꯒꯤ ꯂꯥꯟꯁꯤꯡꯒꯤ ꯍꯧꯕꯛꯐꯝꯗꯨꯒꯤ ꯂꯪꯂꯥꯒꯤ ꯂꯪꯖꯤꯟꯅꯤ ꯫ ꯑꯁꯥꯎꯕꯅꯥ ꯊꯜꯂꯝꯕꯥ ꯀꯕꯣꯛꯂꯦꯒꯤ ꯊꯝꯃꯣꯏꯗꯨ ꯆꯪꯀ꯭ꯔꯨꯕꯅꯥ ꯊꯜꯂꯦ ꯫ ꯏꯕꯣꯄꯤꯁꯛꯅꯥ ꯃꯈꯥ ꯇꯥꯅꯀꯏ,

"ꯏꯄꯥꯅꯥ ꯑꯩꯕꯨ ꯕ꯭ꯔꯥꯁꯛꯍꯟꯈꯤꯕꯗ ꯑꯩꯗꯤ ꯀꯥꯎꯗ꯭ꯔꯤ ꯫"

ꯏꯕꯣꯄꯤꯁꯛꯅꯥ ꯆꯍꯤ ꯃꯥꯄꯜꯃꯨꯛ ꯁꯨꯕꯛꯄꯒꯤ ꯑꯗꯨꯕ꯭ꯔꯥꯏꯗꯅꯤ ꯫ ꯃꯍꯥꯛ ꯌꯥꯝꯅꯥ ꯉꯥꯎꯁꯤꯟꯅꯕꯥ ꯑꯉꯥꯡ ꯑꯣꯏꯔꯀꯏ ꯫ ꯂꯥꯏꯕꯤꯛꯇꯥ ꯃꯤꯊꯣꯏ-ꯃꯤꯍꯦꯟꯗꯦ ꯫ ꯅꯣꯡꯃꯥ ꯃꯄꯥꯅꯥ ꯃꯥꯕꯨ ꯕ꯭ꯔꯥꯁꯛꯍꯟꯈꯤꯕꯗꯒꯤ ꯂꯝ ꯍꯦꯟꯈꯤꯗ꯭ꯔꯦ ꯫ ꯃꯍꯩ ꯇꯝꯕꯗꯥ ꯃꯤꯀꯣꯛ ꯊꯣꯡꯂꯦ ꯫ ꯉꯁꯤ ꯐꯥꯎꯕꯗꯥ ꯃꯍꯥꯛꯅꯥ ꯃꯤꯅꯝꯕꯥ ꯕ꯭ꯔꯥ ꯉꯥꯡꯗ꯭ꯔꯤꯕꯥ, ꯃꯌꯥꯏ ꯀꯥꯕꯥ ꯄꯣꯠꯁꯤꯡ ꯆꯥꯗ꯭ꯔꯤ-ꯊꯛꯂꯤꯕꯥ, ꯖ꯭ꯕꯥꯔ ꯁꯥꯝꯅꯗ꯭ꯔꯤꯕꯁꯤ ꯃꯄꯥꯅꯥ ꯕ꯭ꯔꯥꯁꯛꯍꯟꯈꯤꯕꯗꯒꯤꯅꯤ ꯫ ꯃꯄꯥꯅꯥ ꯃꯥꯕꯨ ꯕ꯭ꯔꯥꯁꯛꯍꯜꯂꯤꯕꯁꯤ ꯑꯐꯥ-ꯑꯄꯨꯟꯅꯕꯥ ꯅꯠꯇꯦ; ꯑꯉꯥꯡ ꯕ꯭ꯔꯥꯔꯛꯂꯨꯕꯒꯤ ꯄꯥꯝꯕꯩ ꯑꯃꯥ ꯑꯣꯏꯍꯟꯕꯇꯅꯤ ꯫ ꯀꯔꯤꯒꯨꯝꯕꯗꯥ ꯂꯝꯐꯦꯅꯔꯛꯂꯦ ꯇꯧꯕꯗꯥ ꯃꯄꯥꯅꯥ ꯏꯕꯣꯄꯤꯁꯛꯄꯨ ꯅꯤꯡꯁꯤꯡꯍꯜꯂꯤ.

"নঙনা নপাগী শাগৈ ঈ-মরীসি খমহন্দৌরি, মদু খঙউকো ।"

"ঐনা য়ূম পান্দ্রিবসি লৈখিদ্রবা ইপাদু অনীরক শিহন্দনবনি; ইমাদি মসি খঙদব্রা ?"

মমাঙগী মতমদা মসিগী ব্রাহৈসি হায়খিদ্রি । হন্দক্কী মরৈগী লানশিংগী হৌবকফমদুগী লংলাগী লংজিন্নি । অশাউবনা থল্লম্বা কবোক্লেগী থম্মোয়দু চঙক্রুবনা থল্লে । ইবোপিশক্না মখা তানকই,

"ইপানা এবু ব্রাশকহনখিবদ ঐদি কাউদ্রি ।"

ইবোপিশক্না চহী মাপলমুক শুবকপগী অদুব্রাইদনি । মহাক যাম্না ঙাওশিন্নবা অঙাং ওইরকই । লাইবিক্তা মীথোই-মীহেন্দে । নোংমা মপানা মাবু ব্রাশকহনখিবদগী লম হেনখিদ্রে । মহৈ তম্বদা মীকোক থোংলে । ঙসি ফাওবদা মহাক্না মীনম্বা ব্রা ঙাঙদ্রিবা, ময়াই কাবা পোৎশিং চাদ্রি-থক্লিবা, জ্বার শাম্নদ্রিবসি মপানা ব্রাশকহনখিবদগীনি । মপানা মাবু ব্রাশকহল্লিবসি অফা-অপূন্নবা নত্তে; অঙাং ব্রারক্লুবগী পাম্বৈ অমা ওইহনবতনি । করিগুম্বদা লম্ফেনরক্লে তৌবদা মপানা ইবোপিশকপু নীংশিংহল্লি,

“ꯅꯆꯥ ꯅꯄꯥ ꯄꯜꯂꯒꯥ ꯕ꯭ꯔꯥꯁꯀꯈ꯭ꯔꯕꯅꯤꯀꯣ: ꯕꯥꯁꯛ ꯍꯥꯛꯇꯨꯕꯗꯥ ꯅꯄꯥ ꯍꯥꯡꯄꯦꯜ ꯆꯪ ꯃꯥꯟꯅꯕꯅꯤ ।”

ꯀꯤꯕꯗꯒꯤ ꯏꯕꯣꯄꯤꯁꯛꯂꯥ ꯂꯝꯐꯦꯟꯕꯥ ꯂꯪꯈꯤꯗꯥ ꯈꯛ ꯆꯪꯈꯤꯗꯦ । ꯅꯣꯡꯃꯥ ꯍꯀꯥꯪ-ꯀꯨꯝꯃꯥꯒꯤ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯑꯃꯗꯥ ꯏꯕꯣꯄꯤꯁꯛꯂꯥ ꯃꯄꯥꯗꯥ ꯁꯦꯜ ꯈꯕꯥ ꯄꯤꯕꯤꯅꯅꯥ ꯍꯥꯌꯔꯦ । ꯀꯥꯕꯃꯇ꯭ꯔꯥ ꯈꯪꯗꯅꯥ ꯆꯥꯟꯗꯥ ꯂꯥꯛꯄ ꯕꯥꯍꯟꯅꯥ ꯃꯄꯥꯅꯥ ꯍꯥꯌ,

“ ꯑꯗꯨꯗꯤ ꯅꯨꯄꯥ ꯈꯤꯕꯣꯏ ꯍꯥꯌꯅꯥ ꯕ꯭ꯔꯥꯁꯀꯎ ।”

“ ꯏꯄꯥꯅꯥ ꯁꯥꯛꯁꯤ. ꯑꯩ ꯅꯨꯄꯤ ꯁꯨꯡꯊꯤ ꯊꯤꯕꯣꯏ ।”

ꯅꯨꯄꯤ ꯊꯤꯕꯥ ꯀꯕꯤꯅꯣ ꯈꯪꯗ꯭ꯔꯤꯕꯥ ꯏꯕꯣꯄꯤꯁꯛꯂꯥ ꯈꯨꯗꯛꯇꯥ ꯍꯥꯌꯕꯀꯏ । ꯃꯄꯥꯒꯤ ꯕꯥꯁꯤ ꯐꯥꯒꯤꯅꯤ, ꯅꯨꯡꯁꯤꯗꯅꯥ ꯂꯛꯀꯕꯅꯤ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤ ꯏꯕꯣꯄꯤꯁꯛꯂꯥ ꯈꯪꯗꯦ । ꯃꯄꯥꯒꯤ ꯃꯥꯌꯊꯣꯡꯗꯥ ꯅꯣꯛꯄꯒꯤ ꯅꯪꯇ꯭ꯔꯒꯥ ꯂꯛꯀꯕꯒꯤ ꯃꯃꯤ ꯇꯥꯗꯦ । ꯃꯥꯅꯥ ꯆꯪꯈ꯭ꯔꯒꯥ ꯃꯃꯥ ꯃꯄꯥꯅꯥ ꯃꯉꯥꯎ ꯊꯤꯕꯥ

“নচ, নপা পল্লগা ব্রাশকখ্রবনিকো; বাশক হাক্তুবাদ নপা হাংপেল চঙ মান্নবনি ।”

কিবদগী ইবোপিশক্লা লম্ফেনবা লঙ্খীদা খক চংখিদে । নোংমা হকাঙ কুম্মাগী নুমিং অমদা ইবোপিশক্লা মপাদা শেল খবা পাবিননা হাযড়ৈ কাবমত্রা খন্দনা চান্দা লাকপা বাহনা মপানা হায,

“অদুদি নুপা খিবোই হায়না ব্রাশকউ ।”

“ইপানা শাক্ষি, এ নুপী শুংথি থিবোই ।”

নুপী থিবা কবিনো খঙদ্রিবা ইবোপিশক্লা খদক্তা হাযবকই । মপাগী বাসি ফাগিনি, নুংশিদনা লক্কবনি হায়বসি ইবোপিশক্লা খঙদে । মপাগী মায়থোংদা নোকপগী নংত্রগা লক্কবগী মমি তাদে । মানা চংখ্রগা মমা মপানা মঙাও থীবা

ꯃꯆꯥꯒꯤ ꯃꯇꯧꯗꯥ ꯊꯔꯥꯏ ꯇꯥꯅꯥ ꯅꯣꯛꯍꯧꯕꯗꯨ ꯏꯕꯣꯄꯤꯁꯛꯂꯥ ꯈꯪꯈꯤꯗ꯭ꯔꯦ꯫ ꯍꯧꯖꯤꯛ ꯍꯤꯡꯂꯤꯕꯤ ꯃꯃꯥꯒꯤ ꯈꯣꯜꯂꯥꯡ ꯂꯃꯟꯗꯤ ꯃꯆꯥ ꯑꯃꯥ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯑꯉꯝꯕꯥ ꯄꯥꯝꯕꯩꯅꯥ ꯁꯤꯡꯕꯥ ꯉꯝꯕꯥ ꯌꯥꯏ; ꯍꯣꯠꯁꯨ ꯍꯣꯠꯅꯔꯤ꯫ ꯂꯩꯈꯤꯗ꯭ꯔꯕꯥ ꯃꯄꯥꯒꯤ ꯌꯥꯊꯪꯗꯤ ꯂꯩꯈꯤꯗ꯭ꯔꯕꯅꯤ ꯍꯥꯏꯗꯨꯅꯥ ꯃꯤꯔꯥꯏꯕꯗꯨ ꯏꯕꯣꯄꯤꯁꯛꯂꯥ ꯉꯝꯅꯔꯣꯏ꯫

ꯎꯄꯥꯏ ꯂꯩꯇ꯭ꯔꯕꯤ ꯀꯕꯣꯛꯂꯦꯗꯨ ꯃꯄꯨꯔꯣꯏꯕꯒꯤ ꯃꯣꯡꯐꯝ ꯃꯅꯥꯛꯇꯥ ꯐꯝꯅꯒꯥ ꯊꯝꯃꯣꯌ ꯁꯣꯛꯂꯥ ꯀꯞꯂꯛꯂꯦ,

" ꯅꯪ ꯑꯃꯨꯛꯇꯥ ꯊꯣꯔꯀꯈꯣꯕꯥ, ꯅꯪꯅꯥ ꯍꯥꯏꯈꯤꯕꯗꯨ ꯐꯥꯒꯤꯅꯤ ꯍꯥꯏꯗꯨꯅꯥ ꯅꯆꯥꯁꯤ ꯊꯦꯟꯅꯈꯣ-ꯑꯣ꯫"

ꯇꯥꯡ ꯷-꯴-꯲꯰꯰꯰

মচাগী মতৌদা থরায় তানা নোকহৌবদু ইবোপিশক্লা খঙখিদ্রে। হৌজিক হিংলিবী মমাগী খোল্লাং লমনদি মচা অমা ওইনা অঙম্বা পাম্বৈনা শিংবা ঙম্বা য়াই; হোৎসু হোৎনরি ।লৈখিদ্রবা মপাগী য়াথংদি লৈখিদ্রবনি হায়দুনা মীরায়বদু ইবোপিশক্লা ঙম্নরোই ।

উপাই লৈত্রবী কবোক্লেদু মপুরোইবগী মোংফম মনাক্তা ফম্নগা থম্মোয় শোক্লা কপ্লক্লে,

"নঙ অমুক্তা থোরকখোবা, নঙনা হায়খিবদু ফাগিনি হায়দুনা নচাসি থেন্নখো-ও ।"

তাং ৭-৪-২০০০

[illegible]

[illegible]

ব্রাখলদা ঈরাক্লবা

হন্দক ফমশেন্নদুনা লৈবসিদা চাউরেলসি ব্রাখল ফৎত্রে । কিগনবা মীনা অমম্বদা মথন্ত চৎলিঙৈগী ব্রাখ॰ ৃনি । থেংনবা খুদিংমক তম্নলাইমক্ত ওইরে । ফত্তবা ব্রাখলগা, অরানবা পূক্লিংগা মীচঙ ওইরবদা, ঙাঙলকপা ব্রাঙাঙ খুদিংমক য়েক্লবগী চীরোলগুম্না থোকপদুসু মাঙোন্দা থোকই । করিগুম্বা পোৎ অমনা য়ূমথক্তা তাবগী মখোলদু মীগী খূৎশেম জাদুগী পোৎনি খন্দুনা পাখৎলি । মনাক নক্লা ইমুংগী মীনা চৎখিবদু মখোঙ লৈবাক তাব্রা, মুম্না য়েংহৌই । মানা মীঙোন্দা তৌরুব্রবসু, মাবু কল্লকপা মাইবনা পোৎশেম জাদু তৌরক্কনি চিংনরি । কুইনা হিপ্পগী মশাদা অনাবা ফাওবদু শিরমদাইগী মৈচাক কনখৎলকপনি খল্লে ।মখূৎ নাম্মনা মনাতোন মমাঙদা থন্নগা শোর হোল্লিব্রা য়েংই । নাতোন্দু পায়রগা পৈব্রা য়েংই । পৈদে হায়না লৌজে । অহল ওইবগী পংলপ তৌরবা মখূৎনা খূৎ নাম্মগী

ꯈꯨꯖꯦꯡꯗꯥ ꯄꯥꯏꯔꯒꯥ ꯃꯤꯍꯨꯟ ꯌꯦꯡꯏ। ꯃꯥꯒꯤ ꯕ꯭ꯔꯥꯈꯂꯗꯥ ꯃꯤꯍꯨꯟꯗꯨ ꯐꯪꯕꯒꯨꯝꯅꯁꯨ, ꯑꯃꯨꯛꯂꯥ ꯐꯪꯗꯕꯒꯨꯝꯅꯁꯨ ꯇꯧꯏ। ꯈꯔꯥ ꯄꯥꯈꯠꯅꯥ ꯅꯥꯔꯨꯝ ꯃꯌꯥ, ꯁꯦꯒ꯭ꯔꯥꯛ, ꯊꯕꯥꯛ, ꯈꯣꯌꯗꯧ, ꯃꯌꯥꯝꯁꯤꯗꯥ ꯃꯊꯪ ꯃꯊꯪ ꯌꯦꯡꯂꯀꯏ। ꯍꯉ꯭ꯖꯤꯟꯅꯥ ꯌꯦꯡꯕꯁꯨ ꯌꯥꯎꯏ। ꯃꯍꯩꯔꯣꯏꯅꯥ ꯄꯔꯤꯛꯁꯥꯗꯥ ꯐꯦꯜ ꯑꯣꯏꯅꯤꯡꯗꯕꯥ, ꯃꯤꯑꯣꯏꯕꯅꯥ ꯁꯤꯅꯤꯡꯗꯕꯥ ꯍꯩꯅꯁꯥ ꯑꯣꯏꯔꯃꯜꯂꯦ।

ꯆꯥꯎꯔꯦꯜꯒꯤ ꯊꯝꯃꯣꯌꯗꯨ ꯇꯄꯊꯅꯕꯥ ꯍꯣꯠꯅꯔꯦ। ꯁꯉ꯭ꯒꯥꯏ ꯑꯊꯧꯕꯅꯥ ꯃꯁꯥꯒꯤ ꯃꯈꯣꯛ ꯏꯠꯄꯥ ꯌꯥꯗꯦ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤ ꯅꯤꯡꯁꯤꯡꯂꯀꯏ। ꯃꯁꯥꯅꯥ ꯃꯁꯥꯒꯤ ꯃꯔꯥꯂꯗꯥ ꯇꯥꯖꯕꯥ ꯕ꯭ꯔꯥꯌꯦꯜ ꯂꯥꯜꯂꯕꯁꯨ ꯆꯨꯝꯏ। ꯈꯣꯉꯗꯥ ꯈꯨꯖꯤꯟꯅꯥ ꯁꯤꯛꯀꯦ ꯇꯧꯕꯗꯇ ꯍꯥꯟꯅꯥ ꯅꯥꯏ। ꯑꯀꯨꯞꯄꯥ ꯃꯤꯍꯨꯂꯒꯤ ꯃꯔꯣꯜꯗꯨ ꯃꯥꯃꯀꯨꯗꯤ ꯂꯧꯁꯤꯅꯕꯥ ꯕ꯭ꯔꯥꯔꯅꯤ।

ꯃꯤꯉꯣꯟꯗꯗꯤ ꯃꯤꯍꯨꯂꯒꯤ ꯃꯔꯣꯜꯁꯤ ꯈꯨꯠꯅꯥ ꯍꯥꯏꯐꯦꯠꯇꯪ ꯄꯥꯌꯕꯗꯥ ꯈꯉꯕꯅꯤ। ꯃꯁꯥꯒꯤꯗꯅꯥ ꯈꯉꯗ꯭ꯔꯤꯕꯁꯤ ꯃꯥꯉꯣꯟꯗꯥ ꯑꯕ꯭ꯔꯥꯠꯄꯥ ꯑꯃꯥ ꯂꯩꯔꯕ꯭ꯔꯥ, ꯃꯊꯟꯇꯥ ꯆꯤꯡꯅꯔꯀꯏ। ꯃꯤꯑꯣꯏꯕꯒꯤ ꯊꯕ꯭ꯔꯥꯌ ꯃꯉꯥ ꯁꯨꯏ ꯍꯥꯌꯅꯩ (ꯑꯇꯩ ꯖꯤꯕꯒꯤꯗꯤ ꯈꯉꯗꯦ)। ꯆꯥꯎꯔꯦꯜꯅꯥ ꯍꯛꯆꯤꯟꯅꯥ ꯈꯜꯂꯀꯏ,

খুজেংদা পায়রগা মিহুন য়েংই। মাগী ব্রাখলদা মিহুন্দু ফংবগুম্নসু, অমুক্লা ফংদবগুম্নসু তৌই। খরা পাখৎনা নারুম ময়া, সেগ্রাক, থবাক, খোয়দৌ, ময়ামসিদা মথং মথং য়েংলকই। হঞ্জিন্না য়েংবসু য়াওই। মহৈরোইনা পরিক্ষাদা ফেল ওইনীংদবা, মীওইবনা শিনীংদবা হৈংনশা ওইরমাল্লে।

চাউরেলগী থম্মোয়দু তপথনবা হোৎনরে। শঙ্গাই অথৌবনা মশাগী মখোক ঈৎপা য়াদে হায়বসি নীংশিংলকই। মশানা মশাগী মরালদা তাজবা ব্রায়েল লাল্লবসু চুমই। খোঙদা খুজিন্না শিক্কে তৌবদত হান্না নাই। অকুপ্পা মিহুলগী মরোলদু মামকুদি লৌশিনবা ব্রারনি।

মীঙোন্দদি মিহুলগী মরোলসি খুৎনা হাইফেৎতং পায়বদা খঙবনি। মশাগীদনা খঙদ্রিবসি মাঙোন্দা অব্রাৎপা অমা লৈরব্রা, মথন্তা চিংনরকই। মীওইবগী থব্রায় মঙা শুই হায়নৈ (অতৈ জীবগীদি খঙদে)। চাউরেলনা হকচিন্না খল্লকই,

“ꯊꯕꯔꯥꯏ ꯃꯉꯥ ꯌꯥꯎꯔꯤꯕꯁꯤꯗꯒꯤ ꯊꯕꯔꯥꯏ ꯑꯃꯥ ꯍꯛꯆꯥꯡꯗꯒꯤ ꯆꯠꯊꯔꯕꯖꯥꯠꯂꯥ ? ꯃꯗꯨꯅꯥ ꯑꯩꯉꯣꯟꯗꯥ ꯑꯕꯔꯥꯠꯄꯥ ꯌꯥꯎꯔꯤꯕꯔꯥ ? ꯆꯠꯊꯔꯕꯥ ꯊꯕꯔꯥꯏꯁꯤꯕꯨ ꯑꯃꯨꯛ ꯍꯛꯆꯥꯡꯗꯥ ꯍꯜꯂꯛꯄꯥ ꯌꯥꯗꯕꯔꯥ ? ꯀꯔꯤ ꯃꯅꯨꯡ ꯌꯧꯔꯨꯔꯕꯥ, ꯁꯤꯡ ꯃꯩ ꯊꯥꯔꯨꯔꯕꯥ ꯃꯤ ꯊꯔꯗꯤ ꯍꯤꯡꯕꯥ ꯌꯥꯎꯏ ꯍꯥꯌꯕꯒꯤ ꯕꯔꯥꯔꯤ ꯂꯩꯈꯔꯦ ꯫ ꯃꯈꯣꯌꯒꯤꯗꯨꯅꯥ ꯀꯝꯗꯧꯕꯅꯣ ? ꯊꯕꯔꯥꯏ ꯀꯧꯅꯕꯥ ꯃꯟꯇꯔ, ꯏꯔꯥꯠ-ꯊꯧꯅꯤꯒꯤ ꯃꯟꯇꯔꯗ ꯊꯤꯕꯥ ꯌꯥꯕꯥ ꯊꯤꯔꯨꯔꯦ ꯫ ꯐꯪꯈꯤꯗꯦ ꯫ ꯊꯕꯔꯥꯏ ꯀꯧꯕꯥ ꯍꯩꯕꯥ ꯃꯥꯏꯕꯗꯤ ꯌꯥꯝꯃꯥ ꯂꯩꯅꯩ ꯫ ꯇꯁꯦꯡꯅꯥ ꯀꯧꯕꯔꯥ ꯃꯗꯨꯃꯗꯤ ꯍꯥꯌꯕꯥ ꯂꯨꯔꯤ ꯫”

ꯃꯈꯣꯌ ꯈꯨꯂꯒꯤ ꯑꯕꯔꯥꯡ ꯂꯩꯀꯥꯏꯗꯥ ꯂꯩꯕꯥ ꯐꯩꯖꯥꯎꯒꯥ ꯃꯃꯧꯅꯨꯄꯤꯒꯥ ꯃꯥꯒꯤ ꯃꯅꯥꯛꯇꯥ ꯆꯉꯂꯀꯏ ꯫ ꯃꯃꯧꯅꯨꯄꯤꯅꯥ ꯍꯥꯌꯔꯀꯏ,

“ꯏꯀꯨꯕꯣꯛ, ꯇꯥꯗꯥ ꯂꯥꯀꯏꯑꯦ ꯫”

ꯃꯣꯔꯥ ꯑꯃꯥ ꯊꯥꯔꯒꯥ ꯐꯩꯖꯥꯎꯕꯨ ꯐꯃꯍꯜꯂꯤ ꯫ ꯃꯃꯧꯅꯨꯄꯤꯗꯨ ꯊꯣꯛꯈꯔꯦ ꯫ ꯐꯩꯖꯥꯎꯅꯥ ꯍꯪꯂꯀꯏ,

“ꯍꯛꯆꯥꯡꯕꯨ ꯈꯔꯥ ꯅꯨꯡꯉꯥꯏꯕꯤꯔꯕꯔꯥ ꯃꯥꯝꯃꯥ ?”

“ꯅꯨꯡꯉꯥꯏꯐꯝ ꯈꯉꯗꯦꯗꯥ ꯫ ꯍꯟꯗꯛꯇꯤ ꯁꯤꯔꯒꯦ ꯍꯥꯌꯔꯤꯃꯜꯂꯦ ꯫”

‘‘থব্রায় মঙা য়াওরিবসিদগী থব্রায় অমা হকচাংদগী চৎথ্রবজাৎলা ? মদুনা ঐঙোন্দা অব্রাৎপা য়াওরিব্রা ? চৎথ্রবা থব্রায়সিবু অমুক হকচাংদা হল্লকপা য়াদব্রা ? কৃ মনুং য়ৌরুরবা, শীং মৈ থারুরবা মী থরদি হিংবা য়াওই হায়বগী ব্রারী লৈখ্রে । মখোয়গীদুনা কমদৌবনো ? থব্রায় কৌনবা মন্ত্র, ঈরাৎ-থৌনিগী মন্ত্রদ থিবা য়াবা থিরুরে । ফংখিদে । থব্রায় কৌবা হৈবা মাইবদি য়াম্মা লৈনৈ । তশেংনা কৌব্রা মদুমদি হায়বা লুরি ।’’

মখোয় খুলগী অব্রাং লৈকাইদা লৈবা ফৈজাওগা মমৌনুপীগা মাগী মনাক্তা চঙলকই । মমৌনুপীনা হায়রকই,

‘‘ইকুবোক, তাদা লাকইএ ।’’

মোরা অমা থারগা ফৈজাওবু ফমহল্লি । মমৌনুপীদু থোকখ্রে । ফৈজাওনা হংলকই,

‘‘হকচাংবু খরা নুংঙাইবিরব্রা মাম্মা ?’’

‘‘নুংঙাইফম খঙদেদা । হন্দক্তি শিরগে হায়রিমাল্লে ।’’

“ꯍꯥꯏꯍꯩꯗꯦꯗꯥ ꯃꯥꯝꯃꯥ꯫ ꯄꯨꯛꯆꯦꯜ ꯁꯦꯡꯅ ꯃꯤꯌꯥꯝꯒꯤ ꯁꯦꯕꯥ ꯇꯧꯔꯤꯕ ꯃꯥꯝꯃꯕꯨ ꯃꯇꯝ ꯁꯥꯡꯅ ꯄꯨꯟꯁꯤꯍꯟꯗ꯭ꯔꯕꯗꯤ ꯂꯥꯏ ꯂꯩꯇ꯭ꯔꯦ ꯍꯥꯏꯕ ꯌꯥꯔꯕꯅꯤ꯫”

ꯍꯥꯏꯔꯤꯕꯁꯤ ꯄꯥꯝꯃꯨꯖꯕꯒꯤ ꯕ꯭ꯔꯥꯅꯤ꯫ ꯆꯤꯔꯣꯜ ꯇꯧꯗꯨꯅ ꯕ꯭ꯔꯥ ꯉꯥꯡꯕ ꯐꯩꯖꯥꯎ ꯅꯠꯇꯦ꯫ ꯃꯥꯔꯤ ꯕ꯭ꯔꯥꯁꯤꯗꯥ ꯆꯥꯎꯕꯦꯜꯅ ꯏꯀꯥꯏ꯫ ꯐꯩꯖꯥꯎꯒꯨꯝꯕ ꯃꯤꯑꯣꯏꯁꯤꯡꯕꯨ ꯆꯥꯎꯔꯦꯜꯒꯨꯝꯕ ꯃꯤꯅ ꯅꯀꯁꯤꯟꯕꯤꯈꯤꯗꯦ꯫ ꯃꯁꯤ ꯑꯩꯈꯣꯏꯒꯤ ꯂꯩꯕꯥꯛꯇꯥ ꯆꯠꯅꯔꯤꯕ ꯌꯥꯏꯇꯣꯡꯕꯁꯤꯡꯒꯤ ꯍꯩꯅꯕꯤꯅꯤ꯫ ꯆꯥꯎꯔꯦꯜꯒꯤ ꯃꯥꯏꯕ ꯁꯥꯕꯒꯤ ꯃꯍꯩꯗꯨ ꯐꯩꯖꯥꯎꯈꯣꯏꯒꯨꯝꯕ ꯑꯅꯥꯕ ꯃꯤꯒꯤ ꯅꯠꯇꯦ꯫ ꯃꯁꯤ ꯈꯉꯂꯕꯁꯨ ꯐꯩꯖꯥꯎꯅ ꯆꯥꯎꯔꯦꯜꯕꯨ ꯃꯇꯝ ꯁꯥꯡꯅ ꯄꯨꯟꯁꯤꯍꯜꯂꯤꯡꯂꯤ꯫ ꯃꯥꯒꯨꯝꯕ ꯃꯤꯑꯣꯏ ꯂꯩꯕꯥꯛꯁꯤꯗꯥ ꯌꯥꯝꯅ ꯂꯩ꯫ ꯃꯈꯣꯏꯅ ꯅꯨꯡꯁꯤꯕ ꯃꯤꯗꯨ ꯚꯥꯔꯠꯀꯤ, ꯑꯃꯦꯔꯤꯀꯥꯒꯤ, ꯄ꯭ꯔꯤꯊꯤꯕꯤꯒꯤ ꯃꯐꯝ ꯑꯃꯗꯥ ꯂꯩꯁꯅꯨ, ꯃꯤꯗꯨꯅ ꯅꯥꯔꯦ ꯇꯥꯕꯗꯥ ꯄꯥꯎꯆꯦꯗꯣ ꯂꯥꯏ ꯈꯨꯔꯨꯝꯏ꯫ ꯂꯥꯏꯕꯛ ꯊꯤꯗꯨꯅ ꯁꯤꯔꯒꯅ ꯆꯔꯥ ꯍꯦꯜꯂꯤ, ꯉꯥ ꯍꯦꯜꯂꯤ꯫ ꯃꯈꯣꯏꯒꯤꯁꯤ ꯃꯥꯂꯦꯝꯒꯤ ꯃꯤ ꯄꯨꯝꯕ ꯁꯥꯒꯩ-ꯅꯥꯇꯩ ꯉꯥꯛꯇꯅꯤ ꯍꯥꯏꯕꯒꯤ ꯈꯨꯗꯝ ꯎꯠꯄ꯭ꯔꯥ ?

ꯐꯩꯖꯥꯎꯅ ꯕ꯭ꯔꯥꯔꯤ ꯍꯧꯔꯀꯏ,

“ꯃꯥꯝꯃꯒꯤꯁꯤ ꯀꯔꯤ ꯑꯣꯏꯅ ꯉꯕ꯭ꯔꯤꯗꯕꯅꯣ ?”

‘‘হায়হেদেদা মাম্মা । পৃকচেল শেংনা মীয়ামগী সেবা তৌরিবা মাম্মবু মতম শাংনা পুন্সিহন্দ্রবদি লাই লৈত্রে হায়বা য়ারবনি ।’’

হায়রিবসি পাম্মুজবগী ব্রানি । চিরোল তৌদুনা ব্রা ঙাঙবা ফৈজাও নত্তে । মা্রি ব্রাসিদা চাউবেলনা ঈকাই । ফৈজাওগুম্বা মীওইশিংবু চাউরেলগুম্বা মীনা নকশিনবিখিদে । মসি ঐখোয়গী লৈবাক্তা চৎনরিবা যায়তোংবশিংগী হৈনবীনি । চাউরেলগী মাইবা শাবগী মহৈদু ফৈজাওখোয়গুম্বা অনাবা মীগী নত্তে । মসি খঙলবসু ফৈজাওনা চাউরেলবু মতম শাংনা পুন্সিহম্লীংলি । মাগুম্বা মীওই লৈবাকসিদা য়াম্না লৈ । মখোয়না নুংশিবা মীদু ভারতকী, অমেরিকাগী, পৃথিবীগী মফম অমদা লৈসনু, মীদুনা নারে তাবদা পাউচেদো লাই খুরুমই । লাইবক থীদুনা শিরগনা চরা হেল্লি, ঙা হেল্লি । মখোয়গীসি মালেমগী মী পূম্বা শাগৈ-নাতৈ ঙাক্তনি হায়বগী খুদম উৎপ্রা ?

ফৈজাওনা ব্রারী হৌরকই,

‘‘মাম্মগীসি করি ওইনা ঙব্রীদবনো ?’’

“ꯃꯁꯤꯅꯤ ꯍꯥꯏꯕ ꯑꯁꯦꯡꯕ ꯈꯪꯗꯦ꯫ ꯅꯨꯡꯉꯥꯏꯇꯕꯒꯤ ꯅꯨꯡꯉꯥꯏꯇꯕ ꯉꯥꯛꯇꯅꯤ꯫ ꯑꯁꯨꯛ ꯋꯥꯅ ꯂꯩꯗꯧꯕꯒꯤ ꯁꯔꯨꯛ, ꯁꯤꯗꯧ ꯂꯩꯔꯕꯗꯤ ꯈꯔ ꯊꯨꯅ ꯁꯤꯍꯟꯕꯤꯔꯣ ꯍꯥꯏꯔꯕꯅꯤ ꯑꯩꯗꯤ꯫”

“ꯑꯣꯁ꯭ꯊꯣꯛ ꯑꯣꯁ꯭ꯊꯣꯛꯄ ꯋꯥꯕꯨ ꯇꯥꯛꯄꯤꯔꯦꯗꯀꯣ; ꯃꯥꯝꯗꯤ ꯅꯥꯕꯀ ꯌꯥꯗꯦ꯫ ꯃꯥꯝꯅ ꯍꯤꯞꯇꯨꯅ ꯂꯩꯕ ꯍꯥꯏꯕꯁꯤ ꯑꯩꯈꯣꯏ ꯈ꯭ꯋꯥꯏꯒꯤ ꯃꯥꯡꯖꯕꯅꯤ꯫”

ꯐꯦꯖꯥꯎꯅ ‘ꯑꯩꯈꯣꯏ ꯈ꯭ꯋꯥꯏꯒꯤ’ ꯍꯥꯏꯔꯤꯕꯁꯤ ꯑꯁꯦꯡꯕꯗꯤ ‘ꯃꯈꯣꯏ ꯈꯔꯒꯤ’ ꯍꯥꯏꯒꯗꯕꯅꯤ꯫ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯃꯥꯒꯤ ꯋꯥꯈꯂꯗ, ꯃꯤꯒꯤ ꯏꯈꯣꯂꯗ ꯍꯧꯕ ꯎꯖꯥꯎꯗꯨ ꯃꯥꯉꯣꯟꯗ ꯃꯥꯡꯍꯟꯕꯁꯨ, ꯀꯥꯟꯅꯕꯁꯨ ꯇꯧꯗꯦ; ꯑꯁꯨꯝ ꯍꯧꯗꯨꯅ ꯂꯩꯕꯟꯗꯤ ꯃꯌꯥꯝꯒꯤ ꯑꯣꯏꯅ ꯀꯥꯟꯅꯕꯗꯤ ꯂꯩ ꯍꯥꯏꯅ ꯈꯜꯂꯕ꯭ꯕ ꯌꯥꯏ꯫

ꯄꯨꯛꯂꯤꯡ ꯅꯨꯡꯁꯤꯅ ꯆꯥꯎꯔꯦꯜꯅ ꯍꯥꯏ,

“ꯈꯪꯗ꯭ꯔꯦꯗ ꯐꯦꯖꯥꯎ, ꯍꯛꯆꯥꯡꯁꯤ ꯅꯣꯡꯃ-ꯅꯣꯡꯃꯒꯤ ꯁꯣꯁ꯭ꯊꯔꯛꯄꯣꯏ ꯅꯤꯡꯏ꯫”

“ꯑꯩꯅ ꯎꯖꯕꯗꯗꯤ ꯃꯥꯝꯃꯒꯤ ꯁꯛꯐꯝꯁꯤ ꯀꯜꯂꯤꯉꯩꯒ ꯃꯥꯟꯅꯔꯤ꯫”

ꯋꯥꯍꯩꯁꯤ ꯆꯥꯎꯔꯦꯜꯅ ꯊꯥꯖꯕ ꯉꯝꯗꯦ꯫ ꯃꯥꯅ ꯑꯅꯥꯕ ꯀꯌꯥ ꯂꯥꯏꯌꯦꯡꯕꯗ ꯑꯁꯤꯒꯨꯝꯕ ꯄꯨꯛꯂꯤꯡ ꯊꯧꯒꯠ ꯋꯥꯍꯩꯁꯤꯡꯁꯤ ꯇꯣꯏꯅ ꯍꯥꯏꯈꯤꯕꯅꯤ꯫ ꯏꯀꯨꯏ ꯀꯨꯏꯗꯅ ꯁꯤꯔꯅꯤ ꯈꯪꯂꯕ ꯑꯅꯥꯕꯗꯁꯨ ꯍꯥꯏꯈꯤ꯫

“মসিনি হায়বা অশেংবা খঙদে। নুংঙাইতবগী নুংঙাইতবা ঙাক্তনি। অসুক ৱানা লৈদৌবগী শরুক, শিদৌ লৈরবদি খরা থুনা শিহনবিরো হায়রবনি ঐদি।”

“ওস্থোক ওস্থোকপা ৱাবু তাকপিরেদকো; মাম্মদি নাবকা য়াদে। মাম্মনা হিপ্তুনা লৈবা হায়বসি ঐখোয় খ্বাইগী মাঙজবনি।”

ফেজাওনা ‘ঐখোয় খ্বাইগী’ হায়রিবসি অশেংবাদি ‘মখোয় খরগী’ হায়গদবনি। অদুবু মাগী ৱাখলদা, মীগী ইখোলদা হৌবা উজাউদু মাঙোন্দা মাঙহনবসু, কান্নবসূ তৌদে; অসুম হৌদুনা লৈবনদি ময়ামগী ওইনা কান্নবদি লৈ হায়না খল্লব্বা য়াই।

পূক্লিং নুংশিনা চাউরেলনা হায়,

“খঙদ্রেদা ফেজাও, হকচাংসি নোংম-নোংমগী শোস্থরকপোই নীংই।”

“ঐনা উজবদদি মাম্মগী শকফমসি কল্লিঙৈগা মান্নরি।”

ৱাহৈসি চাউরেলনা থাজবা ঙমদে। মানা অনাবা কয়া লায়েংবদা অসিগুম্বা পূক্লিং থৌগৎ ৱাহৈশিংসি তোয়না হায়খিবনি। ইকুই কুইদনা শিরনি খঙলবা অনাবদসু হায়খি।

ꯉꯥꯏꯍꯥꯛ ꯕ꯭ꯔꯥꯔꯤ ꯁꯥꯔꯝꯅꯒꯥ ꯐꯩꯖꯥꯎꯗꯨ ꯆꯠꯈ꯭ꯔꯦ ꯫ ꯈꯪꯍꯧꯗꯅꯥ ꯃꯤꯅꯨꯡꯁꯤꯒꯤ ꯏꯍꯧ ꯑꯃꯥ ꯆꯥꯎꯔꯦꯜꯒꯤ ꯊꯝꯃꯣꯏꯗꯥ ꯍꯧꯔꯀꯏ ꯫ ꯑꯆꯧ-ꯑꯁꯥꯡ, ꯏꯅꯥꯛꯈꯨꯟꯕꯁꯤꯡꯒꯤ ꯁꯦꯕꯥ ꯇꯧꯕꯗꯥ ꯅꯨꯡꯉꯥꯏꯕꯒꯥ, ꯏꯆꯝ ꯆꯝꯕꯥ ꯂꯥꯏꯔ-ꯑꯅꯪꯒꯤ ꯁꯦꯕꯥ ꯇꯧꯕꯗꯥ ꯅꯨꯡꯉꯥꯏꯕꯒꯥ ꯑꯅꯤꯁꯤ ꯃꯥꯝꯅꯍꯟꯕꯥ ꯉꯝꯗ꯭ꯔꯤ ꯫ ꯍꯤꯡꯕꯗꯥ ꯕ꯭ꯔꯥꯔꯕꯥ, ꯆꯥꯎꯈꯠꯂꯕꯥ ꯃꯇꯝꯁꯤꯗꯥ ꯑꯅꯤꯁꯤꯒꯤ ꯃꯔꯛꯇꯥ ꯂꯩꯔꯤꯕꯥ ꯈꯦꯟꯅꯕꯁꯤ ꯈꯔꯥ ꯍꯦꯟꯅꯥ ꯄꯥꯛ ꯆꯥꯎꯕꯤ ꯫ ꯄꯨꯛꯆꯦꯜ ꯄꯤꯛꯄꯥ, ꯃꯁꯥꯒꯤꯇ ꯈꯅꯕꯥ ꯃꯤꯅꯥ ꯃꯁꯤꯡ ꯌꯥꯝꯔꯤꯕꯃꯈꯩ ꯄꯥꯛ ꯆꯥꯎꯈꯤꯒꯅꯤ ꯫

ꯃꯐꯥꯡ-ꯃꯐꯥꯡꯕꯥ ꯕ꯭ꯔꯥꯈꯜꯁꯤꯡ ꯈꯜꯂꯤꯕꯗꯨ ꯕ꯭ꯔꯥ ꯉꯥꯡꯕꯒꯤ ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ ꯑꯃꯅꯥ ꯑꯌꯦꯡꯄꯥ ꯄꯤꯔꯦ ꯫ ꯃꯥꯡꯒꯣꯜꯂꯣꯝꯗꯒꯤꯅꯤ ꯫ ꯃꯤꯁꯛ ꯈꯪꯑꯦ ꯫ ꯃꯅꯥꯛꯇꯥ ꯆꯪꯍꯟꯅꯤꯡꯗꯕꯥ ꯃꯤꯅꯤ ꯫ ꯆꯪꯍꯜꯂꯛꯀꯅꯨ ꯍꯥꯏꯒꯗꯕꯁꯨ ꯃꯅꯥꯛ ꯑꯗꯨꯕ꯭ꯔꯥꯏꯗꯥ ꯏꯃꯨꯡꯒꯤ ꯃꯤ ꯀꯅꯥꯁꯨ ꯂꯩꯇꯦ ꯫ ꯃꯈꯨꯠꯇꯥ ꯀꯔꯤꯒꯨꯝꯕꯥ ꯃꯟꯇ꯭ꯔ ꯑꯃꯥ ꯁꯣꯜꯂꯒꯥ ꯃꯃꯥꯏ, ꯃꯃꯤꯠ, ꯃꯈꯣꯡ, ꯃꯈꯨꯠ, ꯄꯨꯛ, ꯊꯕꯛ, ꯃꯁꯥ ꯄꯨꯝꯕꯥ ꯅꯥꯝꯊꯣꯛꯏ ꯫ ꯆꯪꯂꯛꯏꯕꯥ ꯅꯨꯄꯥꯁꯤꯒꯤ ꯃꯔꯃꯗꯥ ꯃꯤꯌꯥꯝꯅꯥ ꯉꯥꯡꯅꯕꯥ ꯕ꯭ꯔꯥꯐꯝ ꯀꯌꯥ ꯂꯩꯔꯤ ꯫ ꯃꯤꯒꯤ ꯑꯅꯥꯕꯥ ꯍꯪꯕꯥ ꯆꯠꯂꯒꯥ ꯑꯅꯥꯕꯗꯨꯗꯥ ꯃꯥꯒꯤ ꯎꯁꯤꯟ ꯇꯧꯁꯤꯜꯂꯤ ꯫ ꯃꯁꯨꯗꯥ, ꯃꯃꯧꯗꯥ, ꯃꯤꯒꯤ ꯑꯉꯥꯡꯗꯥ ꯎꯁꯤꯟ ꯇꯧꯏ ꯫ ꯃꯥꯅꯥ ꯅꯥꯔꯤꯉꯩꯗꯥ ꯑꯅꯥꯕꯥ ꯍꯪꯕꯥ ꯂꯥꯛꯄꯥ ꯃꯤꯗꯥ ꯎꯁꯤꯟ ꯁꯤꯟꯖꯤꯟꯕꯗꯒꯤ ꯃꯌꯨꯝ ꯌꯧꯔꯒꯥ ꯁꯤꯈꯤꯕꯥ ꯃꯤ ꯃꯉꯥ ꯇꯔꯨꯛ ꯁꯨꯕꯦ ꯫ ꯃꯥꯅꯥ ꯎꯁꯤꯟ ꯇꯧꯕꯗꯒꯤ ... ꯫

ঙাইহাক ব্রারী শারম্নগা ফৈজাওদু চৎখ্রে । খঙহৌদনা মীনুংশিগী ঈহৌ অমা চাউরেলগী থম্মোয়দা হৌরকই । অচৌ-অশাং, ঈনাকখুনবশিংগী সেবা তৌবদা নুংঙাইবগা, ইচম চম্বা লাইর-অনঙগী সেবা তৌবদা নুংঙাইবগা অনীসি মাম্নহনবা ঙমদ্রি । হিংবদা ব্রারবা, চাওখৎলবা মতমসিদা অনীসিগী মরক্তা লৈরিবা খেন্নবসি খরা হেন্না পাক চাউবি । পূকচেল পীকপা, মশাগীত খনবা মীনা মশীং য়াম্রিবমখৈ পাক চাউখিগনি ।

মফাং-মফাংবা ব্রাখলশিং খল্লিবদু ব্রা ঙাঙবগী খোঞ্জেল অমনা অয়েংপা পীরে । মাঙ্গোল্লোমদগীনি । মীশক খঙএ । মনাক্তা চঙহন্নীংদবা মীনি। চঙহল্লক্কনু হায়গদবসু মনাক অদুব্রাইদা ইমুংগী মী কনাসু লৈতে ।মখুৎতা করিগুম্বা মন্ত্র অমা শোল্লগা মমায়, মমীৎ, মখোঙ, মখূৎ, পূক, থবাক, মশা পূম্বা নাম্থোকই । চঙলকইবা নুপাসিগী মরমদা মীয়াম্না ঙাঙনবা ব্রাফম কয়া লৈরি । মীগী অনাবা হংবা চৎলগা অনাবদুদা মাগী উশিন তৌশিল্লি । মশূদা, মমৌদা, মীগী অঙাংদা উশিন তৌই । মানা নারিঙৈদা অনাবা হংবা লাকপা মীদা উশিন শিনজিনবদগী ময়ূম য়ৌরগা শিখিবা মী মঙা তরুক শুবে। মানা উশিন তৌবদগী - ।

ꯆꯥꯎꯔꯦꯜꯗꯨ ꯃꯃꯤꯠ-ꯃꯅꯥ ꯁꯤꯡꯕꯥ ꯍꯦꯅꯒꯠꯂꯀꯏ ꯫ ꯃꯊꯟꯇ ꯁꯥꯎꯏ,

" ꯑꯩꯈꯣꯏ ꯏꯃꯨꯡꯒꯤ ꯃꯤ ꯑꯗꯨꯛ ꯌꯥꯝꯕꯗꯨꯕꯨ ꯀꯩꯗꯧ ꯂꯩꯍꯧꯕꯖꯥꯡꯅꯣꯅꯦ, ꯀꯅꯥꯃꯇꯇꯅꯥ ꯈꯥꯝꯗ꯭ꯔꯤꯕꯁꯤꯕꯣ ? "

ꯂꯥꯛꯏꯕꯥ ꯅꯨꯄꯥꯗꯨ ꯆꯪꯁꯤꯟꯂꯛꯀꯨꯅꯥ ꯍꯝꯅꯥ ꯊꯥꯔꯝꯕꯥ ꯀꯣꯔꯥꯗꯨꯗꯥ ꯃꯣꯡ ꯍꯥꯗꯅꯥ ꯐꯝꯃꯏ ꯫ ꯑꯇꯩ ꯋꯥꯔꯤ ꯁꯥꯔꯕꯒꯤ ꯇꯨꯡꯗꯥ ꯂꯥꯛꯏꯕꯗꯨꯅꯥ ꯍꯥꯏ,

" ꯇꯥꯗꯗꯒꯤ ꯃꯍꯩ ꯈꯔꯥ ꯅꯤꯖꯒꯦ ꯍꯥꯏꯗꯨꯅꯥ ꯅꯅꯥꯎ ꯂꯥꯛꯆꯔꯤꯕꯅꯤ ꯫ ꯑꯩꯁꯨ ꯃꯥꯏꯕꯥ ꯍꯥꯏꯕꯗꯨꯃꯥ ꯑꯣꯏꯖꯔꯨꯔꯕꯅꯤꯅꯥ ꯃꯍꯩ ꯈꯔꯥ ꯍꯩꯖꯤꯟꯍꯧꯒꯦ ꯈꯟꯖꯔꯤꯑꯦ ꯫"

ꯃꯈꯜ ꯇꯔꯨꯛ, ꯇꯔꯦꯠꯀꯤ ꯃꯟꯠꯔ ꯄꯤꯌꯨ ꯍꯥꯏ ꯫ ꯑꯐꯕꯒꯤꯁꯨ ꯐꯠꯇꯕꯒꯤꯁꯨ ꯌꯥꯎꯔꯤ ꯫ ꯆꯥꯎꯔꯦꯜꯅꯗꯤ ꯑꯃꯥ ꯐꯥꯎꯕꯥ ꯄꯤꯅꯤꯡꯗꯦ ꯫ ꯂꯥꯛꯏꯕꯁꯤꯒꯤ ꯃꯔꯃꯗꯥ ꯃꯤꯌꯥꯝꯅꯥ ꯉꯥꯡꯅꯔꯤꯕꯁꯤꯒꯤ ꯍꯧꯔꯛꯐꯝ ꯊꯧꯗꯣꯛ ꯈꯔꯗꯤ ꯁꯣꯏꯗꯅꯥ ꯂꯩꯐꯝ ꯊꯣꯛꯏ ꯫ ꯆꯥꯎꯔꯦꯜꯅꯥ ꯈꯪꯏ, ꯁꯅꯁꯦꯟꯕꯥ ꯃꯤꯗꯥ ꯊꯥꯡ ꯄꯤꯕꯥ ꯂꯥꯜꯂꯣꯏ, ꯁꯥ ꯁꯦꯝꯕꯥ ꯃꯤꯗꯥ ꯊꯧꯔꯤ ꯄꯤꯕꯗꯤ ꯂꯥꯟꯒꯅꯤ ꯫ ꯄꯤꯅꯤꯡꯗꯦ ꯍꯥꯏꯕꯗꯤ ꯌꯥꯗꯕꯅꯤꯅꯥ ꯆꯥꯎꯔꯦꯜꯅꯥ ꯍꯥꯏ,

চাউরেলদু মমীৎ-মনা শিংবা হেনগৎলকই । মথন্ত শাউই,

"ঐখোয় ইমুংগী মী অদুক য়াম্বদুবু কৈদৌ লৈহৌবজাংনোনে, কনামত্তনা খামদ্রিবসিবো ?"

লাকইবা নুপাদু চঙশিল্লক্কুনা হাম্না থারম্বা কোরাদুদা মোং হাদনা ফমই । অতৈ ৱারী শারবগী তুংদা লাকইবদুনা হায়,

"তাদদগী মহৈ খরা নিজগে হায়দুনা ননাও লাকচরিবনি । ঐসু মাইবা হায়বদুমা ওইজরুরবনিনা মহৈ খরা হৈজিনহৌগে খঞ্জরিএ ।"

মখল তরুক, তরেৎকী মন্ত্র পীয়ু হায় ।অফবগীসু ফত্তবগীসু য়াওরি । চাউরেলনদি অমা ফাওবা পীনীংদে । লাকইবসিগী মরমদা মীয়াম্না ঙাঙনরিবসিগী হৌরকফম থৌদোক খরদি শোয়দনা লৈফম থোকই । চাউরেলনা খঙই, ষণশেনবা মীদা থাঙ পীবা লাল্লোই, শা শেম্বা মীদা থৌরী পীবদি লানগনি । পীনীংদে হায়বদি য়াদবনিনা চাউরেলনা হায়,

“ꯅꯣꯡꯃꯥ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯑꯐꯕꯥ ꯑꯃꯥ ꯏꯌꯥꯝꯕꯅꯥ ꯍꯥꯌꯔꯛꯂꯦ, ꯅꯨꯃꯤꯠꯇꯨꯗꯥ ꯂꯥꯛꯎꯅꯦ꯫”

“ꯇꯥꯗꯥ ꯈꯖꯤꯛꯀꯤ ꯊꯨꯅꯗꯤ ꯄꯥꯃꯖꯖꯦꯗꯀꯣ꯫”

ꯑꯀꯣꯟꯕꯒꯤ ꯕ꯭ꯔꯥꯁꯤ ꯁꯣꯛꯆꯤꯜꯂꯕꯥ ꯃꯥꯒꯤ ꯐꯤꯚꯃꯁꯤꯗꯥ ꯉꯁꯤ, ꯍꯌꯦꯡ ꯁꯤꯈꯤꯕꯥ ꯌꯥꯏ, ꯃꯍꯩꯗꯨ ꯂꯧꯍꯧꯔꯣꯏ ꯍꯥꯌꯕꯒꯤ ꯕ꯭ꯔꯥꯍꯟꯗꯣꯛꯀꯤ꯫ ꯃꯁꯤ ꯆꯥꯎꯔꯦꯜꯅꯥ ꯈꯪꯏ꯫ ꯕ꯭ꯔꯥꯔꯧꯅꯥ ꯍꯥꯌꯔꯀꯏ,

“ꯑꯩꯅꯥ ꯈꯪꯏꯕꯥ ꯃꯍꯩ ꯄꯨꯝꯕꯁꯤ ꯂꯣꯏꯅꯥ ꯁꯤꯟꯅꯔꯃꯒꯗꯧꯔꯤꯕꯅꯤ꯫ ꯃꯇꯝ ꯈꯖꯤꯛꯀꯤ ꯕ꯭ꯔꯥꯠꯂꯤꯃꯥꯜꯂꯦ ꯍꯥꯌꯗꯨꯅꯥ ꯂꯩꯕꯅꯤ꯫ ꯏꯌꯥꯝꯕꯥ ꯁꯣꯏꯗꯅꯥ ꯄꯤꯒꯦꯀꯣ꯫”

ꯉꯥꯏꯍꯥꯛ ꯇꯨꯃꯤꯟꯅꯥ ꯂꯩꯔꯦ꯫ ꯆꯥꯎꯔꯦꯜꯅꯥ ꯅꯨꯡꯁꯤꯕꯤꯟꯕꯥ ꯑꯣꯏꯔꯃꯥꯜꯂꯦ ꯅꯨꯄꯥꯗꯨꯅꯥ ꯍꯥꯌ,

“ꯇꯥꯗ, ꯁꯦꯕꯥ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯄꯨꯛꯀꯨ ꯉꯥꯏꯍꯥꯛꯀꯤ ꯃꯔꯤ ꯁꯨꯖꯔꯃꯒꯦꯗꯣ?”

“ꯗꯥꯛꯇꯔꯅꯥ ꯄꯨꯛ ꯁꯨꯕꯥ ꯌꯥꯗꯦ ꯍꯥꯌꯅꯦ꯫ ꯍꯌꯦꯡ ꯀꯣꯝꯅꯥ ꯁꯨꯔꯣꯀꯣ꯫”

ꯆꯥꯎꯔꯦꯜꯗꯤ ꯇꯁꯦꯡꯅꯥ ꯄꯥꯈꯠꯂꯦ꯫ ꯄꯨꯛ ꯁꯨꯍꯟꯕꯥ ꯅꯠꯇꯦ, ꯅꯨꯄꯥꯁꯤ ꯃꯅꯃꯁꯤꯗꯒꯤ

‘‘নোংমা নুমিৎ অফবা অমা ইয়াম্বনা হায়রক্লে, নুমিৎতুদা লাকউনে।’’

‘‘তাদা খজিক্কং থুনদি পামজ্জেদকো।’’

অকোনবগী ব্রাসি শোকচিল্লবা মাগী ফিভমসিদা ঙসি, হয়েং শিখিবা য়াই, মহৈদু লৌহৌরোই হায়বগী ব্রাহন্দোক্কি । মসি চাউরেলনা খঙএ । ব্রারৌনা হায়রকই,

‘‘ঐনা খঙইবা মহৈ পূম্বসি লোয়না শিন্নরমগদৌরিবনি ।মতম খজিক্কং ব্রাৎলিমাল্লে হায়দুনা লৈবনি । ইয়াম্বা শোয়দনা পীগেকো ।’’

ঙাইহাক তুমিন্না লৈরে । চাউরেলনা নুংশিবিনবা ওইরমাল্লে নুপাদুনা হায়,

‘‘তাদ, সেবা ওইনা পূক্কু ঙাইহাক্কং মরী শূজরমগেদো ?’’

‘‘ডাক্তরনা পূক শূবা যত্তে হায়নে । হয়েং কোম্না শূরোকো ।’’

চাউরেলদি তশেংনা পাখৎলে । পূক শূহনবা নত্তে, নুপাসি ম্নমসিদগী

ꯆꯠꯍꯟꯅꯤꯡꯂꯕꯅꯤ ꯫ ꯐꯣꯡꯅꯥ ꯍꯥꯏꯕ ꯌꯥꯔꯟꯅꯕꯗꯤ 'ꯆꯠꯂꯣ' ꯍꯥꯏꯔꯝꯃꯅꯤ ꯫ ꯃꯥꯏ ꯐꯥꯛꯂꯥꯡꯂꯣꯝꯗꯥ ꯑꯣꯟꯁꯤꯟꯅꯒꯥ ꯆꯥꯎꯔꯦꯜꯅꯥ ꯍꯥꯏ,

"ꯌꯦꯠꯊꯪꯕ ꯅꯥꯀꯂꯁꯤ ꯅꯥꯔꯦ, ꯑꯩ ꯑꯁꯣꯝꯗꯥ ꯑꯃꯨꯛ ꯆꯦꯞꯀꯦꯀꯣ ꯫"

"ꯐꯅꯤ ꯇꯥꯗꯥ ꯫ ꯀꯔꯤꯒꯨꯝꯕ ꯂꯥꯏ ꯇꯤꯟ ꯈꯨꯔꯨꯝꯃꯒꯠꯄ, ꯊꯧ ꯇꯧꯒꯗꯕ, ꯈꯣꯌꯣꯝ-ꯆꯕꯥꯟ ꯊꯥꯒꯗꯕ ꯂꯩꯔꯕꯁꯨ ꯇꯥꯛꯄꯤꯌꯨ, ꯅꯍꯥꯛꯅ ꯇꯧꯖꯒꯦ ꯫"

"ꯍꯧꯖꯤꯛ ꯃꯛꯇꯤ ꯃꯗꯨꯒꯤ ꯃꯤꯍꯨꯜ ꯃꯔꯣꯟ ꯐꯪꯗ꯭ꯔꯤ ꯫ ꯃꯇꯥꯡꯗꯨ ꯂꯥꯛꯂꯒꯗꯤ ꯏꯕꯨꯡꯉꯣꯅꯥ ꯇꯧꯗꯅꯥ ꯀꯅꯥꯅꯥ ꯇꯧꯕꯤꯅꯦꯒꯅꯦ ꯫"

ꯆꯥꯎꯔꯦꯜꯗꯨ ꯏꯈꯨꯝ ꯈꯨꯝꯅꯤꯡꯗꯦ ꯫ ꯑꯃꯗꯨꯅꯥ ꯊꯕ꯭ꯔꯥꯏ ꯌꯥꯎꯅꯥ ꯁꯥꯔꯛꯄꯗꯥ 'ꯎꯝ', 'ꯍꯣꯏ' ꯍꯥꯏꯅꯥ ꯃꯔꯛ ꯃꯔꯛꯇꯥ ꯈꯨꯟꯅꯀꯏ ꯫

ꯐꯅꯥ ꯀꯨꯏꯅꯥ ꯐꯟꯅꯟꯅꯒꯥ ꯅꯨꯄꯥꯗꯨ ꯆꯠꯈ꯭ꯔꯦ ꯫ ꯃꯥꯅꯥ ꯍꯦꯛ ꯊꯣꯛꯈꯤꯕꯒꯥ ꯃꯃꯧꯅꯨꯄꯤꯗꯨ ꯀꯧꯁꯤꯟꯅꯒꯥ ꯆꯥꯎꯔꯦꯜꯅꯥ ꯆꯩꯔꯀꯏ,

"ꯀꯩꯗꯧꯕꯒꯤ ꯑꯁꯤꯒꯨꯝꯕ ꯃꯤꯁꯤ ꯏꯅꯥꯛꯇꯥ ꯆꯉꯍꯟꯅꯀꯏꯅꯣ ? ꯅꯈꯣꯌ ꯑꯗꯨꯛ ꯌꯥꯝꯅꯥ ꯂꯩꯕꯕꯨ ꯃꯥ ꯂꯥꯛꯄꯁꯤ ꯀꯅꯥꯃꯛꯇ ꯎꯍꯧꯗ꯭ꯔꯥꯎ ?"

চৎহন্নীংলবনি । ফোঙনা হায়বা য়ারন্নবদি 'চৎলো' হায়রমগনি । মায় ফক্লাংলোমদা ওনশিল্লগা চাউরেলনা হায়,

"য়েৎথংবা নাকলসি নারে, ঐ অসোমদা অমুক চেপকেকো ।"

"ফনি তাদা । করিগুম্বা লাই তিন খুরুমগৎবা, থৌ তৌগদবা, খয়োম-চবান থাগদবা লৈরবসু তাকপিয়ু, ননাও তৌজগে ।"

"হৌজিকমক্তি মদুগী মিহুল মরোন ফংদ্রি । মতাংদু লাক্লগদি ইবুংঙোনা তৌদনা কনানা তৌবিনেগেনে ।"

চাউরেলদু ইখুম খুম্নীংদে । অমদুনা থব্রায় য়াওনা শারকপদা 'উম', 'হোয়' হায়না মরক মরক্তা খুন্নকই ।

ফনা কুইনা ফন্নন্নগা নুপাদু চৎখ্রে । মানা হেক থোকখিবগা মমৌনুপীদু কৌশিল্লগা চাউরেলনা চৈরকই,

"কৈদৌবগী অসিগুম্বা মীসি ইনাক্তা চঙহন্নকইনো ? নখোয় অদুক য়াম্না লৈববু মা লাকপসি কনামক্ত উহৌদ্রাও ?"

ꯃꯃꯧꯅꯨꯄꯤꯗꯨ ꯈꯨꯝꯕ ꯉꯝꯖꯗꯦ꯫ ꯃꯇꯨꯡ ꯆꯉꯗꯅꯕ ꯆꯦꯛꯁꯤꯟꯖꯔꯒꯦ ꯍꯥꯏꯕ ꯐꯥꯎꯕ ꯉꯝꯖꯗꯦ꯫ ꯆꯥꯎꯔꯦꯜꯅ ꯈꯔꯥ ꯇꯄꯊꯔꯗꯨꯅ ꯍꯥꯏ,

" ꯃꯇꯨꯡꯗ ꯃꯥ ꯂꯥꯛꯂꯕꯗꯤ ꯑꯩ ꯇꯨꯝꯔꯤ, ꯃꯤ ꯆꯉꯕ ꯌꯥꯗꯦ ꯍꯥꯏꯌꯨꯀꯣ꯫"

ꯃꯄꯥꯟꯗ ꯀꯣꯛ ꯀꯣꯛ ꯂꯥꯎꯕ ꯃꯈꯣꯜ ꯇꯥꯕꯗ ꯍꯡꯏ,

" ꯃꯄꯥꯟꯗ ꯇꯥꯔꯤꯕꯁꯤ ꯁꯡ ꯁꯥꯕꯒꯤ ꯃꯈꯣꯜ ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯥ ? ꯀꯅꯥꯅ ꯇꯧ ꯍꯥꯏꯗꯨꯅ ꯊꯧꯔꯥꯡ ꯇꯧꯔꯤꯕꯅꯣ ?"

ꯃꯥꯒꯤ ꯁꯡ ꯈꯜꯂꯕꯣꯏ ꯅꯤꯡꯏ꯫ ꯃꯃꯧꯅꯨꯄꯤꯅ ꯀꯤꯅ ꯈꯨꯝꯏ,

" ꯃꯣꯏꯕꯥꯕꯅ ꯁꯤꯡ ꯈꯥꯏꯕꯅꯤ꯫"

" ꯑꯣꯏꯗꯕ ꯉꯥꯡꯅꯨ꯫ ꯁꯤꯡꯕꯨ ꯁꯨꯃꯥꯡꯗ ꯈꯥꯏꯕ꯭ꯔꯥ꯫"

ꯃꯥꯅ ꯉꯥꯡꯕꯗ ꯊꯥꯖꯔꯔꯣꯏ ꯈꯟꯕꯗꯒꯤ ꯃꯃꯧꯅꯨꯄꯤꯗꯨ ꯊꯣꯛꯈ꯭ꯔꯦ꯫ ꯆꯥꯎꯔꯦꯜꯗꯤ ꯃꯈꯨꯠꯇ ꯃꯟꯠꯔ ꯁꯣꯜꯂꯒ ꯈꯣꯏꯗꯧꯗ ꯊꯝꯏ꯫ ꯁꯤꯡ ꯈꯥꯏꯕꯅꯤ ꯍꯥꯏꯕꯗꯨ ꯊꯥꯖꯗꯦ꯫ ꯃꯥ ꯁꯤꯔꯅꯤ, ꯑꯗꯨꯒꯤ ꯁꯡ ꯈꯜꯂꯤꯕꯅꯤ ꯍꯥꯏꯅꯇ ꯈꯜꯂꯦ꯫ ꯍꯧꯖꯤꯛ ꯂꯥꯛꯂꯝꯕ ꯅꯨꯄꯥꯗꯨꯅ ꯁꯣꯏꯗꯅꯃꯛꯀꯤ ꯀꯔꯤꯒꯨꯝꯕ

মমৌনুপীদু খুম্বা ঙমজদে । মতুং চঙদনবা চেকশিঞ্জরগে হায়বা ফাওবা ঙমজদে । চাউরেলনা খরা তপথরদুনা হায়,

"মতুংদা মা লাক্লবদি ঐ তূম্রি, মী চঙবা য়াদে হায়য়ুকো ।"

মপান্দা কোক কোক লাউবা মখোল তাবদা হংই,

"মপান্দা তারিবসি শঙ শাবগী মখোল নৎত্রা ? কনানা তৌ হায়দুনা থৌরাং তৌরিবনো ?"

মাগী শঙ খল্লবোই নীংই । মমৌনুপীনা কিনা খুমই,

"মোইবাবানা শীং খায়বনি ।"

"ওইদবা ঙাঙনু । শীংবু শুমাঙদা খায়ব্রা ।"

মানা ঙাঙবদা থাজররোই খনবদগী মমৌনুপীদু থোকখ্রে । চাউরেলদি মখূৎতা মন্ত্র শোল্লগা খোয়দৌদা থমই । শীং খায়বনি হায়বদু থাজদে । মা শিরনি, অদুগী শঙ খল্লিবনি হায়নত খল্লে । হৌজিক লাক্লম্বা নুপাদুনা শোয়দনমক্কী করিগুম্বা

ꯐꯠꯇꯅꯕꯥ ꯈꯔꯗꯤ ꯇꯧꯁꯤꯜꯂꯝꯃꯅꯤ; ꯑꯗꯨꯅꯥ ꯃꯥꯒꯤ ꯁꯤꯕꯒꯤ ꯃꯇꯥꯡꯗꯨ ꯈꯔꯥ ꯊꯨꯅꯥ ꯅꯀꯁꯤꯜꯂꯀꯄꯥ ꯑꯣꯏꯔꯝꯒꯅꯤ । ꯃꯊꯟꯇ ꯀꯔꯤ ꯀꯔꯤꯅꯣ ꯄꯪꯈꯟꯗꯥ ꯈꯜꯂꯀꯏ । ꯂꯣꯏꯅꯅꯥ ꯁꯣꯔ ꯄꯤꯀꯊꯔꯦ । ꯃꯆꯥꯅꯨꯄꯥꯅꯥ ꯆꯡꯂꯀꯄꯗꯥ ꯃꯄꯥꯒꯤ ꯐꯤꯚꯝꯗꯨ ꯍꯥꯟꯅꯗꯒꯤ ꯍꯦꯟꯅꯥ ꯐꯠꯇꯕꯁꯤ ꯎꯔꯦ । ꯃꯁꯤꯒꯤ ꯍꯧꯔꯀꯐꯝ ꯑꯣꯏꯔꯤꯕꯥ ꯕ꯭ꯔꯥꯐꯝꯗꯨ ꯃꯄꯥꯗꯥ ꯈꯪꯍꯟꯅꯕꯥ ꯍꯥꯏꯔꯀꯏ,

“ꯕꯥꯕꯥꯅꯥ ꯃꯩ ꯇꯤꯛꯂꯕꯥ ꯑꯩꯅꯥ ꯁꯤꯡ ꯈꯥꯏꯕꯅꯤ ।”

“ꯑꯩꯅꯥ ꯍꯧꯒꯠꯇꯨꯅꯥ ꯌꯦꯡꯕꯥ ꯉꯝꯗꯕꯁꯤꯗꯥ ꯅꯈꯣꯌꯅꯥ ꯑꯣꯏꯗꯕꯥ ꯉꯥꯡꯂꯤꯕꯅꯤꯅꯦꯀꯣ ।”

ꯊꯥꯖꯗ꯭ꯔꯤ, ꯌꯥꯅꯤꯡꯗ꯭ꯔꯤ । ꯀꯨꯏꯔꯒꯗꯤ ꯐꯔꯛꯀꯗꯕꯥ ꯃꯥꯟꯗ꯭ꯔꯦ । ꯃꯁꯥꯅꯥ ꯃꯥꯏꯕꯥ ꯁꯥꯕꯅꯤꯅꯥ ꯃꯥꯏꯕꯥ ꯀꯧꯍꯟꯅꯤꯡꯂꯝꯕꯥ ꯌꯥꯏ ꯈꯟꯗꯨꯅꯥ ꯃꯆꯥꯅꯨꯄꯥꯅꯥ ꯍꯪꯏ,

“ꯕꯥꯕꯥ, ꯃꯥꯏꯕꯥ ꯑꯃꯥ ꯀꯧꯔꯒꯥ ꯌꯦꯡꯍꯟꯁꯤ, ꯀꯅꯥ ꯀꯧꯔꯀꯎꯒꯦ ?”

“ꯀꯩꯗꯧꯕꯒꯤ ꯀꯧꯔꯨꯗꯣꯏꯅꯣ, ꯑꯩ ꯀꯩꯁꯨ ꯇꯧꯗꯦ ।”

ফত্তনবা খরদি তৌশিল্লম্মনি; অদুনা মাগী শিবগী মতাংদু খরা থুনা নকশিল্লকপা ওইরমগনি । মথন্ত করি করিনো পংখন্দা খল্লকই । লোয়ননা শোর পীকথরে । মচানুপানা চঙলকপদা মপাগী ফিভমদু হান্নদগী হেন্না ফত্তবসি উরে । মসিগী হৌরকফম ওইরিবা ব্রাফমদু মপাদা খঙহন্নবা হায়রকই,

“বাবানা মৈ তীক্লবা ঐনা শীং খায়বনি ।”

“ঐনা হৌগত্তুনা য়েংবা ঙমদবসিদা নখোয়না ওইদবা ঙাঙলিবনিনেকো ।”

থাজদ্রি, য়ানীংদ্রি । কুইরগদি ফরক্কদবা মান্দ্রে । মশানা মাইবা শাবনিনা মাইবা কৌহন্নীংলম্বা য়াই খন্দুনা মচানুপানা হংই,

“বাবা, মাইবা অমা কৌরগা য়েংহন্সি, কনা কৌরকউগে ?”

“কৈদৌবগী কৌরুদোইনো, ঐ কৈসু তৌদে ।”

ꯁꯤꯔꯅꯤ ꯍꯥꯏꯗꯨꯅꯥ ꯄꯤꯕꯥ ꯃꯇꯝꯃꯗꯨꯗꯥ ꯁꯤꯗ꯭ꯔꯕꯥ ꯑꯅꯥꯕꯗꯨ ꯃꯥꯏꯕꯅꯥ ꯁꯣꯔ ꯁꯦꯠꯅꯕꯥ ꯇꯧꯏ ꯍꯥꯏꯕꯁꯤ ꯆꯥꯎꯔꯦꯜꯂꯁꯨ ꯇꯥꯔꯦ꯫ ꯃꯥꯏꯕꯥ ꯂꯥꯛꯂꯒꯥ ꯃꯥꯉꯣꯟꯗꯁꯨ ꯇꯧꯔꯀꯄꯥ ꯌꯥꯏ ꯃꯊꯧꯇꯥ ꯀꯤꯖꯔꯛꯂꯤ꯫ ꯃꯄꯥꯒꯤ ꯑꯌꯥꯕꯥ ꯉꯥꯏꯕꯅꯗꯤ ꯀꯥꯝꯃꯔꯣꯏ; ꯃꯥꯒꯤ ꯅꯨꯄꯤꯗꯥ ꯃꯄꯥꯕꯨ ꯃꯊꯧꯇꯥ ꯊꯃꯗꯅꯕꯥ ꯍꯥꯏꯔꯝꯂꯒꯥ ꯃꯆꯥꯅꯨꯄꯥꯗꯨ ꯗꯥꯛꯇꯔ ꯀꯧꯕꯥ ꯆꯠꯅꯕꯥ ꯊꯧꯔꯥꯡꯏ꯫ ꯃꯗꯨꯗꯥ ꯆꯥꯎꯔꯦꯜꯅꯥ ꯍꯪꯏ,

" ꯅꯉꯅꯥ ꯆꯠꯀꯗꯧꯔꯤꯕꯗꯨ ꯃꯔꯤ ꯃꯇꯥ ꯃꯌꯥꯃꯗꯥ ꯄꯥꯎ ꯇꯥꯀꯄꯔꯥ ?"

" ꯅꯠꯇꯦ, ꯗꯥꯛꯇꯔ ꯀꯧꯕꯅꯤ꯫"

ꯃꯆꯥꯅꯨꯄꯥꯒꯤ ꯕ꯭ꯔꯥꯗꯨ ꯊꯥꯖꯕꯥ ꯉꯝꯗꯅꯥ, ꯁꯣꯔ ꯊꯕꯦꯠ-ꯊꯕꯦꯠ ꯍꯣꯜꯂꯗꯨꯅꯥ, ꯌꯥꯅꯤꯡꯗꯕꯒꯤ ꯃꯤꯠꯌꯦꯡ ꯌꯦꯡꯂꯒꯥ ꯆꯥꯎꯔꯦꯜꯗꯨ ꯍꯤꯞꯂꯤ꯫

ꯇꯥꯡ ꯷-꯱꯲-꯱꯹꯹꯷

শিরনি হায়দুনা পীবা মতমদুদা শিদ্রবা অনাবদু মাইবনা শোর শৎনবা তৌই হায়বসি চাউরেলসু তারে। মাইবা লাক্লগা মাঙোন্দসু তৌরকপা য়াই মথন্ত কিজরক্লি। মপাগী অয়াবা ঙাইবনদি কান্নররোই; মাগী নুপীদা মপাবু মথন্ত থমদনবা হায়রন্নগা মচানুপাদু ডাক্তর কৌবা চৎনবা থৌরাংই। মদুদা চাউরেলনা হংই,

"নঙনা চৎকদৌরিবদু মরী মতা ময়ামদা পাউ তাকপরা ?"

"নত্তে, ডাক্তর কৌবনি।"

মচানুপাগী ব্রাদু থাজবা ঙমদনা, শোর থবেৎ থবেৎ হোল্লদুনা, য়ানীংদবগী মীৎয়েং য়েংলগা চাউরেলদু হিপ্লি।

তাং ৭-১২-১৯৯৭

ꯄꯣꯡꯕꯥ

ꯑꯁꯨꯝ ꯄꯤꯖꯕꯗꯒꯤ ꯎꯆꯦꯛ ꯃꯄꯤꯅꯥ ꯆꯥꯕꯥ ꯆꯤꯡꯥꯛ ꯃꯆꯥꯁꯤꯡꯅꯁꯨ ꯆꯥꯕꯥ ꯍꯧꯅꯩ꯫ ꯂꯩꯃꯤꯟꯅꯕꯥ, ꯇꯦꯡꯕꯥꯡꯕꯥ, ꯌꯦꯡꯕꯥ ꯑꯃꯗꯤ ꯊꯝꯃꯣꯌ ꯇꯤꯟꯅꯕꯥ ꯀꯌꯁꯤꯅꯥ ꯁꯤꯟꯐꯝꯒꯤ ꯃꯇꯥꯡꯗꯥ ꯃꯤꯑꯣꯏꯕꯒꯤ ꯑꯣꯖꯥ ꯑꯣꯏ꯫ ꯄꯨꯛꯅꯤꯡ ꯆꯪꯕꯥ ꯃꯤꯒꯤꯗꯤ ꯊꯦꯡꯅꯕꯥ ꯈꯨꯗꯤꯡ ꯇꯝꯕꯅꯤ꯫ ꯂꯩꯔꯤꯛꯂꯥ ꯃꯨꯔꯇꯤꯗꯤ ꯈꯛ ꯁꯥꯔꯨꯗ꯭ꯔꯕꯁꯨ ꯅꯣꯡꯏꯟꯅꯥ ꯁꯥꯕꯥ ꯃꯨꯔꯇꯤ ꯀꯌꯥꯗꯤ ꯃꯆꯨ ꯇꯩꯔꯦ꯫ ꯃꯗꯨꯁꯨ ꯈꯔꯥ ꯆꯦꯛꯁꯤꯟꯅꯤꯡꯉꯥꯏ ꯑꯣꯏꯕꯥ ꯃꯨꯔꯇꯤꯗꯤ ꯑꯃꯨꯛꯇꯥ ꯇꯩꯔꯨꯗꯦ꯫ ꯑꯍꯩꯕꯥ ꯃꯤꯗꯥ ꯑꯣꯖꯥ ꯅꯥꯏꯅꯥ ꯇꯟꯅꯕꯥ ꯃꯤꯒꯥ, ꯑꯣꯖꯥ ꯅꯥꯏꯗꯕꯥ ꯃꯤꯒꯥ ꯑꯅꯤꯒꯤ ꯈꯦꯟꯅꯕꯁꯤ ꯂꯩꯔꯤꯛꯂꯥ ꯈꯪꯏ꯫

ꯍꯤꯒ꯭ꯔꯤꯕꯥ ꯃꯆꯥꯕꯨ (ꯇꯥꯡꯅꯁꯨ ꯐꯪꯖꯕꯥ) ꯃꯃꯥꯅꯥ ꯀꯣꯟꯈꯠꯄꯒꯨꯝꯕꯥ ꯂꯤꯡꯊꯣꯏꯉꯝꯕꯤꯒꯤ ꯃꯨꯔꯇꯤꯗꯨ ꯄꯥꯌꯈꯠꯂꯦ꯫ ꯍꯔꯥꯎꯖꯅꯥ ꯃꯆꯥꯕꯨ ꯁꯤꯡ-ꯅꯥꯟꯗꯨꯅꯥ ꯏꯔꯨꯖꯕꯤꯕꯒꯨꯝꯕꯥ ꯃꯨꯔꯇꯤꯗꯨ ꯃꯆꯨ ꯇꯩꯔꯀꯏ꯫ ꯊꯧꯅꯥ ꯐꯕꯤ, ꯃꯔꯩꯕꯥꯛ ꯀꯝꯅꯕꯥ ꯍꯣꯠꯅꯈꯤꯕꯤ ꯃꯍꯥꯛꯇꯨꯒꯤ ꯃꯨꯔꯇꯤꯁꯤꯕꯨꯇ ꯅꯎꯅꯥ ꯃꯅꯥꯛꯇꯥ ꯂꯩꯔꯤꯕꯥ ꯃꯨꯔꯇꯤ ꯄꯨꯝꯕꯁꯤ ꯂꯩꯔꯤꯛꯂꯥ ꯃꯃꯜ ꯆꯞ ꯃꯥꯟꯅꯗꯥ ꯂꯧꯏ꯫ ꯃꯥꯒꯤ ꯃꯤꯠꯌꯦꯡꯗꯥ ꯃꯨꯔꯇꯤ ꯈꯨꯗꯤꯡꯃꯛ ꯂꯩꯕꯥꯛꯂꯥ ꯁꯥꯗꯦ, ꯁꯅꯥꯅꯥ ꯁꯥꯏ꯫ ꯌꯦꯡꯂꯨꯕꯗꯁꯨ ꯃꯨꯔꯇꯤꯁꯤꯡꯗꯨꯅꯥ ꯈꯣꯡꯍꯥꯡ ꯌꯧꯅꯥ ꯕ꯭ꯔꯥ ꯉꯥꯡꯂꯛꯄꯒꯨꯝꯕꯥ ꯂꯩꯔꯤꯛꯂꯥ ꯇꯥꯌ,

পোঙ্গবা

অসুম পীজবদগী উচেক মপীনা চাবা চীঙাক মচাশিংনসু চাবা হৌনৈ । লৈমিন্নবা, তেংবাংবা, য়েংবা অমদি থম্মোয় তিন্নবা কয়'সিনা শিনফমগী মতাংদা মীওইবগী ওজা ওই । পূক্লিং চঙবা মীগীদি থেংনবা খুদিং তম্বনি । লৈরিক্লা মুর্ত্তিদি খক শারুদ্রবসু নোংইন্না শাবা মুর্ত্তি কয়াদি মচু তৈরে । মদুসু খরা চেকশিন্নীংঙাই ওইবা মূর্ত্তিদি অমুক্তা তৈরুদে । অহৈবা মীদা ওজা নাইনা তন্নবা মীগা, ওজা নাইদবা মীগা অনীগী খেন্নবসি লৈরিক্লা খঙই ।

হিগ্রিবা মচাবু (তাঙনসু ফংজবা) মমানা কোনখৎপগুম্মা লিঙ্থোইঙম্বীগী মূর্ত্তিদু পায়খৎলে । হরাওজনা মচাবু শিং-নান্দুনা ঈরুজবিবগুম্মা মূর্ত্তিদু মচু তৈরকই । থৌনা ফবী, মরৈবাক কম্নবা হোৎনখিবী মহাক্তুগী মূর্ত্তিসিবুত নওনা মনাক্তা লৈরিবা মূর্ত্তি পূম্বসি লৈরিক্লা মমল চপ মান্নদা লৌই । মাগী মীৎয়েংদা মূর্ত্তি খুদিংমক লৈবাক্লা শাদে, সনানা শাই । য়েংলুবদসু মূর্ত্তিশিংদুনা খোঙ্হাং য়ৌনা ব্রা ঙাঙলকপগুম্মা লৈরিক্লা তায়,

"ꯑꯩꯒꯤꯗꯃꯛ ꯅꯋꯅꯥ ꯑꯩꯕꯨ ꯅꯨꯡꯁꯤꯕ꯭ꯔꯥ ? ꯅꯋꯒꯤꯗꯃꯛ ꯑꯩꯕꯨ ꯅꯋꯅꯥ ꯅꯨꯡꯁꯤꯕ꯭ꯔꯥ ?"

ꯍꯥꯟꯅꯥ ꯃꯆꯨ ꯇꯩꯔꯕꯁꯤꯡꯗꯨ ꯃꯥꯒꯤ ꯋꯥꯈꯜꯅꯥ ꯋꯥꯡꯂꯤ ꯈꯅꯕꯥ ꯃꯐꯃꯗꯨꯗꯥ ꯑꯃꯨꯛ ꯍꯟꯅꯥ ꯃꯆꯨ ꯇꯩꯁꯤꯜꯂꯤ꯫ ꯏꯔꯨꯖꯕꯥ ꯂꯣꯏꯔꯕꯥ ꯃꯆꯥꯕꯨ ꯃꯃꯥꯅꯥ ꯄꯨꯛꯂꯤꯡ ꯃꯀꯥ ꯂꯥꯟꯅꯥ ꯐꯤ ꯁꯦꯠ-ꯏꯅꯕꯤꯕꯗꯨꯃꯛꯂꯤ꯫ ꯃꯇꯃꯁꯤꯗꯥ ꯑꯊꯥꯞꯄꯗꯥ ꯂꯩꯔꯟꯅꯕꯁꯨ ꯇꯥꯅꯕꯒꯤ ꯃꯑꯣꯡꯗꯥ ꯅꯨꯄꯥ ꯑꯃꯅꯥ ꯀꯧꯔꯀꯏ,

"ꯇꯥ-ꯅꯣꯡꯏꯟ ꯂꯩꯕ꯭ꯔꯣ ?"

ꯀꯧꯔꯀꯄꯁꯤ ꯇꯥꯔꯒꯥ ꯍꯔꯥꯎ-ꯅꯨꯡꯉꯥꯏꯕꯒꯤ ꯏꯍꯟ ꯂꯩꯔꯤꯛꯀꯤ ꯊꯝꯃꯣꯏꯗꯥ ꯐꯥꯎꯔꯀꯏ꯫ ꯃꯃꯥꯅꯥ ꯀꯩꯊꯦꯜ ꯀꯨꯟꯅꯀꯄꯥ ꯉꯥꯏꯔꯤꯕꯥ ꯃꯆꯥꯁꯨꯟꯅꯕꯤ ꯂꯩꯔꯤꯛꯈꯣꯏꯅꯥ ꯅꯨꯄꯥꯁꯤꯕꯨ ꯉꯥꯏꯔꯤꯕꯅꯤ꯫ ꯃꯄꯥꯟꯗꯥ ꯇꯥꯅꯕꯥ ꯈꯨꯃꯏ,

"ꯃꯦꯡꯒꯣꯔꯔꯥ ? ꯃꯅꯨꯡꯗꯥ ꯆꯉꯂꯀꯎ꯫"

ꯁꯨꯔꯤꯕꯥ ꯊꯕꯛꯇꯨ ꯂꯦꯞꯂꯦ꯫ ꯆꯉꯂꯛꯂꯤꯕꯥ ꯃꯦꯡꯒꯣꯔꯕꯨ ꯐꯝꯅꯕꯥ ꯍꯥꯏꯔꯒꯥ ꯂꯩꯔꯤꯛꯂꯥ ꯍꯪꯏ,

"ꯀꯔꯤ ꯄꯥꯎ ꯇꯥꯔꯀꯄꯒꯦ ?"

"ꯃꯤꯗꯨ ꯁꯣꯏꯗꯅꯥ ꯂꯥꯛꯂꯅꯤ꯫ ꯏꯇꯩꯃꯈꯣꯏꯒꯤ ꯊꯧꯔꯥꯡꯁꯤꯗꯥ ꯂꯣꯏꯁꯤꯟꯗꯨꯅꯥ ꯊꯝꯃꯤꯌꯨ꯫ ꯇꯥ-ꯅꯣꯡꯏꯟꯕꯨ ꯂꯩꯕ꯭ꯔꯥ ?"

"ঐগীদমক নওনা ঐবু নুংশিব্রা ? নওগীদমক ঐবু নওনা নুংশিব্রা ?"

হান্না মচু তৈরবশিংদু মাগী ৱাখলনা ৱাংলি খনবা মফমদুদা অমুক হন্না মচু তৈশিল্লি। ঈরুজবা লোইরবা মচাবু মমানা পূক্লিং মকা লান্না ফি শেৎ-ইনবিবদুমক্লি। মতমসিদা অথাপ্পদা লৈরন্নবসু তানবগী মওংদা নুপা অমনা কৌরকই,

"তা-নোংইন লৈব্রো ?"

কৌরকপসি তারগা হরাও-নুংঙাইবগী ঈহন লৈরিক্কী থম্মোয়দা ফাওরকই । মমানা কৈথেল কুন্নকপা ঙাইরিবা মচাশুন্নবী লৈরিকখোয়না নুপাসিবু ঙাইরিবনি । মপান্দা তানবা খুমই,

"মেঙ্গোররা ? মনুংদা চঙলকউ ।"

শূরিবা থবক্তু লেপ্লে । চঙলক্লিবা মেঙ্গোরবু ফম্নবা হায়রগা লৈরিক্লা হংই,

"করি পাউ তারকপগে ?"

"মীদু শোয়দনা লাক্লনি । ইতৈমখোয়গী থৌরাংসিদা লোইশিন্দুনা থম্মীয়ু । তা-নোংইনবু লৈব্রা ?"

" ꯃꯥꯗꯤ ꯊꯕꯛ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯠꯈꯤ ꯫"

" ꯇꯣꯡꯥꯟꯕꯥ ꯃꯈꯜ ꯊꯔꯥ ꯌꯥꯝꯅꯥ ꯁꯥꯁꯤꯀꯣ ꯍꯥꯌꯔꯒꯥ ꯊꯕꯛ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯠꯂꯤꯕ꯭ꯔꯥ ? ꯍꯌꯦꯡ ꯃꯤꯒꯤ ꯃꯃꯥꯡꯗꯥ ꯆꯣꯞꯄꯅꯤꯀꯣ ꯏꯇꯧꯃꯥ ꯫"

ꯃꯦꯉꯣꯔꯗꯤ ꯈꯨꯝꯅꯥꯏꯁꯤꯒꯤ ꯂꯩꯆꯜ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯍꯤꯡꯂꯤꯕꯥ ꯃꯇꯝꯁꯤꯒꯤ ꯃꯤꯅꯤ ꯫ ꯆꯠꯅꯕꯤ, ꯅꯣꯛꯂꯕꯥ, ꯏꯖꯠ ꯀꯌꯥꯁꯤꯕꯨ ꯀꯤꯖꯕꯥ ꯃꯤꯅꯤ ꯫ ꯆꯠꯅꯕꯤ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤꯗꯥ ꯏꯃꯨꯡꯒꯥ ꯁꯨꯃꯥꯡꯒꯥ, ꯁꯨꯃꯥꯡꯒꯥ ꯂꯝꯕꯤꯒꯥ; ꯂꯝꯕꯤꯒꯥ ꯀꯩꯊꯦꯜꯒꯥ (ꯃꯑꯣꯡꯗꯥ ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯒꯥ ꯁꯤꯖꯤꯟꯅꯕꯒꯤ ꯃꯇꯥꯡꯗꯨ ꯅꯠꯇꯕꯗꯥ) ꯌꯥꯝꯅꯥ ꯊꯦꯝꯅꯍꯜꯂꯤ ꯫ ꯅꯣꯛꯂꯕꯥ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤꯅꯥ ꯃꯊꯧ ꯁꯉꯂꯤꯕꯅꯤ ꯫ ꯃꯁꯤꯒꯨꯝꯕꯁꯤꯗꯒꯤ ꯅꯥꯊꯦꯔꯕꯁꯨ ꯅꯣꯡꯏꯝꯅꯥ ꯆꯔꯥ ꯍꯦꯜꯂꯤꯕꯥ ꯃꯤꯅꯥ ꯀꯅꯥꯒꯨꯝꯕꯗꯒꯤ ꯁꯦꯜ ꯄꯨꯔꯒꯥ ꯉꯥꯏꯍꯥꯛꯇꯪꯒꯤ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯏꯅꯥꯛꯈꯨꯟꯕꯥ ꯁꯥꯕꯗꯨꯗꯤ ꯃꯤꯇꯥꯔꯨꯗꯦ ꯫ ꯊꯕꯛ ꯑꯃꯥ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯂꯕꯥ ꯁꯦꯜ ꯆꯡꯏ ꯫ ꯄꯥꯃꯖꯔꯤꯕꯁꯤ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯂꯕꯥ ꯅꯣꯡꯏꯝꯅꯥ ꯊꯕꯛ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯠꯄꯅꯤ, ꯃꯨꯔꯇꯤ ꯁꯥꯕꯕꯨ ꯃꯤꯔꯥꯏꯕꯥ ꯅꯠꯇꯦ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤ ꯂꯩꯔꯤꯛꯂꯥ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯂꯛꯏ,

" ꯑꯕ꯭ꯔꯥꯠꯄꯥ ꯃꯆꯨ ꯂꯩꯅꯤꯡꯉꯥꯏ ꯁꯦꯜ ꯂꯩꯇ꯭ꯔꯦ ꯍꯥꯌꯗꯨꯅꯥ ꯊꯕꯛ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯠꯈꯤꯕꯅꯤ ꯫ ꯅꯨꯃꯤꯗꯥꯡꯗꯥ ꯃꯨꯔꯇꯤ ꯀꯝꯅꯥ ꯁꯥꯔꯤꯕꯅꯤ ꯫ ꯗꯤꯜꯂꯤꯗꯒꯤ ꯃꯤꯗꯨꯕꯨ ꯀꯩꯗꯧꯉꯩꯛ ꯂꯥꯛꯀꯅꯤ ꯍꯥꯌꯕꯒꯦ ?

''মাদি থবক শূবা চৎখি ।''

''তোঙানবা মখল থরা য়াম্না শাসিকো হায়রগা থবক শূবা চৎলিব্রা ? হয়েং মীগী মমাঙদা চোপ্পনিকো ইতৌমা ।''

মেঙোরদি খুম্নাইসিগী লৈচল ওইনা হিংলিবা মতমসিগী মীনি । চৎনবী, নোক্লবা, ঈজৎ কয়াসিবু কিজবা মীনি । চৎনবী হায়বসিদা ইমুংগা শুমাঙগা, শুমাঙগা লম্বীগা; লম্বীগা কৈথেলগা (মওংদা নৎত্রগা শীজিন্নবগী মতাংদু নত্তবদা) য়াম্না থেম্নহল্লি । নোক্লবা হায়বসিনা মথৌ শঙলিবনি । মসিগুম্বসিদগী নাথেরবসু নোংইম্না চরা হেল্লিবা মীনা কনাগুম্বদগী শেল পুরগা ঙাইহাক্তংগী ওইনা ঈনাকখুনবা শাবদুদি মীতারুদে । থবক অমা পাঙথোক্লবা শেল চঙই । পামজরিবসি পাঙথোক্লবা নোংইম্না থবক শূবা চৎপনি, মূর্ত্তি শাববু মীরাইবা নত্তে হায়বসি লৈরিক্লা ফোঙদোক্লকই,

''অব্রাৎপা মচু লৈনীংঙাই শেল লৈত্রে হায়দুনা থবক শূবা চৎখিবনি । নুমিদাংদা মূর্ত্তি কম্না শারিবনি । দিল্লিদগী মীদুবু কৈদৌঙৈক লাক্কনি হায়বগে ?''

"ꯃꯕꯤ ꯃꯉꯥꯅꯤꯁꯤꯒꯤ ꯃꯅꯨꯡꯗꯥ ꯁꯣꯌꯗꯅꯥ ꯂꯥꯛꯀꯗꯕꯥ ꯃꯥꯜꯂꯤ꯫ ꯑꯗꯨꯒꯥ ꯏꯇꯩꯃꯥ ꯃꯨꯔꯇꯤ ꯃꯁꯤꯡꯁꯤ ꯌꯥꯝꯈꯣꯗꯒꯤ ꯇꯥꯍꯟꯒꯨꯝꯁꯤ꯫"

"ꯌꯥꯝꯈꯣꯗꯒꯤꯗꯤ ꯍꯦꯟꯅꯤꯗꯥ꯫ ꯍꯧꯖꯤꯛ ꯂꯩꯕꯤꯕꯁꯤ ꯂꯣꯌꯅꯃꯛ ꯃꯆꯨ ꯁꯉꯗꯕꯒꯤ ꯕ꯭ꯔꯥꯅꯤ, ꯆꯨꯞꯄꯥꯃꯉꯥ ꯍꯦꯜꯂꯕꯅꯤ꯫ ꯅꯉꯅꯥ ꯑꯕꯥꯠꯄꯁꯤꯡꯗꯨ ꯌꯦꯡꯂꯃꯎ꯫"

ꯃꯦꯉꯒꯣꯕꯅꯥ ꯀꯣꯌꯆꯠ ꯆꯠꯂꯒꯥ ꯑꯕꯥꯠꯄꯁꯤꯡꯗꯨ ꯌꯦꯡꯏ꯫ ꯁꯉꯒꯣꯏ ꯃꯅꯨꯡꯗꯨ ꯁꯤꯟ-ꯊꯨꯡꯅꯥ ꯑꯃꯨꯛ ꯌꯦꯡꯂꯀꯏ꯫ ꯅꯤꯡꯕꯥ ꯏꯊꯨꯡ ꯊꯨꯡꯗ꯭ꯔꯦ꯫ ꯍꯥꯟꯅꯒꯤ ꯐꯝꯐꯃꯗꯥ ꯐꯝꯂꯒꯥ ꯍꯥꯏ,

"ꯏꯇꯩꯃꯥ, ꯁꯉꯒꯣꯏ ꯃꯅꯨꯡꯁꯤ ꯍꯥꯟꯅꯥ ꯁꯦꯝꯁꯤꯅꯥ꯫"

"ꯁꯦꯟꯅꯕꯅꯤ꯫ ꯅꯉ ꯇꯥꯗꯥ ꯏꯕꯥꯅꯤꯅꯥ ꯅꯣꯡꯃꯥ ꯆꯉꯅꯥ ꯁꯦꯟꯅꯕꯅꯤ꯫"

ꯂꯩꯀꯥꯡ, ꯃꯤꯕꯥꯡ ꯀꯝꯍꯨꯔꯦ꯫ ꯏ ꯃꯅꯥ ꯆꯣꯝꯊꯕꯥ ꯀꯛꯂꯦ꯫ ꯄꯌꯥ ꯍꯦꯟꯗꯣꯛꯄꯗꯨꯁꯨ ꯌꯦꯞꯁꯤꯜꯂꯦ꯫ ꯐꯛꯂꯥꯡꯁꯨ ꯂꯩꯇꯥꯜ ꯂꯩꯃꯨꯅꯥ ꯕ꯭ꯔꯥꯏ ꯇꯩꯕꯦ꯫ ꯎꯈꯣꯡ ꯄꯨꯝꯕꯥ ꯇꯛꯊꯣꯛꯂꯦ꯫ ꯂꯩꯃꯥꯌꯁꯨ ꯁꯁ꯭ꯊꯤ ꯂꯩꯉꯣꯏ ꯍꯥꯞꯄꯨꯅꯥ ꯇꯩꯔꯦ꯫ ꯂꯩꯔꯤꯛꯀꯤ ꯃꯤꯠꯇꯥ ꯑꯍꯟꯕꯗꯧꯅꯥ ꯎꯕꯦ꯫ ꯑꯋꯥꯠ-ꯑꯄꯥ ꯀꯌꯥꯒꯥ ꯃꯥꯌꯣꯛꯂꯗꯨꯅꯥ ꯁꯥꯖꯕꯥ ꯁꯉꯒꯣꯏꯁꯤ ꯃꯨꯔꯇꯤꯁꯤꯡꯒꯤꯗꯃꯛ ꯊꯥꯖꯨꯅꯥ ꯊꯝꯂꯤ꯫ ꯃꯊꯣꯏꯅꯥ

"মবি মঙানিসিগী মনুংদা শোয়দনা লাক্কদবা মাল্লি। অদুগা ইতৈমা মুর্ত্তি মশীংসি য়াম্খোদগী তাহনগুমসি।"

"য়াম্খোদগীদি হেন্নিদা। হৌজিক লৈবিবসি লোয়নমক মচু শঙদবগী ব্রানি, চুপ্পামঙা হেল্লবনি। নঙনা অবাৎপশিংদু যেংলমউ।"

মেঙ্গোবনা কোয়চৎ চৎলগা অবাৎপশিংদু যেংই। শঙ্গোয় মনুংদু শিন-থুংনা অমুক য়েংলকই। নীংবা ইথুং থুংদ্রে। হান্নগী ফম্ফমদা ফন্নগা হায়,

"ইতৈমা, শঙ্গোয় মনুংসি হান্না শেমসিনা।"

"শেন্নবনি। নঙ তাদা ইবানীনা নোংমা চঙনা শেন্নবনি।"

লৈকাং, মিবাং কম্হুরে। ই মনা চোম্থবা কক্লে। পয়া হেন্দোকপদুসু য়েপসিল্লে। ফক্লাংসু লৈতাল লৈমুনা ব্রাই তৈবে। উখোঙ পুম্বা তকথোক্লে। লৈমায়সু ষষ্ঠী লৈঙোয় হাপ্পুনা তৈরে। লৈরিক্কী মীৎতা অহনবদৌনা উবে। অৱাৎ-অপা কয়াগা মায়োক্লদুনা শাজবা শঙ্গোয়সি মুর্ত্তিশিংগীদমক থাজুনা থম্লি। মথোয়না

ꯂꯩꯅꯕꯤꯕꯥ ꯌꯨꯝꯗꯤ ꯅꯣꯡ ꯌꯨꯁꯅꯨ, ꯐꯛꯂꯥꯡ ꯀꯤꯟꯊꯁꯅꯨ, ꯂꯩꯃꯥꯏ ꯀꯥꯌꯁꯅꯨ, ꯁꯉꯣꯏꯗꯤ ꯃꯗꯨꯝꯃꯥ ꯈꯛ ꯊꯣꯛꯍꯟꯗꯦ। ꯂꯥꯏꯅꯤꯡꯕꯒꯤ ꯂꯥꯏꯁꯉꯒꯥ ꯃꯈꯣꯌꯒꯤ ꯁꯉꯣꯏꯁꯤꯡꯒꯥ ꯊꯝꯃꯣꯌꯗꯥ ꯇꯥꯕꯥ ꯃꯃꯤꯗꯥ ꯆꯞ ꯃꯥꯟꯅꯩ। ꯃꯦꯉꯣꯔꯅꯥ ꯑꯣꯏꯍꯟꯅꯤꯡꯕꯗꯤ ꯃꯊꯛꯁꯨ, ꯑꯀꯣꯌꯕꯁꯨ ꯐꯤ ꯑꯉꯧꯕꯅꯥ ꯁꯤꯟ-ꯊꯨꯡꯅꯥ ꯈꯥꯖꯤꯟꯕꯥ, ꯃꯨꯔꯇꯤꯁꯤꯡꯗꯨꯁꯨ ꯐꯤ ꯑꯉꯧꯕꯥ, ꯑꯄꯥꯛꯄꯒꯤ ꯃꯊꯛꯇꯥ ꯊꯝꯕꯗꯨꯅꯤ। ꯌꯥꯔꯒꯗꯤ ꯌꯦꯡꯕꯥ ꯂꯥꯛꯀꯗꯧꯔꯤꯕꯥ ꯃꯍꯥꯛ ꯃꯈꯣꯌꯒꯤ ꯈꯨꯡꯒꯪꯁꯤꯗꯥ ꯂꯥꯀꯍꯟꯅꯤꯡꯗꯦ। ꯏꯝꯐꯥꯂꯒꯤ ꯃꯐꯝ ꯑꯃꯗꯥ ꯃꯨꯔꯇꯤꯁꯤꯡ ꯑꯁꯤ ꯄꯨꯔꯛꯀꯥ ꯎꯍꯟꯅꯤꯡꯏ। ꯂꯩꯒꯤ ꯐꯖꯕꯁꯤ ꯄꯥꯟꯅꯕꯗꯥ ꯁꯥꯠꯂꯤꯉꯩꯗꯁꯨ ꯂꯩ, ꯐꯖꯕꯤ ꯅꯨꯖꯥꯒꯤ ꯅꯥꯄꯥꯛꯀꯤ ꯅꯥꯆꯣꯝ ꯑꯣꯏꯔꯕꯥ ꯃꯇꯝꯗꯁꯨ ꯂꯩ। ꯕ꯭ꯔꯥꯍꯟꯗꯣꯛꯇꯤ ꯇꯣꯉꯥꯟꯅꯤ।

ꯃꯦꯉꯣꯔꯅꯥ ꯈꯨꯡꯒꯪꯁꯤꯗꯥ ꯃꯨꯔꯇꯤ ꯎꯪꯐꯝ ꯑꯣꯏꯕꯁꯤ ꯄꯥꯝꯗꯦ; ꯃꯁꯤ ꯈꯉꯍꯟꯅꯕꯥ ꯍꯥꯌꯔꯀꯏ,

"ꯏꯇꯩꯃꯥ, ꯑꯩꯈꯣꯌꯒꯤ ꯂꯩꯐꯝ ꯑꯁꯤ ꯌꯥꯝꯅꯥ ꯊꯥꯖꯕꯗꯀꯣ। ꯂꯝꯃꯤ ꯊꯣꯡꯁꯨ ꯐꯖꯦ।"

"ꯃꯤꯗꯨꯕꯨ ꯑꯩꯈꯣꯌꯒꯤꯁꯤꯗꯥ ꯂꯥꯀꯄꯤꯌꯨ ꯌꯥꯔꯣꯏꯗꯧꯔꯤꯕ꯭ꯔꯥ ?"

"ꯍꯥꯌꯕꯥ ꯉꯝꯗꯦ।"

"ꯌꯥꯕ꯭ꯔꯕꯁꯨ ꯅꯉꯅꯥ ꯌꯥꯅꯕꯥ ꯉꯥꯡꯅꯧꯀꯣ।"

লৈনবিবা য়ূমদি নোং য়ুসনু, ফক্লাং কিন্থসনু, লৈমায় কাযসনু, শঙ্গোযদি মদুম্মা খক থোকহন্দে। লাইনীংবগী লাইশঙগা মখোযগী শঙ্গোয়সিগা থম্মোযদা তাবা মমিদা চপ মান্নৈ। মেঙ্গোরনা ওইহন্নীংবদি মথকসু, অকোয়বসু ফি অঙৌবনা শিন-থুংনা খাজিনবা, মুর্ত্তিশিংদুসু ফি অঙৌবা, অপাক্পগী মথক্তা থম্বদুনি। য়ারগদি য়েংবা লাক্কদৌরিবা মহাক্কু মখোয়গী খুঙ্গংসিদা লাকহন্নীংদে। ইম্ফালগী মফম অমদা মুর্ত্তিশিং অসি পুরগা উহন্নীংই। লৈগী ফজবসি পান্নীদা শাৎলিঙৈদসু লৈ, ফজবী নুজাগী নাপ্পগী নাচোম ওইরবা মতমদসু লৈ। ব্রাহন্দোক্তি তোঙাল্লি।

মেঙ্গোরনা খুঙ্গংসিদা মুর্ত্তি উংফম ওইবসি পামদে; মসি খঙহন্নবা হায়রকই,

"ইতৈমা, ঐখোয়গী লৈফমসি যাম্না থাগ্নিদকো। লম্নী থোংসু ফজে।"

"মীদুবু ঐখোয়গীসিদা লাকপিয়ু য়ারোইদৌরিব্রা ?"

"হায়বা ঙমদে।"

"য়াব্রবসু নঙনা য়ানবা ঙাঙনৌকো।"

ꯃꯆꯨ ꯇꯩꯕꯗꯨ ꯉꯥꯏꯍꯥꯛ ꯇꯣꯛꯏ ꯫ ꯇꯧꯕꯤꯕꯥ ꯊꯕꯛꯇꯨꯗꯒꯤ ꯉꯥꯎꯅꯕꯤꯕꯥ ꯕꯥꯐꯃꯗꯨꯅꯥ ꯍꯦꯟꯅꯥ ꯃꯛ ꯑꯣꯏꯕꯒꯨꯝꯃꯏ ꯫ ꯃꯈꯥ ꯍꯥꯏꯕꯛꯏ,

“ ꯈꯪꯗꯦ ꯃꯦꯡꯖꯣꯕ, ꯂꯣꯏꯅꯃꯛ ꯅꯉꯅꯥ ꯐꯅꯕꯥ ꯁꯤꯅꯒꯗꯕꯅꯤꯀꯣ ꯫”

ꯃꯦ ꯌꯅꯥ ꯁꯤꯡꯖꯕꯤꯕꯁꯤ ꯑꯕꯦꯝꯕꯥ ꯑꯣꯏꯕꯥ ꯅꯠꯇꯔꯒꯥ ꯑꯣꯏꯗꯕꯥ ꯍꯥꯏꯕꯗꯨ ꯁꯥꯛꯇꯧꯕꯤꯕꯥ ꯃꯍꯥꯛꯀꯨꯒꯤ ꯃꯤꯅꯨꯡꯁꯤꯗꯥ ꯂꯩꯕꯒꯅꯤ ꯫ ꯃꯥꯅꯕꯨ ꯌꯦꯡꯕꯤꯕꯃꯗꯨꯅꯥ ꯄꯦꯟꯕꯤꯕꯕꯗꯤ ꯃꯈꯣꯌꯒꯤ ꯃꯨꯔꯇꯤꯁꯤꯡꯁꯤ ꯃꯄꯥꯟꯒꯤ ꯂꯝꯁꯤꯡꯗꯥ ꯌꯣꯟꯕꯥ ꯐꯪꯕꯥ ꯌꯥꯏ ꯫ ꯃꯁꯤ ꯑꯣꯏꯅꯕꯥ ꯃꯍꯥꯛꯀꯨꯅꯥ ꯃꯁꯛ ꯈꯪꯂꯕꯥ ꯃꯈꯣꯌꯕꯣꯃꯒꯤ ꯂꯝꯌꯥꯟꯕꯁꯤꯡꯒꯤ ꯃꯨꯔꯇꯤꯁꯤꯡ ꯁꯥꯕꯅꯥ ꯆꯨꯃꯏ ꯍꯥꯏꯕꯁꯤ ꯃꯦꯡꯖꯣꯕꯒꯤ ꯊꯥꯖꯕꯅꯤ ꯫

ꯅꯨꯃꯤꯗꯥꯡꯒꯤ ꯆꯥꯛ ꯇꯣꯛꯂꯦ ꯫ ꯄꯣꯗꯣꯟ ꯊꯥꯝꯂꯒꯥ ꯅꯣꯡꯏꯝꯅꯥ ꯃꯨꯔꯇꯤ ꯁꯥꯕꯤ ꯫ ꯂꯩꯕꯤꯛꯂꯥ ꯃꯆꯨ ꯇꯩꯕꯤ ꯫ ꯄꯣꯗꯣꯟꯒꯤ ꯃꯩꯕꯤꯅꯥ ꯅꯥꯛ ꯌꯦꯠꯇꯥ ꯍꯥꯏ ꯍꯨꯃꯗꯨꯅꯥ ꯆꯥꯛꯂꯤꯕꯁꯤ (ꯄꯣꯗꯣꯝꯅꯥ ꯊꯕꯥꯏ ꯄꯥꯟꯕꯥ ꯑꯣꯏꯕꯕꯗꯤ) ꯍꯕꯥꯎꯗꯨꯅꯥ ꯖꯒꯣꯏ ꯁꯥꯕꯅꯤ ꯫ ꯊꯕꯔꯥꯏ ꯌꯥꯎꯅꯥ ꯊꯕꯛ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯤꯒꯤ ꯃꯇꯦꯡ ꯄꯥꯡꯂꯤ ꯫ ꯆꯥꯎꯈꯠꯂꯕꯥ ꯃꯇꯝꯁꯤꯗꯁꯨ ꯁꯅꯥ ꯁꯥꯕꯁꯤꯡꯅꯥ ꯄꯣꯗꯣꯟꯒꯤ ꯃꯇꯦꯡ ꯂꯧꯕꯤ ꯫ ꯄꯣꯠꯐꯝ ꯐꯠꯕꯤꯅꯁꯨ, ꯂꯥꯏꯕꯕꯁꯤꯡꯅꯁꯨ ꯄꯣꯗꯣꯟꯗꯒꯤ ꯊꯥꯞꯇꯣꯛꯄꯥ ꯏꯉꯝ ꯉꯝꯗꯔꯤ ꯫ ꯃꯕꯛ ꯊꯠꯅꯥ ꯂꯩꯔꯤꯛꯂꯥ ꯍꯥꯏ,

মচু তৈবদু ঙাইহাক তোকই । তৌবিবা থবক্তুদগী ঙাওনবিবা বাফমদুনা হেন্না মক ওইবগুমই । মখা হাযবকই ,

‘‘খঙদে মেঞ্জোব, লোয়নমক নঙনা ফনবা শীনগদবনিকো ।’’

মে যনা শীঞ্জবিবসি অবেম্বা ওইবা নৎত্রগা ওইদবা হাযবদু শাক্তদৌবিবা মহাক্কুগী মীনুংশিদা লৈবগনি । মানবু যেংবিবমদুনা পেনবিববদি মখোযগী মুর্ত্তিশিংসি মপানগী লমশিংদা যোনবা ফংবা যাই । মসি ওইনবা মহাক্কুনা মশক খঙলবা মখোযবোমগী লমযানবশিংগী মুর্ত্তিশিং শাবনা চুমই হাযবসি মেঞ্জোবগী থাজবনি ।

নুমিদাংগী চাক তোক্লে । পোদোন থাম্লগা নোংইম্না মুর্ত্তি শাবি । লৈবিক্লা মচু তৈবি । পোদোনগী মৈবীনা নাক যেৎতা হাই হুমদুনা চাক্লিবসি (পোদোম্না থবায পানবা ওইববদি) হবাওদুনা জগোয শাবনি । থব্রায য়াওনা থবক শূবা মীগী মতেং পাংলি । চাওখৎলবা মতমসিদসু সনা শাবশিংনা পোদোনগী মতেং লৌবি । পোৎফম ফত্বীনসু, লাইববশিংনসু পোদোন্দগী থাপ্তোকপা ইঙম ঙমদ্রি । মবক থৎনা লৈরিক্লা হায়,

“ꯃꯨꯔꯇꯤꯗꯨ ꯚꯥꯔꯇꯀꯤ ꯂꯨꯆꯤꯡꯕꯁꯤꯡꯒꯤ ꯍꯥꯟꯅꯥ ꯁꯥꯎ ꯍꯥꯌꯔꯝꯕꯅꯤꯀꯣ ꯃꯦꯡꯉꯣꯔꯅꯥ ꯫”

ꯁꯣꯏꯗꯅꯥ ꯂꯥꯛꯀꯅꯤ ꯍꯥꯌꯕꯗꯨ ꯉꯁꯤꯅꯤ ꯫ ꯃꯈꯣꯌꯒꯤꯗꯥ ꯁꯣꯏꯗꯅꯥ ꯌꯧꯔꯛꯀꯗ꯭ꯔꯥ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤꯗꯤ ꯇꯝꯕꯥ ꯉꯝꯗ꯭ꯔꯤ ꯫ ꯅꯣꯡꯏꯟꯈꯣꯏꯅꯗꯤ ꯂꯥꯛꯄꯤꯐꯝ ꯊꯣꯛꯏ ꯈꯜꯂꯤ ꯫ ꯄꯨꯛꯂꯤꯡ ꯆꯉꯅꯥ, ꯄꯥꯈꯠꯅꯥ, ꯆꯦꯛꯁꯤꯟꯅꯥ ꯁꯦꯝ ꯁꯥꯖꯦ ꯫ ꯑꯇꯩ ꯊꯕꯛ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯠꯇꯦ ꯫ ꯌꯨꯝꯂꯣꯟꯅꯕꯒꯤꯁꯨ ꯆꯠꯐꯝ ꯑꯣꯏꯕꯥ ꯃꯈꯣꯌꯒꯤ ꯂꯩꯔꯛꯇꯨ ꯀꯔꯅꯥꯠꯅꯥ ꯈꯥꯖꯤꯗꯨꯅꯥ ꯃꯤ ꯆꯠꯍꯟꯗ꯭ꯔꯦ ꯫ ꯄꯨꯛꯆꯦꯜ ꯇꯤꯟꯅꯅꯥ ꯂꯩꯃꯤꯟꯅꯕꯤꯕꯥ ꯃꯆꯤꯟ-ꯃꯅꯥꯎꯁꯤꯡꯗꯨ ꯌꯦꯛꯅꯕꯒꯨꯝꯅꯥ ꯐꯥꯎꯗꯣꯛ-ꯐꯥꯎꯖꯤꯟ ꯇꯧꯅꯗ꯭ꯔꯦ ꯫ ꯁꯛ ꯐꯥꯎꯕꯥ ꯎꯅꯗ꯭ꯔꯦ ꯫ ꯅꯣꯡꯏꯟꯒꯤ ꯃꯆꯥꯁꯤꯡꯁꯨ ꯏꯃꯨꯡꯗꯒꯤ ꯍꯦꯟꯗꯣꯛꯍꯟꯗꯦ, ꯂꯥꯡꯍꯟꯗꯦ ꯫ ꯌꯨꯝꯗꯨ ꯎꯗꯅꯕꯥ ꯈꯥꯖꯤꯜꯂꯤ ꯫ ꯃꯥꯅꯥ ꯇꯧꯖꯔꯤꯕꯥ ꯊꯧꯑꯣꯡꯁꯤ ꯀꯦꯖꯕꯥ ꯄꯥꯝꯕꯥ ꯃꯤꯅꯥ ꯏꯔꯨꯖꯗꯅꯥ ꯃꯥꯌꯗꯥ ꯄꯥꯎꯗꯔ ꯊꯥꯕꯗꯨꯅꯤ ꯫

ꯃꯕꯥꯅꯤꯗꯨ ꯉꯥꯏꯍꯥꯛꯇꯥ ꯐꯝꯗꯨꯅꯥ ꯂꯩꯅꯤꯡꯗꯦ ꯫ ꯁꯉ꯭ꯒꯣꯌꯗꯥ ꯂꯩꯕꯕꯁꯨ ꯀꯣꯝꯍꯣꯡꯗꯥ ꯊꯣꯛꯀꯨꯅꯥ ꯌꯦꯡꯅꯤꯡꯏ ꯫ ꯀꯣꯝꯍꯣꯡꯗꯥ ꯐꯝꯂꯒꯥ ꯉꯥꯏꯔꯕꯁꯨ ꯁꯉ꯭ꯒꯣꯌꯗꯥ ꯆꯉꯅꯤꯡꯏ ꯫ ꯃꯨꯔꯇꯤꯁꯤꯡꯗꯨ ꯉꯥꯛ-ꯁꯦꯅꯕꯥ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯌꯦꯡꯅꯤꯡꯏ ꯫ ꯑꯟꯅꯥꯠ-ꯑꯄꯥ ꯌꯦꯡꯁꯤꯟꯅꯤꯡꯏ ꯫ ꯍꯟꯖꯤꯜꯂꯛꯄꯥ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯃꯨꯔꯇꯤꯁꯤꯡꯒꯤ ꯃꯅꯥꯛꯇꯥ ꯆꯉꯏ ꯫ ꯄꯩꯊꯣꯛ-ꯄꯩꯁꯤꯟ ꯇꯧꯗꯨꯅꯥ ꯌꯦꯡꯏ ꯫ ꯄꯨꯛꯂꯤꯡꯅꯥ ꯄꯦꯟꯖꯗꯕꯥ ꯃꯐꯝꯗꯥ ꯍꯝꯅꯥ ꯃꯆꯨ ꯇꯩꯁꯤꯜꯂꯤ ꯫ ꯃꯐꯝ ꯍꯣꯡꯗꯣꯛ- ꯍꯣꯡꯖꯤꯟ ꯇꯧꯏ ꯫ ꯃꯈꯣꯌꯒꯤ ꯃꯑꯣꯡꯁꯤꯗꯥ ꯀꯔꯦꯝꯅꯕꯥ ꯃꯤꯁꯨ ꯌꯥꯎꯔꯦ ꯫ ꯃꯕꯥꯅꯤꯗꯤ ꯗꯤꯜꯂꯤꯒꯤ ꯃꯤꯒꯥ ꯁꯉ꯭ꯒ ꯇꯧꯗꯧꯔꯤꯕꯅꯤ ꯈꯟꯗꯨꯅꯥ ꯊꯝꯃꯣꯌꯗꯥ ꯆꯥꯎꯊꯣꯛꯀꯔꯤ ꯫

“মুর্ত্তিদু ভারতকী লুচিংবশিংগী হান্না শাও হায়রম্বনিকো মেঙ্গোরনা ।”

শোয়দনা লাক্কনি হায়বদু ঙসিনি । মখোয়গীদা শোয়দনা য়ৌরক্কদ্রা হাযবসিদি তম্বা ঙমদ্রি । নোংইনখোয়নদি লাকপিফম থোকই খল্লি । পূক্লিং চঙনা, পাখৎনা, চেকশিন্না শেম শাজে । অতৈ থবক শূবা চৎতে । যূমলোন্নবগীসু চৎফম ওইবা মখোয়গী লৈরক্তু কর্নাৎনা খাজি-দুনা মী চৎহন্দ্রে । পূকচেল তিন্ননা লৈমিন্নবিবা মচিন-মনাওশিংদু য়েক্নবগুম্না ফাওদোক-ফাওজিন তৌনদ্রে । শক ফাওবা উনদ্রে । নোংইনগী মচাশিংসু ইমুংদগী হেন্দোকহন্দে, লাঙহন্দে । য়ূমদু উদনবা খাজিল্লি । মানা তৌজরিবা থৌওংসি কেজবা পাম্বা মীনা ঈরুজদনা মাযদা পাউদর থাবদুনি ।

মবানীদু ঙাইহাক্তা ফমদুনা লৈনীংদে । শঙ্গোযদা লৈববসু কোম্হোংদা থোক্কুনা য়েংনীংই । কোম্হোংদা ফম্লগা ঙাইরবসু শঙ্গোয়দা চঙনীংই । মূর্ত্তিশিংদু ঙাক-শেনবা ওইনা য়েংনীংই । অন্নাৎ-অপা যেংশিন্নীংই । হঞ্জিল্লকপা খূদিংগী মূর্ত্তিশিংগী মনাক্তা চঙই । পৈথোক-পৈশিন তৌদুনা য়েংই । পূক্লিংনা পেঞ্জদবা মফমদা হম্না মচু তৈশিল্লি । মফম হোংদোক- হোংজিন তৌই । মখোয়গী মওংসিদা করেম্নবা মীসু য়াওরে । মবানীদি দিল্লিগী মীগা শঙ্গ তৌদৌরিবনি খন্দুনা থম্মোয়দা চাউথোককরি ।

[illegible]

[illegible]

" [illegible] ? "

" [illegible] ।"

[illegible]

অয়ুক্কী চাক চাদনা ঙাইরকপা মীদু নুংথিলগী পুং অহুম তারকপা অদুব্রাইদা, মেঙোরনা লমজিংলগা লাক্লে। য়ৌরকপগা মুর্ত্তিশিংদু য়েংই। মুর্ত্তিশিংদু ফকচেংনা শাবা মণিপুর মেপকী মওং ওইবা ফম্বাক মথক্তা থমই। মেঙোরনা হিন্দিগা ইংলিসকা য়াম্নরদুনা মুর্ত্তিশিংদু মশক তাকই। মখূৎ য়েৎতুদি হিন্দি, ইংলিস ঙাঙনবা হোৎবদা জগোয় শাবগুম্না তৌরে।

অহানবদা, ময়ায়ব্রাইদা থম্লিবা রাধা কৃষ্ণ, মহাত্মা গান্ধি, ভারতকী নীংতম লান্দা শরুক য়াখিবশিং, ভারতকী মীথোইবশিংগী মুর্ত্তি কয়াদু নোক্লিংদনা নোকপা মীনোক্কা লোয়ননা য়েংই। নোংইনগা লৈরিক্কদি হরাওরি। লাক্লিবসিনা মেঙোরদা হংই,

"ভারতকী লময়ানবশিংসি লমদমসিগী মীয়াম্না খঙব্রা?"

"খঙই সার। লাইপোক ওইরবা মীথোইবশিংসি লমদমসিগীসু ইমা ইপানি।"

মমাঙথংবা নাকন্দা থম্লিবা লিশ্চোইঙম্বী, পাম্হোইবী, টিকেন্দ্রজিৎ, কংলা শা অমদি অতৈশিংদু য়েংলকই। মেঙোরনা তাক্লবসু পাম্হোইবীবু দুগানি,

ꯂꯤꯄ꯭ꯅꯣꯏꯉꯝꯕꯤꯕꯨ ꯓꯝꯁꯤꯒꯤ ꯔꯥꯅꯤꯅꯤ, ꯀꯪꯂꯥ ꯁꯥꯕꯨ ꯌꯥꯛꯂꯤ ꯍꯥꯏ꯫ ꯇꯣꯉꯥꯟ-ꯇꯣꯉꯥꯟꯕꯅꯤ ꯍꯥꯏꯕꯁꯤ ꯃꯦꯉ꯭ꯒꯣꯕꯅꯁꯨ ꯍꯥꯏꯗ꯭ꯔꯦ꯫ ꯂꯥꯛꯂꯤꯕꯁꯤꯒꯤ ꯃꯥꯌꯣꯛꯇꯥ ꯕꯥ ꯉꯥꯡꯕꯁꯤ ꯑꯣꯏꯖꯕꯥ ꯃꯥꯡꯒꯔꯅꯤ ꯍꯥꯏꯕꯒꯤ ꯑꯀꯤꯕꯥ ꯂꯩꯔꯝꯕꯥ ꯇꯥꯏ꯫ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯀꯔꯤꯒꯨꯝꯕꯥ ꯃꯨꯔꯇꯤꯁꯤꯡꯁꯤꯅꯥ ꯊꯕ꯭ꯔꯥꯏ ꯄꯥꯜꯂꯤꯕꯥ ꯍꯧꯖꯤꯛ ꯍꯤꯡꯂꯤꯕꯥ ꯇꯥꯏꯕꯪꯗꯨ ꯑꯣꯏꯕꯝꯔꯕꯗꯤ ꯃꯈꯣꯌꯕꯨ ꯃꯁꯛ ꯂꯥꯝꯅꯥ ꯎꯕꯤꯕꯁꯤꯒꯤꯗꯃꯛ ꯑꯁꯥꯎꯕꯥ ꯎꯪꯂꯛꯀꯅꯤ ꯍꯥꯏꯕꯥ ꯊꯥꯖꯦ꯫ ꯍꯧꯖꯤꯛ ꯍꯤꯡꯂꯤꯕꯥ ꯃꯈꯣꯌꯅꯥ ꯃꯊꯧꯅꯥ ꯌꯥꯎꯗ꯭ꯔꯕꯥ ꯃꯤꯒꯨꯝꯅꯥ ꯌꯦꯠꯆꯕꯥ ꯉꯃꯗ꯭ꯔꯕꯁꯨ ꯃꯈꯣꯌꯗꯤ ꯊꯧꯅꯥ ꯐꯅꯥ ꯌꯥꯅꯤꯡꯗꯦ ꯍꯥꯏꯕꯗꯨ ꯎꯈꯣꯕꯛꯀꯅꯤ꯫

ꯑꯕ꯭ꯔꯥꯡꯊꯪꯕꯗꯥ ꯂꯩꯕꯤꯕꯥ ꯊꯉ꯭ꯒꯥꯜ ꯖꯦꯅꯦꯔꯦꯜ, ꯆꯤꯡꯃꯤ ꯇꯝꯃꯤꯅꯥ ꯊꯕꯛ ꯁꯨꯕꯥ, ꯅꯨꯄꯤꯅꯥ ꯐꯧ ꯁꯨꯕꯥ, ꯃꯣꯏꯕꯨꯡ ꯈꯣꯡꯕꯥ ꯑꯃꯗꯤ ꯑꯇꯩꯁꯤꯡꯗꯨ ꯆꯥꯎꯌꯦꯡ ꯌꯦꯡꯏ꯫ ꯃꯦꯉ꯭ꯒꯣꯔꯒꯤ ꯃꯤꯠꯇꯥ ꯃꯈꯣꯌꯁꯤꯅꯥ ꯈ꯭ꯕꯥꯏꯗꯒꯤ ꯍꯦꯟꯅꯥ ꯐꯖꯗꯦ꯫ ꯑꯕ꯭ꯔꯥꯠ-ꯑꯄꯥ ꯂꯩꯕꯗꯒꯤ ꯐꯖꯕꯥ ꯉꯃꯗꯕꯅꯤ ꯍꯥꯏꯕꯁꯤ ꯈꯉꯍꯟꯅꯤꯡꯗꯦ꯫ ꯑꯁꯣꯟꯕꯥ ꯂꯣꯠꯁꯤꯟꯕꯒꯤ ꯍꯩꯅꯕꯤꯗꯨ ꯃꯦꯉ꯭ꯒꯣꯔꯗꯁꯨ ꯂꯩ꯫ ꯂꯃꯁꯤꯒꯤ ꯃꯤ ꯑꯌꯥꯝꯕꯁꯨ ꯃꯥꯏꯒꯤ ꯐꯖꯕꯗꯪ ꯎꯠꯅꯤꯡꯏ, ꯈꯨꯅꯤꯡ ꯀꯥꯏꯕꯗꯤ ꯎꯠꯅꯤꯡꯗꯦ꯫

ꯃꯅꯤꯡꯊꯪꯕꯗꯥ ꯂꯩꯔꯤꯕꯥ ꯅꯨꯄꯤꯅꯥ ꯄꯣꯠꯐꯝ ꯐꯝꯕꯤ, ꯄꯨꯡ ꯌꯩꯕꯥ, ꯐꯤꯔꯨꯛ ꯄꯨꯕꯤ, ꯀꯣꯔꯇꯥꯜ ꯄꯥꯏꯕꯥ ꯑꯃꯗꯤ ꯑꯇꯩꯁꯤꯡꯗꯨ ꯌꯦꯡꯂꯛꯏ꯫ ꯃꯦꯉ꯭ꯒꯣꯔꯅꯥ ꯃꯔꯤ ꯂꯩꯅꯕꯥ ꯕ꯭ꯔꯥꯔꯤꯁꯤꯡꯗꯨ ꯂꯤꯗꯨꯅꯥ ꯇꯥꯍꯜꯂꯤ꯫ ꯂꯥꯛꯂꯤꯕꯁꯤꯅꯥ ꯊꯥꯒꯠꯂꯛꯏ,

লিপ্নোইঙম্বীবু ঝাম্সিগী রাণীনি, কংলা শাবু য়াক্লি হায় । তোঙান-তোঙানবনি হাযবসি মেঙ্গোবনসু হায়দ্রে । লাক্লিবসিগী মাযোক্তা বা ঙাঙবসি ওইজবা মাঙর্গনি হায়বগী অকিবা লৈরম্বা তাই । অদুবু করিগুম্বা মূর্তিশিংসিনা থব্রায় পাল্লিবা হৌজিক হিংলিবা তাইবঙদু ওইবম্রবদি মখোযবু মশক লাম্না উবিবসিগীদমক অশাউবা উংলক্কনি হায়বা থাজে । হৌজিক হিংলিবা মখোয়না মথৌনা যাওদ্রবা মীগুম্না যেৎচবা ঙমদ্রবসু মখোয়দি থৌনা ফনা য়ানীংদে হাযবদু উখোবক্কনি ।

অব্রাংথংবদা লৈবিবা থঙ্গাল জেনেরেল, চীংমী তম্মীনা থবক শূবা, নুপীনা ফৌ শূবা, মোইবুং খোংবা অমদি অতৈশিংদু চাউয়েং য়েংই । মেঙ্গোরগী মীৎতা মখোয়সিনা খ্বাইদগী হেন্না ফজদে । অব্রাৎ-অপা লৈবদগী ফজবা ঙমদবনি হায়বসি খঙহন্নীংদে । অশোনবা লোৎশিনবগী হৈনবীদু মেঙ্গোরদসু লৈ । লমসিগী মী অয়াম্বসু মায়গী ফজবদং উৎনীংই,খূনিং কায়বদি উৎনীংদে ।

মনীংথংবদা লৈরিবা নুপীনা পোৎফম ফম্বী, পূং য়ৈবা, ফিরুক পুবী , কোর্তাল পায়বা অমদি অতৈশিংদু য়েংলকই । মেঙ্গোরনা মরী লৈনবা ব্রারীশিংদু লীদুনা তাহল্লি । লাক্লিবসিনা থাগৎলকই,

"ꯌꯥꯝꯅꯁꯨ ꯐꯖꯕ, ꯌꯥꯝꯅꯁꯨ ꯐꯕ ꯆꯠꯅꯕꯤꯁꯤꯡꯅꯤ꯫"

ꯑꯔꯣꯏꯕꯗꯥ, ꯃꯈꯥꯔꯣꯝꯊꯪꯕꯗꯥ ꯊꯝꯅꯤꯕ ꯄꯥꯎꯅ ꯕ꯭ꯔꯖꯕꯥꯁꯤ, ꯈꯝꯕꯥꯊꯣꯏꯕꯤ, ꯍꯤꯇꯣꯡꯕꯤ, ꯏꯅꯖꯤꯡꯕꯤ, ꯁꯉꯥꯏ ꯃꯄꯤ-ꯃꯆꯥ, ꯄꯦꯅꯥ ꯈꯣꯡꯕ, ꯃꯥꯏꯕꯤ ꯑꯃꯗꯤ ꯑꯇꯩꯁꯤꯡꯗꯨ ꯌꯦꯡꯂꯀꯏ꯫ ꯍꯥꯟꯅꯒꯨꯝꯕ ꯃꯔꯤ ꯂꯩꯅꯕ ꯕ꯭ꯔꯥꯕꯤꯁꯤꯡꯗꯨ ꯃꯦꯡꯉꯣꯔꯅ ꯂꯤꯗꯨꯅ ꯇꯥꯍꯜꯂꯤ꯫ ꯅꯣꯡꯏꯟ ꯂꯩꯕꯤꯛꯇꯤ ꯅꯣꯛꯐꯦꯠ ꯇꯧꯖꯦ꯫

ꯌꯦꯡꯕ ꯂꯣꯏꯔꯗꯨꯅ ꯐꯝꯑꯦ꯫ ꯂꯥꯛꯏꯕꯁꯤꯅ ꯊꯥꯒꯠ ꯕ꯭ꯔꯥꯍꯦ ꯍꯥꯏꯔꯛꯏ,

"ꯄꯨꯝꯅꯃꯛ ꯐꯖꯦ꯫ ꯕ꯭ꯔꯥꯍꯟꯗꯣꯛ ꯑꯃꯃꯝ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯄ ꯉꯝꯃꯏ꯫ ꯃꯇꯨꯡꯗ ꯃꯁꯤꯗꯒꯤ ꯍꯦꯟꯅ ꯐꯖꯕ ꯃꯨꯔꯇꯤꯁꯤꯡ ꯁꯥꯔꯛꯀꯅꯤ ꯍꯥꯌꯅ ꯊꯥꯖꯦ꯫"

ꯑꯌꯨꯛ ꯅꯨꯡꯊꯤꯜꯗꯅ ꯁꯦꯜ ꯊꯣꯛꯄ ꯃꯤꯒꯤ ꯊꯕꯛ ꯁꯨꯔꯒ ꯅꯨꯃꯤꯗꯥꯡꯗ, ꯃꯨꯠꯁꯤꯕ ꯄꯣꯗꯣꯟꯒꯤ ꯃꯩꯉꯥꯟꯗ ꯁꯥꯕ ꯃꯨꯔꯇꯤꯁꯤꯡꯅꯤ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤꯗꯤ ꯍꯥꯌꯗꯔꯕꯅꯤꯅ ꯈꯉꯂꯔꯣꯏ꯫ ꯆꯕ ꯍꯦꯟꯕꯒꯤ ꯕ꯭ꯔꯥꯔꯤ ꯂꯣꯠꯁꯤꯟꯕꯁꯤ ꯈꯨꯝꯅꯥꯏꯁꯤꯗ ꯑꯅꯧꯕ ꯅꯠꯇꯦ꯫

ꯂꯩꯔꯤꯛꯀ ꯑꯆꯥ-ꯑꯊꯛ ꯃꯌꯥꯝ ꯄꯨꯊꯣꯔꯛꯏ꯫ ꯉꯁꯥꯏꯗꯒꯤ ꯀꯔꯅꯥꯠ ꯑꯅꯤꯒꯤ ꯇꯥꯌꯅꯐꯝꯗ ꯀꯣꯛꯃꯊꯦ ꯂꯤꯡꯊꯣꯛꯂꯒ ꯌꯦꯡꯂꯝꯕ ꯂꯩꯀꯥꯏꯒꯤ ꯑꯉꯥꯡꯁꯤꯡꯗꯨ ꯊꯣꯔꯛꯂꯦ꯫ ꯁꯣꯔꯥꯡ,

''য়াম্নসু ফজবা, যাম্নসু ফবা চৎনবীশিংনি ।''

অরোইবদা, মখারোমথংবদা থম্নিবা পাউনা ব্রজবাশি, খম্বাথোইবী, হিতোংবী, ঈনজিংবী, শঙাই মপী-মচা, পেনা খোংবা, মাইবী অমদি অতৈশিংদু যেংলকই ' হান্নগুম্মা মরী লৈনবা ব্রাবীশিংদু মেঙ্গোরনা লীদুনা তাহল্লি । নোংইন লৈবিক্তি নোকফেৎ তৌজে ।

য়েংবা লোইরদুনা ফমএ । লাকইবসিনা থাগৎ ব্রাহে হায়রকই,

''পূম্নমক ফজে । ব্রাহন্দোক অমমম ফোঙদোকপা ঙমই । মতুংদা মসিদগী হেন্না ফজবা মুর্ত্তিশিং শারক্কনি হায়না থাজে ।''

অয়ুক নুংথিলদনা শেল থোক্লবা মীগী থবক শূরগা নুমিদাংদা, মুৎশিবা পোদোনগী মৈঙান্দা শাবা মুর্ত্তিশিংনি হায়বসিদি হায়দ্রবনিনা খঙলরোই । চবা হেনবগী ব্রারী লোৎশিনবসি খুম্নাইসিদা অনৌবা নত্তে ।

লৈরিক্লা অচা-অথক ময়াম পুথোরকই । ঙশাইদগী কর্নাত অনীগী তায়নফমদা কোকমথৈ লিংথোক্লগা য়েংলম্বা লৈকাইগী অঙাংশিংদু থোরক্লে । শোরাৎ,

ꯍꯩꯖꯤꯡꯄꯣꯠ, ꯂꯨꯍꯣꯡꯕꯗ ꯑꯆ-ꯑꯊꯛ ꯌꯦꯅꯕꯒꯤ ꯆꯠꯅꯕꯤꯗꯨ ꯑꯉꯥꯡꯁꯤꯡꯁꯤꯅ ꯅꯤꯡꯁꯤꯡꯂꯝꯕ ꯌꯥꯢ꯫ ꯂꯥꯛꯂꯤꯕ ꯃꯤꯗꯨ ꯁꯉꯒꯣꯝ ꯊꯛꯎ ꯌꯥꯗꯦ; ꯃꯉꯒꯥ, ꯑꯋꯥꯊꯕꯤ ꯆꯥꯎ ꯌꯥꯗꯦ꯫ ꯂꯐꯣꯢ ꯑꯃꯒ ꯁꯦꯝ ꯃꯆꯦꯠ ꯑꯃꯒꯗꯤ ꯆꯥꯢ꯫

ꯍꯟꯅꯃꯗꯥꯢꯗ ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯐꯤꯔꯣꯠ ꯁꯦꯡꯄ ꯕꯥꯙꯥ ꯀ꯭ꯔꯤꯁ꯭ꯅꯒꯤ ꯃꯨꯔ꯭ꯇꯤꯁꯤꯡ ꯈꯨꯗꯣꯜ ꯇꯧꯈꯤ꯫ ꯂꯥꯛꯂꯤꯕꯗꯨꯅ ꯍꯥꯢ,

" ꯂꯝꯗꯝꯁꯤꯗ ꯃꯥꯒꯨꯝꯕ ꯑꯥꯔ꯭ꯇꯤꯁ꯭ꯠ ꯂꯩꯔꯝꯕꯁꯤ ꯑꯩꯈꯣꯌꯒꯤ ꯆꯥꯎꯊꯣꯛꯆꯐꯝꯅꯤ꯫"

ꯊꯤꯟꯗꯣꯛꯎꯕꯒꯤ ꯍꯟꯖꯤꯟꯅꯛꯄꯗ ꯅꯣꯡꯏꯟꯅ ꯅꯣꯛꯆꯔꯗꯨꯅ ꯍꯥꯢ,

" ꯉꯁꯤꯗꯤ ꯌꯥꯝꯅ ꯅꯨꯡꯉꯥꯢꯔꯦ꯫ ꯅꯍꯥꯂꯝꯈꯩ ꯋꯥꯔꯀꯄꯒꯤ ꯃꯍꯣꯢ ꯆꯥꯒꯗꯧꯔꯃꯟꯅꯦ꯫"

ꯂꯩꯔꯤꯛꯁꯨ ꯅꯣꯡꯏꯅꯒꯤ ꯍꯔꯥꯎꯕꯁꯤꯗ ꯌꯥꯎꯔꯗꯨꯅ ꯍꯥꯢ,

" ꯍꯧꯖꯤꯛꯀꯤ ꯃꯤꯗꯨ ꯃꯕꯨꯛ ꯐꯔꯃꯒꯗꯧꯕ ꯃꯥꯟꯅꯤ꯫"

" ꯑꯩꯁꯨ ꯑꯗꯨꯝꯅ ꯈꯟꯅꯤ꯫ ꯃꯥꯅ ꯑꯩꯈꯣꯌꯒꯤ ꯀꯥꯟꯅꯕ ꯀꯔꯤꯒꯨꯝꯕ ꯈꯔꯗꯤ ꯇꯧꯔꯛꯀꯗꯕ ꯃꯥꯟꯅꯤ꯫"

হৈজিংপোৎ, লুহোংবদা অচা-অথক য়েনবগী চৎনবীদু অঙাংশিংসিনা নীংশিংলম্বা যাই। লাক্লিবা মীদু শঙ্গোম থকউ য়াদে; মঙ্গা, অৱাথবী চাও য়াদে। লফোয় অমগা সেম মচেৎ অমগদি চায়।

হন্নমদাইদা মীতৈগী ফিরোৎ শেংপা বাধা কৃষ্ণগী মুর্ত্তিশিং খুদোল তৌখি। লাক্লিবদুনা হায়,

"লমদমসিদা মাগুম্বা আর্টিষ্ট লৈরম্বসি ঐখোয়গী চাউথোকচফম্নি।"

থিন্দোকউবগী হঞ্জিন্নকপদা নোংইন্না নোকচরদুনা হায়,

"ঙসিদি য়াম্না নুংঙাইরে। নহালমখৈ ৱারকপগী মহয় চাগদৌরমান্নে।"

লৈরিকসু নোংইনগী হরাওবসিদা য়াওরদুনা হায়,

"হৌজিক্কি মীদু মবুক ফরমগদৌবা মান্নি।"

"ঐসু অদুম্না খন্নি। মানা ঐখোয়গী কান্নবা করিগুম্বা খরদি তৌরক্কদবা মান্নি।"

"ꯅꯣꯡꯃꯥ ꯅꯤꯅꯤꯁꯤꯗꯥ ꯇꯧꯕꯤꯔꯛꯀꯗ꯭ꯔꯥ ?"

"ꯃꯗꯨꯗꯤ ꯈꯪꯗꯦ ꯫"

ꯑꯅꯤꯛ ꯔꯥꯕꯥ ꯄꯣꯛꯀꯦ, ꯍꯩꯅꯤꯡꯅꯥ ꯄꯣꯠꯁꯤꯡꯗꯨ ꯂꯣꯢꯁꯤꯜꯂꯤ ꯫ ꯌꯥꯎꯁꯪꯒꯤ ꯁꯦꯜ ꯈꯥꯢꯕꯥ ꯆꯠꯀꯗꯧꯔꯤꯕꯥ ꯑꯉꯥꯡꯁꯤꯡꯅꯥ ꯐꯤ ꯁꯦꯠꯂꯤ-ꯏꯜꯂꯤꯉꯩꯗꯥ ꯍꯔꯥꯎꯕꯒꯨꯝꯕꯗꯨꯅꯤ ꯫ ꯍꯔꯥꯎꯕꯅꯥ ꯄꯨꯛꯂꯤꯡꯕꯨ ꯊꯧꯅꯥ ꯍꯥꯞꯄꯢ, ꯃꯁꯤꯅꯥ ꯃꯤꯑꯣꯢꯕꯒꯤꯗꯃꯛꯇꯗꯤ ꯊꯕꯛ ꯇꯧꯕꯗꯥ ꯈꯨꯃꯥꯡ ꯆꯥꯎꯁꯤꯟꯅꯤꯡꯉꯥꯢ ꯑꯣꯢ ꯫ ꯍꯨꯃꯥꯡꯃꯂꯕꯨ ꯄꯨꯟꯁꯤ ꯍꯤꯔꯦꯂꯅꯤ ꯈꯟꯖꯔꯤꯕꯁꯤꯡꯅꯥ ꯃꯤ ꯈꯨꯗꯤꯡꯗꯥ ꯊꯥꯖꯕꯥ ꯊꯃꯢ ꯫ ꯀꯔꯤꯒꯨꯝꯕꯗꯥ ꯃꯈꯣꯌꯒꯤ ꯊꯥꯖꯕꯁꯤꯅꯥ ꯇꯥꯢꯑꯣꯟꯅꯔꯛꯂꯕꯗꯥ ꯇꯥꯢꯕꯪꯄꯥꯟꯂꯁꯤ ꯅꯨꯡꯒꯤ ꯆꯛꯇꯒꯤ ꯑꯃꯨꯛ ꯍꯧꯕꯗꯨ ꯄꯥꯟꯅꯀꯄꯥ ꯌꯥꯢ ꯫

ꯇꯥꯡ ꯲꯳-꯱-꯱꯹꯹꯸

"নোংমা নিনীসিদা তৌবিরক্কদ্রা ?"

"মদুদি খঙদে ।"

অনী্ক রাবা পোক্কে, হৈনীংনা পোৎশিংদু লোইশিল্লি । য়াওশঙগী শেল খায়বা চৎকদৌরিবা অঙাংশিংনা ফি শেৎলি-ইল্লিঙৈদা হরাওবগুম্বদুনি । হরাওবনা পুক্লিংবু থৌনা হাপই, মসিনা মীওইবগীদমক্তদি থবক তৌবদা খুমাঙ চাওশিন্নীংঙাই ওই । হুমাংমলবু পুন্সি হিরেলনি খঞ্জরিবশিংনা মী খুদিংদা থাজবা থমই । করিগুম্বদা মখোয়গী থাজবসিনা তাইওন্নরক্লবদা তাইবঙপালসি নূংগী চক্তগী অমুক হৌবদু পান্নকপা য়াই ।

তাং ২৩-১-১৯৯৮

[illegible]

[illegible]

[illegible]

মীংয়েং

মশাগী লাই য়েকফমদা থোইরেলনা লাই য়েক্লি । মানা য়েক্লিবদু য়েংলদুনা অঙাং ২য়সু মনাক্তা লৈবি । অঙাং অনীদি থোঙলোমদা মমায ৈপথোবকই । হায়দগী হৌনা মীনৌ লাকপদা মনাক নকশিন্নীংবা, অহলশিংনা ব্রাবী শান্নবদা তানীংবা মবানীগী হৈনবীনি । মসিনা ওইবা তাই, অঙাং মতীক নত্তনা ব্রাবী লিখুন ময়াম খঙই ।

কানুংদা নুপা অনী ব্রারী শারদুনা চঙলকই । লাই য়েকফমদা চঙবিরকপশিংনা, লাইয়েকপনা লাইয়েকপদা পূক্লিং লুপ্লিঙৈদা মখোয়গী থম্মোয়না পাম্বদু হাইফেত্তং ওইরবসু খঙবিনবা হোৎনবিফম থোকই । শা, ঙা, পাম্বীগা মাগী পূক্লিংগা ব্রারী শান্নবা মীওইশিংনা করিগুম্বা ব্রাফম অমদা পূক্লিং লুপ্লিঙৈদা অয়েৎপা পীবা হায়বসি চাউনা মরাল লঙশিনবনি । চঙলক্লিবা অনীদু ঙাইঙমদে; অমনা হায়রকই,

"ꯑꯣꯖꯥꯒꯤ ꯕ꯭ꯔꯖꯗꯨ ꯑꯃꯨꯛꯇꯥ ꯊꯝꯕꯤꯈꯣ ꯫ ꯑꯩꯈꯣꯌꯒꯤꯁꯤ ꯌꯥꯝꯅꯥ ꯃꯔꯨ ꯑꯣꯏꯕꯥ ꯑꯗꯨꯒꯥ ꯈꯔꯁꯨ ꯊꯨꯕꯥ ꯊꯕꯛ ꯑꯃꯒꯤꯅꯤ ꯫ ꯁꯦꯜꯁꯨ ꯌꯥꯝꯅꯥ ꯇꯥꯒꯅꯤ ꯫"

ꯃꯈꯣꯌꯗꯅꯥ ꯊꯕꯛ ꯆꯤꯅꯕꯗꯨ ꯃꯉꯥꯏ ꯫ ꯀꯥꯌꯕꯕꯥ ꯊꯣꯏꯔꯦꯜꯒꯤ ꯕ꯭ꯔꯥꯈꯜꯂꯣꯟꯗꯨꯗꯤ ꯃꯈꯣꯌꯒꯤ ꯀꯕꯝꯕꯥ ꯄꯥꯝꯕꯦꯅꯥ ꯃꯦꯅꯪꯀꯗꯧꯕꯤꯕꯒꯦ ? ꯁꯦꯜꯅꯥ ꯃꯍꯨꯠ ꯁꯤꯟꯕꯥ ꯌꯥꯗꯕꯁꯨ ꯂꯩꯔꯤ ꯍꯥꯌꯪꯁꯤ ꯂꯥꯝꯅꯥ ꯕꯥꯍꯟꯗꯣꯛꯇꯕꯅꯥ ꯆꯨꯝꯕꯅꯤ ꯫ ꯃꯣꯃꯣꯟ ꯅꯣꯛꯔꯗꯨꯅꯥ ꯊꯣꯏꯔꯦꯜꯗꯨ ꯂꯥꯛꯂꯤꯕꯁꯤꯡꯗꯨꯗꯥ ꯃꯥꯌ ꯑꯣꯅꯁꯤꯜꯂꯀꯏ ꯫ ꯃꯥꯒꯤ ꯃꯣꯃꯣꯟ ꯃꯤꯅꯣꯔꯀꯥꯁ ꯇꯔꯥꯝꯅꯥ ꯑꯣꯛꯂꯤꯕ꯭ꯔꯥ ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯒꯥ ꯃꯈꯣꯌꯒꯤ ꯕ꯭ꯔꯥꯍꯦꯗꯨꯗꯥ ꯌꯥꯅꯤꯡꯗꯕꯒꯤꯔꯥ ? ꯃꯁꯤ ꯂꯥꯛꯂꯤꯕꯁꯤꯡꯁꯤꯅꯥ ꯈꯟꯖꯟꯗꯦ ꯫ ꯊꯣꯏꯔꯦꯜꯅꯥ ꯆꯝꯅꯥ ꯍꯪꯂꯀꯏ,

"ꯀꯔꯤ ꯇꯧꯁꯤꯒꯦ ?"

ꯈꯔꯥ ꯅꯍꯥ ꯑꯣꯏꯕꯗꯨꯅꯥ ꯕꯦꯀꯇꯒꯤ ꯐꯣꯇꯣ ꯑꯃꯥ ꯂꯧꯊꯣꯛꯂꯒꯥ ꯍꯥꯌ,

"ꯃꯁꯤꯒꯤ ꯐꯣꯇꯣꯁꯤ ꯐꯨꯠ ꯃꯉꯥꯒꯥ ꯏꯟꯆꯤ ꯃꯕꯤꯃꯨꯛ ꯕ꯭ꯔꯥꯡ ꯆꯥꯎꯕꯥ ꯍꯀꯆꯥꯡꯒꯤ ꯁꯥꯏꯖꯗꯥ ꯌꯦꯛꯄꯤꯌꯨ ꯫"

ꯐꯣꯇꯣꯗꯨ ꯇꯦꯕꯜꯗꯥ ꯊꯃꯏ ꯫ ꯑꯍꯜ ꯑꯣꯏꯕꯗꯨꯅꯥ ꯍꯥꯌꯔꯀꯏ,

"ওজাগী ব্রজদু অমুক্তা থম্বীখো । ঐখোয়গীসি য়াম্না মরু ওইবা অদুগা খরসু থুবা থবক অমগীনি । শেলসু যাম্না তাগনি ।"

মখোয়দনা থবক চিনবদু মঙাই । কায়ববা থোইরেলগী ব্রাখল্লোন্দুদি মখোয়গী কবম্বা পাম্বেনা মেন-ংকদৌবিবগে ? শেলনা মহুৎ শিনবা য়াদবসু লৈরি হায়ং সি লাম্না বাহন্দোক্তবনা চুম্বনি । মোমোন নোক্রদুনা থোইরেলদু লাক্লিবশিংদুদা মায ওনশিল্লকই । মাগী মোমোন মীনোর্কাস তরাম্না ওক্লিব্রা নৎত্রগা মখোযগী ব্রাহেদুদা য়ানীংদবগীরা ? মসি লাক্লিবশিংসিনা খঞ্জন্দে । থোইরেলনা চম্না হংলকই,

"করি তৌসিগে ?"

খরা নহা ওইবদুনা বেক্তগী ফোটো অমা লৌথোক্লগা হায়,

"মসিগী ফোটোসি ফুট মঙাগা ইঞ্চি মবিমুক ব্রাং চাউবা হকচাংগী সাইজদা য়েকপিয়ু ।"

ফোটোদু টেবলদা থমই । অহল ওইবদুনা হায়রকই,

" ꯏꯕꯨꯡꯉꯣ, ꯑꯩꯈꯣꯌꯁꯤ ꯅꯦꯇꯥ ꯏꯔꯥꯕꯣꯠ ꯃꯤꯌꯥꯝ ꯈꯉꯍꯟ ꯂꯨꯞꯀꯤ ꯃꯤꯅꯤ ꯫ ꯑꯩꯅꯥ ꯄ꯭ꯔꯦꯁꯤꯗꯦꯟꯇꯅꯤ: ꯃꯥꯅꯥ ꯁꯦꯛꯔꯦꯇꯔꯤꯅꯤ ꯫"

ꯃꯥꯒꯤꯁꯤꯕꯨ ꯂꯥꯏꯌꯦꯛꯄꯗꯥ ꯆꯉꯕꯥ ꯇꯉꯥꯏ ꯐꯗꯕꯥ ꯃꯆꯥꯛꯂꯥ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤ ꯑꯇꯥꯕꯥ ꯃꯤꯒꯤ ꯃꯥꯍꯩ ꯑꯣꯏꯒꯅꯤ ꯫ ꯃꯈꯥꯁꯨ ꯍꯥꯌꯔꯛꯏ,

" ꯍꯟꯗꯛꯀꯤ ꯆꯍꯤꯁꯤꯃꯥ ꯑꯩꯈꯣꯌ ꯂꯩꯕꯥꯛꯀꯤ ꯀꯥꯆꯤꯟ ꯀꯣꯌꯥ, ꯆꯤꯡ, ꯇꯝ ꯁꯤꯟ ꯊꯨꯡꯅꯥ, ꯀꯆꯥꯕ, ꯕꯔꯃꯟꯆꯤꯡꯕꯥ ꯃꯐꯝꯁꯤꯡꯗꯥ ꯐꯣꯇꯣꯁꯤ ꯄꯨꯔꯒꯥ ꯃꯤꯌꯥꯝꯗꯥ ꯎꯍꯟꯒꯗꯧꯔꯤꯕꯅꯤ ꯫ ꯂꯥꯏꯄꯣꯛ ꯑꯣꯏꯔꯕꯥ ꯅꯦꯇꯥꯁꯤꯕꯨ ꯃꯤꯄꯨꯝ ꯈꯨꯗꯤꯡꯅꯥ ꯈꯉꯍꯟꯅꯕꯥ ꯊꯧꯔꯥꯡꯅꯤ ꯫ ꯏꯔꯝꯗꯝꯁꯤꯗꯁꯨ ꯑꯇꯩ ꯂꯝꯗꯒꯤ ꯍꯟꯗꯕꯥ ꯃꯤꯊꯣꯏꯕꯥ, ꯆꯥꯎꯊꯣꯛꯆꯕꯥ ꯌꯥꯕꯥ ꯃꯤꯑꯣꯏ ꯄꯣꯛꯏ ꯍꯥꯌꯕꯗꯨ ꯈꯉꯍꯟꯒꯗꯧꯔꯤꯕꯅꯤ ꯫"

ꯃꯤꯉꯣꯟꯗꯥ ꯈꯉꯍꯟꯕꯗꯤ ꯌꯥꯝꯅꯥ ꯐꯩ ꯫ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯂꯥꯏꯌꯦꯛꯄꯅꯥ ꯃꯤꯁꯛ ꯌꯦꯡꯅꯥ, ꯃꯐꯝ ꯈꯟꯅꯥ ꯊꯕꯛ ꯇꯧꯅꯔꯥ ? ꯆꯤꯐ ꯃꯤꯅꯤꯁ꯭ꯇꯔꯒꯤ ꯐꯣꯇꯣꯅꯥ ꯆꯦꯛꯁꯤꯟꯅꯥ ꯌꯦꯛꯄꯥ, ꯆꯥꯛꯂꯤꯕꯒꯤꯅꯥ ꯀꯥꯕꯛ-ꯁꯥꯕꯛ ꯌꯦꯛꯄꯥ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤꯕꯨ ꯀꯔꯝꯕꯥ ꯂꯥꯏꯌꯦꯛꯄꯅꯥ ꯇꯧꯕꯒꯦ ? ꯅꯍꯥꯗꯨꯅꯥ ꯑꯃꯨꯛ ꯍꯥꯌ,

"ইবুংঙো, ঐখোয়সি নেতা ইরাবোত মীয়াম খঙহন লুপকী মীনি। ঐনা প্রসিদেন্টনি; মানা সেক্রেটবিনি।"

মাগীসিবু লাইয়েকপদা চঙবা তঙাই ফদবা মচাক্লা হায়বসি অতাবা মীগী মাহং ওইগনি। মখাসু হায়বক্লি,

"হন্দক্কী চহীসিমা ঐখোয লৈবাক্কী কাচিন কোয়া, চীং, তম শিন থুংনা, কছাব, বর্ম্মনচিংবা মফমশিংদা ফোটোসি পুবগা মীয়ামদা উহনগদৌবিবনি। লাইপোক ওইববা নেতাসিবু মীপুম তিংনা খঙহন্নবা থৌবাংনি। ইবমদমসিদসু অতৈ লমদগী হন্দবা মীথোইবা, চাউথোকচবা যাবা মীওই পোকই হাযবদু খঙহনগদৌবিবনি।"

মীঙোন্দা খঙহনবদি য়াম্না ফৈ। অদুবু লাইয়েকপনা মীশক য়েংনা, মফম খন্না থবক তৌনব্রা ? চিফ মিনিষ্টরগী ফোটোনা চেকশিন্না য়েকপা, চাক্লীবগীনা কাবক-শাবক য়েকপা হায়বসিবু করম্বা লাইয়েকপনা তৌবগে ? নহাদুনা অমুক হায়,

"ꯅꯦꯇꯥꯖꯤ ꯐꯨꯔꯤꯠ, ꯈꯨꯗꯩ, ꯀꯣꯛꯌꯦꯠ, ꯈ꯭ꯋꯥꯡꯁꯦꯠ ꯄꯨꯝꯅꯃꯛ ꯑꯉꯥꯡꯕꯥ ꯃꯆꯨ ꯑꯣꯏꯍꯟꯕꯤꯌꯨ; ꯈꯨꯔꯨꯝꯁꯨ ꯇꯧꯍꯟꯕꯤꯌꯨ ।"

ꯃꯥꯒꯤ ꯕ꯭ꯔꯥꯁꯤꯗꯤ ꯅꯦꯇꯥꯖꯤ ꯐꯨꯔꯤꯠꯈꯥꯎꯗꯥ ꯌꯥꯎꯕꯥ ꯀ꯭ꯔꯨꯃꯥꯜꯗꯨꯁꯨ ꯑꯉꯥꯡꯕꯥ ꯑꯣꯏꯍꯟꯅꯤꯡꯂꯃꯒꯅꯤ । ꯑꯍꯜꯗꯨꯅꯥ ꯑꯋꯥꯠꯄꯥ ꯃꯅꯈꯠꯄꯒꯨꯝꯅꯥ ꯃꯈꯥ ꯇꯥꯔꯀꯏ,

"ꯈꯨꯠ ꯌꯦꯠꯅꯥ ꯃꯤꯇꯩ ꯊꯥꯡꯒꯣꯜ, ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯐꯧ ꯆꯔꯣꯡ ꯄꯥꯏꯍꯟꯕꯤꯌꯨ; ꯃꯅꯥꯛꯀꯥ ꯂꯥꯡꯒꯣꯜ ꯑꯃꯁꯨ ꯂꯩꯍꯟꯕꯤꯌꯨ ।"

ꯃꯈꯣꯌꯅꯥ ꯄꯥꯝꯕꯥ ꯑꯇꯩ ꯃꯑꯣꯡꯁꯤꯡꯁꯨ ꯃꯊꯣꯡ ꯃꯊꯣꯡ ꯍꯥꯏ । ꯋꯥꯍꯩꯍꯥꯛꯁꯨ ꯑꯋꯥꯠꯄꯥ ꯅꯤꯡꯁꯤꯡꯏ । ꯃꯈꯣꯌꯅꯥ ꯅꯤꯡꯁꯤꯡꯂꯒꯥ ꯍꯥꯏꯔꯤꯕꯥ ꯋꯥꯐꯝꯗꯨ ꯑꯏꯕꯥ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯄꯤꯔꯝꯕꯅꯥ ꯍꯦꯟꯅꯥ ꯆꯨꯝꯒꯅꯤ ꯍꯥꯏꯕꯁꯤꯗꯤ ꯃꯕꯥꯅꯤꯅꯥ ꯈꯪꯕꯤꯗꯦ । ꯍꯥꯏꯅꯤꯡꯉꯥꯏ ꯂꯩꯇ꯭ꯔꯕꯥ ꯑꯗꯨꯗꯇꯥ ꯃꯕꯥꯅꯤ ꯆꯠꯈꯤ ।

ꯂꯥꯏꯄꯣꯛ ꯑꯣꯏꯕꯅꯤ, ꯃꯤꯊꯣꯏꯕꯅꯤ ꯈꯉꯖꯔꯤꯕꯥ ꯏꯔꯥꯕꯣꯇꯀꯤ ꯁꯛꯇꯝꯗꯨ ꯌꯦꯛꯄꯗꯥ ꯊꯣꯏꯔꯦꯜꯗꯨ ꯑꯍꯥꯟꯕꯗꯥ ꯀꯤꯖꯔꯃꯏ । ꯂꯥꯛꯂꯤꯕꯥ ꯑꯅꯤꯗꯨꯒꯤ ꯃꯑꯣꯡꯗꯨꯗꯥ ꯍꯧꯖꯤꯛꯇꯤ ꯃꯍꯥꯛ ꯇꯟꯊꯔꯦ । ꯐꯤꯚꯝꯁꯤꯗꯥ ꯂꯥꯏꯌꯦꯛꯄꯒꯤ ꯃꯥꯌ ꯄꯥꯛꯂꯤꯡꯉꯥꯏ ꯀꯔꯤꯅꯣ ? ꯐꯅꯥ ꯀꯨꯏꯅꯥ ꯐꯃꯏ ॥

''নেতাগী ফুরিৎ, খুদৈ, কোকয়েৎ, খ্বাঙশেৎ পুম্নমক অঙাংবা মচু ওইহনবিয়ু; খুরুমসু তোংহনবিয়ু ।''

মাগী ব্রাসিদি নেতাগী ফুরিৎখাউদা য়াওবা ক্রুমালদুসু অঙাংবা ওইহন্নীংলমগনি । অহলদুনা অৱাৎপা .মনখৎপগুম্না মখা তারকই,

''খূৎ য়েৎনা মীতৈ থাঙ্গোল, ওইনা ফৌ চরোং পায়হনবিয়ু; মনাক্তা লাঙ্গোল অমসু লৈহনবিয়ু ।''

মখোয়না পাম্বা অতৈ মওংশিংসু মথং মথং হায় । ৱাইহাক্সু অৱাৎপা নীংশিংই । মখোয়না নীংশিংলগা হায়রিবা ৱাফমদু অইবা ওইনা পীরম্বনা হেন্না চুমগনি হায়বসিদি মবানীনা খঙবিদে । হায়নীংঙাই লৈত্রবা অদুদতা মবানী চৎখি ।

লাইপোক ওইবনি, মীথোইবনি খঞ্জরিবা ইরাবোতকী শক্তমদু য়েকপদা থোইরেলদু অহানবদা কিজরমই । লাক্লিবা অনীদুগী মওংদুদা হৌজিক্তি মহাক তন্থরে । ফিভমসিদা লাইয়েকপগী মায় পাক্লীংঙাই করিনো ? ফনা কুইনা ফমই ।

ꯐꯣꯇꯣꯗꯨꯗꯥ ꯑꯃꯨꯛ ꯌꯦꯡꯏ। ꯉꯁꯥꯏꯒꯤ ꯃꯤ ꯑꯅꯤ ꯆꯉꯂꯛꯄꯗꯥ ꯌꯦꯡꯈꯤꯕ ꯑꯉꯥꯡ ꯑꯅꯤꯗꯨ ꯃꯁꯥ-ꯃꯁꯥꯒꯤ ꯂꯥꯏ ꯌꯦꯛꯐꯝꯗꯥ ꯐꯟꯅꯒꯥ ꯂꯥꯏ ꯌꯦꯛꯀꯨꯕ ꯊꯧꯔꯥꯡ ꯇꯧꯕꯤ। ꯇꯥꯟꯅꯛꯁꯤꯗꯥ ꯃꯤꯑꯣꯏ ꯈꯔ ꯆꯉꯂꯛꯏ। ꯍꯥꯟꯅ ꯂꯥꯛꯀꯝꯕꯁꯤꯡꯗꯨꯒꯤ ꯀꯥꯡꯕꯨꯅꯤ। ꯑꯍꯥꯅꯕ ꯀꯥꯡꯕꯨꯒꯤ ꯋꯥꯗꯨ ꯇꯥꯕꯒꯥ ꯑꯃꯅ ꯍꯥꯌ,

" ꯃꯗꯨꯝꯅ ꯌꯦꯛꯄꯤꯒꯅꯨ, ꯅꯦꯇꯥ ꯏꯔꯥꯕꯣꯠꯇꯤ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯤ ꯁꯥꯍꯤꯇ꯭ꯌꯒꯤ ꯂꯃꯌꯥꯅꯕꯅꯤ। ꯃꯔꯝꯁꯤꯅ ꯈꯨꯠ ꯅꯥꯝꯅ ꯀꯣꯂꯣꯝ, ꯅꯥꯝꯅ ꯕꯣꯌ ꯃꯅꯥꯛꯇ ꯂꯥꯏꯔꯤꯛꯁꯤꯡ ꯂꯩꯕ ꯁꯛꯇꯝꯗꯨ ꯑꯣꯏꯅ ꯌꯦꯛꯄꯤꯌꯨ।"

ꯍꯤꯡꯂꯃꯏ ꯍꯥꯌꯔꯤꯕ ꯃꯤꯌꯥꯃꯒꯤ ꯂꯨꯆꯤꯡꯕ ꯏꯔꯥꯕꯣꯠꯀꯤ ꯊꯋꯥꯌꯗꯨ ꯍꯧꯖꯤꯛꯁꯨ ꯂꯩꯔꯕꯗꯤ ꯉꯁꯤꯒꯤ ꯀꯥꯡꯕꯨꯁꯤꯡꯁꯤꯗꯥ ꯋꯥꯇꯦꯝꯕꯗꯨ ꯄꯥꯝꯏ। ꯑꯇꯣꯞꯄꯥ ꯑꯃꯅ ꯍꯥꯌꯔꯛꯏ,

" ꯃꯈꯣꯌꯒꯤ ꯋꯥꯗꯨ ꯂꯧꯕꯤꯒꯅꯨ। ꯃꯈꯣꯌꯗꯤ ꯆꯨꯝꯅꯇ ꯂꯨꯞꯀꯤ ꯄ꯭ꯔꯁꯤꯗꯦꯟꯇ, ꯁꯦꯛꯔꯦꯇꯔꯤ ꯑꯣꯏꯖꯕꯅꯤ। ꯊꯕꯛꯇꯤ ꯑꯩꯈꯣꯌꯅ ꯁꯤꯟꯕꯅꯤ।"

ꯊꯕꯛ ꯁꯤꯟꯕ ꯃꯈꯣꯌꯅ ꯐꯝ ꯄꯥꯌꯗ꯭ꯔꯤꯕ ꯀꯔꯤꯒꯤꯅꯣ? ꯋꯥꯁꯤ ꯀꯅꯥꯒꯨꯝꯕꯅ ꯃꯈꯣꯌꯗꯥ ꯍꯪꯂꯗꯕꯁꯤ ꯃꯈꯣꯌꯒꯤ ꯂꯥꯏꯕꯛ ꯐꯕꯅ ꯑꯣꯏꯒꯅꯤ। ꯑꯃꯅ ꯑꯃꯨꯛ ꯑꯊꯤꯡꯕ ꯊꯟꯅꯈꯏ॥

ফোটোদুদা অমুক য়েংই । ঙশাইগী মী অনী চঙলকপদা য়েংখিবা অঙাং অনীদু মশা মশাগী লাই য়েকফমদা ফন্নগা লাই যেক্কুবা থৌরাং তৌবি । তান্নকসিদা মীওই খরা চঙলকই । হান্না লাক্কম্বশিংদুগী কাংবুনি । অহানবা কাংবুগী ব্রাদু তাবগা অমনা হায়,

"মদুম্না য়েকপিগনু, নেতা ইরাবোত্তী মণিপুরী সাহিত্যগী লময়ানবনি । মরমসিনা খূৎ নাম্মনা কোলোম, নাম্মনা বোয় মনাক্তা লাইরিকশিং লৈবা শক্তমদু ওইনা য়েকপিয়ু ।"

হিংলমই হায়রিবা মীয়ামগী লুচিংবা ইরাবোতকী থব্রায়দু হৌজিকসু লৈরবদি ঙসিগী কাংবুশিংসিদা ব্রাতেম্বদু পামই । অতোপ্পা অমনা হায়রকই,

"মখোয়গী ব্রাদু লৌবিগনু । মখোয়দি চুম্নত লুপকী প্রসিদেন্ট, সেক্রেটরি ওইজবনি । থবক্তি ঐখোয়না শীনবনি ।"

থবক শীনবা মখোয়না ফম পায়দ্রিবা করিগীনো ? ব্রাসি কনাগুম্বনা মখোয়দা হংলদবসি মখোয়গী লাইবক ফবনা ওইগনি । অমনা অমুক অথিংবা থন্নকই,

"ꯑꯩꯈꯣꯌꯒꯤ ꯇꯨꯡꯗꯥ ꯃꯤ ꯑꯇꯩ ꯂꯥꯛꯂꯕꯁꯨ ꯃꯈꯣꯌꯅꯥ ꯍꯥꯌꯔꯕꯁꯤꯡꯗꯨ ꯇꯧꯕꯤꯒꯅꯨ ꯫ ꯑꯩꯈꯣꯌꯅꯥ ꯍꯥꯌꯖꯔꯤꯕꯁꯤ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯌꯦꯛꯄꯤꯒꯗꯕꯅꯤ ꯫"

ꯃꯈꯣꯌ ꯆꯠꯈ꯭ꯔꯦ ꯫ ꯑꯍꯥꯅꯕꯥ ꯂꯥꯛꯄꯥ ꯀꯥꯡꯕꯨꯒꯤ ꯕ꯭ꯔꯥꯗꯨ ꯂꯩꯈꯥꯏ ꯇꯥꯗ꯭ꯔꯤꯉꯩꯗꯥ ꯑꯅꯤꯁꯨꯕꯥ ꯀꯥꯡꯕꯨꯒꯤ ꯔꯥ ꯑꯃꯨꯛ ꯂꯥꯛꯂꯦ ꯫ ꯑꯉꯥꯡ ꯑꯃꯥ ꯄꯣꯔꯤꯉꯩꯗꯥ ꯑꯉꯥꯡ ꯑꯃꯁꯨ ꯄꯁ꯭ꯕꯤꯌꯨ ꯍꯥꯌꯔꯔꯦ ꯫ ꯀꯔꯝꯕꯥ ꯀꯥꯡꯕꯨꯕꯨ ꯅꯤꯡꯕꯥ ꯊꯨꯡꯍꯟꯒꯗꯧꯔꯤ ? ꯑꯅꯤꯃꯛꯄꯨ ꯅꯤꯡꯕꯥ ꯊꯨꯡꯍꯟꯕꯥ ꯇꯥꯔꯒꯅꯥ ꯂꯨꯆꯤꯡꯕꯥ ꯏꯔꯥꯕꯣꯠꯇꯨ ꯈꯨꯠꯂꯣꯡꯕꯥ ꯑꯣꯏꯍꯟꯕꯗꯥ ꯇꯥꯔꯕ꯭ꯔꯥ ? ꯃꯁꯤꯗꯤ ꯂꯩꯈꯤꯗ꯭ꯔꯕꯥ ꯂꯨꯆꯤꯡꯕꯗꯨꯗꯥ ꯂꯪꯖꯕꯥ ꯅꯠꯇꯕ꯭ꯔꯥ ? ꯀꯥꯡꯕꯨ ꯑꯅꯤꯗꯨ ꯄꯨꯝꯅꯥ ꯀꯧꯔꯒꯥ ꯌꯥꯟꯍꯟꯒꯗ꯭ꯔꯥ ? ꯃꯇꯝꯁꯤꯗꯥ ꯅꯨꯄꯤ ꯀꯥꯡꯕꯨ ꯑꯃꯥ ꯊꯨꯡꯂꯔꯦ ꯫ ꯃꯈꯣꯌꯗꯤ ꯍꯟꯅꯥ ꯃꯔꯝ ꯈꯪꯂꯒꯥ ꯂꯥꯛꯄꯥ ꯑꯣꯏꯔꯃꯜꯂꯦ ꯫ ꯈꯔꯥ ꯑꯍꯜ ꯑꯣꯏꯕꯤ ꯑꯃꯅꯥ ꯍꯥꯌꯔꯀꯏ,

"ꯏꯕꯨꯡꯉꯣꯒꯤꯁꯤꯗꯥ ꯅꯦꯇꯥ ꯏꯔꯥꯕꯣꯠ ꯃꯤꯌꯥꯝ ꯈꯪꯍꯟ ꯂꯨꯞꯀꯤ ꯃꯤꯑꯣꯏ ꯂꯥꯛꯂꯕ꯭ꯔꯥ ?"

"ꯀꯥꯡꯕꯨ ꯑꯅꯤ ꯊꯣꯛꯂꯥ ꯂꯥꯛꯄꯤꯔꯃꯏ ꯫"

ꯃꯈꯣꯌꯅꯥ ꯍꯥꯌꯔꯝꯕꯁꯤꯡꯗꯨꯁꯨ ꯆꯤꯊꯗꯅꯥ ꯇꯃꯏ ꯫ ꯃꯗꯨꯗꯥ ꯍꯧꯖꯤꯛꯀꯤ ꯅꯨꯄꯤꯗꯨꯅꯥ ꯃꯈꯨꯠ ꯌꯥꯎꯅꯥ ꯉꯥꯡꯂꯀꯏ,

''ঐখোয়গী তুংদা মী অতে লাক্লবসু মখোয়না হায়রবশিংদু তৌবিগনু । ঐখোয়না হায়জরিবসি ওইনা য়েকপিগদবনি ।''

মখোয় চৎখ্রে । অহানবা লাকপা কাংবুগী ব্রাদু লৈখায় তাদ্রিঙৈদা অনীশুবা কাংবুগী রা অমুক লাক্লে । অঙাং অমা পোরিঙৈদা অঙাং অমসু পশ্বীয়ু হায়ররে । করম্বা কাংবুবু নীংবা থুংহনগদৌরি ? অনীমকপু নীংবা থুংহনবা তারগনা লুচিংবা ইরাবোত্তু খুৎলোঙবা ওইহনবদা তারব্রা ? মসিদি লৈখিদ্রবা লুচিংবদুদা লঙজবা নত্তব্রা ? কাংবু অনীদু পুম্না কৌরগা য়ানহনগদ্রা ? মতমসিদা নুপী কাংবু অমা থুংলরে । মখোয়দি হান্না মরম খঙলগা লাকপা ওইরমাল্লে । খরা অহল ওইবী অমনা হায়রকই,

''ইবুংঙোগীসিদা নেতা ইরাবোত মীয়াম খঙহন লুপকী মীওই লাক্লব্রা ?''

''কাংবু অনী থোক্লা লাকপিরমই ।''

মখোয়না হায়রম্বশিংদুসু চিথদনা তমই । মদুদা হৌজিক্কী নুপীদুনা মখুৎ য়াওনা ঙাঙলকই,

"ꯏꯕꯨꯡꯉꯣ. ꯂꯥꯛꯏꯕ ꯑꯩꯈꯣꯌꯁꯦ ꯃꯈꯣꯌꯅ ꯍꯥꯌꯔꯕ ꯂꯨꯞꯄꯒꯤ ꯅꯨꯄꯤ ꯃꯤꯍꯨꯠ ꯉꯥꯛꯇꯅꯤ। ꯑꯩꯈꯣꯌꯒꯤꯁꯨ ꯍꯛ ꯆꯥꯎꯅ ꯂꯩꯔꯤꯕꯅꯤ। ꯉꯁꯥꯏ ꯃꯤꯇꯤꯡ ꯇꯧꯕ ꯃꯇꯝꯗꯗꯤ ꯑꯩꯈꯣꯌꯅ ꯌꯦꯛꯍꯟꯅꯤ ꯍꯥꯌꯕ ꯃꯑꯣꯡꯗꯨꯗ ꯌꯦꯛꯄ ꯍꯥꯌꯅ ꯌꯥꯟꯗꯨꯅ ꯆꯠꯈꯔꯕꯅꯤ।"

ꯑꯃꯅ ꯃꯔꯛ ꯊꯠꯂꯀꯏ .

"ꯑꯩꯈꯣꯌꯅ ꯄꯥꯝꯕ ꯃꯑꯣꯡꯗꯨ ꯏꯕꯨꯡꯉꯣꯁꯤꯗ ꯏꯆꯦꯅ ꯃꯌꯦꯛ ꯁꯦꯡꯅ ꯍꯥꯌꯕꯤꯔꯃꯎ।"

"ꯍꯥꯌꯗꯧꯔꯤꯕꯅꯤꯅꯦ; ꯁꯦ, ꯑꯩꯈꯣꯌꯅ ꯄꯥꯝꯕ, ꯃꯌꯥꯝꯁꯨ ꯌꯥꯅꯕꯕ ꯃꯑꯣꯡꯗꯨꯗꯤ ꯅꯦꯇꯥꯅ ꯅꯨꯄꯤ ꯃꯌꯥꯝꯕꯨ ꯅꯨꯄꯤ ꯂꯥꯟꯗ ꯂꯝꯖꯤꯡꯕꯒꯤ ꯁꯛꯇꯝꯗꯨ ꯑꯣꯏꯅ ꯌꯦꯛꯄꯤꯒꯗꯕꯅꯤ। ꯑꯕꯥꯝꯂ ꯍꯥꯟꯅ ꯄꯤꯔꯃꯒꯦ; ꯀꯌꯥ ꯊꯝꯅꯃꯎꯒꯦ ?"

"ꯑꯩꯗꯤ ꯑꯌꯦꯛꯃꯂ ꯍꯥꯟꯅ ꯂꯧꯕ ꯍꯩꯅꯖꯗꯦ, ꯄꯤꯕꯤꯔꯃꯒꯅꯨ।"

ꯑꯇꯣꯞꯄ ꯑꯃꯅ ꯍꯥꯌ,

"ꯑꯇꯩꯒꯤ ꯕꯥ ꯂꯧꯗꯨꯅ ꯑꯩꯈꯣꯌꯅ ꯄꯥꯝꯕ ꯃꯑꯣꯡꯁꯤ ꯌꯦꯛꯄꯤꯗꯔꯕꯗꯤ ꯏꯕꯨꯡꯉꯣꯁꯨ ꯆꯣꯞꯄ ꯌꯥꯎꯒꯅꯤꯀꯣ।"

"ইবুংঙো, লাকইবা ঐখোয়সে মখোয়না হায়রব্বা লুপ্পুগী নুপী মীহুৎ ঙাক্তনি। ঐখোয়গীসু হক চাউনা লৈরিবনি। ঙশাই মীতিং তৌবা মতমদদি ঐখোয়না য়েকহন্নি হায়বা মওংদুদা য়েকপা হায়না য়ানদুনা চৎখ্রবনি।"

অমনা মরক থৎলকই,

"ঐখোয়না পাম্বা মওংদু ইবুংঙোসিদা ইচেনা ময়েক শেংনা হায়বিরমউ।"

"হায়দৌরিবনিনে; সে, ঐখোয়না পাম্বা, ময়াম্মসু যানববা মওংদুদি নেতানা নুপী ময়াম্বু নুপী লান্দা লমজিংবগী শক্তমদু ওইনা য়েকপিগদবনি। অব্রামল হান্না পীরমগে; কযা থম্নমউগে ?"

"ঐদি অয়েকমল হান্না লৌবা হৈনজদে, পীবিরমগনু।"

অতোপ্পা অমনা হায়,

"অতৈগী ব্রা লৌদুনা ঐখোয়না পাম্বা মওংসি য়েকপিদ্রবদি ইবুংঙোসু চোপ্পা য়াওগনিকো।"

ꯃꯌꯥꯝꯃ ꯃꯤꯅꯝꯕ ꯉꯥꯡꯍꯟꯕꯤꯕꯕ ꯊꯣꯏꯕꯦꯂꯗꯨ 'ꯃꯌꯥꯝꯒꯤ ꯅꯤꯡꯕ ꯊꯨꯡꯅꯕ ꯇꯧꯖꯒꯦ' ꯈꯨꯝꯕ ꯅꯠꯇꯅ ꯑꯇꯩ ꯕ꯭ꯔꯥꯍꯩ ꯂꯩꯇꯦ꯫ ꯍꯟꯗꯛ ꯃꯥꯒꯤ ꯑꯕ꯭ꯔꯥꯕꯁꯤ ꯅꯃꯥꯡꯁꯨ ꯂꯥꯡ, ꯅꯇꯨꯡꯁꯨ ꯇꯦꯟ ꯍꯥꯌꯕꯒꯤ ꯃꯊꯛꯇꯥ ꯅꯊꯛꯇꯁꯨ ꯂꯦꯟ ꯍꯥꯌꯕ ꯑꯃꯥ ꯌꯥꯎꯕꯦ꯫ ꯅꯈꯥꯗꯅ ꯐꯥꯗꯧꯕꯤꯕ ꯃꯤ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤꯃꯁꯨ ꯌꯥꯎꯕꯛꯇ꯭ꯔꯥ ꯆꯤꯡꯅꯗꯕ ꯉꯃꯗꯦ꯫ ꯅꯨꯄꯤꯁꯤꯡꯗꯨ ꯃꯈꯣꯌꯅ ꯑꯆꯨꯝꯕꯅꯤ ꯉꯥꯡꯅꯕꯗꯨꯅ ꯊꯣꯛꯈ꯭ꯔꯦ꯫ ꯏꯀꯥꯟ ꯀꯥꯟꯅꯗꯅ ꯄꯥꯈꯪ ꯂꯩꯁꯥꯕꯤꯒꯤ ꯀꯥꯡꯕꯨ ꯊꯨꯡꯂꯩ꯫ ꯇꯥꯟꯖꯥ ꯌꯦꯡꯗꯨꯅ ꯉꯥꯏꯕꯝꯕꯒꯨꯝꯃꯩ꯫ ꯆꯉꯂꯛꯄꯒꯥ ꯃꯥꯅꯥ ꯃꯥꯅꯥ ꯉꯥꯡꯅꯤꯡꯕ ꯉꯥꯡꯏ; ꯑꯄꯥꯝꯕ ꯄꯣꯠꯁꯤꯡ ꯄꯥꯌꯗꯨꯅ ꯌꯦꯡꯏ꯫ 'ꯄꯣꯠ-ꯆꯩ ꯄꯥꯌꯕꯤꯒꯅꯨ' ꯊꯥꯕ ꯆꯦꯁꯨ ꯐꯛꯂꯥꯡꯗ ꯊꯦꯠꯂꯤ꯫ ꯐꯛꯂꯥꯡ ꯑꯀꯥꯌꯕ ꯃꯦꯟꯅꯕ ꯊꯦꯠꯄꯗꯤ ꯑꯣꯏꯔꯝꯂꯣꯏ꯫ ꯂꯥꯛꯂꯤꯕꯁꯤꯡꯗꯨ ꯄꯥꯕ ꯉꯝꯕꯁꯨ ꯃꯥꯜꯂꯤ꯫ ꯐꯛꯂꯥꯡꯗ ꯊꯦꯠꯄ ꯁꯛꯇꯝꯒꯤ ꯃꯈꯥꯗ ꯊꯥꯕ ꯕ꯭ꯔꯥꯍꯩꯁꯤꯡꯗꯨ ꯄꯥꯏ꯫ ꯑꯃꯅ ꯍꯥꯌꯔꯛꯏ,

" ꯑꯩꯍꯥꯛ ꯅꯦꯇꯥ ꯏꯔꯥꯕꯣꯠ ꯃꯤꯌꯥꯝ ꯈꯉꯍꯟ ꯂꯨꯄꯀꯤ ꯅꯍꯥꯔꯣꯜ ꯃꯤꯍꯨꯠꯀꯤ ꯁꯦꯛꯔꯦꯇꯔꯤꯅꯤ꯫ ꯑꯍꯜꯁꯤꯡꯅꯥ ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯒꯥ ꯅꯨꯄꯤꯁꯤꯡꯅꯥ ꯍꯥꯌꯔꯝꯕꯁꯤꯡꯗꯨ ꯇꯣꯛꯄꯤꯕ ꯇꯥꯕꯅꯤ꯫ ꯅꯦꯇꯥꯒꯤ ꯁꯛꯇꯝꯗꯨ ꯁ꯭ꯄꯣꯔꯠ ꯄꯦꯟꯠ ꯁꯦꯠꯂꯒꯥ ꯈꯨꯠ ꯑꯅꯤꯅꯥ ꯍꯣꯀꯤ ꯁ꯭ꯇꯤꯛ, ꯀ꯭ꯔꯤꯀꯦꯠꯀꯤ ꯕꯦꯠ ꯄꯥꯌꯍꯟꯕꯤꯌꯨ꯫ ꯈꯣꯡꯅꯥ ꯕꯣꯜ ꯀꯥꯎꯍꯟꯕꯤꯌꯨ꯫ ꯑꯩꯈꯣꯌꯅꯥ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤ ꯌꯥꯕꯤꯗꯕ ꯇꯥꯔꯕꯗꯤ ꯕ꯭ꯔꯥꯊꯣꯛ ꯆꯥꯎꯕꯛꯀꯅꯤ꯫"

মযাম্মা মীনম্বা ঙাঙহনবিববা থোইবেলদু ‘মযামগী নীংবা থুংনবা তৌজগে’ খুম্বা নত্তনা অতৈ ব্রাহৈ লৈতে । হন্দক মাগী অব্রাবসি নমাঙসু লাং, নতুংসু তেন হাযবগী মথক্তা নথক্তসু লেন হায়বা অমা যাওবে । নখাদনা ফাদৌবিবা মী হায়বসিমসু য়াওবক্কদ্রা চিংনদবা ঙমদে । নুপীশিংদ মখোয়না অচুম্বনি ঙাঙনবদুনা থোকখ্রে । ইকান কান্নদনা পাখং লৈশাবীগী কাংবু থুংলৈ । তাঞ্জা য়েংদুনা ঙাইবম্বগুমই । চঙলকপগা মানা মানা ঙাঙনীংবা ঙাঙই; অপাম্বা পোৎশিং পায়দুনা য়েংই । ‘পোৎ-চৈ পায়বিগনু’ থাবা চেসু ফক্লাংদা থেৎলি । ফক্লাং অকায়বা মেন্নবা থেৎপদি ওইরম্লোই । লাক্লিবশিংদু পাবা ঙম্বসু মাল্লি । ফক্লাংদা থেৎপা শক্তমগী মখাদা থাবা ব্রাহৈশিংদু পাই । অমনা হায়রকই,

‘‘ঐহাক নেতা ইরাবোত মীযাম খঙহন লুপকী নহারোল মীহুৎকী সেক্রেটরিনি । অহলশিংনা নৎত্রগা নুপীশিংনা হায়রম্বশিংদু তোকপিবা তাবনি । নেতাগী শক্তমদু স্পোর্ট পেন্ট শেৎলগা খূৎ অনীনা হোক্কী ষ্টিক, ক্রিকেতকী বেৎ পায়হনবিয়ু । খোঙনা বোল কাওহনবিয়ু । ঐখোয়না হায়বসি য়াবিদবা তারবদি ব্রাথোক চাউবক্কনি ।’’

ꯃꯈꯣꯌꯒꯤ ꯂꯨꯄꯁꯤꯕꯨ ꯍꯥꯟꯅꯥ ꯕ꯭ꯔꯥꯔꯦꯞ ꯇꯥꯗꯕꯒꯨꯝꯅꯥ ꯇꯧꯏ꯫ ꯃꯈꯣꯌ ꯃꯌꯥꯝ ꯂꯥꯛꯏ; ꯃꯈꯣꯌꯒꯤ ꯑꯄꯥꯝꯕꯁꯤꯡꯗꯨ ꯃꯥꯡꯣꯟꯗꯥ ꯄꯣꯠꯂꯨꯝ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯅꯅꯁꯤꯜꯂꯝꯅꯒꯥ ꯉꯝꯅꯃꯛ ꯆꯠꯅꯈꯤꯕꯅꯤ꯫ ꯃꯥꯒꯤ ꯑꯕ꯭ꯔꯥꯕꯥ, ꯅꯥꯇꯦ ꯆꯥꯗꯕꯒꯤ ꯕ꯭ꯔꯥꯐꯃꯗꯤ ꯈꯛ ꯍꯪꯂꯃꯗꯦ꯫ ꯃꯊꯪꯗꯅꯥ ꯀꯔꯝꯕꯥ ꯀꯥꯡꯕꯨ ꯂꯥꯛꯀꯗꯧꯔꯤꯕꯒꯦ ? ꯊꯣꯡ ꯊꯤꯡꯖꯤꯟꯅꯤꯡꯂꯦ꯫ ꯃꯐꯝꯁꯤꯗꯥ ꯂꯩꯔꯤꯕꯥ ꯑꯉꯥꯡꯁꯤꯡꯒꯤ ꯊꯅꯕꯗꯥ ꯊꯤꯡꯕꯁꯨ ꯄꯥꯝꯗ꯭ꯔꯤ꯫ ꯂꯥꯏ ꯌꯦꯛꯐꯝ ꯃꯥꯄꯥꯁꯤ ꯐꯥꯑꯣꯅꯥ ꯃꯤ ꯑꯅꯤ, ꯑꯍꯨꯝ ꯄꯨꯝꯅꯥ ꯆꯠꯈꯤꯕꯗꯥ ꯃꯥꯒꯤꯁꯤꯗꯥ ꯆꯉꯂꯛꯀꯗ꯭ꯔꯥ ꯃꯤꯄꯥꯏꯔꯦ꯫ ꯀꯅꯥꯅꯥ ꯈꯉꯅꯤ, ꯍꯅꯨꯕꯥ ꯍꯅꯨꯕꯤ ꯃꯌꯥꯝꯁꯨ ꯂꯥꯛꯄꯥ ꯌꯥꯔꯤ꯫ ꯏꯔꯥꯕꯣꯇꯅꯥ ꯃꯤꯔꯣꯠ ꯑꯣꯏꯔꯤꯉꯩꯗꯥ ꯂꯦꯛꯈꯤꯕꯥ ꯌꯨꯝꯕꯨ ꯃꯌꯥꯝꯗꯨꯁꯨ ꯂꯥꯛꯄꯥ ꯌꯥꯏ꯫ ꯃꯥꯒꯥ ꯁꯥꯟꯅꯃꯤꯟꯅꯈꯤꯕꯥ ꯑꯉꯥꯡꯁꯤꯡ, ꯅꯤꯡꯊꯧꯒꯤ ꯃꯤꯁꯤꯡ, ꯏꯁꯩ ꯁꯛꯃꯤꯟꯅꯈꯤꯕꯥ, ꯑꯣꯖꯥ ꯑꯣꯏꯃꯤꯟꯅꯈꯤꯕꯥ, ꯃꯥꯅꯥ ꯇꯝꯕꯤꯈꯤꯕꯥ ꯃꯍꯩꯔꯣꯏꯁꯤꯡ ꯃꯌꯥꯝꯗꯨꯁꯨ ꯂꯥꯛꯄꯥ ꯌꯥꯏ꯫ ꯆꯤꯡꯃꯤ ꯅꯨꯄꯤ ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯒꯥ ꯀꯆꯥꯔ ꯅꯨꯄꯤꯅꯥ ꯄꯥꯈꯪ ꯃꯆꯥ, ꯂꯩꯁꯥꯕꯤ ꯃꯆꯥ ꯄꯨꯔꯛꯂꯒꯥ ꯏꯔꯥꯕꯣꯇꯀꯤ ꯃꯆꯥꯅꯤ, ꯃꯁꯥꯃꯛꯂꯥ ꯏꯔꯥꯕꯣꯇꯀꯤ ꯅꯨꯄꯤꯅꯤ (ꯃꯤꯌꯥꯝꯗꯥ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯈꯤꯗꯕꯅꯤ) ꯍꯥꯌꯔꯕꯁꯨ ꯌꯥꯔꯤ꯫ ꯃꯁꯤꯒꯤ ꯃꯊꯛꯇꯥ ꯉꯁꯥꯏ ꯂꯥꯛꯂꯝꯕꯥ ꯀꯥꯡꯕꯨꯁꯤꯡꯗꯨ ꯂꯣꯏꯅꯥ ꯂꯥꯛꯂꯒꯥ ꯃꯈꯣꯌ ꯃꯁꯦꯜ ꯑꯣꯟꯁꯤꯟꯅꯗꯨꯅꯥ ꯈꯠꯅꯕꯕꯁꯨ ꯌꯥꯏ꯫ ꯀꯥꯡꯕꯨ ꯑꯃꯅꯥ ꯍꯥꯌꯔꯀꯄꯥ ꯌꯥꯏ,

মখোয়গী লূপসিবু হান্না ব্রারেপ তাদবগুম্না তৌই । মখোয় ময়াম লাকই; মখোয়গী অপাম্বশিংদু মাঙোন্দা পোৎলূম ওইনা ননশিল্লম্নগা ঙম্নমক চৎনখিবনি । মাগী অব্রাবা,নাতে চাদবগী ব্রাফমদি খক হংলমদে । মথংদনা করম্বা কাংবু লাক্কদৌরিবগে ? থোঙ থিংজিম্মীংলে । মফমসিদা লৈরিবা অঙাংশিংগী থনবদা থিংবসু পামদ্রি । লাই য়েকফম মাপাসি ফাওনা মী অনী, অহুম পূম্না চৎখিবদা মাগীসিদা চঙলক্কদ্রা মীপাইরে । কনানা খঙনি, হনুবা হনুবী ময়ামসু লাকপা য়ারি । ইরাবোতনা মীরোৎ ওইরিঙৈদা লেকখিবা য়ূম্বু ময়ামদুসু লাকপা য়াই। মাগা শান্নমিন্নখিবা অঙাংশিং, নিংথৌগী মীশিং, ঈশৈ শকমিন্নখিবা, ওজা ওইমিন্নখিবা, মানা তম্বীখিবা মহৈরোইশিং ময়ামদুসু লাকপা য়াই । চীংমী নুপী নৎত্রগা কছার নুপীনা পাখং মচা, লৈশাবী মচা পুরক্লগা ইরাবোতকী মচানি, মশামক্লা ইরাবোতকী নুপীনি (মীয়ামদা ফোঙদোকখিদবনি) হায়রবসু য়ারি। মসিগী মথক্তা ঙশাই লাক্লম্বা কাংবুশিংদু লোয়না লাক্লগা মখোয় মশেল ওনশিন্নদুনা খৎনববসু য়াই । কাংবু অমনা হায়রকপা য়াই,

“ꯍꯟꯗꯛ ꯂꯨꯞ ꯁꯦꯝꯕꯁꯤ ꯑꯩꯈꯣꯌꯅꯥ ꯍꯧꯗꯣꯔꯛꯄꯅꯤ ꯫ ꯅꯈꯣꯌꯗꯤ ꯅꯍꯥꯂꯝꯈꯩ ꯄꯡꯁꯤꯟꯅꯗꯨꯅꯥ ꯂꯩꯔꯝꯕꯅꯤ ꯫ ꯑꯩꯈꯣꯌꯅꯥ ꯁꯤꯟꯕꯁꯤ ꯌꯥꯎ ꯫”

ꯀꯥꯡꯕꯨ ꯑꯃꯅꯥ ꯈꯨꯟꯅꯀꯄꯥ ꯌꯥꯏ,

“ꯅꯦꯇꯥꯅꯥ ꯍꯤꯡꯂꯤꯉꯩꯗꯥ ꯑꯣꯏꯈꯤꯕꯥ ꯃꯑꯣꯡꯗꯨ ꯍꯧꯖꯤꯛꯁꯨ ꯃꯗꯨ ꯑꯣꯏꯍꯟꯁꯤ ꯫ ꯂꯩꯈꯤꯗꯕꯥ ꯃꯍꯥꯛꯇꯨ ꯍꯤꯡꯂꯤꯕꯥ ꯅꯈꯣꯌꯒꯤ ꯁꯥꯒꯦꯗꯥ ꯄꯨꯁꯤꯟꯅꯤꯡꯒꯅꯨ ꯫ ꯂꯧꯃꯤ ꯁꯤꯟꯅꯤ ꯑꯣꯏꯈꯤꯕꯥ ꯃꯍꯥꯛꯇꯨ ꯅꯤꯡꯊꯦꯝꯆꯥ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯍꯤꯡꯒꯠꯍꯟꯒꯨꯃꯁꯤ ꯫”

ꯚꯥꯕ ꯇꯥꯗ꯭ꯔꯦ ꯫ ꯁꯥꯟꯅꯕꯨꯡꯗꯥ, ꯂꯤꯂꯥꯗꯥ ꯏꯁꯩꯗꯥ ꯑꯇꯩ ꯑꯇꯩꯗꯥ ꯄꯨꯁꯤꯟꯅꯕꯒꯤꯗꯃꯛ ꯀꯥꯡꯕꯨꯁꯤꯡꯗꯨ ꯃꯔꯩ ꯌꯦꯠꯅꯕꯅꯥ, ꯈꯠꯅꯕꯅꯥ ꯂꯥꯏꯌꯦꯛꯐꯃꯁꯤ ꯂꯥꯟꯐꯝ ꯑꯣꯟꯕꯁꯨ ꯇꯝꯕꯥ ꯉꯝꯗ꯭ꯔꯤ ꯫ ꯆꯦꯛꯁꯤꯟ ꯊꯧꯔꯥꯡ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯂꯥꯏꯌꯦꯛꯐꯃꯁꯤ ꯊꯣꯡ ꯊꯤꯡꯍꯧꯕꯅꯥ ꯆꯨꯃꯒꯅꯤ ꯊꯥꯖꯔꯦ ꯫ ꯃꯥꯌꯊꯤꯔꯕꯥ ꯃꯤꯒꯨꯝꯅꯥ, ꯍꯧꯒꯠꯂꯒꯥ ꯑꯉꯥꯡꯁꯤꯡꯗꯥ ꯍꯪꯂꯀꯏ,

“ꯉꯁꯤꯒꯤꯗꯤ ꯊꯣꯡ ꯂꯣꯟꯅꯁꯤꯔꯥ ?”

ꯑꯉꯥꯡ ꯑꯃꯠꯇꯥ ꯄꯥꯎꯈꯨꯝ ꯄꯤꯔꯛꯇꯦ ꯫ ꯑꯉꯥꯡ ꯑꯃꯗꯤ ꯃꯥꯒꯤ ꯂꯥꯏ ꯑꯌꯦꯛꯄꯗꯨ ꯄꯤꯔꯒꯥ ꯍꯪꯏ,

‘‘হন্দক লুপ শেম্বসি ঐখোয়না হৌদোরকপনি । নখোয়দি নহালমখৈ পঙশিন্নদুনা লৈরম্বনি । ঐখোয়না শীনবসি য়াও ।’’

কাংবু অমনা খুন্নকপা য়াই,

‘‘নেতানা হিংলিঙৈদা ওইখিবা মওংদু হৌজিকসু মদু ওইহনসি । লৈখিদবা মহাক্তু হিংলিবা নখোয়গী শাগেদা পুশিন্নীংগনু । লৌমী শিন্নী ওইখিবা মহাক্তু নিংথেমচা ওইনা হিঙ্গৎহনগুমসি ।’’

ভাব তাদ্রে । শান্নবুংদা, লীলাদা ঈশৈদা অতৈ অতৈদা পুশিন্নবগীদমক কাংবুশিংদু মরৈ য়েৎনবনা, খৎনবনা লাইয়েকফমসি লানফম ওনবসু তম্বা ঙমদ্রি । চেকশিন থৌরাং ওইনা লাইয়েকফমসি থোঙ থিংহৌবনা চুমগনি থাজরে । মায়থীরবা মীগুম্না, হৌগৎলগা অঙাংশিংদা হংলকই,

‘‘ঙসিগীদি থোঙ লোন্নসিরা ?’’

অঙাং অমত্তা পাউখুম পীরক্তে । অঙাং অমদি মাগী লাই অয়েকপদু পীরগা হংই,

"ꯑꯣꯖꯥ, ꯉꯁꯥꯏꯒꯤ ꯃꯤꯁꯤꯡꯗꯨꯅꯥ ꯍꯥꯌꯔꯝꯕꯥ ꯁꯛꯇꯃꯗꯨ ꯃꯁꯤꯒꯤ ꯃꯑꯣꯡꯗꯥ ꯌꯦꯛꯄꯥ ꯌꯥꯒꯗ꯭ꯔꯥ ?"

ꯏꯕꯥꯕꯣꯠꯇꯨ ꯗꯨꯔꯒꯥꯗꯧꯅꯥ ꯇꯧꯔꯦ꯫ ꯃꯈꯨꯠ ꯇꯔꯥꯅꯥ ꯕꯣꯏ, ꯀꯣꯂꯣꯝ, ꯅꯨꯡꯊꯉ, ꯊꯉꯣꯜ, ꯐꯧ ꯆꯔꯣꯡ, ꯍꯣꯛꯀꯤ ꯁ꯭ꯇꯤꯛ, ꯀ꯭ꯔꯤꯀꯦꯠꯀꯤ ꯕꯦꯠ, ꯅꯣꯡꯃꯩ, ꯂꯥꯉꯣꯜ ꯄꯥꯏ꯫ ꯂꯥꯑꯣꯅꯥ ꯀꯥꯊꯣꯛꯄꯥ ꯆꯤꯟꯗꯒꯤ ꯏꯁꯩꯒꯤ ꯁꯨꯕ ꯊꯣꯔꯛꯂꯤ꯫ ꯂꯦꯞꯂꯤꯕꯥ ꯃꯐꯝꯗꯨ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ, ꯕꯔꯃꯥ, ꯀꯆꯥꯔꯒꯤ ꯃꯦꯞꯇꯅꯤ꯫ ꯑꯉꯥꯡ ꯑꯃꯅꯁꯨ ꯃꯥꯒꯤ ꯑꯌꯦꯛꯄꯗꯨ ꯄꯤꯔꯒꯥ ꯍꯪꯂꯛꯏ,

"ꯑꯣꯖꯥ, ꯑꯩꯒꯤꯁꯤꯗꯤ ꯌꯥꯔꯣꯏꯗ꯭ꯔꯥ ?"

ꯑꯍꯥꯅꯕꯒꯤ ꯁꯛꯇꯃꯗꯨ ꯈꯨꯠ ꯑꯣꯏꯅꯥꯅꯥ ꯄꯥꯏꯔꯦ, ꯑꯀꯣꯟꯕꯒꯤ ꯁꯛꯇꯃꯗꯨꯅꯥ ꯈꯨꯠ ꯌꯦꯠꯅꯥ ꯄꯥꯏꯔꯒꯥ ꯌꯦꯡꯏ꯫ ꯁꯛꯇꯃꯁꯤ ꯌꯥꯝꯅꯥ ꯕ꯭ꯔꯥꯡꯕꯥ ꯏꯔꯥꯕꯣꯠꯀꯤ ꯁꯛꯇꯃꯅꯤ꯫ ꯃꯈꯥ ꯑꯣꯏꯔꯞꯂꯥ ꯀꯥꯡꯕꯨ ꯀꯌꯥꯒꯤ ꯃꯤꯌꯥꯝ ꯂꯩꯔꯤ꯫ ꯅꯦꯇꯥꯒꯤ ꯃꯉꯥꯜ ꯊꯣꯛꯂꯕꯥ ꯀꯣꯛꯇꯨ ꯊꯥ ꯊꯕ꯭ꯔꯥꯅꯁꯤꯡꯒꯤ ꯃꯔꯛꯇꯥ ꯂꯩꯔꯤ꯫ ꯑꯅꯤꯃꯛꯇꯥ ꯌꯦꯡꯂꯒꯥ ꯊꯣꯏꯔꯦꯜꯅꯥ ꯍꯥꯏ,

"ꯀꯅꯥꯒꯤ ꯕ꯭ꯔꯥꯕꯨ ꯏꯜꯂꯒꯥ ꯅꯕꯥꯅꯤꯒꯤ ꯑꯌꯦꯛꯄꯁꯤ ꯌꯥꯔꯦ ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯒꯥ ꯌꯥꯗꯦ ꯂꯦꯄꯀꯗꯧꯔꯤꯕꯅꯣ ? ꯂꯩꯕꯥꯛ ꯑꯃꯒꯤ ꯃꯤꯑꯣꯏꯁꯤꯡꯅꯥ ꯑꯅꯤꯡ-ꯑꯅꯤꯡꯕꯥ ꯇꯧꯅꯔꯕꯗꯤ

"ওজা, ঙশাইগী মীশিংদুনা হায়রম্বা শক্তমদু মসিগী মওংদা য়েকপা য়াগদ্রা ?"

ইবাবোত্তু দুর্গাদৌনা তৌরে । মখূৎ তরানা বোয়, কোলোম, নূংথঙ, থাঙোল, ফৌ চরোং, হোক্কী ষ্টিক, ক্রিকেটকী বেৎ, নোংমৈ, লাঙোল পায় । লাওনা কাথোকপা চীন্দগী ঈশৈগী সুব থোরক্লি । লেপ্লিবা মফমদু মণিপুর, বর্ম্মা, কছারগী মেপ্তনি । অঙাং অমনসু মাগী অয়েকপদু পীরগা হংলকই,

"ওজা, ঐগীসিদি য়ারোইদ্রা ?"

অহানবগী শক্তমদু খূৎ ওইনানা পায়রে, অকোনবগী শক্তমদুনা খূৎ য়েৎনা পায়রগা য়েংই । শক্তমসি যাম্না ব্রাংবা ইরাবোতকী শক্তমনি । মখা ওইরপ্লা কাংবু কয়াগী মীয়াম লৈরি । নেতাগী মঙাল থোক্লবা কোক্তু থা থব্রানশিংগী মরক্তা লৈরি । অনীমক্তা য়েংলগা থোইরেলনা হায়,

"কনাগী ব্রাবু ইল্লগা নবানীগী অয়েকপসি য়ারে নৎত্রগা য়াদে লেপকদৌরিবনো ? লৈবাক অমগী মীওইশিংনা অনীং-অনীংবা তৌনরবদি

ꯅꯕꯥꯅꯤꯒꯤꯁꯤ ꯇꯁꯦꯡꯅꯥ ꯃꯥꯏ ꯄꯥꯛꯀꯕꯅꯤ । ꯑꯩꯅꯥ ꯑꯗꯨꯒꯨꯝꯕ ꯂꯩꯕꯥꯛꯇꯥ ꯂꯩꯕ ꯍꯩꯇꯕ ꯃꯤ ꯑꯣꯏꯔꯨꯕꯅꯥ ꯃꯥꯏ ꯄꯥꯛꯀꯕ ꯃꯍꯦꯔꯣꯏꯒꯤ ꯃꯥꯏꯊꯤꯔꯕ ꯑꯣꯖꯥꯅꯤ ।"

ꯁꯛꯇꯝꯁꯤꯡꯗꯨ ꯄꯤꯔꯒꯥ ꯎꯄꯥꯏ ꯂꯩꯇꯕꯒꯤ ꯃꯤꯠꯌꯦꯡꯅꯥ ꯑꯉꯥꯡꯁꯤꯡꯗꯨꯗꯥ ꯌꯦꯡꯂꯒꯥ ꯍꯥꯌ,

"ꯉꯁꯤꯒꯤꯗꯤ ꯊꯣꯡ ꯊꯤꯡꯂꯁꯤ । ꯍꯌꯦꯡ ꯉꯟꯇꯥ ꯂꯥꯛꯎ ।"

ꯄꯣꯠ-ꯆꯩ ꯂꯣꯏꯁꯤꯜꯂꯒꯥ ꯑꯉꯥꯡꯁꯤꯡꯗꯨ ꯀꯥꯗꯒꯤ ꯊꯣꯔꯀꯏ । ꯊꯣꯏꯔꯦꯜꯂꯅꯥ ꯊꯣꯡ ꯊꯤꯡꯏ, ꯆꯦꯀꯁꯤꯟꯅꯥ ꯁꯣ ꯂꯣꯟꯁꯤꯜꯂꯤ । ꯁꯣꯖꯩꯗꯨ ꯐꯨꯔꯤꯠꯈꯥꯎꯗꯥ ꯍꯥꯞꯄꯗꯨꯅꯥ ꯈꯜꯂꯤ,

"ꯊꯣꯡ ꯁꯣ ꯂꯣꯟꯕꯁꯤꯅꯥ ꯆꯌꯦꯠꯅꯕꯁꯤ ꯀꯣꯀꯄꯥ ꯉꯝꯂꯕ꯭ꯔꯥ ?"

ꯇꯥꯡ ꯱꯸-꯱꯰-꯱꯹꯹꯶

নবানীগীসি তশেংনা মায় পাক্কবনি । ঐনা অদুগুম্বা লৈবাক্তা লৈবা হৈতবা মী ওইরুবনা মায় পাক্কবা মহেরোইগী মাইথীরবা ওজানি ।''

শক্তমশিংদু পীরগা উপাই লৈতবগী মীৎয়েংনা অঙাংশিংদুদা য়েংলগা হায়,

''ঙসিগীদি থোঙ থিংলসি । হয়েং ঙন্তা লাকউ ।''

পোৎ-চৈ লোইশিল্লগা অঙাংশিংদু কাদগী থোরকই । থোইরেললনা থোঙ থিংই, চেকশিন্না সো লোনশিল্লি । সোজৈদু ফুরিৎখাউদা হাপ্পদুনা খল্লি,

''থোঙ সো লোনবসিনা চয়েৎনবসি কোকপা ঙম্লব্রা ?''

তাং ১৮-১০-১৯৯৬

ꯃꯤꯍꯥꯠꯄꯥ

ꯃꯆꯥꯁꯤꯡꯗꯥ ꯃꯄꯥꯅꯥ ꯀꯥ ꯍꯦꯝꯅꯥ ꯄꯨꯛ ꯐꯔꯛꯄꯥ, ꯃꯃꯥꯒꯤ ꯃꯤꯠꯇꯥ ꯃꯆꯥꯁꯤꯡꯕꯨ ꯀꯥꯐꯦ-ꯀꯥꯐꯦ ꯆꯠꯂꯤꯕꯥ ꯑꯉꯥꯡꯁꯤꯡꯒꯨꯝꯅꯥ ꯎꯕꯛꯇꯕꯁꯤ ꯃꯇꯝꯁꯤꯗꯥ ꯂꯦꯝꯅꯕꯀꯄꯒꯨꯝꯃꯤ ꯫ ꯁꯦꯝꯗꯣꯛ-ꯁꯦꯝꯖꯤꯟꯗꯤ ꯇꯧꯗꯅꯥ ꯁꯝꯕꯟꯂꯦ ꯄꯥꯝꯕꯤꯕꯨ ꯁꯥꯍꯧ ꯐꯅꯥ ꯍꯧꯍꯟꯕꯗꯥ ꯀꯌꯥ ꯌꯥꯝꯅꯥ ꯐꯖꯕꯥ ꯃꯑꯣꯡ ꯑꯣꯏꯕꯒꯗꯒꯦ ? ꯊꯧꯑꯣꯡꯁꯤ ꯃꯥꯡꯖꯕꯥ ꯅꯇꯣꯅꯥ ꯀꯥꯟꯅꯕꯥ ꯃꯔꯝ ꯑꯇꯩ ꯂꯩꯇꯦ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤ ꯃꯇꯝꯁꯤꯒꯤ ꯃꯃꯥ ꯃꯄꯥꯅꯥ ꯀꯥꯎꯁꯤꯟꯅꯕꯦ ꯫ ꯃꯁꯥꯒꯤ ꯑꯅꯤꯡꯕꯅꯥ ꯂꯝꯖꯤꯡꯂꯒꯥ ꯇꯧꯕꯤꯕꯥ ꯊꯕꯛꯀꯤ ꯑꯁꯣꯌꯕꯗꯨ ꯑꯎꯕꯥ ꯀꯥꯡꯕꯨꯅꯥ ꯂꯥꯟꯂꯤ ꯍꯥꯌꯖꯕꯅꯤ, ꯇꯧꯔꯤꯕꯥ ꯃꯥꯡꯣꯟꯗꯗꯤ ꯃꯗꯨꯗꯒꯤ ꯍꯦꯝꯅꯥ ꯆꯨꯝꯕꯕꯨ ꯑꯇꯩ ꯑꯃꯥ ꯂꯩꯕꯔꯥ ? ꯕ꯭ꯔꯥꯈꯂꯣꯟ ꯃꯥꯟꯅꯕꯁꯤꯡꯅꯥ ꯑꯃꯅꯥ ꯑꯃꯒꯤ ꯊꯕꯛꯇꯥ ꯊꯥꯒꯠꯅꯩ ꯫ ꯑꯗꯨꯒꯥ ꯃꯥꯟꯅꯗꯕꯥ ꯑꯅꯤꯅꯥ ꯌꯨꯝꯕꯥꯟꯃꯤꯟꯅꯕꯒꯅꯥ ꯂꯣꯛ ꯑꯃꯗꯥ ꯀꯩꯒꯥ ꯅꯣꯡꯁꯥꯒꯥ ꯂꯩꯕꯒꯨꯝ ꯊꯣꯛꯏ ꯫ ꯑꯀꯣꯟꯕꯒꯤꯁꯤꯃꯛꯇꯤ ꯚꯩꯒꯣꯒꯥ ꯐꯖꯔꯩꯒꯗꯥ ꯊꯣꯛꯇꯕꯦ ꯫ ꯆꯥꯎꯈꯠꯄꯥ ꯂꯝꯒꯤ ꯆꯠꯅꯕꯤꯗꯥ ꯆꯥꯁꯤꯟꯅꯕꯥ ꯍꯤꯡꯕꯥ ꯉꯝꯕꯥ ꯉꯥꯛꯇꯅꯤ ꯫ ꯑꯅꯤꯃꯛ ꯚꯥꯕ ꯇꯥꯅꯩ; ꯃꯤꯑꯣꯏꯕꯒꯤ ꯐꯪꯐꯝ ꯊꯣꯛꯄꯗꯥ ꯈꯨꯠ ꯊꯤꯡꯖꯤꯟꯅꯗꯦ; ꯃꯕꯩ ꯐꯥꯎꯕꯥ ꯌꯦꯠꯅꯗꯦ ꯫

মীহাৎপা

মচাশিংদা মপানা কা হেম্না পূক ফরকপা, মমাগী মীৎতা মচাশিংবু কাফে কাফে চৎলিবা অঙাংশিংগুম্না উবক্তবসি মতমসিদা লেম্নবকপগুমই । শেমদোক শেমজিন্দি তৌদনা সম্বল্লে পাম্বীবু শাহৌ ফনা হৌহনবদা কয়া য়াম্না ফজবা মওং ওইবগদগে ? থৌওংসি মাঙজবা নত্তনা কান্নবা মরম অতৈ লৈতে হাযবসি মতমসিগী মমা মপানা কাউশিন্নবে । মশাগী অনীংবনা লমজিংলগা তৌবিবা থবক্কী অশোয়বদু অউবা কাংবুনা লাল্লি হায়জবনি, তৌরিবা মাঙোন্দদি মদুদগী হেম্না চুম্ববু অতৈ অমা লৈবরা ? ব্রাখল্লোন মান্নবশিংনা অমনা অমগী থবক্তা থাগৎনৈ । অদুগা মান্নদবা অনীনা য়ূম্বানমিন্নবগনা লোক অমদা কৈগা নোংশাগা লৈবগুম থোকই । অকোনবগীসিমক্তি ভৈগোগা ফজরৈগদা থোক্তবে । চাওখৎপা লমগী চৎনবীদা চাশিন্নবা হিংবা ঙম্বা ঙাক্তনি । অনীমক ভাব তানৈ; মীওইবগী ফংফম থোকপদা খূৎ থিংজিন্নদে; মবৈ ফাওবা য়েৎনদে ।

ꯚꯩꯒꯣꯅꯥ ꯐꯨꯔꯤꯠ ꯈꯣꯡꯒ꯭ꯔꯥꯎ ꯍꯣꯡꯂꯤꯚꯩꯗꯥ ꯐꯖꯔꯩꯅꯥ ꯆꯉꯂꯛꯂꯒꯥ ꯍꯥꯏꯔꯦ,

"ꯒꯥꯔꯤꯒꯤ ꯁꯣꯗꯨ ꯄꯤꯔꯃꯎ; ꯑꯣꯀꯦꯅꯁꯤ ꯃꯅꯦꯈꯣꯏꯗꯥ ꯆꯠꯍꯜꯂꯨꯒꯦ ।"

"ꯅꯆꯥꯅꯨꯄꯤꯗꯨ ꯆꯤꯡ ꯀꯥꯕꯥ ꯆꯠꯄꯗꯥ ꯒꯥꯔꯤ ꯄꯨꯅꯤ ꯍꯥꯏꯔꯝꯕꯅꯤ, ꯃꯥꯒꯥ ꯉꯥꯡꯅꯔꯕ꯭ꯔꯥ ?"

ꯑꯣꯀꯦꯟꯅꯥ ꯈꯣꯡꯖꯤꯜ ꯃꯄꯥꯟꯗꯒꯤ ꯍꯥꯏ,

"ꯏꯆꯦꯗꯤ ꯃꯃꯥꯏꯟꯕꯤꯒꯤꯗꯥ ꯇꯣꯡꯂꯕꯁꯨ ꯌꯥꯅꯤ; ꯃꯃꯥꯏꯟꯕꯤ ꯂꯣꯏꯅꯥ ꯒꯥꯔꯤ ꯂꯩꯅꯕꯅꯤ ।"

ꯉꯥꯡꯅꯔꯤꯕꯁꯤ ꯃꯆꯥꯅꯨꯄꯤꯗꯨꯁꯨ ꯇꯥꯔꯦ । ꯃꯐꯝꯗꯨꯗꯥ ꯂꯥꯛꯂꯒꯥ ꯄꯥꯈꯠ ꯆꯥꯎꯅꯥ ꯍꯥꯏꯔꯦ,

"ꯒꯥꯔꯤꯗꯤ ꯑꯩꯅꯥ ꯄꯨꯗꯣꯏꯅꯤ; ꯉꯁꯥꯏꯅꯥ ꯕꯥꯕꯥꯗꯥ ꯍꯥꯏꯅꯔꯕꯅꯤ ।"

ꯁꯣꯗꯨ ꯐꯖꯔꯩꯗꯥ ꯄꯤꯔꯒꯥ ꯚꯩꯒꯣꯅꯥ ꯍꯥꯏ,

"ꯅꯈꯣꯏ ꯅꯁꯦꯜ ꯌꯥꯅꯖꯔꯣ; ꯑꯩꯗꯤ ꯀꯥꯡ ꯁꯥꯏꯟꯕꯥ ꯌꯦꯡꯕꯥ ꯆꯠꯂꯕꯅꯤ ।"

ꯐꯖꯔꯩꯗꯥ ꯑꯣꯅꯁꯤꯜꯂꯒꯥ ꯑꯃꯨꯛ ꯍꯡꯏ,

"ꯅꯉꯗꯤ ꯆꯠꯈꯤꯔꯣꯏꯗ꯭ꯔꯥ ?"

ভৈগোনা ফুরিৎ খোঙগ্রাও হোংলিভৈদা ফজরৈনা চঙলক্লগা হায়রৈ,

''গাড়ীগী সোদু পীরমউ; ওকেনসি মনেখোয়দা চৎহল্লুগে ।''

''নচানুপীদু চীং কাবা চৎপদা গাড়ী পুনি হায়রম্বনি, মাগা ঙাঙনরব্রা ?''

ওকেন্না খোঙজিল মপান্দগী হায়,

''ইচেদি মমায়্নবীগীদা তোংলবসু য়ানি; মমায়্নবী লোয়না গাড়ী লৈনবনি ।''

ঙাঙনরিবসি মচানুপীদুসু তারে । মফমদুদা লাক্লগা পাখৎ চাউনা হায়রৈ,

''গাড়ীদি ঐনা পুদোইনি; ঙশাইনা বাবাদা হায়নরবনি ।''

সোদু ফজরৈদা পীরগা ভৈগোনা হায়,

''নখোয় নশেল য়ানজরো; ঐদি কাং শায়্নবা য়েংবা চৎলবনি ।''

ফজরৈদা ওনশিল্লগা অমুক হংই,

''নঙদি চৎখিরোইদ্রা ?''

ꯃꯄꯥ ꯑꯣꯏꯕꯒꯤ ꯑꯃꯗꯤ ꯌꯨꯝꯕꯨꯔꯦꯝꯕꯥ ꯑꯣꯏꯕꯒꯤ ꯕ꯭ꯔꯥꯚꯦꯟꯇ꯭ꯔꯃꯗꯦ ꯫ ꯑꯉꯥꯡ ꯑꯣꯏꯔꯕꯁꯨ ꯃꯁꯥꯅꯥ ꯃꯁꯥꯒꯤ ꯕ꯭ꯔꯥꯔꯦꯞ ꯂꯧꯖꯧ ꯍꯥꯏꯔꯤꯃꯥꯜꯂꯦ ꯫ ꯃꯃꯥ ꯂꯩꯔꯤ ꯈꯜꯂꯝꯕꯁꯨ ꯌꯥꯏ ꯫ ꯑꯉꯥꯡꯗꯤ ꯑꯐ-ꯐꯠꯇ ꯈꯅꯕꯒꯤ ꯃꯍꯨꯠꯇꯥ ꯃꯥꯅꯥ ꯄꯥꯜꯂꯤꯕꯗꯨ ꯂꯥꯏꯅꯤꯡ ꯑꯣꯏ ꯍꯥꯏꯕꯁꯤ ꯃꯄꯥꯅꯥ ꯈꯉꯐꯝ ꯊꯣꯛꯏ ꯫ ꯁꯣꯗꯨ ꯂꯧꯔꯒꯥ ꯐꯖꯔꯩꯅꯥ ꯈꯨꯃꯏ,

" ꯑꯩꯗꯤ ꯑꯉꯥꯡꯁꯤꯡ ꯆꯠꯈ꯭ꯔꯒꯥ ꯂꯥꯛꯂꯒꯦ ꯫"

ꯃꯆꯥꯅꯨꯄꯤꯗꯥ ꯑꯣꯟꯁꯤꯜꯂꯒꯥ ꯃꯈꯥ ꯇꯥꯏ,

" ꯉꯁꯤꯗꯤ ꯅꯃꯥꯟꯅꯕꯤꯒꯤꯗꯥ ꯆꯠꯃꯤꯟꯅꯔꯣ; ꯒꯥꯔꯤꯁꯤ ꯑꯣꯀꯦꯅꯕꯨ ꯄꯨꯍꯜꯂꯒꯦ ꯫"

" ꯌꯥꯔꯣꯏ ꯏꯃꯥ, ꯉꯁꯤꯗꯤ ꯑꯩꯈꯣꯏ ꯂꯣꯏꯅꯃꯛ ꯒꯥꯔꯤ ꯑꯃꯃꯝ ꯇꯣꯡꯅꯁꯤ ꯍꯥꯏꯅꯩ; ꯑꯩꯁꯨ ꯄꯨꯗꯣꯏꯅꯤ ꯫"

" ꯉꯁꯤꯗꯡꯗꯤ ꯅꯃꯥꯟꯅꯕꯤꯒꯤꯗꯥ ꯇꯣꯡꯑꯣ; ꯑꯣꯀꯦꯅꯒꯤ ꯃꯃꯥꯟꯅꯕꯒꯤꯗꯤ ꯒꯥꯔꯤ ꯂꯩꯇꯦꯕꯥ ꯫"

" ꯅꯆꯥꯅꯨꯄꯥꯒꯤ ꯃꯤꯆꯉ ꯆꯉꯅꯨꯀꯣ ꯏꯃꯥ ꯫"

মপা ওইবগী অমদি য়ূম্বুরেম্বা ওইবগী ব্রাভেন্ত্রমদে । অঙাং ওইরবসু মশানা মশাগী ব্রারেপ লৌজৌ হায়রিমাল্লে । মমা লৈরি খল্লম্বসু য়াই । অঙাংদি অফ-ফত্ত খনবগী মহুত্তা মানা পাল্লিবদু লাইনীং ওই হায়বসি মপানা খঙফম থোকই । সোদু লৌরগা ফজরৈনা খুমই,

‘‘ঐদি অঙাংশিং চৎখ্রগা লাক্লগে ।’’

মচানুপীদা ওনশিল্লগা মখা তাই,

‘‘ঙসিদি নমান্নবীগীদা চৎমিন্নরো; গাড়ীসি ওকেনবু পুহল্লগে ।’’

‘‘য়ারোই ইমা, ঙসিদি ঐখোয় লোয়নমক গাড়ী অমমম তোংনসি হায়নৈ; ঐসু পুদোইনি ।’’

‘‘ঙসিদংদি নমান্নবীগীদা তোংও; ওকেনগী মমান্নবগীদি গাড়ী লৈতেবা ।’’

‘‘নচানুপাগী মীচঙ চঙনুকো ইমা ।’’

"ꯃꯤꯆꯪ ꯆꯪꯕ ꯅꯇꯦꯅꯦ꯫ ꯑꯣꯀꯦꯟꯁꯤ ꯅꯅꯦꯈꯣꯏꯗ ꯐꯤ ꯊꯤꯜꯍꯟꯒꯦ ꯇꯧꯕꯅꯤ꯫ ꯉꯁꯤ ꯊꯤꯜꯂꯨꯗ꯭ꯔꯕꯗꯤ ꯍꯌꯦꯡ ꯆꯥꯛꯀꯧꯕꯗ ꯗꯛꯁꯤꯅ ꯇꯧꯅꯤꯡꯉꯏꯅꯦ꯫ ꯕ꯭ꯔꯥꯁꯨ ꯃꯤꯅ ꯃꯊꯛ ꯊꯪꯈꯤꯅꯤ꯫ ꯆꯩꯔꯥꯎꯕꯗ ꯅꯕꯨꯡꯒꯤ ꯀꯔꯤꯕꯨ ꯄꯤꯔꯛꯈꯤꯕꯒꯦ ꯅꯅꯦꯅ ꯍꯥꯏꯔꯛꯄꯗ ꯑꯩꯈꯣꯏꯒꯤ ꯈꯨꯝꯐꯝ ꯂꯩꯔꯣꯏ꯫"

ꯑꯣꯀꯦꯟꯅ ꯃꯃꯥꯗꯒꯤ ꯒꯥꯗꯤ ꯁꯣꯗꯨ ꯂꯥꯛꯄꯗꯣꯅ ꯂꯧꯔꯒ ꯊꯣꯛꯈ꯭ꯔꯦ꯫ ꯃꯆꯥꯅꯨꯄꯤꯗꯨ ꯁꯥꯎꯅꯤꯡꯅ ꯃꯇꯦꯛ ꯈꯔ ꯇꯥꯟꯅꯔꯨꯏ꯫ ꯍꯨꯏꯖꯤꯜꯂꯛꯂꯒ ꯃꯃꯥꯗ ꯍꯥꯏ;

"ꯃꯊꯪ ꯊꯥꯗꯗꯤ ꯑꯩꯒꯤꯁꯨ ꯒꯥꯔꯤ ꯃꯆꯥ ꯑꯃ ꯂꯩꯒꯗꯕꯅꯤ ꯏꯃꯥ꯫ ꯑꯁꯨꯝꯅ ꯇꯧꯕꯁꯤ ꯄꯨꯛꯅꯤꯡ ꯌꯥꯝꯅ ꯄꯤꯀꯊꯦ꯫"

ꯃꯅꯤꯡꯇꯝꯕ ꯃꯆꯥꯁꯤꯡꯒꯤ ꯃꯄꯨꯛ ꯐꯕ ꯃꯃꯥ ꯃꯄꯥꯒꯨꯝꯕ ꯑꯩꯈꯣꯏꯒꯤ ꯁꯔꯀꯥꯔꯅ ꯃꯤꯁꯤꯡ ꯍꯨꯝꯍꯟꯅꯕꯒꯤ ꯄꯥꯝꯕꯦ ꯑꯃ ꯑꯣꯏꯅ ꯑꯦꯛꯁꯤꯗꯦꯟꯇ ꯇꯣꯏꯅ ꯊꯣꯛꯂꯕ ꯑꯣꯏꯔꯝꯂꯦ ꯂꯩꯕꯥꯛꯁꯤꯒꯤ ꯂꯝꯕꯤ ꯊꯣꯡ ꯐꯪꯍꯟꯗꯦ꯫ ꯑꯁꯤꯒꯨꯝꯕ ꯂꯝꯕꯤ ꯑꯃꯗ ꯃꯃꯥ ꯃꯄꯥꯅ ꯌꯥꯔꯕ ꯑꯣꯀꯦꯟꯅ ꯃꯃꯥꯟꯅꯕ ꯑꯃꯕꯨ ꯃꯅꯤꯡꯗ ꯇꯣꯡꯍꯜꯂꯒ ꯒꯥꯗꯤ ꯌꯥꯡꯉꯅ ꯊꯧꯔꯤ꯫ ꯁꯔꯀꯥꯔꯅ ꯗ꯭ꯔꯥꯏꯚꯤꯡ ꯂꯥꯏꯁꯦꯟꯁ ꯄꯤꯅꯕꯒꯤ ꯆꯥꯡꯌꯦꯡꯗꯨ ꯑꯈꯟꯅ ꯇꯧꯔꯨꯗ꯭ꯔꯕꯁꯨ ꯑꯁꯤꯒꯨꯝꯕ ꯍꯔꯥꯎ-ꯀꯨꯝꯃꯩꯒꯤ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯑꯃꯗ

"মীচঙ চঙবা নত্তেনে। ওকেনসি ননেখোয়দা ফি থিলহনগে তৌবনি। ঙসি থিল্লুদ্রবদি হয়েং চাক্কৌবদা দক্ষিনা তৌনীংওইনে। ব্রাসু মীনা মথক থংখিনি। চৈরাওবদা নবুংগী করিবু পীরকখিবগে ননেনা হায়রকপদা ঐখোয়গী খুম্ফম লৈরোই।"

ওকেন্না মমাদগী গাডী সোদু লাকপদৌনা লৌরগা থোকখ্রে। মচানুপীদু শাউর্নীংনা মতেক খরা তান্নরুই। হুঞ্জিল্লক্লগা মমাদা হায়;

"মথং থাদদি ঐগীসু গাড়ী মচা অমা লৈগদবনি ইমা। অসুম্না তৌবসি পূক্নিং য়াম্না পীকথে।"

মনীংতম্বা মচাশিংগী মবুক ফবা মমা মপাগুম্বা ঐখোয়গী সরকারনা মীশিং হুম্হন্নবগী পাম্বে অমা ওইনা এক্সিদেন্ট তোয়না থোক্লবা ওইরমাল্লে লৈবাকসিগী লম্বী থোং ফংহন্দে। অসিগুম্বা লম্বী অমদা মমা মপানা যারবা ওকেন্না মমান্নবা অমবু মনীংদা তোংহল্লগা গাডী য়াঙনা থৌরি। সরকারনা ড্রাইভিং লাইসেন্স পীনবগী চাংযেংদু অখন্নন তৌরুদ্রবসু অসিগুম্বা হরাও-কুম্মৈগী নুমিৎ অমদা

ꯑꯣꯐꯤꯁꯤꯌꯦꯜꯁꯤꯡꯗꯨ ꯉꯥꯏꯍꯥꯛꯇꯪ ꯊꯣꯛꯄꯤꯔꯛꯂꯒꯥ (ꯑꯣꯚꯔ ꯇꯥꯏꯝ ꯑꯦꯂꯥꯎꯔꯦꯟꯁꯁꯨ ꯐꯪꯕ ꯌꯥꯏ) ꯄꯤꯕ ꯌꯥꯒꯗꯕ ꯃꯥꯜꯂꯤ ꯫ ꯈꯣꯡꯅ ꯆꯠꯂꯤꯕ ꯃꯤꯒꯤ ꯕ꯭ꯔꯥꯈꯂꯁ ꯃꯊꯟꯇ ꯆꯠꯄꯒꯨꯝꯅ ꯈꯅꯕ ꯃꯥꯜꯂꯤ ꯫ ꯒꯥꯔꯤ ꯊꯧꯔꯤꯕꯁꯤꯡꯒꯤ ꯃꯤꯠꯇꯁꯨ ꯂꯝꯕꯤꯗꯥ ꯃꯥ ꯆꯪꯕꯒꯨꯝꯅ ꯎꯔꯒꯅꯤ ꯌꯥꯏ ꯫ ꯆꯠꯂꯤꯕ, ꯊꯧꯔꯤꯕ ꯈꯨꯗꯤꯡꯃꯛꯀꯥ ꯑꯇꯩ ꯃꯤꯒꯤꯗꯃꯛ ꯈꯟꯅꯗꯦ ꯫ ꯄꯥꯈꯪ ꯀꯅꯕ ꯃꯤꯁꯤꯡꯅ ꯊꯥꯞꯂꯥ ꯆꯠꯅꯕ ꯂꯝꯕꯤꯒꯤ ꯅꯥꯀꯟꯗꯨꯁꯨ ꯁꯔꯀꯥꯔꯅ ꯁꯦꯝꯕꯤꯗꯦ ꯃꯤꯌꯥꯝꯒꯤ ꯂꯝꯕꯤꯒꯥ ꯂꯥꯟꯅꯁꯤ ꯌꯥꯎꯗꯕ ꯌꯥꯗꯦ ꯃꯇꯥꯒꯨꯝꯕ ꯫

ꯑꯣꯀꯦꯟꯒꯤ ꯒꯥꯔꯤꯗꯨ ꯇꯨꯔꯦ ꯫ ꯂꯝꯕꯤ ꯃꯌꯥꯏꯗꯥ ꯂꯩꯕ ꯀꯣꯡꯒꯨꯠ ꯑꯃꯗꯥ ꯊꯧꯖꯤꯜꯂꯕꯗꯒꯤꯅꯤ ꯫ ꯆꯠꯂꯤꯕ ꯂꯩꯁꯥꯕꯤ ꯃꯆꯥꯁꯤꯡꯗꯨ ꯌꯦꯡꯂꯤꯉꯩꯗꯥ ꯀꯣꯡꯒꯨꯠꯇ ꯎꯍꯧꯗꯕꯔꯥ ? ꯃꯆꯥ ꯁꯦꯟꯅꯕꯤꯡꯗꯕꯤ ꯃꯧꯅꯍꯥ ꯑꯃꯅ ꯏꯕꯥꯡ ꯃꯤꯠꯌꯦꯡ ꯇꯧꯔꯤꯉꯩꯗꯥ, ꯁꯦꯟꯅꯕꯤꯗ꯭ꯔꯕ ꯃꯆꯥꯗꯨꯅ ꯐꯩꯔꯦꯡꯅꯅ ꯒꯥꯔꯤ ꯃꯃꯥꯡꯗꯥ ꯆꯪꯁꯤꯜꯂꯀꯄꯗꯥ ꯊꯦꯡꯗꯅꯕ ꯊꯩꯗꯣꯛꯄꯗꯥ ꯀꯣꯡꯒꯨꯠꯇꯥ ꯊꯧꯖꯤꯜꯂꯕꯔꯥ ?

ꯚꯥꯕꯣꯛ ꯑꯣꯏꯅꯕ ꯃꯤ ꯈꯕ ꯃꯐꯝꯗꯨꯗꯥ ꯆꯪꯁꯤꯜꯂꯛꯂꯦ ꯫ ꯇꯨꯔꯤꯕ ꯒꯥꯔꯤꯗꯨ ꯕ꯭ꯔꯥꯅ ꯍꯧꯒꯠꯂꯒꯥ ꯏꯀꯥꯏ ꯈꯥꯡꯒꯤ ꯕ꯭ꯔꯥꯡꯥꯡꯗꯥ ꯑꯣꯀꯦꯟꯅ ꯍꯥꯏ,

"ꯃꯤ ꯑꯁꯨꯛ ꯌꯥꯝꯅ ꯆꯤꯟꯂꯕ ꯂꯝꯕꯤꯁꯤꯗꯥ ꯑꯉꯥꯡ ꯊꯥꯗꯣꯛꯀꯏꯁꯤꯕꯨ ."

ওফিসিয়েলশিংদু ঙাইহাক্তং থোকপিরক্লগা (ওভর টাইম এলাউরেন্সসু ফংবা য়াই) পীবা য়াগদবা মাল্লি । খোঙনা চৎলিবা মীগী ব্রাখলস্ মথন্ত চৎপগুম্না খনবা মাল্লি । গাড়ী থৌরিবশিংগী মীৎতসু লম্বীদা মা চঙবগুম্না উরগনি য়াই । চৎলিবা, থৌরিবা খুদিংমক্লা অতৈ মীগীদমক খন্নদে । পাখং কনবা মীশিংনা থাপ্লা চৎনবা লম্বীগী নাকন্দুসু সরকারনা শেম্বীদে মীয়ামগী লম্বীগা লান্নসি য়াওদবা য়াদে মতাগুমই ।

ওকেনগী গাড়ীদু তুরে । লম্বী ময়ায়দা লৈবা কোঙ্গুৎ অমদা থৌজিল্লবদগীনি । চৎলিবা লৈশাবী মচাশিংদু য়েংলিঙৈদা কোঙ্গুত্ত উহৌদবরা ? মচা শেন্নবীংদবী মৌনহা অমনা ঈবাং মীৎয়েং তৌরিঙৈদা, শেন্নবিদ্রবা মচাদুনা ফৈরেংননা গাড়ী মমাঙদা চঙশিল্লকপদা থেংদনবা থৈদোকপদা কোঙ্গুত্তা থৌজিল্লবরা ?

ভাবোক ওইনবা মী খবা মফমদুদা চঙশিল্লক্লে । তুরিবা গাড়ীদু ব্রানা হৌগৎলগা ঈকাই খাঙগী ব্রাঙাঙদা ওকেন্না হায়,

''মী অসুক যাম্না চিল্লবা লম্বীসিদা অঙাং থাদোকইসিবু - ''

ꯃꯃꯥꯟꯅꯕꯗꯅꯥ ꯇꯨꯕꯗꯥ ꯃꯣꯠꯄꯥ ꯃꯐꯤ-ꯃꯕꯣꯜꯗꯨ ꯀꯝꯄ꯭ꯂꯣꯛꯔꯗꯨꯅꯥ ꯁꯥꯎꯔꯅꯥꯡꯅꯥ ꯉꯥꯡꯏ ꯫ ꯇꯨꯕꯗꯥ ꯁꯣꯛꯄꯒꯤ ꯆꯩꯅꯥꯗꯨ ꯑꯁꯥꯎꯕꯒꯤ ꯈꯣꯜꯂꯦ ꯈꯣꯟꯗꯥꯗꯥ ꯑꯣꯜꯂꯃꯥꯜꯂꯦ ꯫ ꯍꯥꯌꯔꯀꯏ,

" ꯃꯈꯣꯡ ꯆꯥꯕꯥ ꯃꯃꯥꯒꯤ ꯃꯆꯥꯗꯤ ..."

ꯃꯈꯥ ꯇꯥꯕꯥ ꯉꯃꯗ꯭ꯔꯦ ꯫ ꯑꯉꯥꯡꯗꯨꯒꯤ ꯃꯃꯥ ꯑꯣꯏꯕꯃꯥꯜꯂꯦ, ꯃꯧ ꯅꯍꯥ ꯑꯃꯅꯥ ꯑꯉꯥꯡꯗꯨ ꯀꯣꯟꯁꯤꯟꯅꯕꯥ ꯎꯕꯦ ꯫ ꯃꯥꯒꯤ ꯃꯑꯣꯡꯁꯤꯗꯥ ꯀꯅꯥꯒꯨꯝꯕꯅꯥ ꯑꯁꯨꯝꯅꯥ ꯈꯟꯕꯥ ꯌꯥꯏ,

" ꯍꯧꯖꯤꯛꯇꯥ ꯅꯨꯡꯁꯤꯅꯥ ꯀꯣꯟꯁꯤꯟꯅꯕꯤꯕꯤꯕꯁꯤ ꯉꯁꯥꯏꯅꯥ ꯀꯣꯟꯁꯤꯟꯅꯕꯤꯔꯝꯂꯕꯗꯤ ꯕꯥꯊꯣꯛ ꯑꯣꯏꯔꯝꯂꯣꯏ ꯫"

ꯚꯥꯕꯣꯛ ꯃꯔꯛꯀꯤ ꯈꯔꯥ ꯑꯍꯜ ꯑꯣꯏꯕꯥ ꯑꯃꯅꯥ ꯕꯥꯕꯣꯏꯁꯤꯜꯂꯀꯏ,

" ꯀꯥ ꯍꯦꯟꯅꯥ ꯁꯣꯛꯂꯕꯗꯤ ꯆꯠꯅꯔꯣ, ꯃꯇꯨꯡꯗꯗꯤ ꯈꯔꯥ ꯆꯦꯛꯁꯤꯟꯅꯥ ꯆꯠꯅꯔꯁꯤ ꯫"

ꯑꯣꯀꯦꯟꯅꯥ ꯒꯥꯔꯤꯒꯤ ꯔꯪ ꯑꯀꯣꯛꯄꯗꯥ ꯈꯨꯠꯅꯥ ꯅꯥꯟꯕꯗꯨ ꯎꯔꯒꯥ ꯑꯃꯅꯥ ꯍꯥꯌ,

" ꯅꯅꯥꯗꯒꯤ ꯁꯅꯥꯗꯨ ꯀꯥꯌꯊꯣꯛꯂꯒꯥ ꯔꯪ ꯑꯀꯣꯛꯄꯗꯨ ꯕ꯭ꯔꯥꯀꯁꯣꯞꯇꯥ ꯇꯩꯁꯤꯜꯂꯨꯔꯣ ꯫"

ꯒꯥꯔꯤꯗꯨ ꯃꯇꯦꯛ ꯈꯔꯥ ꯏꯊꯣꯛꯂꯛꯂꯦ ꯫ ꯁ꯭ꯇꯥꯔꯠ ꯇꯧꯅꯕꯥ ꯁꯦꯝ ꯁꯥꯏ ꯫ ꯉꯁꯥꯏ ꯌꯨꯝꯗꯒꯤ

মমান্নবদনা তুবদা মোৎপা মফি-মবোলদু কম্প্লোক্রদুনা শাউর্নাংনা ভাঙই । তুবদা শোকপগী চৈনাদু অশাউবগী খোল্লে খোন্দাদা ওল্লমাল্লে । হায়রকই,

''মখোং চাবা মমাগী মচাদি --''

মখা তাবা ঙমদ্রে । অঙাংদুগী মমা ওইবমাল্লে, মৌ নহা অমনা অঙাংদ কোনশিনবা উবে । মাগী মওংসিদা কনাগুম্বনা অসুম্না খনবা য়াই,

''হৌজিক্তা নুংশিনা কোনশিনবিবিবসি ঙশাইনা কোনশিনবিরম্লবদি বাথোক ওইরম্লোই ।''

ভাবোক মরক্কগী খরা অহল ওইবা অমনা বাবোইশিল্লকই,

''কা হেন্না শোক্লদ্রবদি চৎনরো, মতুংদদি খরা চেকশিন্না চৎনরসি ।''

ওকেন্না গাড়ীগী রঙ অকোকপদা খুৎনা নানবদু উরগা অমনা হায়,

''ননাদগী সনাদু কায়থোক্লগা রঙ অকোকপদু ব্রার্কসোপ্তা তৈশিল্লুরো ।''

গাড়ীদু মতেক খরা ঈস্থোরক্লে । ষ্টার্ট তৌনবা শেম শাই । ঙশাই য়ূমদগী

[illegible]

[illegible]

[illegible]

থৌরক্রমদাইদা গাড়ীদা লাইবক কৎহৌদবরা, ষ্টার্ট তৌবা খুদিংগী লাইবক কৎপরা, মতুংদা অমুক হন্না তুদনবরা, ওকেন্দু গাড়ীদা লাইবক অহন্নক কৎলি।

মবানীনা চঙখিবদা মনেখোয়দু চৈরাওবা য়াওদবদৌনা তৌরমই। চৈরাওবা নুমিত্তা থবক শূবা ফত্তে হায়বগী ভৈগো, ফজরৈদি কাং শান্নবা য়েংবা চৎহৌই। মাসু মচেসু চীং কাবা থোরকই। মফমসিদদি মাম্মনা ফক শারি; মনেনা ফি শারি। মাম্মগী মনাক্তা মচাশিংনা চৈরাওবগী ব্রারী তারি। মবানীনা লাকপগী মরমদু খঙলগা মাম্মনা ‘চৈরাওবগা ফি থিনবগা করি মরী লৈনৈ; চীং কাবগী চৎনবীসিনা করম্বা মতমদগী চৎনরকই চৈরাওবসি ধর্ম্মগী থৌরম্না; হরাও-কুম্মেরা; নাৎকী চৎনবীরা’ অসুম্না হংলক্লবদি মবানীগী পাউখুম লৈতে। কনাগুম্বনা ‘চৈরাওবা করিনো’ হংলক্লবা মবানীনা ঈক-আ তৌনা খুমগনি,

“চৈরাওবা হায়বসি য়েসাং ময়াম থোংবা; মীঙোন্দসু য়েনবা, কোম্থোংদসু চাক য়েসাং থাদোকপা, (কনাদা থারিনোসু খঙদবা), নুংথিলদনা চীং কাবা, ময়ূম পাল্লবী নূপীশিংনা মপামদা ফি থিনবা অদুগুম্বা হরাও-কুম্মেনি।”

ꯑꯁꯨꯝꯅꯥ ꯈꯨꯝꯒꯗꯕꯥ ꯃꯤ ꯈꯨꯟꯅꯥꯏꯁꯤꯗꯥ ꯌꯥꯝꯅꯥ ꯂꯩꯔꯃꯒꯅꯤ꯫ ꯃꯅꯦꯅꯥ ꯍꯩ ꯃꯍꯤ ꯄꯨꯊꯣꯔꯛꯂꯨꯅꯥ ꯄꯤ; ꯑꯗꯨꯒꯥ ꯍꯪꯂꯛꯏ,

"ꯅꯕꯥꯅꯤꯕꯨ ꯁꯤꯗꯥ ꯁꯨꯝ ꯂꯥꯛꯄ꯭ꯔꯥ ?"

"ꯆꯤꯡ ꯀꯥꯕꯥ ꯊꯣꯛꯀꯄꯅꯤ꯫ ꯏꯃꯥꯅꯥ ꯃꯝꯃꯥꯒꯤ ꯐꯤ ꯊꯤꯜꯂꯃꯎ ꯍꯥꯌꯗꯨꯅꯥ ꯆꯪꯂꯛꯄꯅꯤ꯫"

ꯐꯖꯔꯩꯒꯤ ꯑꯆꯥꯎꯔꯃꯗꯥ ꯃꯅꯦꯅꯥ ꯌꯥꯅꯤꯡꯗꯕꯥ ꯂꯩ꯫ ꯐꯤ ꯊꯤꯜꯂꯀꯄꯁꯤꯅꯥ ꯃꯆꯤꯟ ꯃꯧꯄꯥꯒꯤ ꯃꯔꯤꯗꯨ ꯀꯌꯥꯝꯅꯥ ꯆꯦꯠꯁꯤꯟꯅꯍꯜꯂꯤꯕꯅꯣ ? ꯃꯅꯦꯗꯨ ꯑꯁꯨꯝꯅꯥ ꯍꯥꯌꯅꯤꯡꯏ,

"ꯃꯊꯪ ꯆꯍꯤꯗꯗꯤ ꯐꯤ ꯊꯤꯜꯂꯀꯄꯒꯤ ꯃꯍꯨꯠꯇꯥ ꯃꯁꯥ ꯉꯥꯛꯇꯥ ꯂꯥꯛꯎ ꯍꯥꯌꯌꯨ ꯅꯃꯥꯗꯣ꯫"

ꯂꯩꯃꯤꯟꯅꯕꯒꯤ, ꯃꯔꯤ ꯃꯇꯥꯒꯤ ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯒꯥ ꯃꯤꯑꯣꯏꯕꯒꯤ ꯅꯨꯡꯁꯤꯟꯕꯒꯤ ꯃꯔꯤꯕꯨ ꯄꯣꯠꯅꯥ ꯆꯦꯠꯁꯤꯟꯍꯟꯕꯥ ꯍꯥꯌꯕꯗꯨ ꯇꯨꯡ ꯀꯣꯏꯕꯥ ꯍꯧꯅꯗꯦ꯫ ꯃꯅꯦꯅꯥ ꯍꯥꯌ,

"ꯊꯤꯜꯂꯛꯂꯕꯁꯨ ꯌꯥꯕꯥ ꯐꯤꯁꯤꯒꯤꯗꯃꯛ ꯆꯤꯟꯒ꯭ꯔꯕꯥ ꯃꯤꯔꯛꯁꯤꯗꯥ ꯅꯪꯕꯨ ꯊꯥꯔꯛꯂꯤꯕꯥ ꯅꯃꯥꯁꯤ ꯔꯥꯈꯜ ꯈꯟꯗꯦꯗꯀꯣ꯫"

ꯀꯌꯥꯔꯛ ꯍꯥꯌꯈ꯭ꯔꯦ,

অসুম্না খুমগদবা মী খুন্নাইসিদা য়াম্না লৈরমগনি । মনেনা হৈ মহী পুথোরক্লুনা পী; অদুগা হংলকই,

"নবানীবু সিদা সুম লাকপ্রা ?"

"চীং কাবা থোৎকপনি । ইমানা মাম্মাগী ফি থিল্লমউ হায়দুনা চঙলকপনি ।"

ফজরৈগী অচাউরমদা মনেনা য়ানীংদবা লৈ । ফি থিল্লকপসিনা মচিন মৌপ্পাগী মরীদু কয়াম্না চেৎশিন্নহল্লিবনো ? মনেদু অসুম্না হায়নীংই,

"মথং চহীদদি ফি থিল্লকপগী মহুত্তা মশা ঙাক্তা লাকউ হায়য়ু নমাদো ।"

লৈমিন্নবগী, মরী মতাগী নৎত্রগা মীওইবগী নুংশিনবগী মরীবু পোৎনা চেৎশিনহনবা হায়বদু তুং কোইবা হৌনদে । মনেনা হায়,

"থিল্লক্লবসু য়াবা ফিসিগীদমক চিনগ্রবা মীরকসিদা নঙবু থারক্লিবা নমাসি রাখল খন্দেদকো ।"

কয়ারক হায়খ্রে,

" ꯃꯇꯤꯛ ꯃꯄꯥ ꯅꯠꯇꯕꯗꯥ ꯑꯉꯥꯡꯕꯨ ꯒꯥꯔꯤ ꯊꯧꯍꯟꯒꯅꯨ; ꯄꯥꯈꯣꯜ ꯁꯤꯒꯅꯨ ꯫"

ꯐꯖꯔꯦꯒꯤ ꯃꯤꯠꯌꯦꯡꯗꯗꯤ ꯃꯁꯤ ꯄ꯭ꯔꯤꯊꯤꯕꯁꯤ ꯑꯉꯥꯡꯕꯨ ꯂꯝꯖꯤꯡ ꯂꯝꯇꯥꯀꯄꯅꯤ ꯫ ꯉꯟꯗ-ꯉꯅꯃꯅꯕꯥ ꯁꯦꯟꯗꯥꯡꯗꯥ ꯅꯥꯎꯔꯤ ꯃꯔꯨꯅꯥ ꯄꯥꯟꯕꯒꯤ ꯊꯧꯗꯧꯗꯨ ꯇꯥꯒꯗ꯭ꯔꯥ ꯃꯅꯦꯗꯤ ꯔꯥꯖꯦ ꯫

ꯑꯣꯀꯦꯟꯒꯤ ꯈꯣꯡꯒ꯭ꯔꯥꯎ ꯈꯔꯥ ꯇꯠꯂꯤꯕꯗꯨ ꯃꯅꯦꯅꯥ ꯎꯕꯦ ꯫ ꯃꯕꯝ ꯍꯪꯂꯀꯏ ꯫ ꯆꯩꯔꯛꯀꯥꯅꯤ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤ ꯍꯥꯟꯅꯗꯒꯤ ꯈꯉꯗꯨꯅꯥ ꯂꯣꯠꯄꯅꯤ ꯫ ꯀꯤꯅꯥ ꯈꯨꯝꯏ,

"ꯀꯔꯤꯁꯨ ꯇꯧꯗꯦꯗꯥ ꯏꯅꯦ ꯫"

ꯄꯥꯎꯈꯨꯝꯁꯤ ꯅꯠꯇꯅꯥ ꯑꯇꯩꯗꯤ ꯈꯨꯝꯕꯥ ꯉꯝꯗꯦ ꯫ ꯃꯅꯦꯅꯗꯤ ꯈꯉꯏ, ꯗꯥꯀꯐꯝ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤ ꯀꯔꯤꯒꯨꯝꯕꯥ ꯊꯧꯗꯣꯛ ꯑꯃꯒꯥ ꯃꯔꯤ ꯂꯩꯅꯩ ꯫ ꯅꯨꯡꯁꯤ-ꯃꯤꯆꯩꯗꯥ ꯊꯧꯗꯣꯛꯀꯤ ꯃꯔꯝ ꯍꯪꯂꯀꯏ ꯫ ꯊꯣꯛꯈꯤꯕꯥ ꯊꯧꯗꯣꯛꯀꯨ ꯇꯟꯅꯒꯥ ꯑꯣꯀꯦꯟꯅꯥ ꯍꯥꯌꯔꯀꯏ,

" ꯑꯉꯥꯡꯗꯨꯒꯤ ꯃꯃꯥꯗꯨ ꯇꯥꯏꯕꯪ ꯇꯥꯏꯑꯣꯟꯅꯕꯤꯅꯤ ꯫ ꯃꯆꯥ ꯑꯉꯥꯡ ꯄꯤꯁꯀꯨꯕꯨ ꯃꯤꯔꯛꯀꯥ ꯊꯥꯗꯣꯛꯏꯅꯦ ꯫"

''মতীক মাপা নত্তবদা অঙাংবু গার্ড়ী থৌহনগনু; পাখোল শিগনু।''

ফজরৈগী মীৎযেংদদি মসি পৃথ্বসি অঙাংবু লমজিং লমতাকপনি। ঙন্দ-ঙনমনবা শেন্দাংদা নাউরী মরুনা পানবগী থৌদৌদু তাগদ্রা মনেদি রাজৈ।

ওকেনগী খোঙগ্রাও খরা তৎলিবদু মনেনা উবে। মবম হংলকই। চৈরক্কানি হায়বসি হান্নদগী খঙদুনা লোৎপনি। কিনা খুমই,

''করিসু তৌদেদা ইনে।''

পাউখুমসি নত্তনা অতৈদি খুম্বা ঙমদে। মনেনদি খঙই, দাকফম হায়বসি করিগুম্বা থৌদোক অমগা মরী লৈনে। নুংশি-মীচৈদা থৌদোক্কী মরম হংলকই। থোকখিবা থৌদোক্কু তন্নগা ওকেন্না হায়রকই,

''অঙাংদুগী মমাদু তাইবঙ তাইওন্নবীনি। মচা অঙাং পীশক্কুবু মীরক্কা থাদোকইনে।''

ꯃꯥꯒꯤꯁꯤ ꯉꯁꯥꯏꯒꯤ ꯃꯧ ꯅꯍꯥꯗꯨꯇꯕꯨ ꯆꯩꯕꯥ ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯦ, ꯃꯇꯝꯁꯤꯒꯤ ꯑꯅꯦꯛꯄꯤ ꯃꯃꯥꯁꯤꯡ, ꯃꯥꯒꯤ ꯃꯃꯥꯕꯨꯁꯨ ꯆꯩꯔꯕꯒꯨꯝꯕꯅꯤ ꯫ ꯍꯔꯥꯎ-ꯀꯨꯝꯃꯩꯅꯥ ꯄꯨꯟꯁꯤꯒꯤ ꯃꯊꯦꯜ ꯑꯣꯏꯕꯒꯤ ꯃꯍꯨꯠꯇꯥ, ꯄꯨꯟꯁꯤꯅꯥ ꯍꯔꯥꯎ-ꯀꯨꯝꯃꯩꯒꯤ ꯃꯊꯦꯜ ꯑꯣꯏꯔꯕꯥ ꯃꯤꯑꯣꯏꯁꯤꯡꯒꯤ ꯃꯐꯝꯗꯗꯤ ꯃꯆꯥꯗꯒꯤ ꯍꯔꯥꯎ-ꯀꯨꯝꯃꯩꯅꯥ ꯍꯦꯟꯅꯥ ꯃꯔꯨ ꯑꯣꯏ ꯫ ꯍꯔꯥꯎ-ꯀꯨꯝꯃꯩꯗꯥ ꯃꯆꯥ ꯄꯨꯗꯨꯅꯥ ꯆꯠꯄꯗꯥ ꯃꯁꯥꯒꯤ ꯑꯀꯦ-ꯑꯃꯧꯗꯨ ꯃꯄꯣꯞ ꯀꯥꯌꯗꯅꯕꯥ ꯍꯣꯠꯅꯕꯗꯥ, ꯃꯆꯥꯅꯥ ꯎꯄꯊꯨꯗꯨꯅꯥ ꯇꯨꯔꯕꯁꯨ ꯀꯞꯂꯛꯇ꯭ꯔꯤꯝꯈꯩꯗꯤ ꯈꯉꯗꯦ ꯫ ꯂꯩꯁꯥꯕꯤ ꯁꯥꯗꯨꯅꯥ ꯃꯃꯥꯏ ꯅꯣꯟꯈꯠꯇꯨꯅꯥ ꯑꯗꯨꯝ ꯆꯠꯀꯅꯤ ꯫

ꯑꯁꯣꯛꯄꯗꯨꯗꯥ ꯍꯤꯗꯥꯛ ꯍꯥꯞꯂꯤꯔꯕꯥ ꯃꯇꯨꯡꯗꯥ ꯃꯅꯦꯅꯥ ꯍꯥꯌ,

"ꯉꯁꯤꯡꯉꯩꯗꯥ ꯍꯜꯂꯣꯀꯣ; ꯑꯇꯦ ꯑꯇꯩꯗꯀꯥ ꯆꯠꯁꯤꯜꯂꯨꯅꯨ ꯫ ꯅꯉꯕꯨ ꯅꯣꯡꯃꯩ ꯀ꯭ꯂꯥꯁ ꯇꯦꯟ ꯊꯥꯗꯣꯏꯔꯤꯕꯥ ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯥ ? ꯂꯥꯏꯔꯤꯛ ꯀ꯭ꯔꯨꯝ ꯄꯥꯔꯨꯆꯣ ꯫"

ꯆꯠꯈꯤꯕꯥ ꯃꯕꯥꯅꯤꯕꯨ ꯌꯦꯡꯂꯒꯥ ꯃꯅꯦꯅꯥ ꯈꯜꯍꯧꯏ,

"ꯃꯇꯝꯁꯤꯒꯤ ꯃꯃꯥ ꯃꯄꯥꯁꯤꯡꯁꯤꯕꯨ ꯃꯃꯥꯡꯉꯩꯒꯤ ꯁꯇꯤ ꯃꯩ ꯊꯥꯕꯥ ꯀꯥꯡꯕꯨꯗꯨ ꯉꯝꯂꯕ꯭ꯔꯅꯦ ?"

ꯇꯥꯡ ꯶-꯸-꯱꯹꯹꯸

মাগীসি ঙশাইগী মৌ নহাদুতবু চৈবা নৎত্রে; মতমসিগী অনেকপী মমাশিং, মাগী মমাবুসু চৈরবগুম্বনি । হরাও-কুম্মৈনা পুন্সিগী মথেল ওইবগী মহুত্তা, পুন্সিনা হরাও-কুম্মৈগী মথেল ওইরবা মীওইশিংগী মফমদদি মচাদগী হরাও-কুম্মৈনা হেন্না মরু ওই । হরাও-কুম্মৈদা মচা পুদুনা চৎপদা মশাগী অকে-অমৌদু মপোপ কায়দনবা হোৎনবদা, মচানা উপথুদুনা তুরবসু কপ্লক্ত্রিমখৈদি খঙদে । লৈশাবী শাদুনা মমায় নোনখত্তুনা অদুম চৎকনি ।

অশোকপদুদা হিদাক হাপ্লিরবা মতুংদা মনেনা হায়,

"ঙশিঙৈদা হল্লোকো; অতে অতৈদকা চৎশ্লুনু । নঙবু নোংমৈ ক্লাস টেন থাদৌরিবা নৎত্রা ? লাইরিক্রুম পারুচো ।"

চৎখিবা মবানীবু য়েংলগা মনেনা খলহৌই,

"মতমসিগী মমা মপাশিংসিবু মমাঙৈগী সতী মৈ থাবা কাংবুদু ঙম্লব্রনে ?"

তাং ৬-৮-১৯৯৮

[illegible]

[illegible]

[illegible]

নোংদম্বা

মবানীনা ফন্নক্লিবসি ফনা কুইরে। অনীমক্কী মমায় নোংচুপ ওল্লি। হায়নবা তৌদনা অমনা মখারোমদা, অমনা অন্নাংলোমদা মরক মরক্তা য়েংই। করিগুম্বদনা মায়কৈ অমদা পূন্না য়েংবসু য়াওরকই; অমুকসু অনকপদা লৈবিবা হোটেলদুদা য়েংলুই, চীন্দনা মখল কয়াগী ব্রারীশিংনি।

নুমিৎ খবনিগী মমাঙদদি মবানীগী মীচঙ ব্রাৎলমদে। অয়ুক অমদা চা গ্লাস অনী, অহুম; নুংথিলদনা গ্লাস অমা, অনী থকপা ফংলমই। হন্দক মরকসিদি চা গ্লাস অমা থক্তুনা, বোরা মতুম অমা ফাওবা চাদনা, তল মচেৎ অমত্তং চাদনা য়ূমদা হল্লে। মসি মবানীগী ব্রাখলদা, নোংদম্বগী নোংদমদা চাউনা শোয়বনি হায়না খন্নে। নোংদম্বা মাসু ফনা চেকশিন্নদি শীল্লমগনি থাজে। মরমদি নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা হোটেলদা চা থকপা চঙলক্লুম্বা, অচা-অথক চাবা লাক্লুম্বা মীশিংদুনা মবানীবু ঈকাইখুম্নদুনা কৌশিনবিবমই; চা, অচাপোৎ

ꯂꯩꯕꯤꯔꯝꯃꯤ । ꯃꯕꯥꯅꯤꯁꯨ ꯀꯔꯤꯒꯨꯝꯕꯗ ꯆꯦꯡꯐꯨꯗꯒꯤ ꯆꯦꯡ, ꯏꯈꯣꯜꯗꯒꯤ ꯎ, ꯁꯤꯡ, ꯃꯅꯥ-ꯃꯁꯤꯡ ꯂꯣꯌꯅ ꯄꯨꯔꯛꯂꯒꯥ ꯑꯆꯥ-ꯑꯊꯀꯄ ꯁꯤꯟꯅꯕꯒꯤ ꯈꯨꯗꯣꯡꯆꯥꯕꯗꯨ ꯐꯪꯂꯝꯃꯤ । ꯅꯣꯡꯗꯝꯕꯨ ꯊꯥꯒꯠꯂꯝꯃꯤ । ꯅꯨꯡꯇꯤꯒꯤ ꯇꯧꯔꯀꯄꯁꯤꯗ ꯃꯕꯥꯅꯤ ꯂꯩꯔꯃꯒꯅꯤ ꯈꯪꯕꯗꯒꯤ ꯃꯤ ꯈꯔꯗꯤ ꯍꯣꯇꯦꯜꯁꯤꯗ ꯂꯥꯛꯂꯦ; ꯈꯔꯅ ꯃꯤꯔꯛ ꯅꯥꯔꯛ ꯌꯦꯡꯗꯨꯅ ꯆꯉꯅꯔꯦ । ꯃꯌꯨꯝꯗꯁꯨ ꯏꯃꯨꯡꯒꯤ ꯃꯤꯁꯤꯡꯅ ꯆꯦꯛꯁꯤꯟꯅ ꯁꯦꯟꯈꯤꯕꯅ ꯄꯣꯠ-ꯆꯩ ꯄꯨꯕꯒꯤ ꯈꯨꯗꯣꯡꯆꯥꯕꯗꯨ ꯐꯪꯗ꯭ꯔꯦ । ꯑꯁꯨꯝ ꯐꯟꯅꯒꯥ ꯃꯤ ꯂꯥꯛꯄ ꯉꯥꯏꯕ, ꯕ꯭ꯔꯥꯔꯤ ꯁꯥꯗꯨꯅ ꯂꯩꯕꯁꯤꯗ ꯅꯨꯡꯉꯥꯏꯇꯗꯨꯅ ꯍꯣꯇꯦꯜ ꯃꯄꯨꯅ ꯃꯕꯥꯅꯤꯕꯨ ꯂꯩꯀꯥꯏꯒꯤ ꯑꯍꯜꯅꯤ ꯏꯀꯥꯏꯈꯨꯝꯅꯗꯨꯅ ꯑꯃꯨꯛ ꯑꯅꯤꯔꯛꯇꯤ ꯆꯥ ꯂꯦꯞꯄ ꯄꯤꯊꯛꯂꯝꯃꯤ । ꯍꯟꯗꯛꯇꯤ ꯄꯤꯊꯛꯂꯦ । ꯃꯤꯒꯤ ꯐꯨꯔꯤꯠꯈꯥꯎꯗ ꯌꯥꯎꯕ ꯁꯦꯂꯗꯨ ꯑꯩꯒꯤ ꯑꯣꯏꯅꯕ ꯍꯣꯠꯅꯕꯗ ꯍꯥꯟꯅ ꯁꯦꯜꯂꯦꯞ ꯄꯨꯊꯣꯛꯄꯅꯤꯅ ꯇꯣꯌꯅ ꯄꯨꯀꯆꯦꯜ ꯆꯥꯎꯕ ꯉꯝꯐꯝ ꯊꯣꯛꯂꯦ । ꯍꯦꯟꯅ ꯂꯨꯔꯛꯂꯤꯕꯗꯤ ꯃꯕꯥꯅꯤ ꯂꯩꯔꯃꯒꯅꯤ ꯈꯟꯕꯗ ꯍꯣꯇꯦꯜꯁꯤꯗ ꯃꯤ ꯀꯌꯥ ꯆꯉꯅꯔꯛꯂꯤꯕꯁꯤꯅꯤ । ꯍꯣꯇꯦꯜ ꯃꯨꯠꯀꯗ꯭ꯔꯥ ꯃꯤꯄꯥꯏꯔꯦ । ꯍꯣꯇꯦꯜ ꯐꯝꯕꯤꯗꯨꯅ ꯁꯥꯎꯗꯅꯕ ꯃꯦꯡꯉꯅ, ꯊꯣꯠꯅ ꯃꯕꯥꯅꯤꯗ ꯍꯥꯌꯖꯦ,

"ꯃꯥꯝꯃ ꯑꯅꯤꯃꯛ ꯁꯥꯎꯕ, ꯕ꯭ꯔꯥꯔꯧꯕꯗꯤ ꯇꯧꯕꯤꯅꯨ । ꯃꯥꯝꯃꯈꯣꯌꯅ ꯐꯝꯕꯁꯤ ꯑꯩꯒꯤ ꯍꯣꯇꯦꯜꯁꯤꯗꯒꯤ ꯈꯔ ꯂꯥꯞꯄ ꯐꯝꯕꯤꯌꯨ । ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯕꯗꯤ ꯑꯩꯒꯤ ꯍꯣꯇꯦꯜꯁꯤ ꯃꯨꯠꯄ ꯇꯥꯔꯦ ।"

লৈবিরমই । মবানীসু করিগুম্বদা চেংফূদগী চেং, ইখোলদগী উ, শীং, মনা-মশিং লোয়া পুরক্লগা অচা-অথক্কা শিন্নবগী খুদোংচাবদু ফংলমই । নোংদম্বু থাগৎলমই । নুংতিগী তৌরকপসিদা মবানী লৈরমগনি খঙবদগী মী খরদি হোটেলসিদা লাক্লে; খরনা মীরক নারক য়েংদুনা চঙনরে । ময়ূমদসু ইমুংগী মীশিংনা চেকশিন্না শেন্নখিবনা পোৎ-চৈ পুবগী খুদোংচাবদু ফংদ্রে । অসুম ফন্নগা মী লাকপা ঙাইবা, ব্রারী শাদুনা লৈবসিদা নুংঙাইতদুনা হোটেল মপুনা মবানীবু লৈকাইগী অহলনি ঈকাইখুম্নদুনা অমুক অনীরক্তি চা লেপ্পা পীথক্লমই । হন্দক্তি পীথক্লে । মীগী ফুরিৎখাউদা য়াওবা শেলদু ঐগী ওইনবা হোৎনবদা হান্না শেল্লেপ পুথোকপনিনা তোয়না পূকচেল চাউবা ঙম্ফম থোক্লে । হেন্না লুরক্লিবদি মবানী লৈরমগনি খনবদা হোটেলসিদা মী কয়া চঙনরক্লিবসিনি । হোটেল মুৎকদ্রা মীপাইরে । হোটেল ফম্বীদুনা শাউদনবা মেঙনা, থোৎনা মবানীদা হায়জে,

"মাম্মা অনীমক শাউবা, ব্রারৌবদি তৌবিনু । মাম্মখোয়না ফম্বসি ঐগী হোটেলসিদগী খরা লাপ্পা ফম্বীয়ু । নৎত্রবদি ঐগী হোটেলসি মুৎপা তারে ।"

ব্রাসিদা মবানীনা শাউবা, ব্রারৌবা তৌদে । ফম্নম্বদগী হৌগৎলি । খরা চখোক্লগা ফমই । শাউবা, ব্রারৌবা হায়বসি মবানীদা শরুক থুংদবগুম তৌই । পোকপদগী লোয়নরক্লবা পূকচেল অমনা, মীনা নোক্লরম্বা, চৈরম্বা কয়া মবানীদা মলোম থমদে । মবানীনা ব্রারী শান্নবদা হায়,

‘‘শাউবা, ব্রারৌবা হায়বসি শাথীরবা ব্রাথোক অমগী ব্রাহৌনি ।’’

ব্রাহৈসি লৈবাক মীয়ামগী লুচিংবা অমনা ঙাঙবা ওইরবদি অতাবশিংনা থাগৎনরমগনি ।

নুমিৎ খুদিংগী মবানী ফমই; লোইবা নাইদবা ব্রারী শাই । শানীংঙাই ব্রারী ব্রাৎতে । তৌবদি অতাবা মীনা তাদবা মীদা লীবদি ওইথোক্তবা ব্রারীনি । মরক থৎনা য়াইমনা হায়রকই,

‘‘তাধন, ইচিন-ইনাওগী উপাই অমা লাকএ; আদা রিক্সা অমা সোমদা লাকইবসি তল চাগদবা চা থক্কদবা ওইরমগনি ।’’

ꯌꯥꯏꯃꯅꯥ ꯈꯨꯠ ꯊꯤꯟꯗꯨꯅꯥ ꯇꯥꯛꯂꯤꯕꯥ ꯃꯥꯌꯀꯩ ꯑꯗꯣꯝꯗꯥ ꯌꯦꯡꯂꯒꯥ ꯍꯔꯥꯑꯣꯔꯕꯥ ꯀꯨꯝꯂꯣꯅꯥ ꯍꯥꯌ,

"ꯐꯔꯦꯗꯥ ꯏꯅꯥꯑꯣꯇꯣꯟ, ꯃꯥꯅꯥ ꯇꯜ ꯆꯥꯕꯗꯥ ꯑꯩꯈꯣꯌꯒꯤꯁꯨ ꯂꯩꯍꯜꯂꯁꯤ ।"

ꯔꯤꯛꯁꯥꯗꯨ ꯍꯣꯇꯦꯜ ꯃꯅꯥꯛꯇꯥ ꯈꯥꯃꯏ । ꯊꯧꯔꯤꯕꯗꯨ ꯃꯕꯥꯅꯤꯗꯥ ꯌꯦꯡꯂꯒꯥ ꯀꯨꯝꯊꯔꯀꯏ । ꯃꯕꯥꯅꯤ ꯍꯥꯌꯅꯕꯥ ꯇꯧꯗꯅꯥ ꯍꯧꯒꯠꯅꯩ । ꯕ꯭ꯔꯥ ꯉꯥꯑꯣꯅꯗꯅꯥ ꯃꯥꯉꯣꯟꯗꯥ ꯆꯉꯁꯤꯜꯂꯤ । ꯌꯥꯏꯃꯅꯥ ꯍꯥꯌꯔꯀꯏ,

"ꯏꯕꯨꯡꯉꯣ ꯅꯉꯕꯨ ꯆꯥ ꯊꯛꯀꯗꯕꯥ, ꯇꯜ ꯆꯥꯒꯗꯕꯥ ꯑꯣꯏꯔꯃꯒꯅꯤ ।"

ꯈꯨꯝꯕꯥ ꯅꯡꯗ꯭ꯔꯤꯉꯩꯗꯥ ꯃꯈꯥ ꯇꯥꯏ,

"ꯊꯛꯀꯗꯕꯅꯤ, ꯆꯥꯒꯗꯕꯅꯤ । ꯄꯥꯡꯒꯜꯅꯥ ꯁꯦꯜ ꯇꯥꯅꯕꯥ ꯅꯈꯣꯌꯗꯤ ꯍꯥꯟꯅꯥ ꯆꯥꯍꯧ-ꯊꯛꯍꯧꯒꯗꯕꯅꯤ; ꯅꯈꯣꯌꯅꯥ ꯇꯧꯔꯤꯕꯁꯤ ꯃꯤꯌꯥꯝꯒꯤ ꯁꯦꯕꯥꯅꯤꯅꯦ ।"

ꯃꯃꯤꯠꯇꯨ ꯀꯨꯝꯂꯣꯗꯥ ꯌꯦꯡꯏ; ꯕ꯭ꯔꯥ ꯉꯥꯑꯣꯕꯗꯥ ꯃꯇꯦꯡ ꯄꯥꯡꯂꯀꯎ ꯍꯥꯌꯕꯒꯤ ꯈꯨꯗꯝꯅꯤ । ꯀꯨꯝꯂꯣꯁꯨ ꯑꯍꯥꯑꯣꯕꯥ ꯇꯥꯟꯖꯥ ꯉꯥꯏꯔꯝꯕꯗꯧꯅꯥ ꯍꯥꯌꯔꯀꯏ,

য়াইমনা খুৎ থিন্দুনা তাক্লিবা মায়কৈ অদোমদা য়েংলগা হরাওরবা কুম্লোনা হায়,

"ফরেদা ইনাওতোন, মানা তল চাবদা ঐখোয়গীসু লৈহল্লসি ।"

রিক্সাদু হোটেল মনাক্তা খামই । থৌরিবদু মবানীদা য়েংলগা কুমথরকই । মবানী হায়নবা তৌদনা হৌগৎনৈ । ব্রা ঙাওনদনা মাঙোন্দা চঙশিল্লি । য়াইমনা হায়রকই,

"ইবুংঙো নঙবু চা থক্কদবা, তল চাগদবা ওইরমগনি ।"

খুম্বা নংদ্রিঙৈদা মখা তাই,

"থক্কদবনি, চাগদবনি । পাঙ্গলনা শেল তানবা নখোয়দি হান্না চাহৌ-থকহৌগদবনি; নখোয়না তৌরিবসি মীয়ামগী সেবানিনে ।"

মমীৎতু কুম্লোদা য়েংই; ব্রা ঙাওবদা মতেং পাংলকউ হায়বগী খুদম্নি । কুম্লোসু অহাওবা তাঞ্জা ঙাইরম্বদৌনা হায়রকই,

"ꯃꯤꯌꯥꯝꯒꯤ ꯁꯦꯕ ꯇꯧꯕ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤ ꯂꯦꯝꯅꯥ ꯄꯤꯖ ꯄꯤꯊꯛ ꯇꯧꯕꯁꯨ ꯑꯣꯏꯕꯅꯤ꯫ ꯉꯁꯤꯗꯤ ꯏꯕꯥꯅꯤ ꯅꯪꯒꯤ ꯁꯦꯕ ꯌꯦꯡꯕ ꯇꯥꯔꯦꯀꯣ꯫"

ꯀꯨꯜꯂꯣꯁꯨ ꯌꯥꯏꯃꯗꯥ ꯌꯦꯡꯏ꯫ ꯌꯥꯏꯃꯅꯥ ꯍꯥꯌ,

"ꯑꯩꯈꯣꯌꯁꯨ ꯅꯉꯣꯟꯗꯥ ꯃꯉ꯭ꯒꯣꯜ-ꯕ꯭ꯔꯥꯍꯦ ꯄꯤꯗꯣꯔꯤꯕꯅꯤ꯫ ꯅꯉ ꯉꯁꯤꯗꯤ ꯁꯦꯜ ꯈꯨꯐꯝ ꯑꯃꯥ ꯇꯧꯔꯗꯣꯅꯤ꯫"

"ꯉꯔꯥꯡꯁꯨ ꯔꯤꯛꯁꯥ ꯊꯧꯕ ꯀꯅꯥꯅꯣ ꯑꯃꯗꯥ ꯏꯕꯥꯅꯤꯅꯥ ꯃꯉ꯭ꯒꯣꯜ-ꯕ꯭ꯔꯥꯍꯦ ꯄꯤꯕꯗꯥ ꯍꯥꯝꯅꯥ ꯑꯃꯨꯛꯇꯥ ꯐꯪꯗꯕ ꯁꯦꯜ ꯐꯪꯏ ꯍꯥꯌꯗꯨꯅꯥ ꯅꯨꯃꯤꯗꯥꯡꯕ꯭ꯔꯥꯏꯔꯝꯁꯨ ꯆꯥ ꯑꯃꯨꯛꯇꯥ ꯂꯩꯔꯝꯏ꯫"

"ꯃꯔꯤ ꯃꯉꯥꯅꯤꯒꯤ ꯃꯃꯥꯉꯗꯥ ꯑꯩꯈꯣꯌꯅꯥ ꯁꯥꯞ ꯇꯧꯕꯗꯥ ꯔꯤꯛꯁꯥ ꯊꯧꯕ ꯑꯃꯗꯤ ꯁꯦꯜ ꯐꯪꯕꯗꯤ ꯂꯥꯏꯔꯗꯅꯥ ꯃꯥꯒꯤ ꯔꯤꯛꯁꯥꯗꯨ ꯁꯩꯅꯩ ꯍꯥꯌ꯫"

ꯑꯁꯤ ꯐꯥꯑꯣꯕꯗꯁꯨ ꯔꯤꯛꯁꯥ ꯊꯧꯕꯗꯨ ꯕ꯭ꯔꯥ ꯉꯥꯎꯂꯛꯂꯤ; ꯇꯨꯃꯤꯟꯅꯥ ꯌꯦꯡꯗꯨꯅꯥ ꯂꯩꯔꯤ꯫ ꯃꯥꯒꯤ ꯃꯇꯧꯁꯤꯗꯥ ꯌꯥꯏꯃꯅꯥ ꯀꯨꯜꯂꯣꯗꯥ ꯍꯪꯏ,

"ꯇꯥꯙꯟ ꯃꯥꯒꯤꯁꯤꯕꯨ ꯌꯥꯔꯦ ꯍꯥꯌꯕ ꯅꯠꯔꯕꯅꯦ?"

"মীয়ামগী সেবা তৌবা হায়বসি লেম্না পীজ পীথক তৌবসু ওইবনি । ঙসিদি ইবানী নঙগী সেবা য়েংবা তারেকো ।"

কুল্লোসু য়াইমদা য়েংই । য়াইমনা হায়,

"ঐখোয়সু নঙোন্দা মঙ্গোল-ব্রাহে পীদৌরিবনি । নঙ ঙসিদি শেল খুফং অমা তৌরদৌনি ।"

"ঙরাংসু রিক্সা থৌবা কনানো অমদা ইবানীনা মঙ্গোল-ব্রাহে পীবদা হান্না অমুক্তা ফংদবা শেল ফংই হায়দুনা নুমিদাংব্রাইরমসু চা অমুক্তা লৈরমই ।"

"মরি মঙানীগী মমাঙদা ঐখোয়না শাপ তৌবদা রিক্সা থৌবা অমদি শেল ফংবদি লাইরদনা মাগী রিক্সাদু শৈন্নৈ হায় ।"

অসি ফাওবদসু রিক্সা থৌবদু ব্রা ঙাঙলক্লি; তুমিন্না য়েংদুনা লৈরি । মাগী মতৌসিদা য়াইমনা কুল্লোদা হংই,

"তাধন মাগীসিবু য়ারে হায়বা নৎত্রনে ?"

“ꯃꯥꯝꯅꯤꯅꯦ; ꯏꯕꯨꯡꯉꯣ ꯅꯪ ꯊꯦꯡꯈꯤꯅꯤ, ꯍꯣꯇꯦꯜ ꯃꯅꯨꯡꯗꯥ ꯆꯪꯁꯤ; ꯑꯩꯈꯣꯌꯒꯥ ꯄꯨꯝꯅꯥ ꯍꯦꯛꯇꯥ ꯐꯝꯃꯤꯟꯅꯔꯁꯤ꯫”

ꯃꯕꯥꯅꯤꯃꯛ ꯍꯣꯇꯦꯜꯗꯥ ꯆꯪꯒꯦ ꯇꯧꯏ꯫ ꯔꯤꯛꯁꯥ ꯊꯧꯕꯗꯨ ꯇꯞꯅꯥ ꯃꯆꯤꯟꯗꯥ ꯈꯨꯝꯅꯤꯕꯥ ꯐꯤ, ꯀꯣꯛꯇꯥ ꯎꯞꯅꯤꯕꯥ ꯇꯨꯄꯤ, ꯎꯞꯅꯤꯕꯥ ꯑꯅꯣꯛꯂꯆꯤꯡꯕꯗꯨ ꯂꯧꯊꯣꯔꯀꯏ꯫ ꯈꯝꯕꯥ ꯑꯣꯏꯔꯝꯕꯗꯨꯗꯥ ꯄꯥꯈꯠꯅꯥ ꯀꯨꯞꯂꯣꯅꯥ ꯍꯪꯏ,

“ꯑꯦ! ꯈꯝꯕꯥ ꯅꯪꯕꯨ ꯉꯁꯥꯏ ꯌꯨꯃꯗꯒꯤ ꯊꯣꯛꯈꯤꯕꯗꯗꯤ ꯃꯗꯨꯒꯤ ꯐꯤꯔꯣꯜꯁꯤꯡꯗꯨ ꯁꯦꯠꯈꯤꯗꯕꯗꯥꯏꯅꯦ?”

ꯈꯝꯕꯒꯤ ꯄꯥꯎꯈꯨꯝ ꯉꯥꯏꯗꯦ; ꯉꯥꯏꯔꯨꯕꯒꯤꯁꯨ ꯀꯥꯝꯗꯦ ꯍꯥꯌꯕꯥ ꯈꯟꯏ꯫ ꯌꯥꯏꯃꯗꯥ ꯑꯣꯅꯁꯤꯟꯂꯒꯥ ꯍꯥꯌ,

“ꯏꯅꯥꯑꯣꯇꯣꯟ ꯑꯩꯗꯤ ꯀꯥꯎꯊꯣꯛꯂꯨꯔꯦ; ꯌꯨꯃꯗꯥ ꯑꯔꯨꯕꯥ ꯊꯕꯛ ꯑꯃꯥ ꯂꯩꯍꯧꯕꯅꯤ꯫ ꯂꯥꯀꯎ ꯆꯠꯂꯁꯤ꯫”

ꯐꯤꯚꯝꯁꯤꯗꯥ ꯈꯝꯕꯅꯥ ꯉꯥꯎꯂꯛꯀꯗꯧꯔꯤꯕꯗꯨ ꯃꯕꯥꯅꯤꯅꯥ ꯈꯪꯏ꯫ ꯈꯝꯕꯒꯥ ꯕ꯭ꯔꯥ ꯉꯥꯎꯅꯅꯤꯡꯗꯦ; ꯃꯕꯥꯅꯤꯒꯤ ꯉꯥꯎꯐꯝ ꯂꯩꯔꯣꯏꯗꯕꯅꯥ ꯆꯠꯈꯤꯅꯕꯥ ꯃꯥꯌ ꯂꯩꯊꯣꯛꯀꯏ꯫ ꯌꯥꯏꯃꯅꯥ ꯍꯥꯌ,

“মাম্নিনে; ইবুংঙো নঙ থেঙখিনি, হোটেল মনুংদা চঙঙসি; ঐখোয়গা পূম্না হেক্তা ফম্মিম্নরসি।”

মবানীমক হোটেলদা চঙগে ত্তৌই। রিক্সা থৌবদু তপ্না মচীন্দা খুন্নিবা ফি, কোক্তা উপ্নিবা টুপি, উপ্নিবা আনোক্লচিংবদু লৌথোরকই। খম্বা ওইরম্বদুদা পাখৎনা কুপ্লোনা হংই,

“এ! খম্বা নঙবু ঙশাই য়ূমদগী থোকখিবদদি মদুগী ফিরোলশিংদু শেৎখিদবদাইনে ?”

খম্বগী পাউখুম ঙাইদে; ঙাইরুবগীসু কাম্নদে হায়বা খঙই। য়াইমদা ওনশিল্লগা হায়,

“ইনাওতোন ঐদি কাউথোক্লুরে; য়ূমদা অরুবা থবক অমা লৈহৌবনি। লাকও চৎলসি।”

ফিভমসিদা খম্বনা ঙাঙলক্কদৌরিবদু মবানীনা খঙই। খম্বগা ব্রা ঙাঙনন্নীংদে ; মবানীগী ঙাঙফম লৈরোইদবনা চৎখিনবা মায় লৈথোকই। য়াইমনা হায়,

“ꯈꯝꯕ, ꯉꯁꯤꯗꯒꯤ ꯍꯣꯇꯦꯜꯗ ꯆꯠꯂꯔꯣꯢ; ꯑꯣꯁ꯭ꯊꯣꯛꯂ ꯏꯀꯥꯢꯔꯦ꯫”

ꯃꯃꯥꯡꯒꯤ ꯃꯇꯝꯗ ꯃꯕꯥꯅꯤꯅ ꯈꯝꯕꯗꯒꯤ ꯑꯀꯅꯕ ꯕ꯭ꯔꯥꯍꯩꯁꯤꯡ, ꯊꯣꯠꯅ ꯃꯦꯡꯕ ꯕ꯭ꯔꯥꯍꯩꯁꯤꯡ, ꯊꯝꯃꯣꯌꯗ ꯌꯨꯕ ꯕ꯭ꯔꯥꯍꯩꯁꯤꯡ ꯇꯣꯌꯅ ꯇꯥꯈ꯭ꯔꯦ꯫ ꯀꯨꯜꯂꯣꯗꯤ ꯂꯩꯃꯤꯝꯅꯕꯅꯤꯅ ꯈꯔ ꯍꯦꯟꯅ ꯇꯥꯢ꯫ ꯀꯥꯝꯅꯕ ꯃꯔꯝ ꯂꯩꯇꯅ ꯀꯨꯜꯂꯣꯅ ꯂꯩꯀꯥꯢ ꯀꯣꯌꯔꯨꯕꯒꯤ ꯍꯜꯂꯛꯄ ꯈꯨꯗꯤꯡꯗ ꯈꯝꯕꯅ ꯍꯥꯢꯈꯤꯕꯅꯤ,

“ꯀꯣꯌꯆꯠ ꯆꯠꯂꯒ ꯃꯤꯒꯤ ꯚꯨꯀ ꯊꯤꯗꯨꯅ ꯃꯤꯔ ꯉꯥꯡꯂꯨꯗꯧ ꯁꯔꯨꯛ ꯅꯆ ꯑꯩꯈꯣꯌꯒꯤ ꯑꯁꯣꯌꯕ ꯌꯦꯡꯅꯕ ꯃꯥꯡꯒꯣꯟꯗ ꯐꯝꯎ꯫ ꯃꯗꯨꯅ ꯃꯤꯅꯁꯨ ꯕꯥꯕꯥꯕꯨ ꯅꯨꯡꯁꯤꯒꯅꯤ꯫”

ꯃꯃꯥꯁꯨ ꯈꯝꯕꯒꯤ ꯕ꯭ꯔꯥꯗ ꯕ꯭ꯔꯥꯄꯥꯡꯂꯀꯢ,

“ꯅꯈꯣꯌꯅ ꯑꯉꯥꯡ ꯑꯣꯢꯔꯤꯉꯩꯗꯒꯤ ꯑꯩꯅꯁꯨ ꯂꯩꯀꯥꯢ ꯀꯣꯌꯕꯁꯤ ꯇꯣꯛꯄꯤꯌꯨ ꯍꯥꯌꯗꯨꯅ ꯈꯟꯅꯀꯢꯕꯅꯤ꯫ ꯌꯥꯕ ꯀꯧꯕ ꯂꯩꯇ꯭ꯔꯕꯅꯤ꯫ ꯑꯌꯨꯛꯇ ꯑꯃꯨꯛ, ꯅꯨꯡꯊꯤꯜꯗ ꯑꯃꯨꯛ; ꯃꯗꯨꯗ ꯄꯦꯟꯗ꯭ꯔꯒꯅ ꯅꯨꯃꯤꯗꯥꯡꯗꯁꯨ ꯀꯣꯌꯔꯤꯕꯅꯤ꯫”

ꯃꯁꯥꯒꯤ ꯃꯔꯥꯜ ꯈꯔꯗꯪ ꯊꯩꯗꯣꯛꯂꯕ ꯀꯨꯜꯂꯣꯅ ꯈꯨꯝꯃꯢ,

“খম্বা, ঙসিদগী হোটেলদা চৎলরোই; ওস্থোক্লা ঈকাইরে ।”

মমাঙগী মতমদা মবানীনা খম্বদগী অকনবা ব্রাহৈশিং, থোৎনা মেঙবা ব্রাহৈশিং, থম্মোয়দা য়ূবা ব্রাহৈশিং তোয়না তাখ্রে । কুল্লোদি লৈমিম্নবনিনা খরা হেন্না তায় । কাম্নবা মরম লৈতনা কুল্লোনা লৈকাই কোয়রুবগী হল্লকপা খুদিংদা খম্বনা হায়খিবনি,

“কোয়চৎ চৎলগা মীগী ভুকা থিদুনা মীরা ঙাঙলুদৌ শরুক নচা ঐখোয়গী অশোয়বা য়েংনবা মাঙ্গোন্দা ফমউ । মদুনা মীনসু বাবাবু নুংশিগনি ।”

মমাসু খম্বগী ব্রাদা ব্রাপাংলকই,

“নখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদগী ঐনসু লৈকাই কোয়বসি তোকপিয়ু হায়দুনা খান্নকইবনি । য়াবা কৌবা লৈত্রবনি । অয়ুক্তা অমুক, নুংথিলদা অমুক; মদুদা পেন্দ্রগনা নুমিদাংদসু কোয়রিবনি ।”

মশাগী মরাল খরদং থৈদোক্লবা কুল্লোনা খুমই,

“ꯅꯈꯣꯌ ꯆꯥꯎꯔꯦ, ꯊꯕꯛ ꯁꯨꯕꯥ ꯉꯝꯃꯦ ꯍꯥꯌꯗꯨꯅꯥ ꯀꯣꯌꯕꯅꯤꯗꯥ। ꯍꯌꯦꯡꯗꯒꯤꯗꯤ ꯊꯕꯛ ꯁꯨꯔꯒꯦꯁꯦ।”

“ꯕꯥꯕꯥꯅꯥ ꯊꯕꯛ ꯁꯨꯕꯔꯕꯁꯨ ꯅꯆꯥ ꯑꯩꯈꯣꯌꯕꯨ ꯇꯥꯛꯄꯤ ꯇꯝꯕꯤꯕꯗꯤ ꯌꯥꯏꯗꯅꯥ।”

ꯃꯃꯥ ꯃꯄꯥꯅꯥ ꯃꯆꯥꯁꯤꯡꯒꯤ ꯑꯍꯥꯟꯕꯥ ꯑꯣꯖꯥꯅꯤ ꯍꯥꯌꯅꯩ। ꯀꯨꯜꯂꯣꯒꯤꯗꯤ ꯃꯁꯤ ꯆꯨꯝꯍꯟꯗꯦ। ꯉꯁꯤ ꯐꯥꯎꯕꯗꯥ ꯃꯆꯥꯁꯤꯡꯕꯨ, ꯃꯥꯒꯤ ꯅꯨꯄꯤꯕꯨ ꯊꯕꯛꯇꯥ ꯅꯠꯇꯔꯒꯥ ꯏꯃꯨꯡꯒꯤ ꯌꯨꯝꯕꯥꯟꯗꯥ ꯄꯣꯔꯝ ꯄꯣꯃꯤꯠ ꯌꯥꯠꯇꯦ, ꯁꯤꯜꯂꯝ ꯁꯤꯁ꯭ꯊꯥꯗꯦ। ꯈꯝꯕꯅꯥ ꯄꯥꯝꯕꯒꯥ ꯀꯨꯜꯂꯣꯅꯥ ꯇꯧꯕꯒꯥ ꯆꯥꯝꯅꯗꯦ। ꯃꯃꯥꯅꯥ ꯀꯨꯜꯂꯣꯒꯤ ꯑꯁꯣꯟꯕꯥ ꯈꯔꯁꯨ ꯍꯥꯌꯔꯀꯏ,

“ꯈꯝꯕꯥ, ꯅꯪꯅꯥ ꯍꯥꯌꯔꯤꯕꯗꯨ ꯍꯟꯗꯛ ꯃꯄꯣꯛꯀꯤꯗꯤ ꯑꯣꯏꯔꯔꯣꯏ। ꯅꯄꯥꯁꯦ ꯐꯩꯅꯥ ꯇꯥꯕꯥ ꯆꯩꯗꯨ ꯌꯨꯡꯅꯥ ꯊꯝꯃꯤꯡꯗꯕꯥ, ꯏꯔꯨꯖꯕꯒꯤ ꯈꯨꯗꯩꯗꯨ ꯐꯧꯕꯥ ꯐꯥꯎꯕꯥ ꯇꯅꯕꯥ ꯃꯤꯅꯤ।”

ꯀꯨꯜꯂꯣꯗꯨ ꯚꯨꯃꯤꯝꯅꯥ ꯂꯩꯔꯦ। ꯅꯠꯇꯔꯕꯗꯤ ꯃꯄꯥ ꯑꯃꯥ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯑꯃꯗꯤ ꯌꯨꯝꯒꯤ ꯑꯍꯜ ꯑꯃꯥ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯃꯥꯒꯤ ꯃꯇꯤꯛ ꯆꯥꯗꯕꯒꯤ ꯃꯔꯥꯜ ꯀꯌꯥꯗꯨ ꯍꯥꯌꯔꯛꯀꯗꯧꯔꯤ। ꯏꯃꯨꯡ ꯑꯃꯅꯥ ꯃꯤꯌꯥꯝ ꯇꯣꯡꯕꯥ ꯕꯁ ꯑꯣꯏꯔꯕꯗꯤ ꯃꯄꯥꯅꯥ ꯕꯁꯇꯨꯒꯤ ꯗ꯭ꯔꯥꯏꯚꯔꯅꯤ। ꯃꯁꯤ ꯀꯨꯜꯂꯣꯅꯥ ꯈꯜꯂꯨꯗꯦ।

‘‘নখোয় চাউরে, থবক শূবা ঙম্মে হায়দুনা কোয়বনিদা । হয়েংদগীদি থবক শূরগেসে ।’’

‘‘বাবানা থবক শূব্রবসু নচা ঐখোয়বু তাকপী তম্বীবদি য়াইদনা ।’’

মমা মপানা মচাশিংগী অহানবা ওজানি হায়নৈ । কুল্লোগীদি মসি চুমহন্দে । ঙসি ফাওবদা মচাশিংবু, মাগী নুপীবু থবক্তা নৎত্রগা ইমুংগী য়ুম্বান্দা পোরম পোমিৎ য়াত্তে, শিল্লম শিস্থাদে । খম্বনা পাম্বগা কুল্লোনা তৌবগা চাম্নদে । মমানা কুল্লোগী অশোনবা খরসু হায়রকই,

‘‘খম্বা, নঙনা হায়রিবদু হন্দক মপোক্কীদি ওইররোই । নপাসে ফৈনা তাবা চৈদু য়ূংনা থম্মীংদবা, ঈরুজবগী খুদৈদু ফৌবা ফাওবা তনবা মীনি ।’’

কুল্লোদু ভুমিম্না লৈরে । নৎত্রবদি মপা অমা ওইনা অমদি য়ূমগী অহল অমা ওইনা মাগী মতীক চাদবগী মরাল কয়াদু হায়রক্কদৌরি । ইমুং অমনা মীয়াম তোংবা বস ওইরবদি মপানা বসতুগী ড্রাইভরনি । মসি কুল্লোনা খল্লুদে ।

ꯀꯔꯤꯒꯨꯝꯕꯗ ꯈꯝꯕꯅ ꯏꯈꯣꯜꯗꯨ ꯍꯥꯡꯅ ꯊꯃꯏ, ꯄꯣꯠ ꯊꯥꯟꯕ ꯀꯨꯜꯂꯣꯅ ꯁꯤꯟꯗꯦ ꯍꯥꯏꯔꯛꯄꯗ ꯃꯃꯥꯅ ꯀꯨꯜꯂꯣꯒꯤ ꯊꯕꯛ ꯁꯨꯅꯤꯡꯗꯕꯗꯨ ꯄꯨꯈꯣꯔꯛꯂꯨꯅ ꯍꯥꯏꯔꯛꯏ.

"ꯅꯉꯅ ꯍꯥꯏꯗ꯭ꯔꯤꯉꯩ ꯑꯩꯅ ꯌꯨꯝꯁꯤꯗ ꯂꯥꯀꯩꯗꯒꯤ ꯏꯈꯣꯜ ꯀꯣꯏꯁꯤ ꯄꯣꯠ ꯊꯥꯁꯤ ꯍꯥꯏꯔꯛꯂꯨꯕꯅꯤ। ꯌꯥꯔꯛꯂꯨꯕꯅꯤ; ꯃꯅ-ꯃꯁꯤꯡ ꯊꯥꯔꯒ ꯁꯦꯜ ꯀꯌꯥꯝꯃ ꯐꯪꯗꯣꯏꯅꯣ ꯍꯥꯌꯅꯦ।"

"ꯌꯣꯝꯕꯒꯤ ꯉꯥꯛ ꯅꯉꯅ ꯑꯩꯈꯣꯌꯅ ꯆꯥꯟꯕꯗꯤ ꯊꯥꯕ ꯌꯥꯏꯗꯅ।"

"ꯑꯣ, ꯑꯗꯨꯁꯨꯅꯦ ꯏꯈꯣꯜ ꯀꯣꯏꯗꯕ ꯁꯟꯗꯁꯨ ꯃꯅ-ꯃꯁꯤꯡꯅ ꯃꯕꯨꯛ ꯊꯜꯂꯤ; ꯃꯤꯑꯣꯏꯕ ꯑꯩꯈꯣꯌꯗꯤ ꯕ꯭ꯔꯥꯐꯝ ꯊꯣꯛꯀꯦ ꯃꯍꯥꯌꯅꯦ; ꯉꯥꯡꯅꯕ ꯏꯌꯥ ꯌꯥꯗꯦ।"

ꯃꯤꯑꯣꯏꯕꯗꯤ ꯄꯨꯟꯁꯤ ꯆꯨꯞꯄ ꯊꯕꯛ ꯁꯨꯕ ꯇꯥꯏ। ꯃꯁꯤ ꯀꯨꯜꯂꯣꯕꯨ ꯌꯥꯍꯝꯕ ꯍꯥꯏꯔꯨꯕꯗ ꯀꯨꯜꯂꯣꯅ ꯍꯥꯏꯔꯛꯂꯤ.

"ꯁꯨꯅꯤꯡꯏ, ꯅꯣꯡꯃꯩꯏ ꯍꯥꯌꯗꯨꯅꯁꯨ ꯅꯥꯇꯦ ꯆꯥꯗ꯭ꯔꯕꯗꯤ ꯊꯕꯛꯀꯁꯦ ꯍꯦꯟꯅ ꯁꯨꯕ ꯌꯥꯄꯣꯠ ꯅꯇꯦ। ꯂꯥꯏꯕꯛꯀꯥ ꯅꯣꯡꯗꯝꯕꯅ ꯅꯨꯡꯉꯥꯏꯌꯨ ꯇꯟꯅꯃꯗ꯭ꯔꯕꯗꯤ ꯁꯨꯕ ꯅꯣꯝꯕꯒꯤ ꯀꯥꯝꯕ ꯂꯩꯔꯣꯏꯗꯧꯔꯤꯕꯅꯤ।"

করিগুম্বদা খম্বনা ইখোলদু হাঙনা থমই, পোৎ থানবা কুল্লোনা শীন্দে হায়রকপদা মমানা কুল্লোগী থবক শূনীংদবদু পুখোরক্লুনা হায়রকই,

"নঙনা হায়দ্রিঙৈ ঐনা য়ূমসিদা লাকঙৈদগী ইখোল কোইসি পোৎ থাসি হায়রক্লুবনি। য়ারক্লুবনি; মনা-মশিং থারগা শেল কয়াম্মা ফংদোইনো হায়নে।"

"য়োম্নবগী ঙাক নত্তনা ঐখোয়না চানবদি থাবা য়াইদনা।"

"ও, অদুসুনে ইখোল কোইদবা ষণদসু মনা-মশিংনা মবুক থল্লি; মীওইবা ঐখোয়দি ব্রাফম থোক্কে মহায়নে; ঙাঙনবা ইয়া য়াদে।"

মীওইবদি পুন্সি চুপ্পা থবক শূবা তাই। মসি কুল্লোবু য়াহম্নবা হায়রুবদা কুল্লোনা হায়রক্লনি,

"শূনীংই, নোম্নীংই হায়দুনসু নাতৈ চাদ্রবদি থবকসে হেক্তা শূবা য়াপোৎ নত্তেনে। লাইবক্তা নোংদম্বনা নুংঙাইয়ু তন্নমদ্রবদি শূবা নোম্বগী কাম্নবা লৈরোইদৌরিবনি।"

"ꯕꯕ, ꯃꯇꯝꯁꯤꯗꯗꯤ ꯅꯣꯡꯗꯝꯕꯗꯨ ꯏꯁꯥ ꯏꯁꯥꯅꯥ ꯑꯣꯏꯖꯒꯗꯕꯅꯤ। ꯑꯉꯥꯡ ꯑꯣꯏꯔꯤꯕꯥ ꯃꯆꯥꯁꯤꯡꯒꯤ ꯅꯣꯡꯗꯝꯕꯅꯥ ꯃꯃꯥ ꯃꯄꯥꯅꯤ; ꯌꯨꯝ ꯄꯥꯟꯂꯒꯅꯥ ꯃꯁꯥꯒꯤ ꯍꯩ-ꯁꯤꯡꯕꯅꯥ ꯅꯣꯡꯗꯝꯕꯅꯤ।"

ꯈꯝꯕꯅꯥ ꯀꯨꯟꯂꯣꯕꯨ ꯐꯅꯥ ꯆꯦꯛꯁꯤꯟꯅꯥ ꯁꯦꯟꯅꯩ, ꯉꯥꯎꯏ। ꯃꯇꯨꯡ ꯏꯟꯅꯗꯨꯅꯥ ꯂꯩꯕꯗꯤ ꯉꯝꯗꯕꯅꯤꯅꯥ ꯀꯨꯟꯂꯣꯒꯤ ꯉꯥꯎꯆꯠ-ꯐꯩꯖꯠꯅꯕꯒꯤ ꯍꯩꯅꯕꯤꯁꯤ ꯍꯣꯡꯗꯣꯛꯍꯟꯕꯥ ꯉꯝꯗ꯭ꯔꯤ। ꯃꯗꯨꯅꯥ ꯉꯁꯤꯁꯨ ꯍꯣꯇꯦꯜꯁꯤꯗꯥ ꯃꯄꯥ ꯃꯆꯥꯅꯥ ꯂꯟꯅꯥꯟꯅꯕꯒꯨꯝꯕꯥ ꯎꯟꯅꯔꯤ। ꯈꯝꯕꯅꯥ ꯃꯕꯥꯅꯤꯗꯥ ꯍꯥꯌꯔꯀꯏ,

"ꯔꯤꯛꯁꯥꯗꯥ ꯀꯥꯈꯠꯂꯀꯎ; ꯌꯨꯝ, ꯌꯨꯝꯗꯥ ꯊꯤꯟꯂꯝꯃꯒꯦ।"

"ꯌꯨꯝꯗꯥ ꯔꯤꯛꯁꯥꯗꯥ ꯇꯣꯡꯂꯒꯥ ꯆꯉꯕꯁꯤ ꯃꯤꯒꯤ ꯃꯃꯥꯉꯗꯥ ꯏꯀꯥꯏꯗꯥ।"

ꯌꯥꯏꯃꯁꯨ ꯈꯝꯕꯗꯥ ꯆꯠꯃꯤꯟꯅꯗꯅꯕꯥ ꯍꯥꯌ,

"ꯈꯝꯕ, ꯁꯦꯜ ꯐꯪꯒꯗꯕꯥ ꯃꯤꯕꯨ ꯇꯣꯡꯍꯟꯂꯨ; ꯑꯩꯈꯣꯌꯗꯤ ꯈꯣꯉꯅꯥ ꯁꯨꯝ ꯆꯠꯈꯤꯒꯦ।"

"ꯈꯨꯔꯥꯒꯥ ꯕꯥꯕꯥꯒꯕꯨ ꯌꯨꯝꯗꯥ ꯊꯤꯅꯕꯁꯤꯅꯥ ꯁꯦꯜ ꯐꯪꯕꯗꯒꯤ ꯍꯦꯟꯅꯥ ꯀꯥꯟꯅꯩ। ꯑꯅꯤꯃꯛ ꯀꯥꯈꯠꯂꯀꯎ; ꯕ꯭ꯔꯥꯗꯤ ꯌꯨꯝꯗꯥ ꯉꯥꯡꯅꯔꯨꯔꯁꯤ।"

''বাবা, মতমসিদদি নোংদম্বদু ইশা ইশানা ওইজগদবনি। অঙাং ওইরিবা মচাশিংগী নোংদম্বনা মমা মপানি; য়ূম পাল্লগনা মশাগী হৈ-শিংবনা নোংদম্বনি।''

খম্বনা কুল্লোবু ফনা চেকশিন্না শেন্নৈ, ঙাঙই। মতুং ইন্নদুনা লৈবদি ঙমদবনিনা কুল্লোগী ঙাওচৎ-ফৈজৎনবগী হৈনবীসি হোংদোকহনবা ঙমদ্রি। মদুনা ঙসিসু হোটেলসিদা মপা মচানা লন্নানবগুম্মা উন্নরি। খম্বনা মবানীদা হায়রকই,

''রিক্সাদা কাখৎলকও; য়ূম, য়ূমদা থিল্লম্মগে।''

''য়ূমদা রিক্সাদা তোংলগা চঙবসি মীগী মমাঙদা ঈকাইদা।''

য়াইমসু খম্বদা চৎমিন্নদনবা হায়,

''খম্বা, শেল ফংগদবা মীবু তোংহল্লু; ঐখোয়দি খোঙনা সুম চৎখিগে।''

''খুরাগা বাবাগবু য়ূমদা থিনবসিনা শেল ফংবদগী হেন্না কান্নৈ। অনীমক কাখৎলকও; ব্রাদি য়ূমদা ঙাঙনরুরসি।''

ꯃꯕꯥꯅꯤꯗꯨ ꯇꯅꯇꯛꯂꯥ ꯔꯤꯛꯁꯥꯗꯥ ꯂꯥꯏꯕꯛ ꯀꯠꯂꯒꯥ ꯀꯥꯈꯠꯂꯤ ꯫ ꯑꯁꯣꯢ-ꯑꯉꯥꯝ ꯊꯣꯛꯄꯤꯗꯅꯕꯥ, ꯑꯍꯜ ꯑꯣꯏꯕꯒꯤ ꯂꯥꯏꯕꯛ ꯀꯠꯄꯥ ꯑꯣꯏꯕꯃꯒꯗꯕꯥ ꯃꯥꯟꯗꯦ ꯫ ꯌꯨꯝ ꯌꯧꯗ꯭ꯔꯤꯉꯩꯗꯥ ꯔꯤꯛꯁꯥꯗꯨ ꯌꯥꯕꯤꯔꯛꯇꯪꯕꯥ, ꯈꯝꯕꯅꯥ ꯃꯗꯨ ꯁꯦꯝꯂꯤꯉꯩꯗꯥ ꯃꯕꯥꯅꯤꯅꯥ ꯅꯥꯝꯊꯣꯛꯈꯤꯕꯗꯨ ꯄꯥꯟꯅꯝꯕꯥ ꯌꯥꯏ ꯫

ꯍꯣꯔꯦꯜ ꯌꯨꯝꯗꯥ ꯉꯥꯡꯂꯛꯀꯗꯕꯗꯨ ꯈꯅꯕꯗꯥ ꯃꯕꯥꯅꯤꯒꯤ ꯊꯝꯃꯣꯌꯗꯨ ꯂꯩꯇꯥꯗ꯭ꯔꯤ ꯫ ꯈꯖꯤꯛꯇꯪ ꯍꯟꯖꯥꯅꯕꯒꯨꯝꯅꯁꯨ ꯇꯧꯔꯀꯏ ꯫ ꯈꯝꯕꯅꯥ ꯄꯥꯝꯗ꯭ꯔꯤꯕꯥ ꯍꯩꯅꯕꯤꯁꯤꯗꯒꯤ ꯊꯥꯞꯇꯣꯛꯂꯨꯒꯦ ꯍꯥꯌꯅꯐꯥꯎ ꯈꯜꯂꯀꯏ ꯫ ꯃꯁꯤꯒꯤ ꯕ꯭ꯔꯥꯈꯂꯁꯤ ꯍꯧꯖꯤꯛ ꯈꯅꯕꯁꯤꯅꯥ ꯑꯍꯥꯅꯕꯗꯤ ꯅꯠꯇꯦ ꯫ ꯀꯪꯐꯥꯜ ꯏꯀꯥꯏꯊꯕꯤ ꯃꯅꯥꯗꯥ ꯀꯔꯤꯒꯨꯝꯕꯥ ꯑꯃꯅꯥ ꯁꯣꯛꯂꯨꯕꯗꯥ ꯏꯀꯥꯏꯗꯨꯅꯥ ꯃꯅꯥꯗꯨ ꯈꯨꯝꯖꯤꯜꯂꯤ; ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯀꯌꯥꯝ ꯀꯨꯏꯅꯥ ꯈꯨꯝꯖꯤꯅꯕꯒꯦ ?

ꯇꯥꯡ ꯱꯹-꯵-꯱꯹꯹꯳

মবানীদু তনতক্লা রিক্সাদা লাইবক কৎলগা কাখৎলি । অশোয়-অঙাম থোকপিদনবা, অহল ওইবগী লাইবক কৎপা ওইবমগদবা মান্দে । য়ূম য়ৌদ্রিঙৈদা রিক্সাদু য়াবিরক্তঙবা, খম্বনা মদু শেম্লিঙৈদা মবানীনা নাম্থোকখিবদু পান্নম্বা য়াই ।

হোরেল য়ূমদা ঙাঙলক্কদবদু খনবদা মবানীগী থম্মোয়দু লৈতাদ্রি । খজিক্তং হঞ্জানবগুম্নসু তৌরকই । খম্বনা পামদ্রিবা হৈনবীসিদগী থাপ্তোক্লুগে হায়নফাও খল্লকই । মসিগী ব্রাখলসি হৌজিক খনবসিনা অহানবদি নত্তে । কংফাল ঈকাইথবী মনাদা করিগুম্বা অমনা শোক্লুবদা ঈকাইদুনা মনাদু খুমজিল্লি; অদুবু কযাম কুইনা খুমজিনবগে ?

তাং ১৯-৫-১৯৯৩

[illegible]

[illegible]

[illegible]

চাক্লৌবা

হরাও-তয়াম্বা মচানা মাঙ থারগা, তন্দে-মান্দেনবা মমানা তুং থংলগা মমা মচানা চৎলি। মমানা পোৎ-চৈ য়াওরবা চাগী পোলাং অমদি খাউ পুরি। অসুম লাকপনা চাউভলগী শুমাঙ য়ৌশিল্লকই। মবানীবু ওক্লম্বা কনাসু থোরক্কে; ঙাইদুনা লৈরমদে; 'নখোয় লাক্লবা' হায়না কৌবিনবা মী অমা ফাওবা লৈরমদে। অতৈ নীঙোলশিংনা চাক্লৌবা লাকপদা, চাক্লৌরিবা কাংবুগী মীনা খৌরাংনা মখোয়বু ঙাইরম্বগী লাইবক্তু মমা মচাগীদি নোংদম্বনা তম্বীরমদবগুমই। হৌজিক লাক্লিবা চাক্লৌবসিগী পাউ তাকপদুসু মী অতৈনা তৌনবগুম্না নুমিৎ মরি মঙানি নৎত্রগা নিনী হুম্নি ব্রাৎলিঙৈদা লাকপিদে; ঙরাং নুমিদাংব্রাইরম অথেংবদা চাউভলদু লাকই। য়াম্না জ্ঞান তানা হায়রমই,

"হয়েং ঙন্তা নমা নচা লাকউ; নঙনা থোং-থাকপা তৌগদবনি। দক্ষিনাদি ননম্মনা মানা থোকপা লৈরুরনি হায়দুনা কৈথেল কাখ্রে। চাবসিনা ঐনা তৌগদৌরিবনি; ঙা মখল অনীগী মথেল থোংগনি।"

ꯆꯥꯛꯀꯧ-ꯄꯥꯎ ꯊꯦꯡꯅꯥ ꯂꯥꯛꯄꯒꯤ ꯃꯔꯝꯗꯨꯁꯨ ꯍꯥꯌꯔꯀꯏ.

“ꯑꯔꯥꯡꯒꯤ ꯅꯨꯄꯥꯃꯆꯥ ꯑꯃꯗꯥ ꯄꯥꯎ ꯈꯔꯥ ꯍꯥꯌꯕꯃꯟꯕꯥ ꯁꯤꯟꯅꯈꯤꯕꯅꯤ; ꯑꯗꯨꯒꯗꯤ ꯍꯥꯌꯕꯤꯔꯃꯗ꯭ꯔꯦ; ꯍꯥꯌꯔꯦ; ꯑꯗꯨꯅꯥ ꯍꯧꯖꯤꯛ ꯆꯦꯟꯅꯀꯏꯕꯁꯤꯅꯤ꯫”

ꯑꯁꯤꯗꯁꯨ ꯅꯠꯇꯅꯥ, ꯀꯅꯥꯒꯤꯅꯣ ꯄꯨꯈ꯭ꯔꯤ ꯏꯁꯤꯡꯂꯤ, ꯉꯥ ꯂꯩꯈꯤꯅꯤ ꯑꯔꯥꯡꯄꯥ ꯂꯨꯄꯥ ꯌꯥꯈ꯭ꯔꯦ ꯄꯤꯌꯨ ꯍꯥꯌꯗꯨꯅꯥ ꯂꯧꯈꯤꯕꯅꯤ꯫ ꯍꯥꯟꯅꯥ ꯏꯁꯤꯡꯂꯃꯒꯅꯤ ꯈꯉꯗꯗꯨꯅꯥ ꯁꯦꯜ ꯌꯥꯝꯅꯥ ꯄꯨꯕꯛꯀꯦ ꯍꯥꯌ꯫ ꯉꯁꯤ ꯆꯥꯛꯀꯧꯕꯥ ꯂꯥꯛꯄꯗꯥ ꯂꯨꯄꯥ ꯌꯥꯈ꯭ꯔꯦꯗꯨ ꯄꯤꯕꯛꯀꯅꯤꯁꯨ ꯍꯥꯌꯕꯃꯏ꯫ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯃꯥꯅꯥ ꯉꯥ ꯂꯩꯈꯤꯅꯤ ꯍꯥꯌꯔꯤꯕꯥ ꯃꯐꯃꯗꯨꯗꯒꯤ ꯉꯥ ꯂꯩꯔꯨꯕꯥ ꯃꯤꯅꯥ ꯇꯝꯕꯗꯗꯤ ꯆꯥꯎꯚꯂꯗꯨ ꯏꯁꯤꯡꯐꯃꯗꯥ ꯆꯉꯂꯛꯀꯦ ꯍꯥꯌ꯫ ꯄꯥꯎꯗꯨ ꯇꯥꯕꯗꯥ ꯏꯕꯦꯝꯃꯨꯗꯤ ꯊꯝꯃꯣꯌꯗꯥ ꯆꯤꯡꯅꯕꯥ ꯄꯣꯀꯈ꯭ꯔꯦ꯫ ꯃꯆꯥ ꯑꯉꯥꯡꯁꯤꯅꯥ ꯌꯥꯃꯟꯗꯕꯒꯤ ꯂꯥꯛꯄꯅꯤ꯫ ꯃꯥꯒꯤ ꯆꯤꯡꯅꯕꯥ ꯀꯌꯥꯗꯨ ꯑꯍꯤꯡꯕꯥ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯃꯤꯠꯃꯥꯡꯗꯥ ꯂꯦꯞꯂꯔꯤ꯫ ꯃꯁꯤꯕꯨ ꯃꯥꯌꯣꯛꯀꯅꯕꯥ ꯏꯕꯦꯝꯃꯨꯅꯥ ꯉꯔꯥꯡꯗꯒꯤ ꯊꯧꯔꯥꯡꯂꯀꯏ꯫ ꯃꯄꯨꯔꯣꯏꯕꯅꯥ ꯆꯥꯛꯀꯧꯕꯥ ꯆꯠꯅꯕꯒꯤ ꯄꯣꯠꯁꯤꯡ ꯂꯩꯕꯤꯒꯦ ꯍꯥꯌꯕꯗꯨ ꯃꯥꯅꯥ ꯌꯥꯗꯦ; ꯁꯦꯜ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯂꯧꯏ꯫

ꯃꯃꯥ ꯃꯆꯥ ꯑꯅꯤꯃꯛ ꯏꯃꯨꯡꯗꯥ ꯆꯉꯁꯤꯟꯂꯤ꯫ ꯆꯥꯎꯚꯂꯒꯤ ꯅꯨꯄꯤꯗꯨ ꯀꯗꯥꯌꯗꯥ ꯀꯔꯤ ꯊꯕꯛ ꯁꯨꯔꯨꯕꯅꯣ ꯃꯄꯥꯟꯂꯣꯃꯗꯒꯤ ꯃꯅꯤꯡꯊꯣꯡ ꯐꯥꯎꯔꯒꯥ ꯏꯃꯨꯡ ꯆꯉꯂꯛꯄꯗꯥ ꯃꯈꯣꯌꯒꯥ ꯃꯥꯌꯣꯛꯀꯦ꯫ ꯃꯈꯣꯌꯕꯨ ꯎꯔꯒꯥ ꯉꯛꯂꯨꯞꯄꯥ ꯍꯥꯌ.

চাক্কৌ-পাউ থেঙনা লাকপগী মরমদুসু হায়রকই,

‘‘অরাংগী নুপামচা অমদা পাউ খরা হায়বমন্বা শিন্নখিবনি; অদুগদি হায়বিরমদ্রে হায়রে; অদুনা হৌজিক চেন্নকইবসিনি ।’’

অসিদসু নত্তনা, কনাগীনো পুখ্রি ঈশিংলি, ঙা লৈখিনি অরাংপা লুপা য়াখ্রে পীয়ু হায়দুনা লৌখিবনি । হান্না ঈশিংলমগনি খঙদদুনা শেল যাম্না পুবক্কে হায় । ঙসি চাক্কৌবা লাকপদা লুপা য়াখ্রেদু পীবক্কনিসু হায়বমই । অদুবু মানা ঙা লৈখিনি হায়রিবা মফমদুদগী ঙা লৈরুবা মীনা তম্বদদি চাউভলদু ঈশিংফমদা চঙলক্কে হায় । পাউদু তাবদা ইবেম্মুদি থম্মোয়দা চিংনবা পোকখ্রে । মচা অঙাংসিনা য়ামন্দবগী লাকপনি । মাগী চিংনবা কয়াদু অহিংবা ওইনা মীৎমাঙদা লেপ্লরি । মসিবু মায়োক্কনবা ইবেম্মুনা ঙরাংদগী থৌরাংলকই । মপুরোইবনা চাক্কৌবা চৎনবগী পোৎশিং লৈবিগে হায়বদু মানা য়াদে; শেল ওইনা লৌই ।

মমা মচা অনীমক ইমুংদা চঙশিল্লি । চাউভলগী নুপীদু কদায়দা করি থবক শূরুবনো মপাল্লোমদগী মনীংথোঙ ফাওরগা ইমুং চঙলকপদা মখোয়গা মায়োক্কে । মখোয়বু উরগা ঙক্রুপ্পা হায়,

"ꯍꯥꯏꯃꯥ ꯏꯕꯦꯝꯃꯨ !"

ꯃꯈꯥ ꯇꯥꯕꯥ ꯉꯝꯗꯦ ꯫ ꯀꯔꯤ ꯍꯥꯌꯒꯗꯕꯅꯣ ꯈꯡꯗꯦ ꯫ ꯃꯇꯧ ꯀꯔꯝꯅꯥ ꯂꯥꯛꯏꯕꯅꯣ ꯍꯥꯌꯕꯗꯨ ꯈꯡꯗꯕꯅꯤꯅꯥ ꯕ꯭ꯔꯥ ꯉꯥꯡꯐꯝ ꯈꯡꯗ꯭ꯔꯦ ꯫ ꯃꯄꯥꯃꯗꯥ ꯂꯥꯛꯂꯤꯕꯤ ꯅꯤꯡꯣꯜꯗꯥ ꯇꯧꯐꯝ ꯊꯣꯛꯄꯥ ꯇꯔꯥꯝ-ꯇꯔꯥꯝꯕꯗꯨ ꯇꯧꯏ ꯫ ꯃꯅꯝꯃꯒꯤ ꯆꯡꯛꯂꯕꯗꯨ ꯀꯣꯛꯂꯕꯥ ꯏꯕꯦꯝꯃꯨꯅꯥ ꯍꯥꯌꯔꯀꯏ,

"ꯉꯔꯥꯡ ꯇꯥꯆꯧꯅꯥ ꯆꯥꯛꯀꯧ-ꯄꯥꯎ ꯍꯥꯌꯔꯝꯕꯗꯨꯗꯥ ꯑꯉꯥꯡꯁꯤꯅꯥ ꯆꯠꯁꯤ ꯍꯥꯌꯃꯟꯗꯨꯅꯥ ꯂꯥꯛꯏꯕꯅꯤ ꯫"

ꯉꯔꯥꯡ ꯆꯥꯎꯚꯂꯅꯥ ꯍꯥꯌꯔꯝ-ꯇꯧꯔꯝꯕꯥ ꯄꯨꯝꯅꯃꯛꯀꯨ ꯇꯃꯏ ꯫ ꯃꯅꯝꯃꯗꯨ ꯚꯥꯕ ꯇꯥꯔꯦ ꯫ ꯄꯦꯟꯗꯅꯥ ꯍꯥꯌ,

"ꯑꯣꯁ꯭ꯇꯣꯛꯄꯒꯤ ꯃꯤꯅꯤꯗꯀꯣ ꯫ ꯑꯁꯨꯛ ꯐꯠꯇꯕꯥ ꯃꯤꯁꯤꯕꯨ ꯀꯔꯝꯕꯥ ꯇꯤꯅꯃꯨ-ꯂꯥꯏꯃꯨꯅꯥ ꯑꯣꯜꯂꯛꯄꯅꯣ ꯈꯡꯗ꯭ꯔꯦ ꯫ ꯑꯩꯉꯣꯟꯗꯥ ꯑꯣꯠꯄꯗꯒꯤ ꯍꯦꯟꯗꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯌꯨꯝꯅꯥꯛ ꯁꯥꯒꯦ ꯑꯣꯟꯈ꯭ꯔꯕꯤ ꯃꯆꯟꯗꯥ ꯐꯥꯎꯕꯥ ꯑꯣꯠꯂꯦꯅꯦ ꯃꯥꯅꯥ ꯇꯧꯔꯤꯁꯦ ꯫"

ꯆꯥꯎꯚꯂꯅꯥ ꯇꯨꯟꯅꯤꯕꯥ ꯐꯃꯨꯡ ꯃꯅꯥꯛꯇꯥ ꯆꯡꯁꯤꯜꯂꯒꯥ ꯁꯥꯎꯔꯡꯅꯅꯥ ꯍꯥꯌꯔꯨꯏ,

''হাইমা ইবেম্মু !''

মখা তাবা ঙমদে । করি হায়গদবনো খঙদে। মতৌ করম্না লাকইবনো হায়বদু খঙদবনিনা ব্রা ঙাঙফম খঙদ্রে । মপামদা লাক্লিবী নীঙোলদা তৌফম থোকপা তরাম-তরাম্বদু তৌই । মনম্মগী চঙক্লবদু কোক্লবা ইবেম্মুনা হায়রকই,

''ঙরাং তাচৌনা চাক্কৌ-পাউ হায়রম্বদুদা অঙাংসিনা চৎসি হায়মন্দুনা লাকইবনি ।''

ঙরাং চাউভলনা হায়রম-তৌরম্বা পূম্নমক্কু তমই । মনম্মদু ভাব তারে । পেন্দনা হায়,

''ওস্তোকপগী মীনিদকো । অসুক ফত্তবা মীসিবু করম্বা তীনমু-লাইমুনা ওল্লকপনো খঙদ্রে । ঐঙোন্দা ওৎপদগী হেন্দোক্তুনা যূম্নাক শাগে ওনখ্রবী মচন্দা ফাওবা ওৎলেনে মানা তৌরিসে ।''

চাউভলনা তূন্নিবা ফমুং মনাক্তা চঙশিল্লগা শাউরংননা হায়রুই ,

“ꯍꯧꯒꯠꯂꯣ ꯌꯨꯡꯉꯥꯎꯕꯥꯎ; ꯌꯨ ꯊꯛꯀꯕꯥ ꯁꯦꯜꯒꯤꯗꯃꯛꯇꯥ ꯃꯤ ꯁꯤꯕꯥ ꯌꯥꯕꯥ ꯊꯕꯛ ꯇꯧꯔꯤꯁꯤꯕꯨ ꯑꯐ-ꯐꯠꯇ ꯀꯔꯤꯃꯠꯇꯥ ꯈꯪꯗ꯭ꯔꯕꯔꯥ ꯅꯪꯕꯣ ?”

ꯏꯕꯦꯝꯃꯨꯅꯥ ꯃꯅꯝꯃꯗꯨ ꯊꯦꯟꯅꯒꯥ ꯄꯨꯊꯣꯔꯛꯂꯦ꯫ ꯃꯈꯣꯌꯅꯥ ꯄꯨꯔꯀꯄꯥ ꯄꯣꯠꯁꯤꯡꯗꯨꯒꯤ ꯃꯅꯥꯛꯇꯥ ꯐꯟꯅꯒꯥ ꯏꯕꯦꯝꯃꯨꯅꯥ ꯍꯥꯌꯔꯀꯏ,

“ꯏꯅꯝꯃꯥ ꯁꯥꯎꯔꯅꯨ, ꯑꯩꯅꯥ ꯐꯅꯕꯥ ꯌꯨꯝꯗꯒꯤ ꯁꯤꯜꯂꯛꯂꯕꯅꯤ꯫”

ꯂꯥꯛꯃꯤꯟꯅꯔꯤꯕꯥ ꯃꯆꯥꯗꯥ ꯑꯣꯅꯁꯤꯜꯂꯒꯥ ꯃꯈꯥ ꯇꯥꯔꯀꯏ,

“ꯅꯪ ꯀꯅꯥꯒꯅꯣ ꯉꯥꯏꯍꯥꯛ ꯁꯥꯟꯅꯔꯨꯔꯣꯗꯅꯥ꯫”

“ꯁꯥꯟꯅꯃꯤꯟꯅꯕꯥ ꯀꯅꯥꯁꯨ ꯂꯩꯔꯟꯅꯔꯣꯏ; ꯑꯩꯈꯣꯌꯒꯤ ꯑꯉꯥꯡꯁꯤꯡꯁꯨ ꯆꯥꯛꯀꯧꯕꯥ ꯆꯠꯅꯈ꯭ꯔꯦ꯫”

“ꯏꯅꯝꯃꯅꯥ ꯀꯩꯗꯧꯕꯒꯤ ꯆꯠꯇ꯭ꯔꯤꯕꯥ ?”

“ꯅꯪꯕꯨ ꯃꯉꯣꯡ ꯆꯨꯝꯃꯥ ꯆꯥꯛꯀꯧꯗ꯭ꯔꯤꯕꯃꯈꯩ ꯑꯩ ꯆꯥꯛꯀꯧꯕꯥ ꯁꯨꯡꯆꯠ ꯆꯠꯂꯣꯏ ꯍꯥꯌꯅꯥ ꯈꯟꯅꯦ ꯏꯕꯦꯝꯃꯨ꯫”

“হৌগৎলো য়ূঙাওবাও; য়ূ থক্কবা শেলগীদমক্তা মী শিবা য়াবা থবক তৌরিসিবু অফ-ফত্ত করিমত্তা খঙদ্রবরা নঙবো ?”

ইবেম্মুনা মনম্মদু থেন্নগা পুথোরক্লে । মখোয়না পুরকপা পোৎশিংদুগী মনাক্তা ফন্নগা ইবেম্মুনা হায়রকই,

“ইনম্মা শাউরনু, ঐনা ফনবা য়ূমদগী শীল্লক্লবনি ।”

লাকমিন্নরিবা মচাদা ওনশিল্লগা মখা তারকই,

“নঙ কনাগনো ঙাইহাক শান্নরুরোদনা ।”

“শান্নমিন্নবা কনাসু লৈরন্নরোই; ঐখোয়গী অঙাংশিংসু চাক্কৌবা চৎনখ্রে ।”

“ইনম্মনা কৈদৌবগী চৎত্রিবা ?”

“নঙবু মওং চুম্মা চাক্কৌদ্রিবমখৈ ঐ চাক্কৌবা শুংচৎ চৎলোই হায়না খল্লে ইবেম্মু ।”

ꯃꯕꯥꯅꯤꯃꯛꯀꯤ ꯊꯝꯃꯣꯌꯗꯥ ꯀꯞꯄꯤꯡꯕꯒꯤ ꯏꯍꯨꯟ ꯈꯔꯥ ꯐꯥꯑꯣꯅꯔꯛꯀꯏ꯫ ꯑꯀꯪꯕꯗꯥ ꯊꯝꯕꯥ ꯍꯕꯥꯏ ꯃꯔꯨꯅꯥ ꯃꯇꯣꯜ ꯆꯣꯡꯂꯃꯗꯕꯗꯨ ꯑꯆꯣꯠꯄꯥ ꯂꯩꯕꯥꯛꯇꯥ ꯊꯦꯡꯅꯔꯕꯗꯤ ꯃꯇꯣꯜ ꯆꯣꯡꯏ꯫ ꯃꯇꯥꯡꯅꯥ ꯑꯃꯗꯤ ꯐꯤꯚꯝꯅꯥ ꯀꯅꯁꯤꯟꯍꯟꯈꯔꯕꯥ ꯃꯕꯥꯅꯤꯒꯤ ꯊꯝꯃꯣꯌꯗꯨ ꯃꯤꯠꯀꯨꯞꯁꯤꯗꯥ ꯄꯦꯊꯔꯛꯂꯦ꯫ ꯃꯤꯇꯩ ꯅꯤꯡꯉꯣꯜꯒꯤ ꯃꯄꯣꯛꯇꯥ ꯄꯣꯛꯂꯕꯤ ꯃꯕꯥꯅꯤꯁꯨ ꯆꯍꯤ ꯑꯃꯒꯤ ꯃꯅꯨꯡꯗꯥ ꯅꯣꯡꯃꯇꯪ ꯊꯣꯛꯄꯥ ꯅꯤꯡꯉꯣꯜ ꯆꯥꯛꯀꯧꯕꯗꯥ ꯀꯔꯤꯒꯤ ꯃꯄꯥꯝ ꯂꯃꯗꯃꯗꯥ ꯈꯣꯡꯗꯥꯅꯤꯡꯗꯅꯤ꯫

ꯉꯥꯏꯍꯥꯛ ꯂꯩꯔꯦ꯫ ꯏꯕꯦꯝꯃꯨꯅꯥ ꯃꯆꯥꯗꯥ ꯊꯧꯗꯥꯔꯛꯀꯏ,

"ꯅꯪ ꯆꯠꯂꯒꯥ ꯅꯪ ꯃꯥꯝꯃꯗꯨ ꯈꯔꯥ ꯍꯧꯗꯣꯛꯂꯨ; ꯑꯗꯨꯒꯥ ꯏꯔꯨꯖꯅꯕꯥ ꯇꯧꯍꯜꯂꯨ; ꯅꯪ ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯕꯗꯤ ꯌꯥꯔꯔꯣꯏ꯫ ꯑꯩꯈꯣꯌ ꯆꯥꯛ ꯊꯣꯡꯅꯕꯥ ꯇꯧꯔꯝꯂꯒꯦ꯫"

ꯑꯉꯥꯡꯗꯨ ꯆꯠꯄ꯭ꯔꯦ꯫ ꯏꯕꯦꯝꯃꯨꯅꯥ ꯇꯤꯐꯤꯟ ꯀꯦꯔꯤꯌꯔ ꯑꯁꯥꯡꯕꯥ ꯑꯅꯤ ꯈꯥꯎꯗꯒꯤ ꯄꯨꯊꯣꯔꯛꯂꯒꯥ ꯍꯥꯏ,

"ꯏꯅꯝꯃꯥ, ꯆꯥꯛ ꯌꯦꯡꯁꯥꯡ ꯂꯣꯌꯅꯥ ꯄꯨꯔꯛꯂꯕꯅꯤ; ꯃꯁꯤ ꯆꯐꯨ ꯎꯌꯥꯟꯗꯥ ꯍꯥꯞꯆꯤꯜꯂꯁꯤ꯫ ꯑꯩꯒꯤ ꯑꯉꯥꯡꯗꯥ ꯈꯪꯍꯟꯒꯨꯃꯁꯤ꯫ ꯁꯦ, ꯂꯨꯄꯥ ꯇꯔꯥꯁꯤꯁꯨ ꯂꯧꯁꯤꯟꯂꯨ ꯍꯣꯔꯦꯜ ꯑꯉꯥꯡꯗꯥ ꯗꯛꯁꯤꯅꯥ ꯇꯧꯅꯕꯥ꯫"

মবানীমক্কী থম্মোয়দা কপ্পীংবগী ঈহুন খরা ফাওনরকই । অকংবদা থম্বা হবাই মরূনা মতোল চোংলমদবদু অচোৎপা লৈবাক্তা থেংনরবদি মতোল চোংই । মতাংনা অমদি ফিভম্না কনশিনহনখ্রবা মবানীগী থম্মোয়দু মীৎকুপসিদা পেথরক্লে । মীতৈ নীঙোলগী মপোক্তা পোক্লবী মবানীসু চহী অমগী মনুংদা নোংমতং থোকপা নীঙোল চাক্কৌবদা করিগী মপাম লমদমদা খোঙদানীংদনি ।

ঙাইহাক লৈরে । ইবেম্মুনা মচাদা থৌদারকই,

"নঙ চৎলগা নঙ মাম্মদু খরা হৌদোক্লু; অদুগা ঈরুজনবা তৌহল্লু; নঙ নৎত্রবদি য়াররোই । ঐখোয় চাক থোংনবা তৌরম্লগে ।"

অঙাংদু চৎপ্রে । ইবেম্মুনা টিফিন কেরিয়র অশাংবা অনী খাউদগী পুথোরক্লগা হায়,

"ইনম্মা, চাক য়েঙ্সাং লোয়না পুরক্লবনি ; মসি চফূ উয়ান্দা হাপচিল্লসি । ঐগী অঙাংদা খঙহনগুমসি । সে, লুপা তরাসিসু লৌশিল্লু হোরেল অঙাংদা দক্ষিনা তৌনবা ।"

ꯃꯤ ꯈ꯭ꯋꯥꯏꯒꯤꯒꯥ ꯇꯥꯌꯣꯝꯅꯔꯕꯥ ꯊꯧꯗꯧꯁꯤꯗꯥ ꯃꯅꯝꯃꯗꯨ ꯄꯦꯟꯗꯕꯒꯤ ꯏꯄꯥꯛꯇꯥ ꯏꯔꯥꯛꯂꯔꯦ꯫ ꯅꯨꯄꯤ ꯑꯣꯏꯕꯤꯒꯤꯗꯤ ꯄꯦꯟꯗꯕꯥ ꯑꯃꯗꯤ ꯄꯨꯛꯂꯤꯡ ꯅꯨꯡꯁꯤꯕꯅꯥ ꯂꯥꯛꯍꯠꯂꯕꯥ ꯃꯇꯝꯗꯥ ꯄꯤ ꯇꯥꯅꯥ ꯀꯄꯏ꯫ ꯃꯗꯨꯃꯛ ꯃꯅꯝꯃꯅꯥ ꯇꯧꯔꯛꯂꯦ꯫ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯏꯕꯦꯝꯃꯨꯅꯥ ꯆꯥꯛꯈꯨꯝ ꯆꯪꯅꯕꯥ ꯇꯛꯀꯔꯛꯄꯗꯒꯤ ꯃꯅꯝꯃꯗꯨ ꯍꯩꯉꯝ-ꯁꯤꯡꯉꯝꯗꯅꯥ ꯍꯧꯒꯠꯂꯒꯥ ꯆꯥꯛꯈꯨꯝ ꯆꯪꯅꯕꯥ ꯊꯧꯔꯥꯡꯈ꯭ꯔꯦ꯫

ꯑꯉꯥꯡꯗꯨꯅꯥ ꯐꯅꯥ ꯀꯟꯅꯥ ꯍꯧꯗꯣꯛꯆꯔꯕꯁꯨ ꯆꯥꯎꯚꯂꯗꯨ ꯍꯧꯒꯠꯇ꯭ꯔꯤ꯫ ꯃꯗꯨ ꯈꯪꯕꯗꯒꯤ ꯏꯕꯦꯝꯃꯨꯅꯥ ꯃꯥꯅꯥ ꯄꯨꯔꯀꯄꯥ ꯈꯥꯎ ꯑꯃꯥ ꯄꯥꯏꯔꯒꯥ ꯆꯪꯂꯛꯂꯦ; ꯐꯃꯨꯡ ꯃꯅꯥꯛꯇꯥ ꯐꯝꯅꯒꯥ ꯀꯧꯔꯀꯏ,

"ꯇꯥꯆꯧ ꯍꯧꯒꯠꯂꯣ; ꯑꯩꯅꯥ ꯇꯥꯆꯧꯒꯤꯗꯃꯛꯇꯥ ꯄꯨꯔꯀꯏꯕꯥ ꯄꯣꯠꯁꯤꯡꯁꯦ ꯑꯃꯨꯛꯇꯥ ꯌꯦꯡꯎ꯫"

ꯆꯥꯎꯚꯂꯗꯨ ꯈꯨꯝꯅꯛꯇꯦ꯫ ꯇꯨꯝꯕꯥ ꯍꯧꯗꯣꯛꯄꯗꯥ ꯃꯥꯗꯤ ꯍꯥꯟꯅꯗꯒꯤ ꯇꯥꯁꯤꯟꯅꯒꯟꯗꯕꯅꯤ꯫ ꯃꯃꯥ ꯃꯆꯥꯅꯥ ꯊꯣꯠꯅꯥ-ꯅꯧꯅꯥ ꯍꯧꯗꯣꯛꯄꯁꯤ ꯆꯥꯎꯚꯂꯗꯥ ꯅꯥꯎꯁꯨꯝꯕꯒꯨꯝꯅꯥ ꯊꯣꯛꯂꯃꯒꯅꯤ꯫ ꯃꯁꯤ ꯈꯪꯗꯨꯅꯥ ꯃꯅꯝꯃꯅꯥ ꯆꯪꯁꯤꯟꯂꯛꯂꯒꯥ ꯆꯥꯎꯚꯂꯒꯤ ꯃꯁꯥꯗꯨ ꯁꯥꯐꯨꯛꯀꯟꯅꯥ ꯅꯣꯟꯅꯒꯥ ꯍꯥꯏ,

মী খ্বাইগীগা তায়োম্নরবা থৌদৌসিদা মনম্মদু পেন্দবগী ঈপাক্তা ঈরাক্লরে। নুপী ওইবীগীদি পেন্দবা অমদি পূক্লিং নুংশিবনা লাকহৎলবা মতমদা পি তানা কপই। মদুমক মনম্মনা তৌরক্লে। অদুবু ইবেম্মুনা চাকখুম চঙনবা তক্করকপদগী মনম্মদু হৈঙম-শিংঙমদনা হৌগৎলগা চাকখুম চঙনবা থৌরাংখ্রে।

অঙাংদুনা ফনা কন্না হৌদোকচরবসু চাউভলদু হৌগৎত্রি। মদু খঙবদগী ইবেম্মুনা মানা পুরকপা খাউ অমা পায়রগা চঙলক্লে; ফমুং মনাক্তা ফন্নগা কৌরকই,

"তাচৌ হৌগৎলো; ঐনা তাচৌগীদমক্তা পুরকইবা পোৎশিংসে অমুক্তা য়েংউ।"

চাউভলদু খুন্নক্তে। তূম্বা হৌদোকপদা মাদি হান্নদগী তাশিন্নগন্দবনি। মমা মচানা থোৎনা-নৌনা হৌদোকপসি চাউভলদা নাউশুম্বগুম্না থোক্লমগনি। মসি খঙদুনা মনম্মনা চঙশিল্লক্লগা চাউভলগী মশাদু শাফূকন্না নোন্নগা হায়,

"ꯍꯧꯒꯠꯂꯣ, ꯉꯁꯤ ꯑꯌꯨꯛꯀꯤ ꯌꯨ ꯊꯛꯂꯕ ꯁꯦꯜ ꯂꯧꯐꯝ ꯈꯟꯕ ꯂꯣꯏꯗ꯭ꯔꯤꯕ꯭ꯔꯣ ? ꯉꯔꯥꯡ ꯅꯪꯅ ꯆꯥꯛꯀꯧ-ꯄꯥꯎ ꯍꯥꯌꯔꯝꯕꯗꯨ ꯂꯥꯛꯂꯦ꯫"

ꯆꯥꯎꯚꯂꯗꯨ ꯂꯦꯡꯃ-ꯁꯥꯡꯃꯗꯅ ꯍꯧꯒꯠꯂꯤ꯫ ꯃꯥꯅ ꯇꯤꯡꯂꯤ ꯌꯥꯡꯂꯤꯔꯤꯡꯉꯩꯗ ꯏꯕꯦꯝꯃꯨꯅ ꯈꯥꯎꯗꯒꯤ ꯌꯨ ꯌꯥꯎꯕ ꯄ꯭ꯂꯥꯁ꯭ꯇꯤꯛ ꯈꯥꯎ ꯑꯅꯤ, ꯁꯥ ꯊꯣꯡꯕꯒꯤ ꯈꯥꯎ ꯑꯃ ꯂꯧꯊꯣꯔꯛꯂꯒ ꯆꯥꯎꯚꯂꯗ ꯄꯤꯔꯛꯏ꯫ ꯑꯗꯨꯒ ꯍꯥꯌ,

"ꯁꯦ ꯇꯥꯆꯧ, ꯃꯁꯤꯅ ꯇꯥꯆꯧꯒꯤ ꯁꯔꯨꯛꯀꯤ꯫"

ꯇꯧꯔꯤꯕ ꯃꯑꯣꯡꯁꯤꯗ ꯉꯛꯂꯕꯤ ꯃꯅꯝꯃꯅ ꯍꯪꯂꯛꯏ,

"ꯀꯔꯤꯅꯣ ꯅꯪꯅ ꯇꯧꯔꯛꯂꯤꯕꯁꯤꯗꯤ ? "

"ꯏꯅꯝꯃꯥ, ꯇꯥꯆꯧꯅ ꯃꯆꯜ ꯑꯩꯕꯨ ꯅꯨꯡꯁꯤꯕꯤꯅꯕꯅꯤ꯫ ꯉꯔꯥꯡ ꯇꯥꯆꯧꯅ ꯑꯩꯕꯨ ꯅꯨꯡꯁꯤꯅ ꯆꯥꯛꯀꯧ-ꯄꯥꯎ ꯂꯥꯛꯄꯤꯔꯝꯕꯗꯨ ꯃꯁꯤꯒꯤꯅꯤ꯫"

ꯃꯈꯥ ꯇꯥꯅ ꯉꯥꯡꯅꯔꯛꯀꯗꯧꯔꯤꯕꯁꯤ ꯃꯥꯒꯤ ꯏꯀꯥꯏꯕ ꯌꯥꯕ ꯔꯥꯐꯝꯅꯤ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤ ꯈꯪꯂꯗꯨꯅ ꯆꯥꯎꯚꯂꯅ ꯍꯥꯌ,

"ꯍꯦꯔꯥ, ꯀꯔꯤꯁꯨ ꯀꯥꯟꯅꯗꯕꯗ ꯔꯥ ꯌꯥꯝꯃꯥ ꯉꯥꯡꯅꯩꯗꯀꯣ꯫ ꯑꯩꯅ ꯉꯔꯥꯡ ꯄꯥꯎ ꯍꯥꯌꯔꯝꯕꯗꯒꯤ ꯅꯈꯣꯌ ꯉꯁꯤ ꯎꯟꯅꯔꯤꯕ ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯣ ? ꯀꯗꯥꯌ ꯄꯣꯠꯁꯤꯡꯗꯨ ꯄꯤꯔꯛꯎ꯫ ꯄꯨꯔꯛꯂꯕꯅꯤꯅ ꯃꯥꯡꯍꯟꯕ ꯐꯠꯇꯦ, ꯑꯩ ꯊꯝꯖꯤꯅꯒꯦ꯫"

''হৌগৎলো, ঙসি অয়ুক্কী য়ু থক্লবা শেল লৌফম খনবা লোইদ্রিব্রো ? ঙরাং নঙনা চাক্কৌ-পাউ হায়রম্বদু লাক্লে ।''

চাউভলদু লেঙম-শাঙমদনা হৌগৎলি । মানা তিংলি য়াংলিরিঙৈদা ইবেম্মুনা খাউদগী য়ু য়াওবা প্লাষ্টিক খাউ অনী, শা থোংবগী খাউ অমা লৌথোরক্লগা চাউভলদা পীরকই । অদুগা হায়,

''সে তাচৌ, মসিনা তাচৌগী শরুক্কি ।''

তৌরিবা মওংসিদা ঙক্লবী মনম্মনা হংলকই,

''করিনো নঙনা তৌরক্লিবসিদি ? ''

''ইনম্মা, তাচৌনা মচল ঐবু নুংশিবিনবনি । ঙরাং তাচৌনা ঐবু নুংশিনা চাক্কৌ-পাউ লাকপিরম্বদু মসিগীনি ।''

মখা তানা ঙাঙনরক্কদৌরিবসি মাগী ঈকাইবা য়াবা রাফমনি হায়বসি খঙলদুনা চাউভলনা হায়,

''হেরা, করিসু কান্নদবদা রা য়াম্মা ঙাঙনৈদকো । ঐনা ঙরাং পাউ হায়রম্বদগী নখোয় ঙসি উন্নরিবা নৎত্রো ? কদায় পোৎশিংদু পীরকউ । পুরক্লবনিনা মাঙহনবা ফত্তে, ঐ থমজিনগে ।''

ꯄꯣꯠꯁꯤꯡꯗꯨ ꯄꯨꯔꯀꯥ ꯊꯣꯛꯈ꯭ꯔꯦ ꯫ ꯃꯥꯒꯤ ꯅꯨꯄꯤꯅꯥ ꯃꯥꯡꯍꯟꯈꯤꯅꯤ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤ ꯃꯥꯅꯥ ꯈꯪꯏ ꯫ ꯆꯤꯟ, ꯌꯥ ꯁꯦꯡꯕꯣꯏ ꯁꯦꯡꯗꯕꯣꯏ ꯌꯨ ꯊꯛꯄꯥ ꯍꯧꯈ꯭ꯔꯦ ꯫ ꯃꯥꯒꯤ ꯅꯨꯄꯤꯅꯥ ꯐꯅꯥ ꯉꯥꯡꯂꯕꯁꯨ ꯀꯥꯟꯅꯈꯤꯗ꯭ꯔꯦ ꯫ ꯅꯦꯁꯥ ꯄꯥꯜꯂꯕꯥ ꯃꯇꯝꯗꯥ ꯏꯕꯦꯝꯃꯨꯕꯨ ꯊꯥꯒꯠꯄꯒꯤ ꯋꯥꯉꯥꯡ, ꯃꯥꯒꯤ ꯅꯨꯄꯤꯕꯨ ꯆꯩꯕꯒꯤ ꯋꯥꯉꯥꯡ ꯁꯤꯖꯤꯟꯅꯗꯨꯅꯥ ꯂꯥꯎ-ꯈꯣꯡꯕꯥ ꯍꯧꯔꯀꯏ ꯫ ꯃꯌꯥꯝꯃꯥ ꯃꯛ ꯆꯥꯕꯀꯗꯨ ꯃꯥꯗꯤ ꯌꯥꯎꯗ꯭ꯔꯦ, ꯌꯨ ꯉꯥꯎꯗꯨꯅꯥ ꯂꯩ ꯫

ꯅꯨꯃꯤꯗꯥꯡꯋꯥꯏꯔꯃꯗꯥ ꯏꯕꯦꯝꯃꯨ ꯃꯃꯥ ꯃꯆꯥꯅꯥ ꯌꯨꯃꯗꯥ ꯍꯜꯂꯕꯥ ꯁꯦꯝ-ꯁꯥꯔꯀꯏ ꯫ ꯆꯥꯎꯚꯂꯗꯨ ꯃꯈꯣꯌꯒꯤ ꯃꯅꯥꯛꯇꯥ ꯆꯪꯁꯤꯜꯂꯀꯏ ꯫ ꯌꯨ ꯈꯔꯥ ꯌꯥꯎꯔꯤꯕꯥ ꯄ꯭ꯂꯥꯁ꯭ꯇꯤꯛ ꯈꯥꯎ ꯑꯃꯁꯨ ꯄꯥꯌꯔꯤ ꯫ ꯌꯨ ꯉꯥꯎꯕꯒꯤ ꯋꯥꯉꯥꯡꯗꯥ ꯍꯪꯂꯀꯏ,

"ꯅꯈꯣꯌ ꯍꯜꯂꯒꯦ ꯍꯥꯌꯔꯤꯔꯣ ?"

ꯑꯉꯥꯡꯗꯨꯗꯥ ꯑꯃꯨꯛ ꯍꯪꯏ,

"ꯅꯉꯒꯤꯗꯤ ꯀꯔꯤ ꯗꯛꯁꯤꯅꯥ ꯇꯧꯔꯦ ?"

"ꯏꯅꯦꯅꯥ ꯂꯨꯄꯥ ꯇꯔꯥ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯇꯧꯕꯤꯔꯦ ꯃꯥꯝꯃꯥ ꯫"

"ꯀꯗꯥꯌ ꯁꯦꯜꯗꯨ ꯄꯨꯊꯣꯔꯀꯎ, ꯆꯥꯛꯀꯧ-ꯄꯥꯎ ꯄꯤꯔꯕꯥ ꯑꯩꯅꯥ ꯗꯛꯁꯤꯅꯥ ꯇꯧꯒꯦ; ꯑꯇꯩꯅꯥ ꯇꯧꯕꯗꯤ ꯃꯍꯣꯏ ꯐꯪꯗꯕꯅꯤ ꯫"

পোৎশিংদু পুরগা থোকখ্রে । মাগী নুপীনা মাঙহনখিনি হায়বসি মানা খঙই । চীন, যা শেংবোই শেংদবোই য়ু থকপা হৌখ্রে । মাগী নুপীনা ফনা ঙাঙলবসু কান্নখিদ্রে । নেশা পাল্লবা মতমদা ইবেম্মুবু থাগৎপগী ৱাঙাঙ, মাগী নুপীবু চৈবগী ৱাঙাঙ শীজিন্নদুনা লাও-খোংবা হৌরকই । ময়াম্মা মক চাবকদু মাদি য়াওদ্রে, য়ু ঙাওদুনা লৈ ।

নুমিদাংৱাইরমদা ইবেম্মু মমা মচানা য়ূমদা হল্লবা শেম-শারকই । চাউভলদু মখোয়গী মনাক্তা চঙশিল্লকই । য়ু খরা য়াওরিবা প্লাষ্টিক খাউ অমসু পায়রি । য়ু ঙাওবগী বাঙাঙদা হংলকই,

"নখোয় হল্লগে হায়রিরো ?"

অঙাংদুদা অমুক হংই,

"নঙগীদি করি দক্ষিনা তৌরে ?"

"ইনেনা লুপা তরা ওইনা তৌবিরে মাম্মা ।"

"কদায় শেলদু পুথোরকউ, চাক্কৌ-পাউ পীরৱা ঐনা দক্ষিনা তৌগে; অতৈনা তৌবদি মহয় ফংদবনি ।"

ꯃꯥꯅꯥ ꯍꯥꯌꯔꯤꯕꯗꯨ ꯑꯆꯨꯝꯕꯥ ꯃꯥꯜꯂꯗꯨꯅꯥ ꯑꯉꯥꯡꯗꯨꯅꯥ ꯂꯨꯄꯥ ꯇꯔꯥꯗꯨ ꯂꯧꯊꯣꯔꯀꯏ। ꯍꯦꯛ ꯂꯧꯊꯣꯕꯀꯄꯒꯥ ꯄꯤꯔꯀꯄꯥ ꯉꯥꯏꯉꯃꯗꯅꯥ ꯁꯦꯜꯗꯨ ꯆꯥꯎꯚꯂꯅꯥ ꯂꯧꯁꯤꯜꯂꯤ ꯑꯗꯨꯅꯥ ꯍꯥꯌ,

"ꯑꯉꯥꯡꯅꯥ ꯑꯁꯨꯛ ꯌꯥꯝꯕꯥ ꯁꯦꯜ ꯄꯥꯌꯕꯥ ꯐꯠꯇꯦ। ꯁꯦ, ꯂꯨꯄꯥ ꯃꯉꯥꯁꯤ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯄꯤꯒꯦ।"

ꯐꯨꯔꯤꯠꯈꯥꯎꯗꯒꯤ ꯂꯧꯊꯣꯛꯂꯕꯥ ꯇꯧꯁꯤꯟꯅꯦ। ꯌꯥꯎꯗ꯭ꯔꯕꯅꯤꯅꯥ ꯍꯥꯌꯔꯀꯏ,

"ꯌꯥꯎꯕꯃꯗ꯭ꯔꯦꯅꯦ; ꯍꯌꯦꯡ ꯀꯣꯟꯅꯥ ꯄꯤꯔꯒꯦꯀꯣ।"

ꯁꯥꯎꯅꯤꯡꯕꯅꯥ ꯈꯣꯌꯗꯧ ꯊꯤꯠꯂꯕꯤ ꯃꯥꯒꯤ ꯅꯨꯄꯤꯅꯥ ꯍꯥꯌ,

"ꯑꯉꯥꯡꯒꯤ ꯁꯦꯜꯗꯨ ꯄꯤꯈꯣꯃꯤ; ꯅꯔꯂꯁꯨ ꯅꯠꯇꯅꯥ ꯀꯩꯗꯧꯕꯒꯤ ꯂꯧꯅꯤꯡꯏꯅꯣ ?"

ꯌꯨꯉꯥꯎꯕꯒꯥ ꯃꯥꯟꯅꯗꯨꯅꯥ ꯈꯠꯅ-ꯆꯩꯅꯔꯛꯀꯗꯕꯗꯨ ꯊꯣꯛꯇꯅꯕꯥ ꯏꯕꯦꯝꯃꯨꯅꯥ ꯃꯅꯝꯃꯕꯨ ꯈꯥꯟꯅꯀꯏ,

"ꯌꯥꯕꯦꯗꯥ ꯏꯅꯝꯃꯥ, ꯍꯥꯌꯔꯨꯔꯅꯨ। ꯇꯥꯆꯧꯅꯥ ꯂꯧꯕꯕꯨ ꯀꯩꯗꯧꯏ ꯍꯥꯌꯕꯒꯦ।"

ꯆꯥꯎꯚꯂꯗꯨ ꯀꯩꯁꯨ ꯊꯧꯑꯣꯏꯗꯅꯥ ꯄꯥꯌꯔꯤꯕꯥ ꯄ꯭ꯂꯥꯁꯇꯤꯛ ꯈꯥꯎꯒꯤ ꯃꯆꯤꯟꯗꯨ ꯆꯨꯞꯂꯒꯥ ꯌꯨꯗꯨ ꯂꯣꯌꯅꯥ ꯊꯀꯏ। ꯑꯍꯥꯡꯕꯥ ꯈꯥꯎꯗꯨ ꯑꯉꯥꯡꯗꯨꯗꯥ ꯄꯤꯔꯒꯥ ꯍꯥꯌ,

মানা হায়রিবদু অচুম্বা মাল্লদুনা অঙাংদুনা লুপা তরাদু লৌথোরকই। হেক লৌথোবকপগা পীরকপা ঙাইঙমদনা শেলদু চাউভলনা লৌশিল্লি অদুনা হায়,

"অঙাংনা অসুক য়াম্বা শেল পায়বা ফত্তে। সে, লুপা মঙাসি ওইনা পীগে।"

ফুরিৎখাউদগী লৌথোক্লবা তৌশিন্নে। যাওদ্রবনিনা হায়রকই,

"য়াওবমদ্রেনে ; হয়েং কোন্না পীরগেকো।"

শাউনীংবনা খোযদৌ থিৎলবী মাগী নুপীনা হায়,

"অঙাংগী শেলদু পীখোমি; নরলসু নত্তনা কৈদৌবগী লৌনীংইনো ?"

য়ুঙাওবগা মান্নদুনা খৎন-চৈনরক্কদবদু থোক্তনবা ইবেম্মুনা মনম্মবু খান্নকই,

"য়াবেদা ইনম্মা, হায়রুরনু। তাচৌনা লৌববু কৈদৌই হায়বগে।"

চাউভলদু কৈসু থৌওইদনা পায়রিবা প্লাষ্টিক খাউগী মচীন্দু চুপ্লগা য়ুদু লোযনা থকই। অহাঙবা খাউদু অঙাংদুদা পীরগা হায়,

“ꯁꯦ, ꯃꯁꯤꯅꯥ ꯅꯪꯒꯤ ꯗꯛꯁꯤꯅꯥ ꯑꯣꯏꯅꯔꯣ꯫ ꯗꯛꯁꯤꯅꯥ ꯍꯥꯏꯕꯁꯤꯗꯤ ꯑꯀꯛꯅꯕꯥ ꯄꯣꯠꯁꯛ ꯅꯥꯏꯗꯕꯅꯤ꯫ ꯁꯦ, ꯃꯁꯤ ꯅꯪꯒꯤ ꯗꯛꯁꯤꯅꯥꯅꯤ꯫”

ꯃꯥꯒꯤ ꯅꯨꯄꯤꯅꯥ ꯁꯥꯎꯔꯪꯅꯅꯥ ꯈꯥꯎꯗꯨ ꯂꯧꯒꯦ ꯇꯧꯔꯕꯁꯨ ꯆꯥꯎꯕꯂꯅꯥ ꯂꯧꯍꯟꯗꯦ꯫ ꯑꯉꯥꯡꯗꯨꯒꯤ ꯃꯈꯨꯠꯇꯥ ꯅꯝꯗꯨꯅꯥ ꯄꯤꯔꯦ꯫ ꯑꯗꯨꯒꯥ ꯍꯥꯏ,

“ꯃꯁꯤ ꯍꯦꯛ ꯄꯨꯗ꯭ꯔꯕꯥ ꯅꯈꯣꯌ ꯑꯩꯒꯥ ꯆꯪꯅꯔꯣꯏꯗꯕꯅꯤ꯫”

“ꯇꯥꯆꯧꯅꯥ ꯄꯤꯕꯥ ꯗꯛꯁꯤꯅꯥꯕꯨ ꯀꯔꯤꯒꯤ ꯂꯧꯔꯣꯏꯗꯣꯏꯅꯣ?”

ꯃꯁꯤ ꯍꯥꯌꯔꯒꯥ ꯏꯕꯦꯝꯃꯨꯅꯥ ꯄ꯭ꯂꯥꯁ꯭ꯇꯤꯛ ꯈꯥꯎꯗꯨ ꯑꯉꯥꯡꯗꯨꯗꯒꯤ ꯂꯧꯔꯒꯥ ꯅꯤꯡꯊꯤꯅꯥ ꯊꯨꯄꯆꯤꯜꯂꯦ꯫ ꯃꯈꯣꯌꯒꯤ ꯈꯥꯎꯗꯥ ꯆꯦꯛꯁꯤꯟꯅꯥ ꯍꯥꯄꯆꯤꯜꯂꯗꯨꯅꯥ ꯍꯥꯌꯔꯀꯏ,

“ꯇꯥꯆꯧ, ꯑꯩꯈꯣꯌ ꯆꯠꯂꯒꯦ; ꯇꯥꯆꯧꯅꯥ ꯌꯨ ꯊꯛꯅꯕꯒꯤ ꯄ꯭ꯂꯥꯁ꯭ꯇꯤꯛ ꯈꯥꯎꯁꯤ ꯑꯩꯈꯣꯌꯅꯥ ꯄꯨꯔꯕꯅꯤꯅꯥ ꯉꯁꯤꯗꯒꯤ ꯌꯨ ꯊꯛꯄꯤꯔꯅꯨꯀꯣ꯫”

ꯇꯥꯡ ꯱꯵-꯱꯱-꯱꯹꯹꯹

“সে, মসিনা নঙগী দক্ষিনা ওইনরো। দক্ষিনা হায়বসিদি অকক্নবা পোৎশক নাইদবনি। সে, মসি নঙগী দক্ষিনানি।”

মাগী নুপীনা শাউরংননা খাউদু লৌগে তৌরবসু চাউভলনা লৌহন্দে। অঙাংদুগী মখূৎতা নমদুনা পীরে। অদুগা হায়,

“ মসি হেক পুদ্রবা নখোয় ঐগা চঙনরোইদবনি।”

“তাচৌনা পীবা দক্ষিনাবু করিগী লৌরোইদোইনো ?”

মসি হায়রগা ইবেম্মুনা প্লাষ্টিক খাউদু অঙাংদুদগী লৌরগা নীংথিনা থুপচিল্লে। মখোয়গী খাউদা চেকশিন্না হাপচিল্লদুনা হায়রকই,

“তাচৌ, ঐখোয় চৎলগে; তাচৌনা য়ু থক্নবগী প্লাষ্টিক খাউসি ঐখোয়না পুরবনিনা ঙসিদগী য়ু থকপিরনুকো।”

তাং ১৫-১১-১৯৯৯

ꯃꯔꯨ

ꯑꯉꯥꯡꯖꯥꯎꯅꯥ ꯈꯨꯗꯀꯁꯤꯗꯥ ꯅꯣꯡ ꯉꯥꯜꯍꯟꯅꯤꯡꯏ। ꯂꯪꯀꯥꯒꯤ ꯔꯥꯕꯟꯅꯥ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯀꯧꯔꯒꯥ ꯅꯣꯡ ꯉꯥꯟꯅꯕꯥ ꯌꯥꯊꯪ ꯄꯤꯈꯤ ꯍꯥꯌꯕꯗꯨ ꯃꯤꯠꯀꯨꯞꯁꯤꯗꯥ ꯅꯤꯡꯁꯤꯡꯏ। ꯔꯥꯕꯟꯗꯨ ꯈꯪꯑꯣꯏ ꯑꯣꯏꯅꯤꯡꯂꯀꯏ। ꯑꯁꯨꯝꯅꯥ ꯄꯨꯛꯅꯤꯡ ꯌꯥꯝꯅꯥ ꯂꯥꯡꯇꯛꯅꯅꯥ ꯂꯦꯅꯈꯤꯕꯥ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯑꯅꯤꯃꯁꯨ ꯑꯉꯥꯡꯖꯥꯎꯅꯥ ꯃꯥꯒꯤ ꯄꯨꯛꯁꯤꯗꯥ ꯊꯦꯡꯅꯔꯦ। ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯑꯍꯨꯝꯃꯛꯁꯤꯗꯥ ꯃꯥꯒꯤ ꯄꯨꯛꯅꯤꯡꯗꯨ ꯃꯤꯄꯥꯏꯕꯥ ꯑꯃꯗꯤ ꯑꯀꯤꯕꯅꯥ ꯂꯥꯡꯉꯣꯏ ꯆꯅꯈꯤ। ꯂꯥꯡꯉꯣꯏ ꯆꯅꯁꯤꯟꯅꯛꯂꯤꯕꯃꯈꯩ ꯂꯥꯏꯁꯤꯡꯕꯨ ꯃꯤꯠꯃꯥꯡꯗꯥ ꯊꯟꯅꯒꯥ ꯄꯨꯛꯅꯤꯡꯅꯥ ꯊꯧꯅꯤꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ ꯍꯦꯅꯒꯠꯂꯀꯏ। ꯍꯧꯈ꯭ꯔꯕꯥ ꯃꯇꯝ ꯀꯌꯥꯗꯥ ꯂꯥꯏꯁꯤꯡꯗꯥ ꯀꯠꯈꯤꯕꯥ ꯑꯊꯦꯅꯄꯣꯠ ꯑꯃꯗꯤ ꯁꯦꯜꯁꯤꯡ ꯅꯤꯡꯁꯤꯡꯕꯥ ꯉꯝꯕꯃꯈꯩ ꯅꯤꯡꯁꯤꯡꯏ। ꯀꯠꯈꯤꯕꯁꯤꯡ ꯑꯗꯨꯒꯤ ꯇꯧꯕꯤꯃꯜ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯃꯥꯒꯤ ꯕꯥꯔꯕꯥ ꯃꯇꯥꯡꯁꯤꯗꯥ ꯃꯈꯣꯌꯒꯤ ꯊꯧꯖꯥꯜ ꯐꯪꯐꯝ ꯊꯣꯀꯏ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤꯅꯥ ꯃꯥꯒꯤ ꯄꯨꯛꯅꯤꯡꯗꯨ ꯈꯔꯒꯤ ꯃꯈꯩꯗꯤ ꯏꯡꯊꯅꯕꯥ ꯍꯣꯠꯅꯔꯤ। ꯃꯁꯤ ꯑꯔꯥꯅꯕꯥ ꯇꯧꯈ꯭ꯔꯕꯥ ꯃꯤꯁꯤꯡꯅꯥ ꯇꯣꯌꯅꯥ ꯇꯧꯅꯩ।

ꯃꯇꯝꯁꯤꯗꯥ ꯃꯥꯒꯤ ꯃꯅꯥꯛꯇꯥ ꯍꯤꯞꯂꯤꯕꯥ ꯅꯨꯄꯥ ꯑꯃꯅꯥ ꯅꯥꯈꯣꯀꯏ। ꯃꯗꯨ ꯇꯥꯕꯗꯥ ꯑꯉꯥꯡꯖꯥꯎꯗꯨ ꯍꯥꯏꯐꯦꯠ ꯊꯔꯥꯏ ꯅꯨꯡꯉꯥꯏꯔꯛꯇꯦ। ꯉꯥꯛ-ꯁꯦꯅꯕꯒꯤ ꯊꯧꯗꯥꯡ ꯂꯧꯔꯤꯕꯥ ꯃꯤꯅꯥ

মরু

অঙাংজাউনা খুদকসিদা নোং ঙালহন্নীংই । লঙ্কাগী রাবন্না নুমিৎ কৌরগা নোং ঙান্নবা য়াথং পীখি হায়বদু মীৎকুপসিদা নীংশিংই । রাবন্দু খংওই ওইনীংলকই । অসুম্না পূক্নিং য়াম্না লাংতক্ননা লেনখিবা নুমিৎ অনীমসু অঙাংজাউনা মাগী পুক্সিদা থেংনরে । নুমিৎ অহুম্মকসিদা মাগী পূক্নিংদু মীপাইবা অমদি অকিবনা লাঙ্গোই চনখি । লাঙ্গোই চনশিন্নক্লিবমখৈ লাইশিংবু মীৎমাঙদা থন্নগা পূক্নিংনা থৌনিবা মশীং হেনগৎলকই । হৌখ্রবা মতম কয়াদা লাইশিংদা কৎখিবা অথেনপোৎ অমদি শেলশিং নীংশিংবা ঙম্বমখৈ নীংশিংই । কৎখিবশিং অদুগী তৌবিমল ওইনা মাগী বারবা মতাংসিদা মখোয়গী থৌজাল ফংফম থোকই হায়বসিনা মাগী পূক্নিংদু খরগী মখৈদি ঈংথনবা হোৎনরি । মসি অরানবা তৌখ্রবা মীশিংনা তোয়না তৌনৈ ।

মতমসিদা মাগী মনাক্তা হিপ্লিবা নুপা অমনা নাখোকই । মদু তাবদা অঙাংজাউদু হাইফেৎ থরায় নুংঙাইরক্তে । ঙাক- শেনবগী থৌদাং লৌরিবা মীনা

ꯅꯥꯈꯣꯛꯄꯁꯤ ꯃꯤꯒꯤ ꯑꯔꯥꯕꯕꯨ ꯇꯨꯡꯑꯢꯅꯕ ꯃꯥꯜꯂꯤ ꯫ ꯃꯇꯨꯡꯁꯤꯗ ꯃꯥꯅ ꯀꯅꯥꯒꯨꯝꯕꯕꯨ ꯀꯤꯕ ꯐꯅꯕ ꯅꯨꯃꯤꯗꯥꯡꯗ ꯉꯥꯛ ꯁꯦꯜꯂꯕꯗꯤ ꯃꯤꯠ ꯀꯨꯞꯇꯕꯃꯈꯩ ꯁꯦꯟꯅꯒꯅꯤ; ꯃꯅꯥꯛꯇ ꯑꯗꯨꯝ ꯐꯝꯒꯅꯤ ꯉꯥꯏꯍꯥꯛ ꯂꯩꯇꯅ ꯋꯥꯔꯤ ꯁꯥꯕꯤꯒꯅꯤ ꯄꯨꯛꯂꯤꯡ ꯊꯧꯒꯠꯄꯤꯒꯅꯤ ꯫ ꯃꯁꯤꯒꯤꯗꯃꯛ ꯑꯉꯥꯡꯖꯥꯎꯅ ꯋꯥꯁꯀꯄ ꯉꯝꯒꯅꯤ ꯈꯜꯂꯤ ꯫ ꯅꯥꯈꯣꯛꯂꯤꯕ ꯅꯨꯄꯥꯗꯨ ꯑꯉꯥꯡꯖꯥꯎꯅ ꯃꯁꯥ ꯅꯣꯝꯗꯨꯅ ꯍꯧꯗꯣꯀꯏ,

"ꯅꯤꯡꯊꯤꯅ ꯍꯤꯞꯄꯨꯅꯦ ꯅꯉꯕꯣ ꯫"

ꯅꯨꯄꯥꯗꯨ ꯃꯤꯠ ꯄꯥꯡꯊꯣꯔꯛꯇꯦ; ꯃꯃꯥꯌꯗꯨ ꯑꯉꯥꯡꯖꯥꯎꯗꯒꯤ ꯂꯩꯊꯣꯛꯈꯔꯒ ꯁꯨꯞꯂꯤꯕ ꯐꯤꯗꯨ ꯁꯦꯝꯖꯤꯜꯂꯤ ꯫ ꯑꯉꯥꯡꯖꯥꯎꯅ ꯍꯥꯌꯈꯤꯕ ꯋꯥꯗꯨ ꯃꯌꯦꯛ ꯁꯦꯡꯅ ꯇꯥꯍꯧꯗꯔꯃꯥꯜꯂꯦ ꯁꯦꯔꯥꯝꯅꯅ, ꯃꯔꯣꯜ ꯁꯦꯡꯗꯅ ꯈꯨꯟꯅꯀꯏ,

" ꯄꯥꯈꯠꯀꯅꯣ, ꯀꯅꯥꯁꯨ ꯂꯥꯛꯑꯣꯏꯌꯦ ꯫"

ꯑꯉꯥꯡꯖꯥꯎꯅ ꯃꯊꯟꯇ ꯉꯥꯏꯕꯒꯤ ꯑꯀꯤꯕꯗꯨ ꯂꯣꯠꯁꯤꯜꯂꯒ ꯅꯨꯄꯥꯗꯨꯒꯤ ꯌꯥꯍꯤꯞ ꯆꯨꯃꯗꯕꯗꯨꯗ ꯅꯨꯡꯁꯤꯕꯤꯗꯨꯅ ꯍꯧꯗꯣꯀꯏ ꯫ ꯅꯨꯄꯥꯗꯨꯅ ꯃꯥꯒꯤ ꯌꯥꯍꯤꯞ ꯆꯨꯃꯗꯕꯗꯨ ꯂꯣꯠꯁꯤꯜꯂꯒ ꯑꯉꯥꯡꯖꯥꯎꯒꯤ ꯑꯀꯤꯕꯗꯨ ꯄꯨꯊꯣꯔꯛꯂꯤ ꯫ ꯇꯨꯝꯃꯤꯡꯕ ꯐꯥꯎꯗꯕ ꯑꯉꯥꯡꯖꯥꯎꯅ ꯂꯥꯜꯍꯧꯔꯦ ꯫

নাখোকপসি মীগী অরাববু তুংওইনবা মাল্লি । মতুংসিদা মানা কনাগুম্ববু কিবা ফনবা নুমিদাংদা ঙাক শেল্লবদি মীৎ কুপ্তবমখৈ শেন্নগনি; মনাক্তা অদুম ফমগনি ঙাইহাক লৈতনা ৱারী শাবিগনি পূক্লিং থৌগৎপিগনি । মসিগীদমক অঙাংজাউনা ৱাশকপা ঙমগনি খল্লি । নাখোক্লিবা নুপাদু অঙাংজাউনা মশা নোমদুনা হৌদোকই,

"নীংথিনা হিপ্পুনে নঙবো।"

নুপাদু মীৎ পাঙথোরক্তে; মমায়দু অঙাংজাউদগী লৈথোকখ্রগা শুপ্লিবা ফিদু শেমজিল্লি । অঙাংজাউনা হায়খিবা ৱাদু ময়েক শেংনা তাহৌদ্রমাল্লে শেরাম্ননা, মরোল শেংদনা খুন্নকই,

"পাখৎকনো, কনাসু লাকওইয়ে।"

অঙাংজাউনা মথন্ত ঙাইবগী অকিবদু লোৎশিল্লগা নুপাদুগী য়াহিপ চুমদবদুদা নুংশিবিদুনা হৌদোকই । নুপাদুনা মাগী য়াহিপ চুমদবদু লোৎশিল্লগা অঙাংজাউগী অকিবদু পুথোরক্লি । তূম্মীংবা ফাউদবা অঙাংজাউনা লালহৌরে ।

ꯅꯨꯄꯥꯗꯨꯗꯤ ꯍꯥꯟꯅꯒꯨꯝꯅꯥ ꯇꯨꯝꯈ꯭ꯔꯦ꯫

ꯐꯅꯥ ꯀꯨꯏꯅꯥ ꯃꯥꯕꯨ ꯁꯉꯂꯤꯕꯥ ꯃꯤꯁꯤꯡꯗꯨ ꯇꯨꯝꯍꯜꯂꯝꯃꯗꯦ꯫ ꯃꯅꯥꯛꯇꯥ ꯏꯀꯣꯏ ꯀꯣꯌꯅꯥ ꯐꯝꯍꯜꯂꯝꯃꯤ꯫ ꯃꯄꯥꯟ ꯊꯣꯛꯄꯁꯨ ꯏꯃꯨꯡꯗꯥ ꯊꯣꯛꯍꯜꯂꯤ꯫ ꯊꯣꯡ ꯍꯥꯡꯍꯟꯗꯦ꯫ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯊꯦꯡꯂꯛꯄꯗꯥ ꯑꯉꯥꯡꯖꯥꯎꯒꯤ ꯑꯔꯊꯥꯡꯕꯗꯨ ꯅꯥꯊꯦꯔꯛꯀꯏ꯫ ꯃꯤꯁꯤꯡꯗꯨ ꯐꯝꯐꯝꯗꯨꯗꯥ ꯍꯧꯅꯕꯒꯨꯝꯅꯥ ꯃꯊꯣꯡ ꯃꯊꯣꯡ ꯍꯤꯞꯂꯛꯈꯤ ꯑꯗꯨꯗꯒꯤ ꯇꯨꯝꯂꯛꯈꯤ꯫ ꯍꯀꯆꯥꯡ ꯅꯣꯝꯗꯨꯅꯥ ꯍꯧꯗꯣꯛꯄꯗꯤ ꯀꯅꯥꯁꯨ ꯍꯧꯒꯠꯅꯗꯦ꯫ ꯃꯇꯥꯡꯗꯨꯗꯥ ꯃꯤꯠ ꯁꯤꯡꯕꯥ ꯀꯥꯟꯅꯗꯦ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤ ꯈꯉꯅꯔꯕꯒꯨꯝꯃꯏ꯫ ꯑꯉꯥꯡꯖꯥꯎꯗꯤ ꯀꯔꯤꯒꯨꯝꯕꯒꯤ ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ ꯇꯥꯕꯗꯥ ꯃꯤꯄꯥꯏꯕꯒꯤ ꯆꯥꯡꯗꯨ ꯍꯥꯟꯅꯗꯒꯤ ꯁꯔꯨꯛ ꯑꯅꯤ ꯍꯦꯅꯒꯠꯂꯤ; ꯄꯨꯛꯀꯤꯡꯗꯥ ꯈꯜꯂꯤ,

"ꯃꯤꯁꯤꯡꯗꯨ ꯑꯩꯕꯨꯁꯨ ꯊꯤꯕꯥ ꯂꯥꯛꯂꯕꯖꯥꯠꯂꯥ ?"

ꯁꯣꯔ ꯐꯥꯑꯣꯕꯥ ꯍꯧꯅꯥ ꯍꯣꯟꯗꯦ꯫ ꯑꯃꯨꯀꯁꯨ ꯈꯜꯂꯤ,

"ꯀꯔꯤꯒꯨꯝꯕꯥ ꯂꯥꯛꯂꯕꯗꯤ ꯃꯈꯣꯉ ꯄꯥꯌꯗꯨꯅꯥ ꯏꯔꯥꯜ ꯉꯥꯛꯄꯤꯌꯨ ꯍꯦꯛꯇꯥ ꯍꯥꯌꯖꯒꯦ꯫"

ꯊꯥꯡꯅꯕꯥ ꯃꯤꯠꯀꯨꯞꯇꯨ ꯃꯥꯅꯥ ꯈꯜꯂꯤꯕꯗꯨ ꯑꯣꯏꯊꯣꯛꯂꯣꯏ ꯍꯥꯌꯕꯥ ꯈꯉꯂꯀꯏ꯫ ꯃꯔꯝꯗꯤ

নুপাদুদি হান্নগুম্না তূমখ্রে ।

ফনা কুইনা মাবু শঙলিবা মীশিংদু তূমহল্লমদে । মনাক্তা ইকোয় কোয়না ফমহল্লমই । মপান থোকপসু ইমুংদা থোকহল্লি । থোং হাংহন্দে । অদুবু থেঙলক্লবদা অঙাংজাউগী অর্থাংবদু নাথৈরকই । মীশিংদু ফম্ফমদুদা হৌনবগুম্না মথং মথং হিপ্লখি অদুদগী তূম্লখি । হকচাং নোমদুনা হৌদোক্লবদি কনাসু হৌগৎনদে । মতাংদুদা মীৎ শিংবা কান্নদে হায়বসি খঙনরবগুমই । অঙাংজাউদি করিগুম্বগী খোঞ্জেল তাবদা মীপাইবগী চাংদু হান্নদগী শরুক অনী হেনগৎলি; পূক্লিংদা খল্লি,

"মীশিংদু ঐবুসু থিবা লাক্লবজাৎলা ?"

শোর ফাওবা হৌনা হোন্দে । অমুকসু খল্লি,

"করিগুম্বা লাক্লবদি মখোঙ পায়দুনা ইরাল ঙাকপিয়ু হেক্তা হায়জগে ।"

থংনবা মীৎকুপ্ত মানা খল্লিবদু ওইথোক্লোই হায়বা খঙলকই । মরমদি

ꯃꯤꯁꯤꯡꯗꯨꯗꯥ ꯇꯣꯝꯄꯣꯛꯁꯨ ꯃꯔꯥꯜ ꯀꯣꯛꯄꯤꯟꯕꯥ ꯍꯥꯌꯖꯕꯥ ꯌꯥꯕꯃꯈꯩ ꯍꯥꯌꯖꯔꯃꯒꯅꯤ ꯫ ꯌꯥꯕꯤꯗ꯭ꯔꯗꯨꯅꯥ ꯉꯁꯥꯏ ꯅꯨꯃꯤꯗꯥꯡꯕ꯭ꯔꯥꯏꯔꯝ ꯇꯣꯝꯄꯣꯛꯇꯥ ꯅꯣꯡꯃꯩꯅꯥ ꯀꯥꯞꯂꯕ꯭ꯔꯤꯕꯅꯤ ꯫ ꯑꯉꯥꯡꯖꯥꯎꯒꯤ ꯊꯧꯁꯤꯜ-ꯊꯧꯔꯥꯡ ꯃꯈꯥꯗꯥ ꯊꯧꯃꯤ ꯑꯣꯏꯀꯨꯕꯥ ꯇꯣꯝꯄꯣꯛ ꯍꯧꯖꯤꯛ ꯑꯅꯥꯂꯥꯌꯦꯡꯁꯉꯗꯥ ꯑꯆꯉ ꯑꯁꯤꯒꯤ ꯃꯔꯛꯇꯥ ꯂꯥꯏꯀꯝꯔꯤ ꯫ ꯑꯗꯨꯅꯗꯤ, ꯊꯧꯁꯤꯜꯂꯤꯕꯥ ꯑꯉꯥꯡꯖꯥꯎꯗꯥ ꯇꯣꯝꯄꯣꯛꯀꯤ ꯈꯨꯗꯣꯡꯊꯤꯕꯁꯤ ꯇꯥꯔꯛꯂꯣꯏ ꯍꯥꯌꯕꯥ ꯉꯃꯗꯦ ꯫ ꯀꯦꯂꯦꯉꯨꯔ ꯌꯦꯡꯂꯒꯥ ꯆꯍꯤ ꯑꯃꯒꯤ ꯕ꯭ꯔꯥꯠꯂꯤꯕꯥ ꯅꯨꯃꯤꯠꯁꯤꯡ ꯑꯗꯨ ꯈꯉꯏ ꯫ ꯃꯄꯥ ꯃꯆꯥꯅꯥ ꯍꯤꯡꯒꯗꯕꯥ ꯃꯇꯃꯗꯨ ꯈꯉꯅꯕꯒꯤ ꯄꯥꯡꯕꯗꯤ ꯂꯩꯇꯦ ꯫ ꯃꯗꯨ ꯂꯩꯕꯅꯥ ꯐꯔꯤꯕ꯭ꯔꯥ ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯒꯥ ꯐꯠꯇ꯭ꯔꯤꯕ꯭ꯔꯥ ꯍꯥꯌꯕꯗꯨꯁꯨ ꯑꯉꯥꯡꯖꯥꯎꯅꯥ ꯑꯔꯦꯞꯄꯥ ꯈꯉꯗꯦ ꯫

ꯕ꯭ꯔꯥꯈꯜ ꯈꯅꯕꯥ ꯇꯣꯛꯂꯒꯥ ꯘꯔꯤ ꯌꯦꯡꯏ ꯫ ꯅꯣꯡ ꯉꯥꯅꯕꯒꯤ ꯄꯨꯡ ꯇꯥꯔꯕ꯭ꯔꯥ ꯌꯦꯡꯕꯅꯤ ꯫ ꯅꯣꯡꯗꯕꯨ ꯉꯥꯜꯂꯕꯗꯤ ꯅꯨꯄꯤ ꯃꯌꯨꯝꯗꯥ ꯆꯠꯂꯒꯥ ꯂꯨꯍꯣꯡꯅꯕꯥ ꯕꯥꯔꯦꯞꯂꯒꯅꯤ ꯫ ꯃꯁꯤꯅꯥ ꯃꯥꯒꯤ ꯑꯀꯤꯕꯥ ꯑꯃꯗꯤ ꯑꯕ꯭ꯔꯥꯕꯥ ꯀꯣꯛꯍꯅꯒꯅꯤ ꯫ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯕ꯭ꯔꯥꯅꯥ ꯉꯥꯏꯒꯗꯕꯥ ꯃꯇꯃꯁꯤ ꯁꯥꯡꯂꯤ; ꯄꯨꯡ ꯇꯔꯥꯃꯥꯊꯣꯏꯗꯃꯛ ꯃꯇꯥꯔꯤ ꯫ ꯃꯔꯛꯁꯤꯗꯥ ꯈꯨꯗꯣꯡꯊꯤꯕꯥ ꯊꯣꯛꯀꯁꯅꯨ ꯅꯤꯡꯏ ꯫ ꯂꯣꯌꯅꯅꯥ ꯃꯅꯥꯛꯇꯥ ꯍꯤꯞꯂꯤꯕꯥ ꯃꯤꯁꯤꯡꯗꯥ, ꯊꯣꯡ ꯉꯥꯛꯂꯤꯕꯥ ꯆꯩꯁꯤꯡꯗꯥ ꯑꯃꯗꯤ ꯊꯣꯡꯒꯤ ꯄꯨꯅꯥꯁꯤꯡꯗꯥ

মীশিংদুদা তোম্পোকসু মরাল কোকপিনবা হায়জবা য়াবমখৈ হায়জরমগনি । য়াবিদ্রদুনা ঙশাই নুমিদাংব্রাইরম তোম্পোক্তা নোংমৈনা কাপ্লব্রিবনি । অঙাংজাউগী থৌশিল-থৌরাং মখাদা থৌমী ওইকুবা তোম্পোক হৌজিক অনা-লায়েংশঙদা অচঙ অশিগী মরক্তা লাইকম্রি । অদুনদি, থৌশিল্লিবা অঙাংজাউদা তোম্পোক্কী খুদোংথীবসি তারক্লোই হায়বা ঙমদে । কেলেঙুর য়েংলগা চহী অমগী ব্রাৎলিবা নুমিৎশিং অদু খঙই । মপা মচানা হিংগদবা মতমদু খঙনবগী পাঙ্বদি লৈতে । মদু লৈবনা ফরিব্রা নৎত্রগা ফৎত্রিব্রা হায়বদুসু অঙাংজাউনা অরেপ্পা খঙদে ।

ব্রাখল খনবা তোক্লগা ঘড়ী য়েংই । নোং ঙানবগী পূং তারব্রা য়েংবনি । নোংদবু ঙাল্লবদি নুপী ময়ুমদা চৎলগা লুহোংনবা বারেপ্লগনি । মসিনা মাগী অকিবা অমদি অব্রাবা কোকহনগনি । অদুবু ব্রানা ঙাইগদবা মতমসি শাংলি; পূং তরামাথোইদমক মতারি । মরকসিদা খুদোংথীবা থোক্তসনু নীংই । লোয়ননা মনাক্তা হিপ্লিবা মীশিংদা, থোঙ ঙাক্লিবা চৈশিংদা অমদি থোঙগী পুনাশিংদা

ꯑꯃꯃꯃꯇ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯌꯦꯡꯂꯀꯏ꯫ ꯃꯌꯥꯝꯁꯤꯅꯥ ꯃꯥꯕꯨ ꯉꯁꯤ ꯅꯨꯃꯤꯗꯥꯡꯁꯤꯃꯥ ꯉꯥꯛ-ꯁꯦꯜꯂꯤ꯫ ꯇꯣꯝꯄꯣꯛꯀꯤ ꯃꯃꯥ ꯁꯅꯥꯍꯅꯕꯤꯗꯨ ꯃꯅꯥꯛꯇꯥ ꯂꯩꯔꯕꯗꯤ ꯑꯆꯧꯕꯥ ꯎꯀꯜ ꯑꯣꯏꯒꯗꯕꯅꯤ꯫ ꯃꯥꯗꯤ ꯃꯩꯔꯥ ꯄꯥꯌꯕꯤꯅꯤ꯫ ꯑꯗꯨꯝ ꯑꯣꯏꯅꯝꯛ ꯑꯉꯥꯡꯖꯥꯎꯅꯥ ꯃꯩꯔꯥ ꯄꯥꯌꯕꯤꯕꯨ ꯀꯤꯖꯔꯀꯏ꯫ ꯃꯈꯣꯌꯅꯥ ꯃꯥꯉꯣꯟꯗꯥ ꯅꯝ-ꯍꯥꯒꯗꯕꯁꯨ ꯂꯩꯔꯤ꯫ ꯇꯣꯝꯄꯣꯛꯂꯥ ꯆꯦꯜꯂꯨꯕꯤ ꯍꯧꯖꯤꯛꯂꯥ ꯈꯥꯏꯗꯣꯜꯂꯍꯜꯂꯤꯕꯤ ꯅꯨꯄꯤꯗꯨ ꯊꯥ ꯑꯃꯒꯤ ꯃꯅꯨꯡꯗꯥ ꯍꯟꯖꯤꯟꯅꯒꯗꯕꯅꯤ ꯍꯥꯌꯕꯥ ꯃꯩꯔꯥ ꯄꯥꯌꯕꯤꯒꯤ ꯕ꯭ꯔꯥꯌꯦꯜ ꯂꯩꯔꯤ꯫ ꯕ꯭ꯔꯥꯌꯦꯜꯗꯨꯒꯤ ꯃꯥꯌꯣꯛꯇꯥ ꯑꯉꯥꯡꯖꯥꯎꯅꯥ ꯇꯣꯝꯄꯣꯛꯄꯨ ꯑꯇꯣꯞꯄꯥ ꯅꯨꯄꯤ ꯑꯃꯥ ꯆꯦꯜꯂꯨꯅꯕꯥ ꯉꯁꯥꯏ ꯅꯨꯡꯊꯤꯜ ꯊꯥꯔꯨꯕꯅꯤ꯫ ꯑꯗꯨꯒꯗꯤ ꯁꯀꯈꯉꯗꯕꯥ ꯃꯈꯣꯌꯒꯤ ꯅꯣꯡꯃꯩ ꯃꯔꯨ ꯄꯥꯟꯐꯝ ꯑꯣꯏꯔꯦ꯫ ꯐꯅꯕꯥ ꯁꯤꯅꯕꯥ ꯊꯕꯛꯂꯥ ꯄꯨꯟꯁꯤꯕꯨ ꯇꯦꯝꯁꯤꯡꯅꯔꯦ꯫ ꯍꯧꯈꯤꯕꯥ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯑꯅꯤꯗꯨꯁꯨ ꯑꯉꯥꯡꯖꯥꯎꯅꯥ ꯐꯒꯅꯤ ꯈꯅꯕꯥ ꯕ꯭ꯔꯥꯈꯂꯗꯨ ꯊꯕꯛꯇꯥ ꯑꯣꯁ꯭ꯊꯣꯔꯀꯄꯗꯥ ꯃꯑꯣꯡ ꯇꯥꯈꯤꯗꯦ꯫ ꯅꯤꯡꯁꯤꯡꯂꯨꯕꯗꯥ ꯊꯧꯗꯣꯛꯇꯨ ꯍꯧꯖꯤꯛꯇꯥ ꯊꯣꯛꯄꯒꯨꯝꯃꯏ꯫

ꯃꯃꯥꯅꯥ ꯉꯝꯅꯕꯥ ꯊꯦꯝꯒꯗꯕꯥ ꯊꯥ ꯇꯔꯥꯅꯤꯄꯥꯟꯒꯤ ꯇꯣꯝꯄꯣꯛꯇꯨ ꯃꯥꯅꯥ ꯍꯩ-ꯁꯤꯡꯕꯥ ꯁꯥꯗꯨꯅꯥ ꯀꯞꯂꯤꯉꯩꯗꯥ ꯑꯊꯣꯡꯕꯥ ꯍꯋꯥꯏ ꯃꯉ꯭ꯒꯜ ꯃꯔꯨ ꯏꯜꯂꯨꯕꯅꯤ꯫ ꯈꯅꯥꯑꯣꯗꯥ ꯄꯅꯕꯗꯒꯤ ꯃꯃꯤꯠ ꯑꯣꯅꯈꯠꯂꯒꯥ ꯂꯩꯕꯗꯨ ꯎꯔꯒꯥ ꯃꯆꯥ ꯍꯥꯠꯄꯥ ꯃꯄꯥ ꯑꯣꯏꯗꯧꯔꯤꯕ꯭ꯔꯥ ꯈꯜꯂꯀꯏ꯫ ꯈꯅꯥꯑꯣꯗꯥ ꯍꯋꯥꯏ

অমমমত ওইনা য়েংলকই । ময়ামসিনা মাবু ঙসি নুমিদাংসিমা ঙাক-শেল্লি । তোম্পোক্কী মমা সনাহনবীদু মনাক্তা লৈরবদি অচৌবা উকল ওইগদবনি। মাদি মৈরা পায়বীনি । অদুম ওইনমক অঙাংজাউনা মৈরা পায়বীবু কিজরকই । মখোয়না মাঙোন্দা নম-হাগদবসু লৈরি । তোম্পোক্লা চেল্লুবী হৌজিক্লা খাইদোল্লহল্লিবী নুপীদু থা অমগী মনুংদা হঞ্জিন্নগদবনি হায়বা মৈরা পায়বীগী ব্রায়েল লৈরি । ব্রায়েলদুগী মায়োক্তা অঙাংজাউনা তোম্পোকপু অতোপ্পা নুপী অমা চেল্লুনবা ঙশাই নুংথিল থারুবনি । অদুগদি শকখঙদবা মখোয়গী নোংমৈ মরূ পানফম ওইরে । ফনবা শীনবা থবক্লা পুন্সিবু তেমশিংনরে । হৌখিবা নুমিৎ অনীদুসু অঙাংজাউনা ফগনি খনবা ব্রাখলদু থবক্তা ওস্থোরকপদা মওং তাখিদে । নীংশিংলুবদা থৌদোক্তু হৌজিক্তা থোকপগুমই ।

মমানা ঙম্নবা থেমগদবা থা তরানিপানগী তোম্পোক্তু মানা হৈ-শিংবা শাদুনা কপ্লিঙৈদা অথোংবা হৱাই মঙ্গল মরূ ইল্লুবনি । খনাওদা পনবদগী মমীৎ ওনখৎলগা লৈবদু উরগা মচা হাৎপা মপা ওইদৌরিব্রা খল্লকই । খনাওদা হৱাই

ꯃꯉ꯭ꯒꯜ ꯃꯔꯨ ꯆꯞ ꯆꯥꯅꯥ ꯄꯟꯕꯥ ꯌꯥꯕꯥ ꯃꯐꯝ ꯂꯩ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤ ꯀꯅꯥꯒꯨꯝꯕꯥ ꯗꯥꯛꯇꯕꯅꯥ ꯍꯥꯌꯕꯥ ꯁꯅꯥꯍꯟꯕꯤꯅꯥ ꯇꯥꯒ꯭ꯔꯦ꯫ ꯃꯗꯨꯝꯅꯥ ꯇꯧꯔꯕꯗꯤ ꯀꯣꯛꯅꯥ ꯃꯈꯥꯔꯣꯃꯗꯥ ꯑꯣꯁ꯭ꯊꯔꯒꯥ ꯑꯣꯊꯣꯛꯍꯟꯅꯕꯥ ꯍꯣꯠꯅꯒꯗꯕꯅꯤ ꯍꯥꯌꯕꯗꯨ ꯅꯤꯡꯁꯤꯡꯂꯀꯨꯅꯥ ꯃꯗꯨꯃꯛ ꯇꯧꯔꯦ꯫ ꯂꯥꯏꯕꯛ ꯐꯗꯨꯅꯥ ꯄꯟꯕꯗꯨ ꯐꯔꯦ꯫ ꯇꯣꯝꯄꯣꯛꯀꯤ ꯑꯔꯨꯕꯥ ꯇꯥꯟꯐꯝ ꯑꯃꯥ ꯂꯝꯍꯣꯛꯈ꯭ꯔꯦ ꯈꯟꯗꯨꯅꯥ ꯄꯨꯛꯅꯤꯡ ꯄꯦꯡꯉꯦ꯫

ꯅꯨꯃꯤꯠꯇꯨꯗꯥ ꯂꯝꯍꯣꯛꯈꯤꯕꯥ ꯑꯔꯨꯕꯥ ꯇꯥꯟꯐꯃꯗꯨ ꯉꯁꯤꯁꯨ ꯂꯝꯍꯣꯛꯂꯕꯗꯤ ꯃꯥꯒꯤ ꯄꯨꯟꯁꯤꯗꯥ ꯃꯊꯣꯡ ꯍꯨꯛꯇꯕꯥ ꯊꯕꯛꯁꯤꯡ ꯑꯃꯨꯛ ꯍꯟꯅꯥ ꯇꯧꯔꯣꯏ ꯈꯜꯂꯤ꯫ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯃꯁꯤ ꯁꯥꯇꯤꯟ ꯌꯥꯎꯗꯕꯥ ꯃꯤꯅꯥ ꯅꯣꯡ ꯆꯣꯠꯂꯤꯡꯉꯩꯗꯥ ꯃꯇꯨꯡꯗꯗꯤ ꯁꯥꯇꯤꯟ ꯁꯣꯏꯗꯅꯥ ꯄꯨꯕꯒꯦ ꯈꯟꯕꯗꯨꯅꯤ꯫ ꯊꯥ ꯇꯔꯥꯅꯤꯄꯥꯂꯒꯤ ꯈꯨꯗꯣꯡꯊꯤꯕꯗꯨ ꯑꯉꯥꯡꯖꯥꯎꯅꯥ ꯊꯥ ꯃꯕꯤꯇꯃꯛ ꯅꯤꯡꯁꯤꯡꯏ꯫ ꯃꯗꯨꯒꯤ ꯃꯇꯨꯡ ꯊꯥꯗꯨꯗꯥ ꯇꯣꯝꯄꯣꯛꯄꯨ ꯃꯍꯥꯛꯅꯥ ꯈꯨꯗꯣꯡꯊꯤꯕꯥ ꯑꯃꯁꯨ ꯅꯡꯍꯟꯈ꯭ꯔꯦ꯫

ꯇꯣꯝꯄꯣꯛꯀꯤ ꯃꯄꯣꯛ ꯅꯨꯃꯤꯠꯅꯤ꯫ ꯍꯔꯥꯎ-ꯇꯌꯥꯃꯖꯕꯕꯥ ꯑꯉꯥꯡꯖꯥꯎꯅꯥ ꯉꯥ ꯃꯇꯨꯝ ꯄꯪꯏꯟꯗ ꯏꯜꯂꯤ꯫ ꯌꯣꯠꯄꯥ ꯉꯥꯏꯉꯃꯗꯦ꯫ ꯉꯥꯏꯍꯥꯛꯀꯤ ꯃꯇꯨꯡꯗꯗꯤ ꯉꯥ ꯃꯔꯨ ꯄꯟꯕꯒꯤ ꯑꯋꯥꯕꯗꯨ ꯃꯥꯌꯣꯛꯂꯔꯦ꯫ ꯎꯄꯥꯏ ꯀꯌꯥꯅꯥ ꯐꯍꯟꯕꯥ ꯉꯃꯗ꯭ꯔꯦ꯫ ꯑꯅꯥ ꯂꯥꯌꯦꯡꯁꯉꯗꯥ ꯄꯨꯔꯒꯥ ꯗꯥꯛꯇꯔꯒꯤ ꯃꯇꯦꯡꯅꯥ ꯉꯥ ꯃꯀꯗꯨ ꯂꯧꯊꯣꯛꯏ꯫ ꯑꯔꯨꯕꯥ ꯇꯥꯟꯐꯝ ꯃꯥꯌꯣꯛꯈꯤꯕꯥ

মঙ্গল মরূ চপ চানা পনবা য়াবা মফম লৈ হায়বসি কনাগুম্বা ডাক্তবনা হায়বা সনাহনবীনা তাগ্রে । মদুম্না তৌরবদি কোক্না মখারোমদা ওস্থরগা ওথোকহন্নবা হোৎনগদবনি হায়বদু নীংশিংলকুনা মদুমক তৌরে । লাইবক ফদুনা পনবদু ফরে । তোম্পোক্কী অরুবা তানফম অমা লাম্হোকখ্রে খন্দুনা পূক্লিং পেঙ্গে ।

নুমিৎতুদা লাম্হোকখিবা অরুবা তানফমদু ঙসিসু লাম্হোক্লবদি মাগী পুন্সিদা মথোং হুক্তবা থবকশিং অমুক হন্না তৌররোই খল্লি । অদুবু মসি ছাটিন য়াওদবা মীনা নোং চোৎলিঙৈদা মতুংদদি ছাটিন শোয়দনা পুবগে খনবদুনি । থা তরানিপালগী খুদোংথীবদু অঙাংজাউনা থা মবিতমক নীংশিংই । মদুগী মতুং থাদুদা তোম্পোকপু মহাক্না খুদোংথীবা অমসু নংহনখ্রে ।

তোম্পোক্কী মপোক নুমিৎনি । হরাও-তয়ামজববা অঙাংজাউনা ঙা মতুম পংইন্দ ইল্লি । য়োৎপা ঙাইঙমদে । ঙাইহাক্কী মতুংদদি ঙা মরূ পনবগী অৱাবদু মায়োক্লরে । উপাই কয়ানা ফহনবা ঙমদ্রে । অনা লায়েংশঙদা পূরগা ডাক্তরগী মতেংনা ঙা মকদু লৌথোকই । অরুবা তানফম মাযোক্লখিবা

ꯇꯣꯝꯄꯣꯛꯅꯤ꯫ ꯃꯗꯨꯗꯥ ꯑꯉꯥꯡꯖꯥꯎꯅꯥ ꯑꯆꯦꯠꯄꯥ ꯐꯤꯔꯦꯞ ꯂꯧꯔꯦ,

"ꯕꯥꯈꯜ ꯈꯟꯊꯕꯥ ꯕ꯭ꯔꯥꯠꯄꯥ ꯊꯕꯛꯁꯤꯡ ꯃꯇꯨꯡ ꯃꯅꯥꯑꯣꯗꯤ ꯈꯛ ꯇꯧꯔꯔꯣꯏ꯫"

ꯍꯧꯖꯤꯛꯁꯨ ꯃꯍꯧꯁꯥꯒꯨꯝꯅꯥ ꯄꯨꯛꯅꯤꯡꯗꯥ ꯕ꯭ꯔꯥꯁꯛꯅꯤ,

"ꯍꯟꯗꯛꯀꯤꯁꯤꯗꯥ ꯃꯄꯨꯝꯁꯤꯕꯨ ꯃꯥꯉꯗ꯭ꯔꯕꯗꯤ ꯃꯇꯨꯡꯗꯥ ꯕ꯭ꯔꯥ ꯐꯥꯑꯣꯕꯥ ꯉꯥꯉꯗꯅꯥ ꯂꯥꯏ ꯅꯤꯡꯂꯕꯁꯨ ꯅꯤꯡꯈ꯭ꯔꯒꯦ꯫"

ꯑꯉꯥꯡꯖꯥꯎꯗꯨ ꯕ꯭ꯔꯥꯈꯜ ꯈꯅꯕꯥ ꯇꯣꯛꯂꯒꯥ ꯍꯕ꯭ꯔꯥꯒꯥꯔꯤ ꯂꯥꯛꯄꯒꯤ ꯃꯈꯣꯜ ꯇꯥꯅꯕꯥ ꯍꯣꯠꯅꯩ꯫ ꯇꯥꯕꯗꯤ ꯇꯥꯗꯦ꯫ ꯇꯥꯗꯕꯅꯥ ꯐꯩ ꯅꯤꯡꯏ꯫ ꯐꯔꯕꯥ ꯑꯅꯥꯕꯗꯨ ꯑꯅꯥ-ꯂꯥꯏꯌꯦꯡꯁꯉꯗꯒꯤ ꯅꯨꯃꯤꯗꯥꯡꯗꯥ ꯌꯨꯝ ꯍꯜꯂꯛꯂꯣꯏ꯫ ꯂꯥꯏꯕꯛ ꯊꯤꯔꯕꯥ ꯑꯅꯥꯕꯗꯤ ꯍꯜꯂꯛꯄꯥ ꯌꯥꯏ꯫ ꯃꯤꯅꯤꯠ ꯑꯃꯒꯤ ꯃꯇꯝ ꯉꯥꯏꯕꯗꯥ ꯄꯨꯡ ꯑꯃꯒꯤ ꯃꯇꯝꯒꯨꯝꯅꯥ ꯈꯜꯂꯕꯥ ꯃꯇꯥꯡꯅꯤꯅꯥ ꯒꯔꯤꯗꯨ ꯑꯃꯨꯛ ꯌꯦꯡꯏ꯫ ꯄꯨꯡ ꯑꯃꯥ ꯇꯥꯔꯝꯃꯏ꯫ ꯒꯔꯤꯒꯤ ꯃꯇꯨꯡ ꯏꯟꯅꯥ ꯅꯣꯡ ꯉꯥꯅꯕꯥ ꯅꯠꯇꯦ ꯈꯉꯂꯕꯁꯨ ꯉꯥꯜꯍꯟꯅꯤꯡꯕꯒꯤ ꯑꯄꯥꯝꯕꯗꯨꯅꯥ ꯒꯔꯤꯒꯤ ꯆꯥꯕꯤꯗꯨ ꯆꯤꯡꯂꯒꯥ ꯄꯨꯡ ꯀꯥꯇꯥꯗꯨ ꯃꯉꯥꯒꯤ ꯃꯥꯄꯥꯗꯥ ꯊꯝꯃꯏ꯫ ꯅꯣꯡꯉꯥꯜꯂꯛꯄꯒꯤ ꯌꯦꯟ ꯈꯣꯡꯕꯥ ꯎꯆꯦꯛꯂꯥ ꯂꯥꯡꯕꯗꯨꯗꯤ ꯇꯥꯕꯥ ꯐꯪꯗ꯭ꯔꯤ꯫

ꯇꯥꯡ ꯱-꯱꯲-꯱꯹꯹꯹

তোম্পোক্নি। মদুদা অঙাংজাউনা অচেৎপা ফিরেপ লৌরে,

"বাখল খন্থবা ব্রাৎপা থবকশিং মতুং মনাওদি খক তৌররোই।"

হৌজিকসু মহৌশাগুম্না পূক্নিংদা ব্রাশক্নি,

"হন্দক্কীসিদা মপুম্সিবু মাঙদ্রবদি মতুংদা ব্রা ফাওবা ঙাঙদনা লাই নীংলবসু নীংখ্রগে।"

অঙাংজাউদু ব্রাখল খনবা তোক্লগা হব্রাগাড়ী লাকপগী মখোল তানবা হোৎনৈ। তাবদি তাদে। তাদবনা ফৈ নীংই। ফরবা অনাবদু অনা-লায়েংশঙদগী নুমিদাংদা য়ুম হল্লক্লোই। লাইবক থীরবা অনাবদি হল্লকপা য়াই। মিনিট অমগী মতম ঙাইবদা পূং অমগী মতমগুম্না খল্লবা মতাংনিনা ঘড়ীদু অমুক য়েংই। পূং অমা তারমই। ঘড়ীগী মতুং ইম্না নোং ঙানবা নত্তে খঙলবসু ঙালহম্নীংবগী অপাম্বদুনা ঘড়ীগী চাবীদু চিংলগা পূং কাটাদু মঙাগী মাপাদা থমই। নোংঙাল্লকপগী য়েন খোংবা উচেক্লা লাঙবদুদি তাবা ফংদ্রি।

তাং ১-১২-১৯৯৯

ꯕ꯭ꯔꯦꯜ ꯍꯣꯡꯕ

ꯃꯍꯩ ꯇꯝꯕ, ꯌꯨꯝꯒꯤ ꯆꯥꯛꯂꯦꯟ ꯆꯥꯕ ꯑꯃꯗꯤ ꯇꯨꯝꯕ ꯅꯠꯇꯅ ꯑꯌꯥꯝꯕ ꯍꯤꯕꯃꯗ ꯃꯈꯣꯌ ꯑꯍꯨꯝꯅ ꯍꯛꯆꯤꯟꯅ ꯇꯤꯅꯩ ꯫ ꯑꯃꯨꯛ ꯍꯦꯟꯅ ꯅꯀꯁꯤꯟꯅꯅ ꯇꯤꯟꯅꯕꯗꯤ ꯅꯨꯡꯊꯤꯜꯒꯤ ꯃꯇꯝꯗ ꯃꯈꯣꯌ ꯈꯨꯜꯒꯤ ꯂꯝꯄꯥꯛꯇ ꯍꯧꯕꯤꯕ ꯍꯩꯅꯧ ꯄꯥꯝꯕꯤꯒꯤ ꯃꯈꯣꯡꯗ ꯐꯝꯅꯒ ꯍꯛꯆꯤꯛ ꯂꯥꯡꯕ, ꯁꯥꯝꯅꯕ, ꯍꯩꯅꯧ ꯄꯥꯟꯕ ꯃꯇꯝꯗꯅ ꯍꯩꯅꯧ ꯆꯥꯃꯤꯟꯅꯕꯁꯤꯅꯤ ꯫ ꯉꯁꯤꯁꯨ ꯃꯈꯣꯌ ꯑꯍꯨꯝ ꯍꯩꯅꯧ ꯃꯈꯣꯡꯗ ꯌꯧꯕꯛꯂꯦ ꯫ ꯅꯨꯡꯊꯤꯜꯅꯤꯅ ꯃꯇꯣꯝꯇ ꯀꯦꯟꯖꯕ ꯍꯩꯅꯧꯗꯤ ꯐꯪꯗ꯭ꯔꯦ ꯫

ꯍꯩꯅꯧ ꯄꯥꯝꯕꯤꯁꯤ ꯍꯥꯏꯐꯦꯠ ꯆꯥꯎꯏ ꯈꯣꯡꯅꯥꯡ ꯑꯆꯧꯕꯒ ꯍꯥꯏꯕꯄ ꯃꯥꯟꯅꯦ ꯫ ꯍꯩꯅꯧ ꯄꯥꯟꯕ ꯃꯇꯝꯗ ꯅꯨꯃꯤꯗꯥꯡ ꯀꯦꯟꯅꯕ ꯑꯃꯨꯟꯕ ꯍꯩꯅꯧꯅ ꯁꯪꯕꯥꯏ ꯑꯅꯤ ꯐꯥꯅꯤꯡꯆꯤꯠ ꯇꯧꯏ ꯫ ꯃꯗꯨ ꯈꯨꯟꯅꯕ ꯃꯅꯥꯛ ꯅꯀꯄ ꯌꯨꯃꯒꯤ ꯑꯉꯥꯡꯁꯤꯡ, ꯑꯍꯜ ꯈꯕꯁꯨ ꯌꯥꯎꯅ ꯌꯥꯍꯧ ꯉꯟꯕ ꯇꯥꯅꯦ ꯫ ꯍꯩꯅꯧ ꯄꯥꯝꯕꯤꯁꯤꯒꯤ ꯃꯄꯨ ꯑꯀꯛꯅꯕꯗ, ꯃꯤꯌꯥꯝꯒꯤꯅꯤ, ꯈꯨꯜꯒꯤꯅꯤ ꯫ ꯈꯨꯜꯁꯤꯒꯤ ꯃꯤꯑꯣꯏꯁꯤꯡꯗ ꯅꯠꯇꯅ ꯊꯪꯅꯕ ꯈꯨꯜꯒꯤ ꯃꯤꯑꯣꯏꯁꯤꯡꯁꯨ ꯍꯩꯅꯧ ꯈꯨꯟꯕ ꯑꯃꯗꯤ ꯆꯥꯕ ꯂꯥꯛꯀꯦ ꯫

ব্রাখল হোংবা

মহৈ তম্বা, যুমগী চাক্লেন চাবা অমদি তূম্বা নত্তনা অযাম্বা হীবমদা মখোয় অহুম্না হকচিন্না তিন্নৈ । অমুক্ক হেন্না নকশিন্ননা তিন্নবদি নুংথিলগী মতমদা মখোয খুলগী লম্পাক্তা হৌবিবা হৈনৌ পাম্বীগী মখোঙদা ফম্নগা হকচিক লাংবা, শাম্নবা , হৈনৌ পানবা মতমদনা হৈনৌ চামিন্নবসিনি । ঙসিসু মখোয অহুম হৈনৌ মখোঙদা যৌবক্লে । নুংথিলনিনা মতোমতা কেঞ্জবা হৈনৌদি ফংদ্রে ।

হৈনৌ পাম্বীসি হাইফেৎ চাউই; খোংনাং অচৌবগা হাইবপ মান্নৈ । হৈনৌ পানবা মতমদা নুমিদাং কেল্লম্বা অমুনবা হৈনৌনা শংবাই অনী ফানীংচিৎ তৌই । মদু খুন্নবা মনাক নকপা যূমগী অঙাংশিং, অহল খবসু য়াওনা যাহৌ ঙনবা তান্নৈ । হৈনৌ পাম্বীসিগী মপু অকক্নদে, মীযামগীনি, খুলগীনি । খুলসিগী মীওইশিংদা নত্তনা থংনবা খুলগী মীওইশিংসু হৈনৌ খুনবা অমদি চাবা লাক্লে ।

ꯍꯦꯅꯧ ꯄꯥꯝꯕꯤꯁꯤꯒꯤ ꯃꯔꯝꯗꯥ ꯈꯨꯂꯒꯤ ꯃꯤꯌꯥꯝꯃꯥ ꯑꯁꯨꯝꯃꯥ ꯊꯥꯖꯅꯩ,

"ꯍꯦꯅꯧ ꯌꯥꯝꯃꯥ ꯄꯥꯟꯕꯥ ꯅꯥꯀꯜꯗꯨꯒꯤ ꯃꯥꯏꯀꯩꯗꯥ ꯂꯩꯔꯤꯕꯥ ꯂꯧꯐꯝꯁꯤꯡꯗꯨ ꯀꯨꯝꯗꯨꯃꯥ ꯐꯧ ꯌꯥꯝꯃꯥ ꯊꯣꯛꯀꯏ।"

ꯕ꯭ꯔꯥꯐꯃꯁꯤ ꯂꯩꯄꯨꯡ ꯐꯝꯕꯒꯤ ꯕ꯭ꯔꯥꯔꯤ ꯃꯊꯦꯜꯂꯥ, ꯄ꯭ꯔꯃꯥꯟ ꯂꯩꯔꯕꯥ ꯕ꯭ꯔꯥꯔꯤꯔꯥ ꯍꯥꯏꯕꯗꯨꯃꯗꯤ ꯑꯔꯦꯞꯄꯥ ꯂꯩꯇꯕꯒꯨꯝꯃꯥ ꯇꯧꯔꯦ।

ꯃꯥꯒꯤ ꯃꯥꯒꯤ ꯀꯥꯡꯕꯨ ꯁꯦꯝꯗꯨꯅꯥ ꯂꯥꯛꯄꯅꯤ। ꯀꯥꯡꯕꯨ ꯑꯃꯒꯤ ꯃꯤ ꯑꯃꯥ ꯎꯊꯛꯇꯥ ꯀꯥꯗꯨꯅꯥ ꯍꯦꯅꯧ ꯍꯦꯛꯀꯏ। ꯃꯈꯣꯌ ꯑꯍꯨꯝꯒꯤꯁꯨ ꯀꯅꯥꯅꯣ ꯑꯃꯗꯤ ꯎꯊꯛꯇꯥ ꯀꯥꯕꯥ ꯇꯥꯏ। ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯒꯥ ꯎꯊꯛꯇꯥ ꯂꯩꯔꯤꯕꯥ ꯃꯤ ꯑꯃꯗꯥ ꯍꯥꯏꯖꯒꯗꯕꯅꯤ। ꯃꯁꯤꯗꯤ ꯃꯤꯅꯨꯡꯁꯤ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯍꯦꯅꯧ ꯐꯪꯒꯗꯕꯅꯤ; ꯅꯤꯡꯕꯥ ꯊꯨꯡꯗꯕꯥ ꯌꯥꯏ। ꯇꯉꯥꯏꯐꯗꯅꯥ ꯃꯈꯣꯌꯒꯤꯁꯨ ꯃꯤ ꯑꯃꯥ ꯎ ꯀꯥꯕꯥ ꯇꯥꯔꯤ। ꯃꯁꯥ ꯈꯔꯥ ꯆꯥꯎꯕꯥ ꯃꯥꯏꯆꯣꯝꯅꯥ ꯍꯥꯏꯔꯀꯏ,

"ꯆꯥꯎꯊꯣꯏ ꯅꯪ ꯎꯊꯛꯇꯥ ꯀꯥꯔꯣ; ꯅꯪꯅꯥ ꯈꯔꯥ ꯁꯔꯤꯛ ꯁꯔꯥꯛ ꯍꯦ। ꯑꯩꯅꯥ ꯀꯩꯔꯥꯛ ꯁꯦꯝꯅꯒꯦ।"

হেনৌ পাম্বীসিগী মরমদা খুলগী মীয়াম্মা অসুম্মা থাজনৈ,

"হেনৌ য়াম্মা পানবা নাকল্দুগী মায়কৈদা লৈরিবা লৌফমশিংদু কুমদুমা ফৌ য়াম্মা থোকই।"

ব্রাফমসি লৈপুং ফম্বগী ব্রারী মথেল্লা, প্রমান লৈরবা ব্রারীরা হায়বদুমদি অরেপ্পা লৈতবগুম্মা তৌরে।

মাগী মাগী কাংবু শেমদুনা লাকপনি। কাংবু অমগী মী অমা উথক্তা কাদুনা হেনৌ হেকই। মখোয় অহুমগীসু কনানো অমদি উথক্তা কাবা তাই। নৎত্রগা উথক্তা লৈরিবা মী অমদা হায়জগদবনি। মসিদি মীনুংশি ওইনা হেনৌ ফংগদবনি; নীংবা থুংদবা য়াই। তঙাইফদনা মখোয়গীসু মী অমা উ কাবা তারি। মশা খরা চাউবা মায়চোম্না হায়রকই,

"চাউথোই নঙ উথক্তা কারো; নঙনা খরা শরিক শরাক হে। ঐনা কৈরাক শেম্নগে।"

ꯃꯥꯌꯆꯣꯝꯃꯥ ꯍꯥꯌꯔꯤꯕꯁꯤ ꯌꯥꯅꯤꯡꯂꯗꯨꯅꯥ ꯊꯤꯡꯕꯅꯥ ꯍꯥꯌ,

" ꯃꯤꯉꯣꯟꯗꯒꯤ ꯅꯤꯔꯒꯥ ꯆꯥꯕꯗꯤ ꯏꯀꯥꯏ; ꯅꯤꯡꯕꯁꯨ ꯊꯨꯡꯉꯣꯏ ꯫ ꯆꯥꯎꯊꯣꯛꯏ ꯅꯪ ꯀꯥꯎ ꯫"

ꯃꯕꯥꯅꯤꯗꯒꯤ ꯃꯥꯅꯥ ꯎ ꯀꯥꯕꯥ ꯍꯦꯟꯅꯥ ꯍꯩ-ꯁꯤꯡꯏ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤ ꯆꯥꯎꯊꯣꯛꯏꯁꯨ ꯈꯪꯏ ꯫ ꯃꯒꯨꯟ ꯀꯥꯍꯟꯕꯒꯤ ꯃꯑꯣꯡꯗꯥ ꯍꯥꯌꯔꯛꯏ,

"ꯅꯕꯥꯅꯤꯁꯨ ꯎ ꯀꯥꯕꯥ ꯍꯩꯔꯤꯗꯨꯅꯤ; ꯑꯩ ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯕꯁꯨ ꯀꯅꯥꯅꯣ ꯑꯃꯅꯥ ꯀꯥꯕꯥ ꯌꯥꯏ ꯫"

ꯊꯤꯡꯕꯅꯥ ꯈꯨꯗꯛꯇꯥ ꯈꯨꯟꯅꯛꯏ,

"ꯅꯪꯅꯥ ꯏꯕꯥꯅꯤꯗꯒꯤ ꯎ ꯀꯥꯕꯗꯁꯨ ꯎꯊꯛꯇꯥ ꯂꯩꯕꯗꯁꯨ ꯈꯔꯥ ꯍꯦꯟꯅꯥ ꯍꯩ-ꯁꯤꯡꯏ; ꯑꯗꯨꯅꯥ ꯍꯥꯌꯕꯅꯤ ꯫"

ꯃꯇꯝ ꯃꯥꯡꯗꯅꯕꯥ ꯃꯥꯌꯆꯣꯝꯃꯥ ꯃꯊꯥ ꯇꯥꯔꯛꯏ,

"ꯊꯦꯡꯈꯤꯟꯕꯅꯤ ꯀꯥꯔꯣ; ꯃꯤ ꯃꯤꯒꯤ ꯆꯨꯟꯕꯥ ꯍꯥꯌꯕꯥ ꯂꯩꯕꯅꯤ ꯫ ꯑꯗꯨꯅꯥ ꯅꯪꯕꯨ ꯀꯥꯎ ꯍꯥꯌꯕꯅꯤ ꯫"

মায়চোম্মা হায়রিবসি য়ানীংলদুনা থীংবনা হায়,

"মীঙোন্দগী নিরগা চাবদি ঈকাই; নীংবসু থুংঙোই । চাউথোই নঙ কাউ ।"

মবানীদগী মানা উ কাবা হেন্না হৈ-শিংই হায়বসি চাউথোইসু খঙই । মগুণ কাহনবগী মওংদা হায়রকই,

"নবানীসু উ কাবা হৈরিদুনি; ঐ নৎত্রবসু কনানো অমনা কাবা য়াই ।"

থীংবনা খুদক্তা খুন্নকই,

"নঙনা ইবানীদগী উ কাবদসু উথক্তা লৈবদসু খরা হেন্না হৈ-শিংই; অদুনা হায়বনি ।"

মতম মাঙদনবা মায়চোম্মা মথা তারকই,

" থেঙখিনবনি কারো; মী মীগী চুনবা হায়বা লৈবনি । অদুনা নঙবু কাউ হায়বনি ।"

"ꯑꯗꯨꯗꯤ ꯑꯩꯍꯥꯛꯅꯥ ꯅꯕꯥꯅꯤꯗꯒꯤ ꯍꯦꯜꯂꯦꯅꯦ꯫"

"ꯃꯗꯨ ꯉꯥꯡꯅꯔꯒꯨꯝꯁꯤꯗꯥ; ꯎꯗꯨꯝ ꯀꯥꯔꯣ꯫"

ꯀꯅꯥꯅꯥ ꯄꯨꯔꯀꯄꯅꯣ, ꯃꯅꯥꯛ ꯑꯗꯨꯗꯥ ꯀꯩꯔꯥꯛ ꯑꯃꯥ ꯇꯥꯔꯤ꯫ ꯃꯗꯨ ꯍꯩꯅꯧ ꯄꯥꯝꯕꯤꯗꯨꯗꯥ ꯃꯐꯝ ꯆꯥꯅꯥ ꯊꯥꯅꯕꯥ ꯍꯣꯠꯅꯔꯒꯥ ꯃꯥꯏꯆꯣꯝꯅꯥ ꯃꯈꯥ ꯇꯥꯔꯀꯏ.

"ꯎ ꯀꯥꯅꯕꯥ ꯅꯐꯤ ꯁꯦꯃꯑꯣ꯫"

ꯃꯐꯤ ꯁꯦꯝꯅꯗꯨꯅꯥ ꯐꯥꯒꯤꯒꯤ ꯃꯑꯣꯡꯗꯥ ꯆꯥꯎꯊꯣꯏꯅꯥ ꯍꯥꯏ,

"ꯅꯕꯥꯅꯤꯅꯥ ꯉꯝꯗꯕꯥ ꯊꯕꯛꯁꯤ ꯑꯩꯅꯥ ꯇꯧꯒꯗꯧꯔꯕꯅꯤꯅꯥ ꯑꯩꯁꯤ ꯑꯩꯈꯣꯌ ꯀꯥꯡꯕꯨꯒꯤ ꯂꯨꯆꯤꯡꯕꯅꯤꯀꯣ꯫"

"ꯑꯣꯏꯌꯨ ꯌꯥꯏꯅꯦ꯫"

"ꯂꯨꯆꯤꯡꯕꯥ ꯑꯣꯏꯔꯕꯅꯤꯅꯥ ꯑꯩꯒꯤ ꯑꯄꯥꯝꯕꯥ ꯈꯔꯗꯤ ꯇꯧꯒꯦ꯫"

ꯍꯩꯅꯧ ꯈꯔꯥ ꯌꯥꯝꯅꯥ ꯄꯥꯟꯕꯥ ꯎꯁꯥ ꯌꯦꯡꯂꯤꯕꯥ ꯈꯤꯡꯕꯅꯥ ꯍꯥꯏ,

"ꯇꯧꯒꯦꯔꯥ, ꯇꯧꯔꯣꯏꯔꯥ, ꯎꯗꯨꯝ ꯀꯥꯔꯣ; ꯈꯔꯥ ꯌꯥꯝꯅꯗꯨꯝ ꯍꯦꯛꯂꯀꯎ꯫"

"অদুদি ঐহাক্না নবানীদগী হেল্লেনে।"

"মদু ঙাঙনরগুমসিদা; উদুম কারো।"

কনানা পুরকপনো, মনাক অদুদা কৈরাক অমা তারি। মদু হৈনৌ পাম্বীদুদা মফম চানা থানবা হোৎনরগা মায়চোম্না মখা তারকই,

"উ কানবা নফি শেমও।"

মফি শেম্নদুনা ফাগিগী মওংদা চাউথোইনা হায়,

"নবানীনা ঙমদবা থবকসি ঐনা তৌগদৌরবনিনা ঐসি ঐখোয় কাংবুগী লুচিংবনিকো।"

"ওইয়ু য়াইনে।"

"লুচিংবা ওইরবনিনা ঐগী অপাম্বা খরদি তৌগে।"

হৈনৌ খরা য়াম্না পানবা উশা য়েংলিবা খীংবনা হায়,

"তৌগেরা, তৌরোইরা, উদুম কারো; খরা য়াম্নদুম হেক্লকউ।"

ꯍꯩꯅꯧ ꯄꯥꯝꯕꯤꯗꯥ ꯌꯦꯠꯀꯤ ꯈꯨꯠꯁꯥ ꯑꯍꯨꯝꯃꯥ ꯁꯣꯛꯂꯒꯥ ꯂꯥꯏꯕꯛ ꯑꯍꯟꯅꯛ ꯀꯠꯂꯒꯥ ꯆꯥꯎꯊꯣꯏꯗꯨ ꯀꯩꯔꯥꯛ ꯀꯥꯔꯦ꯫ ꯃꯕꯥꯅꯤꯅꯥ ꯀꯩꯔꯥꯛꯀꯨ ꯆꯦꯛꯁꯤꯟꯅꯥ ꯄꯥꯏꯔꯤ꯫ ꯀꯩꯔꯥꯛꯀꯨ ꯃꯇꯣꯜ ꯂꯣꯝꯃꯥ ꯀꯥꯔꯕꯥ ꯐꯥꯑꯣꯕꯗꯁꯨ ꯈꯨꯠꯅꯥ ꯄꯥꯏꯕꯥ ꯌꯥꯕꯥ ꯎꯁꯥ ꯐꯪꯗ꯭ꯔꯤ꯫ ꯃꯗꯨꯗꯥ ꯃꯥꯏꯆꯣꯝꯅꯥ ꯍꯥꯏꯔꯀꯏ.

"ꯅꯈꯨꯠꯅꯥ ꯎꯗꯥ ꯀꯟꯅꯥ ꯀꯣꯜꯂꯨ; ꯈꯣꯡꯗꯨ ꯀꯩꯔꯥꯛ ꯃꯇꯣꯂꯗꯥ ꯅꯦꯠꯂꯒꯥ ꯀꯥꯎ; ꯏꯕꯥꯅꯤꯁꯨ ꯀꯩꯔꯥꯛꯁꯤ ꯏꯅꯈꯠꯂꯛꯀꯦ꯫"

ꯍꯥꯏꯔꯤꯕꯁꯤ ꯆꯥꯎꯊꯣꯏꯅꯥ ꯇꯧꯏ꯫ ꯃꯕꯥꯅꯤꯁꯨ ꯀꯝꯕꯤ ꯊꯣꯛꯂꯥ, ꯇꯞꯄꯥ ꯀꯩꯔꯥꯛꯀꯨ ꯊꯥꯡꯠꯂꯤ꯫ ꯃꯕꯥꯅꯤꯗꯨ ꯀꯩꯔꯥꯛꯀꯤ ꯃꯈꯣꯡ ꯑꯅꯤꯒꯨꯝꯔꯦ꯫ ꯍꯥꯏꯔꯞ ꯕ꯭ꯔꯥꯅꯥ ꯍꯣꯠꯅꯔꯕꯥ ꯃꯇꯨꯡꯗꯥ ꯆꯥꯎꯊꯣꯏꯗꯨ ꯍꯩꯅꯧ ꯄꯥꯟꯕꯥ ꯎꯁꯥ ꯌꯧꯔꯦ꯫ ꯃꯕꯥꯅꯤꯁꯨ ꯀꯩꯔꯥꯛꯀꯨ ꯊꯟꯅꯒꯥ ꯀꯣꯌꯆꯠ ꯆꯠꯂꯒꯥ ꯍꯩꯅꯧ ꯈꯔꯥ ꯌꯥꯝꯅꯥ ꯄꯥꯟꯕꯥ ꯎꯁꯥꯁꯤꯡꯗꯨ ꯇꯥꯀꯏ꯫ ꯃꯕꯥꯅꯤꯅꯥ ꯇꯥꯛꯂꯛꯄꯥ, ꯃꯥꯅꯥ ꯎꯕꯁꯤꯡꯗꯨ ꯍꯦꯛꯂꯒꯥ ꯆꯥꯎꯊꯣꯏꯅꯥ ꯃꯥꯒꯤ ꯐꯨꯔꯤꯠꯈꯥꯎꯁꯤꯡꯗꯥ ꯍꯥꯞꯆꯤꯜꯂꯤ; ꯃꯗꯨꯗꯥ ꯈꯤꯡꯕꯅꯥ ꯍꯥꯏ.

" ꯍꯩꯅꯧꯁꯤꯡꯗꯨ ꯊꯥꯗꯔꯀꯎ; ꯅꯉꯣꯟꯗꯥ ꯍꯥꯞꯄꯕꯗꯤ ꯕ꯭ꯔꯥꯏ ꯆꯤꯟꯅꯤ꯫ ꯊꯥꯗꯔꯀꯄꯥ ꯍꯩꯅꯧꯁꯤꯡ ꯑꯃꯠꯇ ꯃꯥꯡꯍꯜꯂꯣꯏ꯫"

হৈনৌ পাম্বীদা য়েৎকী খূৎশা অহুম্মা শোক্লগা লাইবক অহন্নক কৎলগা চাউথোইদু কৈরাক কারে। মবানীনা কৈরাক্কু চেকশিন্না পায়রি। কৈরাক্কু মতোল লোম্মা কারবা ফাওবদসু খূৎনা পায়বা য়াবা উশা ফংদ্রি। মদুদা মায়চোম্না হায়রকই,

"নখূৎনা উদা কন্না কোল্লু; খোঙদু কৈরাক মতোলদা নেৎলগা কাউ; ইবানীসু কৈরাকসি ঈনখৎলক্কে।"

হায়রিবসি চাউথোইনা তৌই। মবানীসু কম্বী থোক্লা, তপ্পা কৈরাক্কু থাঙৎলি। মবানীদু কৈরাক্কী মখোঙ অনীগুম্রে। হাইরপ ব্রানা হোৎনরবা মতুংদা চাউথোইদু হৈনৌ পানবা উশা য়ৌরে। মবানীসু কৈরাক্কু থন্নগা কোয়চৎ চৎলগা হৈনৌ খরা য়াম্না পানবা উশাশিংদু তাকই। মবানীনা তাক্লকপা, মানা উবশিংদু হেক্লগা চাউথোইনা মাগী ফুরিৎখাউশিংদা হাপচিল্লি; মদুদা খীংবনা হায়,

"হৈনৌশিংদু থাদরকউ; নঙোন্দা হাপ্পবদি ব্রাই চিন্নি। থাদরকপা হৈনৌশিং অমত্ত মাঙহল্লোই।"

"ꯌꯥꯅꯤ ꯑꯩꯉꯣꯟꯗꯥ ꯑꯗꯨꯝ ꯍꯥꯞꯀꯦ ꯫"

"ꯅꯉꯅꯥ ꯀꯨꯟꯅꯛꯀꯤ ꯐꯥꯑꯣꯕꯥ ꯑꯩꯈꯣꯢ ꯆꯥꯔꯝꯃꯣꯢ ꯫"

"ꯌꯨꯝꯗꯥ ꯈꯔꯥ ꯄꯨꯒꯦ ꯇꯧꯕꯅꯤ ꯫ ꯑꯩꯈꯣꯢ ꯑꯍꯨꯝꯅꯥ ꯆꯥꯅꯕꯒꯤꯗꯤ ꯀꯣꯝꯅꯥ ꯍꯦꯛꯀꯦ ꯫"

ꯉꯥꯡꯅꯔꯤꯕꯁꯤꯗꯥ ꯃꯥꯌꯆꯣꯝꯅꯥ ꯍꯪꯂꯀꯏ,

" ꯅꯉꯅꯥ ꯊꯝꯖꯤꯜꯂꯤꯕꯗꯨ ꯃꯉꯥ, ꯇꯔꯨꯛ ꯁꯨꯔꯝꯃꯅꯤ; ꯑꯣꯛꯈꯤꯔꯣꯏꯗ꯭ꯔꯅꯦ ?"

" ꯑꯍꯨꯝ ꯃꯔꯤꯗꯪꯒꯥ ꯍꯦꯛꯈꯤꯒꯦ ꯫ ꯑꯩꯈꯣꯢꯒꯤ ꯏꯄꯨꯕꯣꯛ, ꯏꯕꯣꯛ, ꯕꯥꯕꯥ, ꯏꯃꯥ, ꯏꯆꯦ, ꯇꯥꯆꯧ, ꯏꯅꯥꯑꯣ, ꯏꯆꯅꯒꯤ ꯑꯅꯤ-ꯑꯅꯤ ꯁꯨꯅꯕꯗꯪ ꯍꯦꯛꯈꯤꯒꯦ ꯫"

ꯆꯥꯎꯊꯣꯏꯒꯤ ꯕ꯭ꯔꯥꯁꯤꯗꯥ ꯃꯥꯌꯆꯣꯝꯅꯥ ꯕ꯭ꯔꯥꯐꯝ ꯑꯃꯥ ꯅꯤꯡꯁꯤꯡꯂꯛꯀꯤ ꯫ ꯃꯇꯝ ꯈꯔꯒꯤ ꯃꯃꯥꯡꯗꯥ ꯃꯤ ꯑꯃꯅꯥ ꯂꯤꯔꯝꯕꯅꯤ ꯫ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯒꯤꯗꯤ ꯅꯠꯇꯦ; ꯚꯥꯔꯠꯀꯤ ꯁ꯭ꯇꯦꯠ ꯑꯃꯒꯤꯅꯤ ꯫ ꯇꯥꯔꯝ ꯑꯅꯤꯔꯛ ꯃꯟꯇ꯭ꯔꯤ ꯑꯣꯏꯔꯕꯥ ꯅꯨꯄꯥ ꯑꯃꯅꯥ ꯑꯍꯨꯟꯅꯛꯁꯨꯕꯥ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯚꯣꯠ ꯀꯥꯅꯕꯥ ꯃꯤꯌꯥꯃꯒꯤ ꯃꯤꯇꯤꯡꯗꯥ ꯑꯁꯨꯝꯅꯥ ꯚꯣꯠ ꯈꯣꯝꯈꯤ,

"য়ানি ঐঙোন্দা অদুম হাপকে।"

"নঙনা কুন্নক্কি ফাওবা ঐখোয় চারম্মোই।"

"য়ুমদা খরা পুগে তৌবনি। ঐখোয় অহুম্না চানবগীদি কোম্না হেক্কে।"

ঙাঙনরিবসিদা মায়চোম্না হংলকই,

"নঙনা থমজিল্লিবদু মঙা, তরুক শুরম্মনি; ওকখিরোইদ্রনে?"

"অহুম মরিদংগা হেকখিগে। ঐখোয়গী ইপুবোক, ইবোক, বাবা, ইমা, ইচে, তাচৌ, ইনাও, ইচনগী অনী অনী শুনবদং হেকখিগে।"

চাউথোইগী ব্রাসিদা মায়চোম্না ব্রাফম অমা নীংশিংলক্কি। মতম খরগী মমাঙদা মী অমনা লীরম্বনি। মণিপুরগীদি নত্তে; ভারতকী ষ্টেট অমগীনি। টার্ম অনীরক মন্ত্রী ওইরবা নুপা অমনা অহুন্নকশুবা ওইনা ভোৎ কানবা মীয়ামগী মীটিংদা অসুম্না ভোৎ খোমখি,

“ꯃꯤꯌꯥꯝꯅ ꯑꯩꯕꯨ ꯑꯍꯥꯟꯕ ꯑꯣꯏꯅ ꯚꯣꯠ ꯀꯥꯍꯟꯕꯤꯗꯨꯅ ꯑꯩ ꯃꯟꯠꯔꯤ ꯑꯣꯏꯖꯈ꯭ꯔꯦ꯫ ꯃꯗꯨꯒꯤ ꯇꯥꯔꯝꯗꯨ ꯑꯩꯒꯤ ꯏꯆꯥ ꯏꯁꯨꯁꯤꯡ ꯁꯦꯝꯕꯗ ꯂꯩꯕꯥꯛ ꯃꯤꯌꯥꯝꯕꯨ ꯁꯦꯝꯕ-ꯁꯥꯕ ꯉꯝꯈꯤꯗꯦ꯫ ꯑꯅꯤꯁꯨꯕ ꯇꯥꯔꯝꯁꯨ ꯃꯤꯌꯥꯝꯅ ꯅꯨꯡꯁꯤꯕꯤꯗꯨꯅ ꯚꯣꯠ ꯀꯥꯍꯟꯕꯤꯈꯤ; ꯃꯟꯠꯔꯤ ꯑꯣꯏꯖꯈꯤ꯫ ꯍꯥꯌꯔꯤꯕ ꯆꯍꯤ ꯃꯉꯥꯁꯤꯁꯨ ꯑꯩꯒꯤ ꯃꯔꯤ-ꯃꯇꯥ ꯃꯌꯥꯝ ꯁꯦꯝꯕꯗ ꯂꯩꯕꯥꯛ ꯃꯤꯌꯥꯝꯕꯨ ꯁꯦꯝꯕ-ꯁꯥꯕ ꯉꯃꯖꯈꯤꯗꯦ꯫ ꯍꯧꯖꯤꯛꯇꯤ ꯑꯩꯒꯤ ꯃꯤꯑꯣꯏꯁꯤꯡ ꯁꯦꯝꯕ ꯂꯣꯏꯔꯕꯅꯤꯅ ꯂꯩꯕꯥꯛ ꯃꯤꯌꯥꯃꯒꯤ ꯁꯦꯕ ꯇꯧꯖꯔꯒꯦ ꯁꯦꯃꯖꯔꯒꯦ, ꯁꯥꯖꯔꯒꯦ; ꯑꯩꯕꯨ ꯚꯣꯠ ꯀꯥꯍꯟꯕꯤꯌꯨ꯫”

ꯅꯨꯄꯥꯗꯨ ꯑꯍꯨꯝꯁꯨꯕ ꯇꯥꯔꯝꯗꯨꯁꯨ ꯚꯣꯠ ꯀꯥꯈꯤ ꯍꯥꯌ꯫ ꯑꯁꯨꯝꯅ ꯆꯥꯎꯊꯣꯏꯁꯨ ꯍꯩꯅꯧ ꯍꯦꯛꯀꯗꯧꯔꯤ꯫ ꯍꯩꯅꯧ ꯃꯊꯛꯄꯨ ꯌꯧꯔꯕꯗꯤ ꯎꯊꯛ ꯌꯧꯔꯕ ꯃꯤ ꯈꯨꯗꯤꯡꯃꯛ ꯆꯥꯎꯊꯣꯏꯒꯤ ꯕ꯭ꯔꯥꯈꯂꯁꯤ ꯍꯦꯛꯇꯃꯛ ꯊꯜꯂꯛꯄꯖꯥꯡꯂꯥ? ꯇꯉꯥꯏꯐꯗꯅ ꯃꯕꯥꯅꯤꯗꯨ ꯆꯥꯎꯊꯣꯏꯒꯤ ꯑꯄꯥꯝꯕꯁꯤ ꯌꯥꯔꯦ꯫ ꯐꯖꯅ ꯃꯨꯜꯂꯕ, ꯉꯥꯡꯂꯕ ꯍꯩꯅꯧꯁꯤꯡ ꯇꯥꯈꯤꯗꯅꯕ ꯆꯦꯛꯁꯤꯟꯅ ꯍꯦꯛꯂꯒ ꯃꯥꯒꯤ ꯐꯨꯔꯤꯠꯈꯥꯎꯗ ꯍꯥꯞꯂꯤꯕꯗꯨ ꯃꯈꯥꯗꯒꯤ ꯃꯕꯥꯅꯤꯅ ꯉꯛꯀꯤ ꯅꯥꯕ ꯈꯉꯗꯅ ꯌꯦꯡꯂꯤ꯫

ꯃꯥꯒꯤ ꯐꯨꯔꯤꯠꯈꯥꯎꯁꯤꯡꯗꯨ ꯊꯂꯦ; ꯑꯣꯛꯀꯅꯤ ꯈꯟꯗꯨꯅ ꯆꯥꯎꯊꯣꯏꯅ ꯍꯥꯌꯔꯀꯏ,

“ꯍꯩꯅꯧ ꯅꯤꯀꯊꯔꯛꯂꯒꯦ, ꯈꯨꯝꯕ ꯊꯧꯔꯥꯡ ꯇꯧꯔꯣꯀꯣ꯫”

‘‘মীয়াম্না ঐবু অহানবা ওইনা ভোৎ কাহনবিদুনা ঐ মন্ত্রী ওইজখ্রে। মদুগী টার্মদু ঐগী ইচা ইশুশিং শেম্বদা লৈবাক মীয়াম্বু শেম্বা-শাবা ঙমখিদে। অনীশুবা টার্মসু মীয়াম্না নুংশিবিদুনা ভোৎ কাহনবিখি; মন্ত্রী ওইজখি। হায়রিবা চহী মঙাসিসু ঐগী মরী-মতা ময়াম শেম্বদা লৈবাক মীয়াম্বু শেম্বা-শাবা ঙমজখিদে। হৌজিক্তি ঐগী মীওইশিং শেম্বা লোইরবনিনা লৈবাক মীয়ামগী সেবা তৌজরগে শেমজরগে, শাজরগে; ঐবু ভোৎ কাহনবিয়ু।’’

নুপাদু অহুমশুবা টার্মদুসু ভোৎ কাখি হায়। অসুম্না চাউথোইসু হৈনৌ হেক্কদৌরি। হৈনৌ মথকপু য়ৌরবদি উথক য়ৌরবা মী খুদিংমক চাউথোইগী ব্রাখলসি হেক্তমক থল্লকপজাংলা? তঙাইফদনা মবানীদু চাউথোইগী অপাম্বসি য়ারে। ফজনা মুল্লবা, ঙাংলবা হৈনৌশিং তাখিদনবা চেকশিন্না হেক্লগা মাগী ফুরিৎখাউদা হাপ্লিবদু মখাদগী মবানীনা ঙক্কি নাবা খঙদনা য়েংলি।

মাগী ফুরিৎখাউশিংদু থল্লে; ওক্কগনি খন্দুনা চাউথোইনা হায়রকই,

‘‘হৈনৌ নীকথরক্লগে, খুম্নবা থৌরাং তৌরোকো।’’

ꯍꯥꯌꯕꯒꯥ ꯈꯣꯡꯐꯝ ꯁꯦꯝꯃꯏ; ꯈꯨꯠꯄꯥꯏ ꯆꯦꯠꯍꯜꯂꯤ꯫ ꯅꯤꯛꯀꯦ ꯇꯧꯔꯛꯄꯗꯨꯗꯥ ꯈꯤꯡꯕꯅꯥ ꯍꯥꯌꯔꯀꯏ,

"ꯀꯝꯅꯥ ꯅꯤꯛꯀꯅꯨ, ꯑꯁꯪꯕꯥ ꯀꯦꯜꯂꯛꯀꯅꯤ ꯑꯃꯨꯟꯕꯗꯃꯛ ꯀꯦꯟꯅꯕꯥ ꯇꯞꯄꯛꯀ ꯅꯤꯛꯀꯀꯎ꯫"

ꯃꯥꯒꯤ ꯕꯥꯁꯤꯗꯥ ꯌꯥꯅꯤꯡꯗ꯭ꯔꯕꯥ ꯆꯥꯎꯊꯣꯏꯅꯥ ꯍꯥꯌ,

"ꯈꯔꯥ ꯌꯥꯝꯅꯥ ꯀꯦꯟꯅꯕꯥ ꯀꯝꯅꯥ ꯅꯤꯛꯀꯦ; ꯑꯃꯨꯟꯕꯥ ꯌꯥꯝꯅꯥ ꯄꯥꯜꯂꯤ꯫"

ꯃꯥꯒꯤꯁꯤ ꯃꯔꯦꯒꯤ ꯕ꯭ꯔꯥꯉꯥꯉꯅꯤ; ꯃꯥꯅꯥ ꯑꯃꯨꯟꯕꯥ ꯈꯜꯂꯒꯥ ꯐꯅꯥ ꯌꯥꯝꯅꯥ ꯍꯦꯛꯈ꯭ꯔꯕꯥ ꯎꯁꯥꯅꯤ꯫ ꯄꯨꯛꯆꯦꯜ ꯆꯨꯃꯗꯕꯒꯤ ꯃꯑꯣꯡꯅꯤ; ꯃꯁꯤ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯅꯥ ꯃꯥꯌꯆꯣꯝꯅꯥ ꯍꯥꯌꯔꯀꯏ,

"ꯍꯦꯅꯧ ꯑꯁꯪꯕꯥ ꯆꯥꯟꯕꯒꯤ ꯃꯆꯜꯗꯤ ꯑꯩꯈꯣꯌꯅꯥ ꯄꯨꯔꯀꯦ꯫ ꯑꯁꯪꯕꯥ ꯍꯦꯛꯀꯛꯀꯅꯨ ꯑꯔꯦꯝꯕꯗꯥ ꯃꯥꯡꯍꯧꯔꯅꯤ꯫"

ꯆꯥꯎꯊꯣꯏꯗꯨ ꯈꯨꯝꯂꯛꯀꯦ꯫ ꯃꯥꯅꯥ ꯅꯦꯠꯂꯤꯕꯥ ꯎꯁꯥꯗꯨ ꯈꯣꯡꯅꯥ ꯅꯣꯝꯗꯨꯅꯥ ꯅꯤꯛꯀꯀꯏ꯫ ꯈꯨꯠꯅꯥ ꯄꯥꯏꯔꯤꯕꯥ ꯎꯁꯥꯗꯨꯁꯨ ꯅꯤꯀꯏ꯫ ꯃꯕꯥꯅꯤꯅꯥ ꯀꯣꯌꯆꯠ ꯆꯠꯂꯒꯥ ꯍꯦꯛꯀꯛꯄꯥ ꯍꯦꯅꯧꯁꯤꯡꯗꯨ ꯈꯨꯝꯂꯒꯥ ꯃꯐꯝ ꯑꯃꯗꯥ ꯊꯝꯃꯏ꯫ ꯐꯅꯥ ꯆꯦꯀꯁꯤꯟꯅꯥ ꯃꯨꯟꯅꯥ ꯌꯦꯡꯗꯨꯅꯥ ꯍꯦꯅꯧ ꯈꯨꯜꯂꯤꯕꯥ ꯃꯕꯥꯅꯤꯗꯥ ꯆꯥꯎꯊꯣꯏꯅꯥ ꯍꯥꯌ,

"ꯍꯦꯅꯧ ꯃꯥꯡꯍꯟꯒꯨꯃꯁꯤꯀꯣ꯫"

"ꯀꯦꯜꯂꯛꯄꯥ ꯃꯈꯣꯏꯗꯤ ꯈꯨꯝꯂꯦ; ꯑꯁꯪꯕꯥ ꯉꯥꯛꯀꯅꯤ꯫ ꯈꯔꯒꯥ ꯀꯥꯈꯠꯂꯒꯥ ꯅꯤꯀꯎ꯫"

হায়বগা খোঙফম শেমই; খূৎপায় চেৎহল্লি। নীক্কে তৌরকপদুদা খীংবনা হায়রকই,

"কম্না নীক্কনু, অশংবা কেল্লক্কনি অমুনবদমক কেন্নবা তপ্তক্ন নীক্ককউ।"

মাগী বাসিদা য়ানীংদ্রবা চাউথোইনা হায়,

"খরা য়াম্না কেন্নবা কম্না নীক্কে; অমুনবা য়াম্না পাল্লি।"

মাগীসি মরেগী ব্রাঙাঙনি; মানা অমুনবা খল্লগা ফনা য়াম্না হেকখ্রবা উশানি। পূকচেল চুমদবগী মওংনি; মসি ফোঙদোক্কনা মায়চোম্না হায়রকই,

"হৈনৌ অশংবা চানবগী মচলদি ঐখোয়না পুরক্কে। অশংবা হেক্রক্কনু অরেম্বদা মাঙহৌরনি।"

চাউথোইদু খুম্লক্কে। মানা নেৎলিবা উশাদু খোঙনা নোমদুনা নীক্ককই। খূৎনা পায়রিবা উশাদুসু নীকই। মবানীনা কোয়চৎ চৎলগা হেক্রকপা হৈনৌশিংদু খুম্লগা মফম অমদা থমই। ফনা চেকশিন্না মুন্না য়েংদুনা হৈনৌ খুল্লিবা মবানীদা চাউথোইনা হায়,

"হৈনৌ মাঙহনগুমসিকো।"

"কেল্লকপা মখৈদি খুম্লে; অশংবা ঙাক্কনি। খরগা কাখৎলগা নীকউ।"

ꯃꯥꯌꯆꯣꯟꯁꯨ ꯕ꯭ꯔꯥ ꯄꯥꯡꯂꯀꯏ꯫

" ꯅꯅꯥꯛꯀꯤ ꯎꯁꯥꯗꯨꯗꯥ ꯂꯥꯟꯁꯤꯟꯂꯨ; ꯃꯗꯨꯗꯤ ꯍꯩꯅꯧ ꯈꯔꯥ ꯌꯥꯝꯅꯥ ꯃꯨꯟꯕ ꯃꯥꯟꯂꯤ ꯫"

" ꯃꯁꯤꯒꯤ ꯎꯁꯥꯁꯤꯗꯤ ꯈꯕꯥ ꯄꯤꯛꯀꯏ; ꯅꯦꯠꯄꯗꯥ ꯇꯦꯛꯀꯅꯤ ꯫ ꯑꯩ ꯀꯨꯝꯊꯔꯛꯂꯒꯦ, ꯈꯣꯡꯁꯨ ꯈꯨꯠꯁꯨ ꯆꯣꯛꯊꯔꯦ ꯫"

ꯎꯁꯥ ꯑꯃꯥ ꯑꯅꯤꯗꯪꯒꯥ ꯅꯤꯛꯂꯛꯈꯤꯅꯕꯥ ꯍꯥꯌꯔꯕꯁꯨ ꯌꯥꯗ꯭ꯔꯦ; ꯀꯨꯝꯊꯔꯛꯂꯦ ꯫ ꯎꯊꯛ ꯌꯧꯔꯕꯥ ꯃꯤꯅꯥ ꯇꯥꯔꯛꯇꯅꯕꯥ ꯕ꯭ꯔꯥꯈꯜ ꯈꯅꯕꯁꯤ ꯍꯧꯅꯁꯥ ꯑꯣꯏꯔꯃꯥꯟꯂꯦ ꯫ ꯃꯥꯅꯥ ꯎ ꯀꯥꯕꯗꯥ ꯕ꯭ꯔꯥꯅꯥ ꯇꯦꯡꯕꯥꯡꯈꯤꯕꯥ ꯃꯕꯥꯅꯤꯒꯤ ꯔꯥ ꯉꯥꯛꯈꯤꯗ꯭ꯔꯦ ꯫ ꯆꯥꯎꯊꯣꯏꯗꯨ ꯂꯩꯃꯥꯌ ꯌꯧꯔꯛꯂꯦ ꯫ ꯃꯁꯥꯗꯥ ꯑꯃꯗꯤ ꯃꯐꯤꯗꯥ ꯄꯛꯄꯥ ꯑꯃꯣꯠꯄꯁꯤꯡꯗꯨ ꯀꯟꯂꯣꯛꯂꯗꯨꯅꯥ ꯍꯥꯌꯔꯀꯏ꯫

"ꯅꯕꯥꯅꯤ ꯍꯩꯅꯧꯁꯤꯡꯗꯨ ꯆꯥꯅꯕꯥ ꯊꯧꯔꯥꯡ ꯇꯧꯔꯝꯃꯣ; ꯑꯩ ꯌꯨꯃꯗꯥ ꯍꯩꯅꯧ ꯈꯔꯁꯤ ꯊꯟꯅꯨꯈꯤꯒꯦ ꯫"

ꯃꯕꯥꯅꯤꯅꯥ ꯈꯨꯝꯕꯥ ꯅꯪꯗ꯭ꯔꯤꯉꯩꯗꯥ ꯆꯠꯈ꯭ꯔꯦ ꯫ ꯃꯕꯥꯅꯤꯁꯨ ꯆꯠꯈ꯭ꯔꯤꯕꯥ ꯆꯥꯎꯊꯣꯏꯗꯥ ꯄꯨꯛꯅꯤꯡ ꯅꯨꯡꯁꯤꯕꯥ ꯃꯤꯠꯌꯦꯡꯅꯥ ꯉꯥꯏꯍꯥꯛ ꯌꯦꯡꯂꯨꯔꯒꯥ ꯂꯩꯃꯥꯌꯗꯥ ꯂꯩꯔꯤꯕꯥ ꯍꯩꯅꯧꯁꯤꯡꯗꯨ ꯆꯞ ꯃꯥꯟꯅꯅꯥ ꯃꯨꯟꯅꯥ ꯌꯦꯡꯂꯤ ꯫

ꯇꯥꯡ ꯱꯸-꯱꯰-꯲꯰꯰꯳

মায়চোনসু ব্রা পাংলকই,

"ননাক্কী উশাদুদা লানশিল্লু; মদুদি হৈনৌ খরা য়াম্না মুনবা মাল্লি ।"

"মসিগী উশাসিদি খবা পীকই; নেৎপদা তেক্কনি । ঐ কুমথরক্লগে, খোঙসু খূৎসু চোকথরে ।"

উশা অমা অনীদংগা নীক্লকখিনবা হায়রবসু য়াদ্রে; কুমথরক্লে । উথক য়ৌরবা মীনা তারক্তনবা ব্লাখল খনবসি হৌনশা ওইরমাল্লে । মানা উ কাবদা ব্রানা তেংবাংখিবা মবানীগী রা ঙাকখিদ্রে । চাউথোইদু লৈমায় য়ৌরক্লে । মশাদা অমদি মফিদা পকপা অমোৎপশিংদু কল্লোক্লদুনা হায়রকই,

"নবানী হৈনৌশিংদু চানবা থৌরাং তৌরম্মো; ঐ য়ূমদা হৈনৌ খরসি থন্নুখিগে।"

মবানীনা খুম্বা নংদ্রিঙৈদা চৎখ্রে । মবানীসু চৎখ্রিবা চাউথোইদা পূক্লিং নুংশিবা মীৎয়েংনা ঙাইহাক য়েংলুরগা লৈমায়দা লৈরিবা হৈনৌশিংদু চপ মান্ননা মুন্না য়েংলি ।

তাং ১৮-১০-২০০৩

ꯑꯔꯥꯡꯐꯝ

ꯁꯨꯃꯥꯡꯒꯤ ꯃꯆꯤ ꯑꯃꯗꯥ ꯊꯣꯏꯌꯥꯏꯅꯥ ꯈꯨꯗꯦꯡꯗꯥ ꯈꯣꯡ ꯈꯨꯠ ꯍꯥꯟꯅꯤ ꯫ ꯂꯥꯏꯔꯛꯄꯒꯤ ꯑꯗꯨꯗꯥ ꯐꯖꯔꯩꯕꯨ ꯀꯧꯔꯒꯥ ꯍꯥꯌꯔꯀꯏ,

"ꯑꯩꯒꯤ ꯐꯤꯔꯣꯜꯗꯨ ꯈꯔꯥ ꯄꯨꯊꯣꯕꯀꯎ ꯫"

ꯐꯖꯔꯩꯅꯥ ꯃꯅꯥꯛꯇꯥ ꯆꯉꯁꯤꯜꯂꯀꯨꯅꯥ ꯍꯪꯂꯩ,

"ꯈꯣꯡ ꯈꯨꯠ ꯍꯥꯟꯅꯤꯕꯁꯤꯕꯨ ꯀꯗꯥꯌꯗꯥ ꯆꯠꯇꯣꯏꯅꯣ ?"

"ꯑꯔꯥꯡ ꯂꯩꯀꯥꯏꯒꯤ ꯃꯐꯝ ꯈꯔꯗꯥ ꯑꯩꯈꯣꯌꯒꯤ ꯃꯟꯇ꯭ꯔꯤ ꯌꯥꯎꯅꯥ ꯃꯤꯇꯤꯡ ꯇꯧꯒꯗꯧꯔꯤ ꯫ ꯃꯗꯨ ꯌꯥꯎꯔꯨꯒꯦ ꯇꯧꯕꯅꯤ ꯫"

ꯑꯩꯈꯣꯌꯒꯤ ꯃꯟꯇ꯭ꯔꯤ ꯍꯥꯌꯅꯥ ꯑꯗꯨꯝ ꯈꯪꯅꯔꯦ ꯫ ꯃꯈꯣꯌꯒꯤ ꯀꯦꯟꯗ꯭ꯔꯗꯒꯤ ꯀꯥꯈꯤꯕꯥ ꯑꯦꯝ. ꯑꯦꯜ. ꯑꯦ. ꯍꯧꯖꯤꯛꯇꯥ ꯃꯟꯇ꯭ꯔꯤ ꯑꯣꯏꯔꯤꯕꯗꯨꯅꯤ ꯫ ꯃꯤꯡ ꯀꯧꯅꯗ꯭ꯔꯦ ꯫ ꯚꯣꯠ ꯅꯀꯁꯤꯜꯂꯀꯄꯁꯤꯗꯥ ꯃꯤꯇꯤꯡ ꯃꯆꯥ ꯃꯆꯥ ꯇꯧꯗꯨꯅꯥ ꯚꯣꯠ ꯈꯣꯟꯅꯤ ꯫ ꯊꯣꯏꯌꯥꯏꯅꯥ ꯃꯈꯥ ꯇꯥꯔꯀꯏ,

অরাংফম

শুমাঙগী মচি অমদা থোইয়াইনা খুদেংদা খোঙ খূৎ হান্নি। লাইরকপগী অদুদা ফজরৈবু কৌরগা হায়রকই,

"ঐগী ফিরোলদু খরা পুথোবকউ।"

ফজরৈনা মনাক্তা চঙশিল্লকুনা হংলৈ,

"খোঙ খূৎ হান্নিবসিবু কদায়দা চৎতোইনো ?"

"অরাং লৈকাইগী মফম খরদা ঐখোয়গী মন্ত্রী য়াওনা মীটিং তৌগদৌরি। মদু য়াওরুগে তৌবনি।"

ঐখোয়গী মন্ত্রী হায়না অদুম খঙনরে। মখোয়গী কেন্দ্রদগী কাখিবা এম,এল,এ, হৌজিক্তা মন্ত্রী ওইরিবদুনি। মিং কৌনদ্রে। ভোৎ নকশিল্লকপসিদা মীটিং মচা মচা তৌদুনা ভোৎ খোন্নি। থোইয়াইনা মখা তারকই,

"ꯍꯥꯟꯅꯥ ꯃꯥꯒꯤ ꯃꯤ ꯑꯣꯏꯔꯝꯕꯁꯤꯡꯗꯨ ꯑꯌꯥꯝꯕꯅꯥ ꯑꯇꯣꯞꯄꯗꯥ ꯆꯠꯅꯈꯤꯗꯧꯔꯦ ꯍꯥꯌꯅꯥ ꯇꯥꯔꯤ ꯫ ꯃꯈꯣꯌꯗꯨ ꯇꯥꯁꯤꯟ-ꯈꯣꯝꯖꯤꯟꯅꯕꯥ ꯇꯧꯒꯗꯧꯔꯤꯕꯥ ꯃꯤꯇꯤꯡꯅꯤ ꯫"

"ꯅꯥꯕꯥ ꯀꯟꯁꯤꯜꯂꯛꯂꯒꯥ ꯈꯌꯣꯝ ꯆꯕꯥꯟ ꯊꯥꯕꯁꯤ ꯀꯥꯟꯅꯗꯦꯗꯥ ꯫ ꯅꯥꯔꯛꯂꯤꯡꯉꯩꯗꯥ ꯅꯥꯔꯛꯀꯅꯕꯥ ꯆꯦꯛꯁꯤꯟꯕꯥ ꯅꯠꯇꯔꯒꯥ ꯈꯖꯤꯛꯀꯡ ꯍꯛꯆꯥꯡ ꯉꯟꯅꯛꯀꯕꯥ ꯃꯇꯥꯡꯗꯨꯗꯥ ꯗꯥꯛꯇꯔꯕꯨ ꯌꯦꯡꯍꯧꯅꯕꯥ ꯇꯧꯒꯗꯕꯅꯤ ꯫ ꯁꯥꯎꯅꯕꯥ, ꯕꯥꯔꯧꯅꯕꯥ ꯊꯕꯛꯁꯤꯡ ꯇꯧꯒꯦ ꯇꯧꯊꯔꯒꯥ ꯍꯧꯖꯤꯛꯇꯥ ꯊꯦꯝꯕꯁꯤꯟꯗꯤ ꯃꯤꯌꯥꯝꯒꯤ ꯄꯨꯛꯅꯤꯡ ꯐꯥꯕꯥ ꯉꯝꯗꯧꯕꯥ ꯃꯥꯟꯗꯦ ꯫"

"ꯃꯤꯕꯨ ꯁꯣꯏꯗꯕꯥ ꯉꯝꯕꯔꯅꯦ ? ꯆꯥꯇꯤꯟ ꯑꯃꯅꯥ ꯃꯤ ꯃꯉꯥ ꯇꯔꯨꯛꯄꯨ ꯑꯃꯨꯛꯇꯗꯥ ꯅꯣꯡꯈꯅꯕꯥ ꯉꯝꯕꯥ ꯍꯧꯅꯗꯦ ꯫ ꯃꯤꯌꯥꯝꯒꯤ ꯊꯕꯛ ꯇꯧꯕꯥ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤꯗꯤ ꯃꯤ ꯈꯔꯅꯥ ꯄꯦꯟꯕꯥ, ꯈꯔꯅꯥ ꯄꯦꯟꯗꯕꯥ, ꯁꯥꯎꯕꯥ, ꯌꯥꯅꯤꯡꯗꯕꯥ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤ ꯃꯁꯥꯅꯥ ꯇꯥꯔꯕꯅꯤ ꯫"

"ꯑꯉꯥꯡ ꯃꯌꯥꯝ ꯂꯩꯔꯒꯥ ꯑꯉꯥꯡ ꯑꯃꯥ ꯑꯅꯤꯗꯡꯕꯨ ꯑꯆꯥꯄꯣꯠ ꯄꯤꯖꯕꯥ, ꯄꯤꯖꯔꯣꯏꯗꯕꯥ ꯑꯉꯥꯡꯁꯤꯡꯕꯨꯅꯥ ꯃꯤꯍꯧꯍꯟꯕꯥ ꯃꯇꯤꯜ ꯌꯣꯠꯍꯟꯕꯗꯤ ꯆꯨꯝꯗꯦ ꯫"

ꯇꯩꯊꯣꯛꯄꯥ ꯂꯣꯏꯔꯗꯨꯅꯥ ꯃꯕꯥꯅꯤ ꯆꯡꯃꯤꯟꯅꯔꯛꯂꯦ ꯫ ꯊꯣꯏꯌꯥꯏꯅꯥ ꯐꯃꯦꯟꯒꯤ ꯐꯛꯇꯥ ꯐꯝꯃꯏ; ꯐꯖꯔꯩꯅꯥ ꯏꯃꯨꯡꯗꯥ ꯆꯡꯈꯔꯦ ꯫ ꯍꯧꯖꯤꯛ ꯐꯖꯔꯩꯅꯥ ꯌꯥꯅꯤꯡꯗꯕꯒꯤ ꯕꯔꯥꯍꯦ ꯈꯔꯥ

"হান্না মাগী মী ওইরম্বশিংদু অয়াম্বনা অতোপ্পদা চৎনখিদৌরে হায়না তারি । মখোয়দু তাশিন-খোমজিন্নবা তৌগদৌরিবা মীটিংনি ।"

"নাবা কনশিল্লক্রগা খয়োম চবান থাবসি কান্নদেদা । নারক্ক্রিঙৈদা নারক্কনবা চেকশিনবা নৎত্রগা খজিক্কং হকচাং ঙন্নক্কবা মতাংদুদা ডাক্তরবু যেংহৌনবা তৌগদবনি । শাউনবা, ব্রারৌনবা থবকশিং তৌগে তৌথ্রগা হৌজিক্তা থেম্বসিনদি মীয়ামগী পূক্লিং ফাবা ঙমদৌবা মান্দে ।"

"মীবু শোয়দবা ঙম্ব্রনে ? ছাটিন অমনা মী মঙা তরুকপু অমুক্তদা নোংখনবা ঙম্বা হৌনদে । মীয়ামগী থবক তৌবা হায়বসিদি মী খরনা পেনবা, খরনা পেন্দবা, শাউবা, য়ানীংদবা হায়বসি মশানা তারবনি ।"

"অঙাং ময়াম লৈরগা অঙাং অমা অনীদংবু অচাপোৎ পীজবা, পীজরোইদবা অঙাংশিংবুনা মীহৌহনবা মতিল য়োৎহনবদি চুমদে ।"

তৈথোকপা লোইরদুনা মবানী চঙমিন্নরক্লে । থোইয়াইনা ফমেনগী ফক্তা ফমই; ফজরৈনা ইমুংদা চঙখ্রে । হৌজিক ফজরৈনা য়ানীংদবগী ব্রাহে খরা

ꯍꯥꯌꯔꯤꯕꯁꯤ ꯀꯦꯟꯗ꯭ꯔꯁꯤꯒꯤ ꯃꯤ ꯑꯌꯥꯝꯕꯒꯤ ꯑꯅꯤꯡꯕ ꯑꯄꯥꯝꯕꯗꯨꯅꯤ ꯫ ꯊꯣꯏꯌꯥꯏꯒꯨꯝꯕ ꯃꯤ ꯈꯔꯅꯗꯤ ꯃꯟꯠꯔꯤꯁꯤꯕꯨ ꯌꯥꯔꯤ; ꯁꯣꯌꯈꯤꯕꯒꯤ ꯃꯔꯥꯜꯁꯤꯡꯗꯨ ꯉꯥꯛꯄꯤꯔꯤ ꯫

ꯊꯣꯏꯌꯥꯏꯒꯤ ꯄꯨꯛꯅꯤꯡꯗꯨ ꯂꯥꯡꯇꯛꯅꯔꯦ ꯫ ꯄꯦꯟꯗ꯭ꯔꯤꯕ, ꯁꯥꯎꯔꯤꯕ ꯃꯤꯌꯥꯝꯁꯤ ꯐꯥꯊꯅꯕ ꯍꯣꯠꯅꯕꯗ ꯑꯋꯥꯕ ꯑꯃ ꯑꯣꯏꯔꯒꯅꯤ; ꯈꯨꯗꯣꯡꯊꯤꯕ ꯑꯃ ꯃꯥꯌꯣꯛꯅꯔꯒꯅꯤ ꯫ ꯐꯤꯔꯣꯜ ꯄꯨꯊꯣꯔꯛꯂꯤꯕꯤ ꯐꯖꯔꯩꯗ ꯍꯥꯌꯔꯀꯏ,

“ꯍꯧꯖꯤꯛꯀꯤ ꯅꯉꯒꯤ ꯋꯥꯗꯨ ꯅꯄꯨꯛꯅꯤꯡꯗ ꯑꯗꯨꯝ ꯊꯝꯎ; ꯃꯤꯉꯣꯟꯗꯗꯤ ꯍꯥꯌꯔꯛꯅꯨꯀꯣ ꯫ ꯃꯗꯨ ꯚꯣꯠ ꯀꯥꯌꯕ ꯌꯥꯕ ꯋꯥꯅꯤ ꯫”

ꯐꯤꯔꯣꯜꯗꯨ ꯐꯛꯇ ꯊꯟꯅꯒ ꯐꯗꯤꯅ ꯈꯣꯡꯎꯞ ꯇꯩꯊꯣꯛꯂꯗꯨꯅ ꯐꯖꯔꯩꯅ ꯍꯥꯌ,

“ꯃꯤꯉꯣꯟꯗ ꯑꯩꯅꯗꯤ ꯍꯥꯌꯗꯦ ꯍꯥꯌꯕꯕꯨ ꯃꯤ ꯑꯌꯥꯝꯕꯅ ꯍꯥꯌꯅꯔꯤꯕꯁꯤꯗꯤ ꯀꯅꯥꯅ ꯈꯥꯡꯕ ꯉꯝꯒꯗꯒꯦ?”

“ꯃꯈꯣꯌꯕꯨ ꯈꯥꯡꯕꯒꯤꯅꯤ ꯑꯩꯈꯣꯌꯅ ꯃꯤꯇꯤꯡ ꯇꯧꯔꯤꯁꯦ ꯫”

“ꯈꯔꯗꯤ ꯋꯥꯔꯅꯤ ꯫ ꯅꯈꯣꯌꯒꯤ ꯃꯟꯠꯔꯤꯗꯨ ꯃꯤ ꯃꯁꯛ ꯈꯉꯗꯦ, ꯃꯤꯒꯤ ꯇꯧꯕꯤꯃꯜ ꯀꯥꯎꯏ ꯫”

হায়রিবসি কেন্দ্রসিগী মী অয়াম্বগী অনীংবা অপাম্বদুনি। থোইয়াইগুম্বা মী খরনদি মন্ত্রীসিবু য়ারি; শোয়খিবগী মরালশিংদু ঙাকপিরি।

থোইয়াইগী পূক্লিংদু লাংতক্লরে। পেন্দ্রিবা, শাউরিবা মীয়ামসি ফাথনবা হোৎনবদা অৱাবা অমা ওইরগনি; খুদোংথীবা অমা মায়োক্লরগনি। ফিরোল পুথোরক্লিবী ফজরৈদা হায়রকই,

“হৌজিক্কী নঙগী ৱাদু নপূক্লিংদা অদুম থমউ; মীঙোন্দদি হায়রক্নুকো। মদু ভোৎ কায়বা য়াবা ৱানি।”

ফিরোলদু ফক্তা থন্নগা ফদিনা খোঙউপ তৈথোক্লদুনা ফজরৈনা হায়,

“মীঙোন্দা ঐনদি হায়দে হায়ববু মী অয়াম্বনা হায়নরিবসিদি কনানা খাম্বা ঙমগদগে?”

“মখোয়বু খাম্বগীনি ঐখোয়না মীটিং তৌরিসে।”

“খরদি ৱারনি। নখোয়গী মন্ত্রীদু মী মশক খঙদে, মীগী তৌবিমল কাউই।”

"ꯅꯈꯣꯌꯒꯤ ꯃꯟꯇ꯭ꯔꯤ ꯍꯥꯌꯅꯨꯅꯦ, ꯑꯩꯈꯣꯌꯒꯤ ꯃꯟꯇ꯭ꯔꯤ ꯍꯥꯌꯌꯨꯅꯦ ꯫"

"ꯑꯩꯗꯤ ꯍꯥꯌꯅꯤꯡꯗꯦ; ꯃꯥꯗꯤ ꯃꯤꯌꯥꯝꯒꯤ ꯊꯕꯛ ꯇꯧꯗꯦ, ꯃꯤ ꯈꯔꯈꯛꯀꯤꯗꯥ ꯇꯧꯏ ꯫"

ꯐꯖꯔꯩꯒꯤ ꯕ꯭ꯔꯥꯁꯤꯗꯥ ꯑꯆꯨꯝꯕꯥ ꯌꯥꯑꯣꯔꯤ; ꯊꯣꯏꯌꯥꯏꯁꯨ ꯌꯥꯅꯤꯡꯏ ꯫ ꯚꯣꯠ ꯈꯣꯝꯕꯗꯗꯤ ꯃꯌꯥꯝ ꯆꯟꯗꯨꯅꯥ ꯍꯣꯠꯅꯃꯤꯟꯅꯈꯤ ꯫ ꯀꯅꯥꯅꯥ ꯊꯕ꯭ꯔꯥꯌ ꯀꯌꯥꯝ ꯌꯥꯑꯣꯅꯥ ꯍꯣꯠꯅꯈꯤꯕꯥ; ꯀꯅꯥꯅꯥ ꯃꯁꯥꯒꯤ ꯁꯦꯜ ꯀꯌꯥꯝ ꯌꯥꯝꯃꯥ ꯇꯤꯡꯅꯥ ꯍꯣꯠꯅꯈꯤꯕꯥ, ꯀꯅꯥꯅꯥ ꯄꯨꯛꯆꯦꯜ ꯀꯌꯥꯝ ꯁꯦꯡꯅꯥ ꯍꯣꯠꯅꯈꯤꯕꯥ; ꯀꯔꯝꯕꯥ ꯃꯤꯑꯣꯏꯅꯥ ꯈꯨꯗꯣꯡꯊꯤꯕꯥ ꯀꯌꯥꯝ ꯃꯥꯌꯣꯛꯅꯈꯤꯕꯥ ꯄꯨꯝꯅꯃꯀꯁꯤ ꯚꯣꯠ ꯀꯥꯔꯕꯥ ꯃꯇꯨꯡꯗꯥ ꯀꯥꯎꯊꯣꯛꯄꯥ ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯒꯥ ꯀꯥꯎꯁꯤꯟꯅꯕꯥ ꯇꯧꯔꯀꯏ ꯫ ꯆꯤꯟꯗꯣꯜ-ꯂꯩꯇꯣꯟ ꯐꯕꯥ ꯈꯔꯈꯛꯀꯤ ꯃꯟꯇ꯭ꯔꯤ ꯑꯣꯏꯔꯤꯉꯩ ꯀꯦꯟꯗ꯭ꯔ ꯑꯃꯒꯤ ꯃꯤꯍꯨꯠꯅꯤ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤ ꯅꯤꯡꯁꯤꯡꯗꯦ ꯫ ꯄꯨꯛ ꯊꯜꯂꯤꯉꯩ ꯐꯨꯔꯤꯠꯈꯥꯎꯗꯥ ꯁꯦꯜ ꯌꯥꯑꯣꯔꯤꯉꯩ ꯃꯃꯥ ꯃꯄꯥ ꯅꯤꯡꯁꯤꯡꯗꯕꯥ; ꯆꯥꯛ ꯂꯥꯟꯅꯛꯂꯕꯥ, ꯁꯦꯜ ꯕ꯭ꯔꯥꯠꯂꯛꯂꯕꯥ ꯃꯇꯥꯡꯗꯅꯥ ꯃꯃꯥ ꯃꯄꯥꯕꯨ ꯅꯨꯡꯁꯤꯔꯛꯇꯨꯅꯥ ꯌꯨꯃꯗꯥ ꯍꯜꯂꯛꯀꯅꯕꯥ, ꯑꯉꯥꯑꯣꯕꯥ ꯕ꯭ꯔꯥꯈꯜ ꯆꯦꯅꯕꯥ ꯅꯍꯥꯒꯤ ꯄꯨꯟꯁꯤ; ꯂꯨꯍꯣꯡꯕꯥ, ꯁꯣꯔꯥꯠꯀꯤ ꯑꯔꯥꯡꯐꯝꯃꯥ ꯃꯅꯤꯡ ꯇꯝꯕꯗꯨꯅꯤ ꯃꯇꯝꯁꯤꯒꯤ ꯑꯦꯝ, ꯑꯦꯜ, ꯑꯦ, ꯃꯟꯇ꯭ꯔꯤꯒꯤ ꯊꯝꯃꯣꯏ ꯫

ꯂꯩꯀꯥꯏꯅꯥ ꯃꯟꯇ꯭ꯔꯤꯁꯤꯕꯨ ꯄꯦꯟꯗ꯭ꯔꯦ; ꯃꯈꯣꯌꯕꯨ ꯊꯦꯝꯅꯕꯥ ꯃꯤꯇꯤꯡ ꯇꯧꯔꯤ ꯫ ꯃꯤꯇꯤꯡꯗꯨ ꯌꯥꯑꯣꯅꯕꯥ ꯊꯣꯏꯌꯥꯏꯅꯥ ꯆꯠꯀꯗꯧꯔꯤ ꯫ ꯐꯖꯔꯩꯅꯥ ꯃꯟꯇ꯭ꯔꯤꯕꯨ ꯌꯥꯗ꯭ꯔꯤꯕꯁꯤꯗꯤ ꯃꯤꯇꯤꯡꯅꯥ ꯊꯦꯝꯕꯥ ꯉꯝꯔꯣꯏ ꯫

"নখোয়গী মন্ত্রী হায়নুনে, ঐখোয়গী মন্ত্রী হায়য়ুনে ।"

"ঐদি হায়নীংদে; মাদি মীয়ামগী থবক তৌদে, মী খরখক্কীদা তৌই ।"

ফজরৈগী ব্রাসিদা অচুম্বা য়াওরি; থোইয়াইসু য়ানীংই । ভোৎ খোম্বদদি ময়াম চণ্ডদুনা হোৎনমিন্নখি । কনানা থব্রায় কয়াম য়াওনা হোৎনখিবা; কনানা মশাগী শেল কয়াম য়াম্মা তিংনা হোৎনখিবা, কনানা পূকচেল কয়াম শেংনা হোৎনখিবা; করম্বা মীওইনা খুদোংথীবা কয়াম মায়োক্নখিবা পূম্নমকসি ভোৎ কারবা মতুংদা কাউথোকপা নৎত্রগা কাউশিন্নবা তৌরকই । চীন্দোল-লৈতোন ফবা খরখক্কী মন্ত্রী ওইরিঙৈ কেন্দ্র অমগী মীহুৎনি হায়বসি নীংশিংদে । পূক থল্লিঙৈ ফুরিৎখাউদা শেল য়াওরিঙৈ মমা মপা নীংশিংদবা; চাক লান্নক্লবা, শেল ব্রাৎলক্লবা মতাংদনা মমা মপাবু নুংশিরক্তুনা য়ূমদা হল্লক্কনবা, অঙাওবা ব্রাখল চেনবা নহাগী পুন্সি; লুহোংবা, শোরাৎকী অরাংফম্মা মনীং তম্বদুনি মতমসিগী এম, এল,এ, মন্ত্রীগী থম্মোয় ।

লৈকাইনা মন্ত্রীসিবু পেন্দ্রে; মখোয়বু থেম্নবা মীটিং তৌরি । মীটিংদু য়াওনবা থোইয়াইনা চৎকদৌরি । ফজরৈনা মন্ত্রীবু য়াদ্রিবসিদি মীটিংনা থেম্বা ঙম্রোই ।

ꯃꯁꯤ ꯃꯥꯌꯊꯤꯕꯥ ꯑꯃꯅꯤ ꯫ ꯃꯤꯇꯤꯡꯒꯤ ꯃꯍꯨꯠꯇꯥ ꯊꯕꯛ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯄꯥꯟꯅꯤ ꯫ ꯄꯅꯒꯤ ꯃꯈꯥꯗꯥ ꯏꯁꯤꯡ ꯌꯨꯕꯗꯨ ꯃꯊꯛꯇꯥ ꯑꯀꯅꯕꯥ ꯂꯩꯕꯥꯛ ꯄꯡꯍꯥꯞꯇꯨ ꯍꯥꯞꯂꯒꯥ ꯐꯒꯅꯤ ꯈꯅꯕꯒꯤ ꯍꯩꯅꯕꯤ ꯂꯩꯈꯤ ꯫ ꯐꯖꯔꯩꯒꯤ ꯄꯨꯛꯅꯤꯡ ꯐꯥꯅꯕꯥ ꯊꯣꯏꯌꯥꯏꯅꯥ ꯍꯥꯏ,

“ꯃꯇꯨꯡꯗꯥ ꯁꯦꯝꯗꯣꯛꯂꯛꯅꯕꯒꯤ ꯇꯥꯡꯖꯥꯁꯨ ꯄꯤꯕꯤꯁꯤ ꯫ ꯁꯔꯀꯥꯔ ꯄꯥꯏꯕꯥ ꯌꯥꯑꯣꯔꯕꯁꯨ ꯃꯊꯟꯇꯒꯤ ꯀꯨꯁꯤ ꯇꯧꯕꯥ ꯌꯥꯗꯕꯅꯤꯅꯥ ꯅꯤꯡꯇꯝꯅꯥ ꯊꯕꯛ ꯇꯧꯗꯕꯅꯤ ꯫”

ꯊꯕꯛ ꯌꯥꯝꯅꯥ ꯇꯧꯗꯕꯒꯤ ꯄꯦꯟꯅꯗꯕꯥ ꯅꯠꯇꯦ ꯫ ꯔꯥꯅꯣꯝꯕꯥ ꯍꯩꯕꯁꯤꯡꯒꯤ ꯃꯟꯠꯔꯤ ꯑꯣꯏꯊꯤꯕꯥ, ꯅꯤꯡꯉꯥꯏ ꯇꯧꯒꯅꯕꯥ ꯅꯠꯔꯒꯥ ꯑꯣꯏꯅꯒꯅꯕꯥ ꯑꯉꯥꯗꯨꯇꯕꯨ ꯆꯥꯛ ꯄꯤꯖꯕꯥ, ꯇꯨꯃꯤꯟꯅꯥ ꯂꯩꯖꯕꯥ ꯆꯔꯥꯗꯤ ꯍꯦꯜꯂꯕꯥ ꯑꯉꯥꯡꯗꯨꯕꯨꯗꯤ ꯁꯔꯨꯛ ꯊꯨꯡꯅꯤꯡꯗꯕꯁꯤꯅꯤ ꯐꯖꯔꯩꯈꯣꯌꯅꯥ ꯁꯥꯎꯔꯤꯕꯁꯤ ꯫

ꯃꯟꯠꯔꯤꯗꯥ ꯁꯥꯎꯔꯒꯥ, ꯆꯠꯀꯗꯕꯒꯤ ꯐꯤ ꯁꯦꯠꯂꯤꯕꯥ ꯊꯣꯏꯌꯥꯏꯗꯥ ꯇꯥꯏꯅꯕꯒꯤ ꯃꯑꯣꯡꯗꯥ ꯉꯥꯡꯕꯁꯤ ꯐꯖꯔꯩꯅꯥ ꯄꯥꯃꯗ꯭ꯔꯦ ꯫ ꯍꯥꯏꯔꯀꯏ,

“ꯃꯣꯏꯕꯥꯕꯥꯒꯤ ꯑꯄꯥꯝꯕꯗꯥ ꯑꯩ ꯌꯦꯠꯂꯔꯣꯏ; ꯇꯧꯕꯇꯕꯨ ꯃꯤꯌꯥꯝꯅꯥ ꯌꯥꯔꯛꯇꯕꯒꯤ ꯃꯔꯃꯗꯨ ꯈꯉꯂꯒꯥ ꯃꯟꯠꯔꯤꯅꯥ ꯚꯣꯠ ꯈꯣꯃꯍꯟꯅꯤꯡꯏ ꯫”

“ꯑꯩꯈꯣꯌꯒꯤ ꯃꯟꯠꯔꯤꯁꯨ ꯍꯟꯗꯛꯇꯤ ꯖ꯭ꯒ꯭ꯌꯥꯟ ꯈꯔꯥ ꯇꯥꯔꯕꯅꯤꯗꯥ ꯫”

মসি মায়থীবা অমনি । মীটিংগী মহুৎতা থবক ওইনা পান্নি । পনগী মখাদা ঈশিং য়ুবদু মথক্তা অকনবা লৈবাক পংহাপ্ত হাপ্লগা ফগনি খনবগী হৈনবী লৈখি । ফজরৈগী পৃক্লিং ফানবা থোইয়াইনা হায়,

“মতুংদা শেমদোক্লনবগী তাঞ্জাসু পীবিসি । সরকার পায়বা য়াওরবসু মথন্তগী কুশি তৌবা য়াদবনিনা নীংতম্না থবক তৌদবনি ।”

থবক য়াম্না তৌদবগী পেন্নদবা নত্তে । রানোম্বা হৈবশিংগী মন্ত্রী ওইথিবা, নীঙাই তৌগনবা নৎত্রগা ওইনগনবা অঙাদুতবু চাক পীজবা, তুমিন্না লৈজবা চরাদি হেল্লবা অঙাংদুবুদি শরুক থুংনীংদবসিনি ফজরৈখোয়না শাউরিবসি ।

মন্ত্রীদা শাউরগা, চৎকদবগী ফি শেৎলিবা থোইয়াইদা তাইনবগী মওংদা ঙাঙবসি ফজরৈনা পামদ্রে । হায়রকই,

“মোইবাবাগী অপাম্বদা ঐ য়েৎলরোই; তৌবতবু মীয়াম্না য়ারক্তবগী মরমদু খঙলগা মন্ত্রীনা ভোৎ খোমহন্নীংই ।”

“ঐখোয়গী মন্ত্রীসু হন্দক্তি জ্ঞান খরা তারবনিদা ।”

"ꯃꯤꯇꯤꯡꯗꯨ ꯂꯣꯢꯕ ꯐꯥꯑꯣꯕ ꯌꯥꯑꯣꯔꯛꯀꯗꯣꯢꯔꯥ ?"

"ꯃꯤ ꯌꯥꯝꯅꯒꯗꯤ ꯉꯥꯏꯍꯥꯛ ꯌꯥꯑꯣꯔꯒꯥ ꯍꯜꯂꯛꯀꯅꯤ ꯫ ꯌꯨꯝ ꯅꯣꯡ ꯌꯨꯕ ꯁꯦꯝꯕ ꯍꯧꯔꯨꯕꯁꯤ ꯂꯣꯢꯁꯤꯜꯂꯒꯦ ꯫ ꯅꯥꯇꯦ ꯆꯥꯗ꯭ꯔꯒꯗꯤ ꯂꯣꯢꯕ ꯐꯥꯑꯣꯕ ꯌꯥꯑꯣꯕꯤꯔꯒꯦ ꯫"

ꯅꯣꯡꯃꯗꯣꯟꯗꯥ ꯌꯦꯡꯎꯕꯒꯥ ꯐꯖꯔꯦꯅꯥ ꯍꯡꯂꯀꯏ,

"ꯅꯣꯡꯁꯤ ꯃꯡꯂꯛꯄꯒꯨꯝꯕ ꯇꯧꯏ; ꯁꯥꯇꯤꯟ ꯄꯨꯈꯤꯒꯦꯔꯥ ?"

"ꯄꯨꯔꯔꯣꯏꯗꯥ ꯍꯧꯖꯤꯛꯀꯃꯛ ꯆꯨꯗꯣꯕ ꯃꯥꯟꯗꯦ ꯫"

ꯆꯠꯀꯗꯕꯒꯤ ꯁꯨꯃꯥꯡꯗꯥ ꯀꯨꯝꯊꯔꯒꯥ ꯃꯈꯥ ꯇꯥꯔꯀꯏ,

"ꯑꯉꯥꯡꯁꯤꯡꯗꯨ ꯆꯈꯣꯛꯂꯝꯃꯒꯅꯨ ꯍꯥꯌꯎ; ꯃꯇꯥ ꯆꯥꯔꯗꯤ ꯑꯩ ꯁꯠ ꯍꯜꯂꯛꯀꯅꯤ, ꯌꯨꯝ ꯅꯣꯡ ꯌꯨꯕꯁꯤ ꯁꯦꯝꯒꯗꯧꯔꯤꯕꯅꯤ ꯫"

ꯔꯥꯖꯅꯤꯇꯤ ꯄꯥꯝꯕ ꯃꯤꯅꯥ ꯚꯣꯠꯀꯤ ꯃꯤꯇꯤꯡ ꯆꯠꯂꯒꯥ ꯁꯠ ꯍꯜꯂꯛꯀꯅꯤ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤ ꯆꯥꯛ ꯆꯥꯒꯅꯕ ꯃꯤꯅꯥ ꯆꯥꯛ ꯂꯥꯝꯅꯤꯡꯉꯩꯗꯥ ꯆꯥꯅꯕ ꯂꯩꯔꯤꯉꯩ, ꯄꯨꯛ ꯊꯟꯗꯅꯥ ꯆꯥꯕ ꯇꯣꯛꯀꯅꯤ ꯍꯥꯌꯕꯒꯨꯝꯕꯅꯤ ꯫ ꯆꯠꯂꯤꯕ ꯃꯤꯇꯤꯡꯁꯤꯁꯨ ꯃꯥꯅꯥ ꯁꯧꯒꯠꯂꯤꯕ ꯃꯍꯥꯛꯀꯨꯒꯤꯅꯤ ꯫ ꯇꯥꯅꯤꯡꯕ

"মীটিংদু লোইবা ফাওবা যাওরক্কদোইরা ?"

"মী য়াম্নগদি ঙাইহাক য়াওরগা হল্লক্কনি । য়ূম নোং য়ুবা শেম্বা হৌরুবসি লোইশিল্লগে । নাতে চাদ্রগদি লোইবা ফাওবা য়াওবিরগে ।"

নোংমদোন্দা য়েংউবগা ফজরৈনা হংলকই,

"নোংসি মংলকপগুম্না তৌই; ছাটিন পুখিগেরা ?"

থোইয়াইসু নোংমদোন্দা কোয়য়েং য়েংই; অদুগা খুমই,

"পুররোইদা হৌজিকমক চুদোবা মান্দে ।"

চৎকদবগী শুমাঙদা কুমথরগা মখা তারকই,

"অঙাংশিংদু চখোক্লমগনু হায়উ; মতা চারদি ঐ শৎ হল্লক্কনি, য়ূম নোং য়ুবসি শেমগদৌরিবনি ।"

রাজনিতি পাম্বা মীনা ভোৎকি মীটিং চৎলগা শৎ হল্লক্কনি হায়বসি চাক চাগনবা মীনা চাক লাম্নিঙৈদা চানবা লৈরিঙৈ, পূক থন্দনা চাবা তোক্কনি হায়বগুম্বনি । চৎলিবা মীটিংসিসু মানা শৌগৎলিবা মহাক্কুগীনি । তানীংবা

ꯏꯁꯩꯁꯤꯡꯕꯨ ꯂꯣꯢꯅꯥ ꯇꯥꯗꯕꯥ ꯍꯥꯢꯕꯁꯤ ꯄꯡꯅꯥ ꯊꯣꯛꯂꯣꯢ ꯫ ꯐꯖꯔꯩꯒꯤ ꯄꯨꯛꯅꯤꯡꯗꯤ ꯌꯨꯝ ꯁꯦꯝꯕꯥ ꯅꯪꯅꯕꯥ ꯍꯜꯂꯛꯍꯟꯅꯤꯡꯢ ꯫

ꯊꯣꯢꯌꯥꯢꯅꯥ ꯌꯨꯝꯗꯥ ꯍꯜꯂꯛꯄꯁꯤ ꯅꯨꯃꯤꯗꯥꯡꯒꯤ ꯄꯨꯡ ꯇꯔꯥ ꯍꯦꯟꯂꯦ ꯫ ꯆꯥꯛ ꯆꯥꯔꯗꯨꯅꯥ ꯕꯥꯕꯤ ꯇꯧꯔꯀꯢ,

“ꯍꯥꯟꯅꯒꯤ ꯐꯤꯚꯃꯗꯨ ꯅꯠꯇꯔꯦ, ꯈꯔꯗꯤ ꯐꯒꯠꯂꯦ; ꯈꯔꯥ ꯇꯣꯢꯅꯥ ꯃꯤꯇꯤꯡ ꯇꯧꯔꯕꯗꯤ ꯍꯟꯗꯀꯁꯨ ꯚꯣꯠ ꯀꯥꯔꯅꯤ ꯫”

“ꯀꯔꯝꯅꯥ ꯊꯦꯝꯕꯗꯥ ꯌꯥꯔꯀꯢꯅꯣ ?”

ꯑꯃꯨꯛꯄꯨ ꯑꯔꯥꯅꯕꯥ ꯇꯧꯅꯤꯡꯅꯥ ꯇꯧꯈꯔꯕꯥ ꯃꯍꯥꯛꯀꯤ ꯑꯁꯣꯢꯕꯗꯨ ꯃꯇꯨꯡꯗꯥ ꯍꯟꯅꯥ ꯇꯧꯔꯣꯢ ꯍꯥꯢꯔꯒꯥ ꯍꯦꯛꯇꯥ ꯊꯥꯖꯔꯤꯕꯥ ꯂꯩꯕꯥꯛꯁꯤꯒꯤ ꯃꯤꯌꯥꯃꯒꯤ ꯐꯤꯔꯦꯞꯄꯨ ꯐꯖꯔꯩꯒꯤ ꯊꯝꯃꯣꯢꯅꯥ ꯅꯨꯡꯉꯥꯢꯇꯕꯥ ꯄꯣꯛꯀꯢ ꯫ ꯔꯥꯖꯅꯤꯇꯤ ꯇꯧꯕꯁꯤꯡ ꯂꯂꯣꯟꯕꯁꯤꯡ, ꯍꯨꯔꯥꯟꯕꯁꯤꯡꯒꯤ ꯕꯥꯁꯛ ꯑꯃꯗꯤ ꯐꯤꯔꯦꯞꯄꯨ ꯊꯝꯃꯣꯢꯗꯥ ꯆꯦꯠꯅꯥ ꯊꯥꯒꯠꯅꯔꯤꯕꯥ ꯊꯥꯛ ꯋꯥꯡꯅꯥ ꯊꯝꯂꯤꯕꯥ ꯃꯤꯁꯨ ꯃꯇꯝꯁꯤꯗꯥ ꯑꯗꯨꯝꯃꯛ ꯂꯩꯔꯤ ꯫ ꯊꯣꯢꯌꯥꯢꯅꯥ ꯍꯥꯌꯔꯀꯢ,

“ꯊꯦꯝꯕꯥ ꯅꯇꯦꯗꯥ; ꯑꯩꯈꯣꯌ ꯃꯟꯇ꯭ꯔꯤꯅꯥ ꯃꯃꯥꯡꯗꯥ ꯊꯕꯛ ꯇꯧꯕꯥ ꯉꯝꯈꯤꯗꯕꯗꯨ ꯃꯥꯒꯤ ꯃꯔꯥꯜ ꯅꯇꯦ ꯍꯥꯢꯕꯗꯨ ꯁꯦꯡꯗꯣꯛꯀꯢ ꯫ ꯍꯟꯗꯛꯇꯤ ꯃꯤꯌꯥꯃꯒꯤ ꯊꯕꯛꯇꯃꯛ ꯇꯧꯕꯅꯤ ꯍꯥꯌꯔꯦ ꯫”

ঈশৈশিংবু লোয়না তাদবা হায়বসি পঙনা থোক্লোই । ফজরৈগী পূক্লিংনদি য়ূম শেম্বা নংনবা হল্লকহন্নীংই ।

থোইয়াইনা য়ূমদা হল্লকপসি নুমিদাংগী পূং তরা হেল্লে । চাক চারদুনা বাবী তৌরকই,

“হান্নগী ফিভমদু নৎত্রে, খরদি ফগৎলে; খরা তোয়না মীটিং তৌরবদি হন্দকসু ভোৎ কারনি ।”

“করম্না থেম্বদা য়ারকইনো ?”

অমুকপু অরানবা তৌনীংনা তৌখ্রবা মহাক্কী অশোয়বদু মতুংদা হন্না তৌররোই হায়রগা হেক্তা থাজরিবা লৈবাকসিগী মীয়ামগী ফিরেপ্পু ফজরৈগী থম্মোয়না নুংঙাইতবা পোকই । বাজনিতি তৌবশিং ললোনবশিং, হুরানবশিংগী বাশক অমদি ফিরেপ্পু থম্মোয়দা চেৎনা থাগোম্নরিবা থাক ৱাংনা থম্লিবা মীসু মতমসিদা অদুম্মক লৈরি । থোইয়াইনা হাযরকই,

“থেম্বা নত্তেদা; ঐখোয মন্ত্রীনা মমাঙদা থবক তৌবা ঙমখিদবদু মাগী মরাল নত্তে হায়বদু শেংদোকই । হন্দক্তি মীযামগী থবক্তমক তৌবনি হায়রে ।”

চাক তোকপগী খূৎতু তৈথোক্লদুনা মখা তারকই,

"ব্রাটর বেক্তা ঈশিং অশাবদু খরা হাঞ্জিল্লু । মদু য়াওদ্রবদি ঈংবনা তূম্বা য়াররোই ।"

"ঙশাইনা থন্নন্নবনি শারন্নগনি ।"

"পোরম খণ্ডবসিদি নঙনা হেল্লে ।"

"ইশাগী তৌফম থোকপসিদি মীনা হায়হল্লোই খল্লি । মসি মন্ত্রীনা খণ্ডহৌদবদগী অঙ্গীংবসিদা ভোৎ খোম্নরিবনি ।"

মবানীমক মশা মশাগী ফমুংদা তূম্বা চঙনরে । অশাবা ফৈজুপ মনুংদা হিপ্পদুদা থোইয়াইদু নুংঙাইরে । লোয়ননা ঙশাই মীটিংদা মীয়াম্না মন্ত্রীবু থাজবা উৎলকপদু মীৎমাঙদা উরি; ব্রাহৈশিংসু নাকোংনা তারি । মপূক্লিংদু মথুম-মরাং হৌরি । ফনা শাংনা নুংঙাইরবা মণ্ডলানগী তাইবঙদু চখরে । অমুকসু মখা চোঙ্খ্রমগদবনি; অদুবু য়ুরকপা নোংগী ঈশিংনা মায়দা তারকপদগী মীৎ খংশিং শিংদুনা মণ্ডলান্দু কায়রে । হৌজিক্তা খণ্ডলকই, নোং তারি । হৌগৎলগা

ꯅꯣꯡ ꯌꯨꯗꯕꯥ ꯐꯃꯨꯡꯒꯤ ꯃꯆꯤ ꯑꯃꯗꯥ ꯐꯟꯅꯒꯥ ꯐꯖꯔꯩꯕꯨ ꯍꯧꯗꯣꯀꯏ ꯫ ꯀꯧꯇꯥ ꯃꯆꯤꯟ ꯑꯔꯥꯎꯕꯥ ꯑꯃꯒꯥ ꯐꯤ ꯃꯆꯦꯠ ꯑꯃꯒꯥ ꯄꯨꯔꯛꯂꯕꯥ ꯊꯧꯗꯥꯏ ꯫ ꯐꯖꯔꯩꯁꯨ ꯄꯣꯠꯁꯤꯡꯗꯨ ꯄꯨꯔꯛꯂꯒꯥ ꯍꯪꯏ,

“ꯅꯣꯡ ꯌꯥꯅꯕ꯭ꯔꯥ ?”

“ꯍꯣꯏ ꯫ ꯃꯥꯏ ꯃꯥꯄꯥ ꯆꯞ ꯆꯥꯅꯕꯨ ꯌꯨꯔꯀꯏ ꯫”

ꯐꯤ ꯃꯆꯦꯠꯇꯨ ꯀꯧꯇꯥ ꯃꯅꯨꯡꯗꯥ ꯍꯥꯞꯂꯦ ꯫ ꯍꯧꯒꯠꯂꯒꯥ ꯀꯥꯡꯈꯜ ꯃꯊꯛ, ꯅꯣꯡ ꯌꯨꯕꯥ ꯃꯥꯄꯥꯗꯨꯗꯥ ꯀꯧꯇꯥꯗꯨ ꯃꯐꯝ ꯆꯥꯅꯥ ꯊꯃꯏ ꯫ ꯌꯨꯔꯀꯄꯥ ꯅꯣꯡꯒꯤ ꯏꯁꯤꯡꯗꯨ ꯃꯈꯥꯗꯥ ꯇꯥꯔꯛꯂꯦ; ꯃꯄꯥꯟꯗꯁꯨ ꯆꯣꯡꯊꯣꯔꯛꯂꯦ ꯫ ꯌꯥꯔꯅꯤ ꯈꯟꯗꯅꯥ ꯃꯕꯥꯅꯤꯗꯨ ꯃꯁꯥꯒꯤ ꯐꯃꯨꯡꯗꯥ ꯀꯥꯈꯠꯅꯈ꯭ꯔꯦ ꯫ ꯐꯖꯔꯩꯗꯨ ꯊꯣꯏꯌꯥꯏꯅꯥ ꯅꯣꯡ ꯌꯥꯔꯤꯕꯥ ꯊꯕꯛꯇꯨꯒꯤ ꯃꯔꯃꯗꯥ ꯐꯩ ꯐꯇ꯭ꯇꯦ ꯍꯥꯌꯕꯒꯤ ꯕꯥꯍꯩ ꯍꯥꯌꯕꯃꯗꯦ ꯫ ꯃꯄꯨꯛꯂꯤꯡꯗꯗꯤ ꯑꯁꯨꯝꯅꯥ ꯈꯜꯂꯝꯕꯥ ꯌꯥꯏ,

“ꯑꯁꯨꯝꯅꯥ ꯀꯧꯇꯥꯗꯥ ꯅꯣꯡ ꯌꯥꯕꯁꯤꯅꯗꯤ ꯀꯌꯥꯝ ꯀꯨꯏꯅꯥ ꯌꯥꯒꯗꯧꯔꯤꯕꯅꯣ ?”

ꯇꯥꯡ ꯱-꯱-꯲꯰꯰꯴

নোং য়ুদবা ফমুংগী মচী অমদা ফন্নগা ফজরৈবু হৌদোকই । কৌটা মচীন অরাওবা অমগা ফি মচেৎ অমগা পুরক্লবা থৌদাই । ফজরৈসু পোৎশিংদু পুরক্লগা হংই,

“নোং য়ানব্রা ?”

“হোই । মায় মাপা চপ চানবু য়ুরকই ।”

ফি মচেৎতু কৌটা মনুংদা হাপ্লে । হৌগৎলগা কাংখল মথক, নোং য়ুবা মাপাদুদা কৌটাদু মফম চানা থমই । য়ুরকপা নোংগী ঈশিংদু মখাদা তারক্লে; মপান্দসু চোংথোরক্লে । য়ারনি খন্দনা মবানীদু মশাগী ফমুংদা কাখৎনখ্রে । ফজরৈদু থোইয়াইনা নোং য়ারিবা থবক্তুগী মরমদা ফৈ ফত্তে হায়বগী বাহৈ হায়বমদে । মপূক্লিংদদি অসুম্না খল্লম্বা য়াই,

“অসুম্না কৌটাদা নোং যাবসিনদি কযাম কুইনা য়াগদৌরিবনো ?”

তাং ১-১-২০০৪

ꯁꯦꯟꯗꯥꯡ ꯏꯔꯨꯖꯕ

ꯅꯣꯡꯌꯥꯏꯒꯥ ꯑꯃꯨꯗꯣꯅꯒꯁꯨ ꯃꯤꯌꯥꯝ ꯃꯔꯛꯇꯥ ꯐꯝꯂꯤ ꯫ ꯑꯌꯨꯛ ꯑꯉꯟꯕꯗꯒꯤ ꯂꯥꯛꯄꯅꯤ ꯫ ꯍꯧꯖꯤꯛ ꯐꯥꯑꯣꯕ ꯃꯟꯇ꯭ꯔꯤ ꯎꯝꯅꯕ ꯐꯪꯗ꯭ꯔꯤ ꯫ ꯃꯈꯣꯌ ꯀꯦꯟꯗ꯭ꯔꯗꯒꯤ ꯀꯥꯕꯛꯄ ꯑꯣꯏꯔꯕꯁꯨ ꯃꯈꯣꯌꯅ ꯍꯟꯅ ꯎꯝꯅꯕ ꯌꯥꯗꯦ; ꯑꯍꯥꯟ ꯑꯀꯣꯟ ꯅꯥꯏꯅ ꯎꯝꯅꯕ ꯇꯥꯔꯤ ꯫ ꯃꯕꯥꯅꯤꯁꯨ ꯃꯈꯣꯌꯒꯤ ꯄꯥꯜꯂꯤ ꯉꯥꯏꯍꯔꯤ ꯫

ꯆꯤꯅꯒꯥ ꯈꯨꯠꯀꯥ ꯃꯥꯟꯅꯗꯕ ꯃꯟꯇ꯭ꯔꯤꯁꯤꯒꯤ ꯃꯑꯣꯡꯁꯤꯗꯥ ꯃꯕꯥꯅꯤꯃꯛ ꯋꯥ ꯉꯥꯡꯅꯗꯅ ꯂꯩꯅꯕꯤ ꯫ ꯋꯥ ꯉꯥꯡꯅꯗ꯭ꯔꯕꯁꯨ ꯃꯕꯥꯅꯤꯃꯛ ꯄꯨꯛꯅꯤꯡꯒꯤ ꯑꯄꯥꯝꯕ ꯃꯇꯨꯡ ꯏꯟꯅ ꯊꯣꯛꯑ ꯊꯣꯛꯑꯕ ꯃꯥꯏꯀꯩꯗꯥ ꯅꯠꯔꯒꯥ ꯄꯣꯠꯁꯤꯡꯗꯥ ꯌꯦꯡꯅꯔꯤ ꯫ ꯃꯟꯇ꯭ꯔꯤꯒꯤ ꯀ꯭ꯋꯥꯇꯔꯗꯥ ꯂꯩꯔꯤꯕ ꯄꯣꯠꯁꯤꯡꯗꯨ ꯎꯔꯒꯥ ꯅꯣꯡꯌꯥꯏꯅ ꯈꯜꯂꯀꯏ,

"ꯁꯤꯅꯤ ꯀꯥꯎꯕ ꯍꯦ ꯃꯟꯇ꯭ꯔꯤ ꯆꯥꯎꯕꯣꯛ, ꯅꯉꯒꯤ ꯑꯔꯥꯌꯕ ꯁꯛꯇꯤꯗꯨꯅ ꯑꯔꯥꯌꯕ ꯐꯃꯗ ꯐꯝꯂꯒ ꯍꯥꯏꯟ-ꯍꯨꯝꯅ ꯄꯥꯜꯂꯤꯗꯀꯣ ꯫"

ꯉꯃꯒꯗꯕ ꯂꯨꯄꯥ ꯆꯥꯃꯒꯤ ꯊꯕꯛ ꯇꯧꯕꯗꯤ ꯊꯕꯛ ꯍꯩꯇꯕ ꯏꯖꯠ ꯂꯩꯇꯕꯅꯤ ꯈꯉꯖꯕ ꯃꯤꯅꯤ ꯫ ꯃꯤꯅ ꯇꯥꯕꯗꯥ ꯐꯖꯕ, ꯊꯕꯛ ꯑꯣꯏꯅ ꯇꯧꯕꯗꯗꯤ ꯋꯥꯒꯗꯕ ꯂꯨꯄꯥ ꯂꯥꯛꯁꯀꯤ ꯊꯕꯛꯄꯨ ꯏꯔꯥꯏ ꯂꯥꯏꯅ ꯃꯤꯌꯥꯃꯗꯥ ꯉꯥꯡꯊꯣꯛꯄ, ꯃꯤꯅꯝꯕ ꯑꯣꯏꯔꯕꯁꯨ ꯏꯖꯠ ꯂꯩꯕ ꯊꯕꯛꯂꯤ

শেন্দাং ঈরুজবা

নোংয়াইগা অমুদোনগসু মীয়াম মরক্তা ফম্লি। অয়ুক অঙনবদগী লাকপনি। হৌজিক ফাওবা মন্ত্রী উম্নবা ফংদ্রি। মখোয় কেন্দ্রদগী কাবকপা ওইরবসু মখোয়না হান্না উম্নবা য়াদে; অহান অকোন নাইনা উম্নবা তারি। মবানীসু মখোয়গী পাল্লি ঙাইহরি।

চীনগা খূৎকা মান্নদবা মন্ত্রীসিগী মওংসিদা মবানীমক ৱা ঙাঙনদনা লৈনবি। ৱা ঙাঙনদ্রবসু মবানীমক পৃক্লিংগী অপাম্বা মতুং ইন্না থোকঅ থোকঅবা মাইকৈদা নৎত্রগা পোৎশিংদা য়েংনরি। মন্ত্রীগী ক্বাটরদা লৈরিবা পোৎশিংদু উরগা নোংয়াইনা খল্লকই,

"শিনি কাউবা হে মন্ত্রী চাউবোক, নঙগী অৱায়বা শক্তিদুনা অৱায়বা ফমদা ফম্নগা হাইন-হুম্না পাল্লিদকো।"

ঙমগদবা লুপা চামগী থবক তৌবদি থবক হৈতবা ঈজৎ লৈতবনি খঞ্জবা মীনি। মীনা তাবদা ফজবা, থবক ওইনা তৌবদদি ৱাগদবা লুপা লাক্ষকী থবকপু ইরাই লায়না মীয়ামদা ঙাঙথোকপা, মীনম্বা ওইরবসু ঈজৎ লৈবা থবক্লি

ꯈꯟꯗ꯭ꯔꯅꯥ ꯄꯦꯟꯖꯕꯤꯕꯥ ꯃꯟꯇ꯭ꯔꯤꯅꯤ ꯫ ꯃꯁꯤꯒꯤ ꯍꯩꯅꯕꯤꯁꯤ ꯅꯣꯡꯌꯥꯏꯗꯥ ꯈ꯭ꯋꯥꯏꯗꯒꯤ ꯍꯦꯟꯅꯥ ꯑꯣꯟꯅ ꯇꯩꯅꯕꯅꯤ ꯫ ꯑꯗꯨꯅꯥ ꯃꯟꯇ꯭ꯔꯤꯁꯤꯅꯥ ꯅꯣꯡꯌꯥꯏꯕꯨ ꯃꯇꯝꯒꯤ ꯏꯁꯤꯡ ꯅꯨꯡꯁꯤꯠ ꯁꯤꯖꯤꯟꯅꯕꯥ ꯍꯩꯇꯕꯥ ꯈꯨꯡꯒꯪꯒꯤ ꯃꯤ ꯑꯄꯉꯕꯥ, ꯃꯤꯔꯛ ꯇꯤꯟꯗꯕꯥ ꯍꯥꯌꯗꯨꯅꯥ ꯊꯝꯃꯣꯌꯗꯥ ꯅꯣꯛꯂꯦ ꯫ ꯃꯄꯥꯟꯊꯣꯡꯗꯗꯤ ꯊꯥꯒꯠꯂꯤ, ꯃꯊꯪ ꯚꯣꯠꯀꯤ ꯆꯤꯟꯐꯥ ꯄꯨꯔꯤ ꯫

ꯀꯔꯤ ꯊꯜꯂꯨꯔꯕꯅꯣ, ꯅꯣꯡꯌꯥꯏꯅꯥ ꯃꯥꯒꯤ ꯈꯨꯖꯤꯜ ꯌꯦꯡꯂꯨꯔꯒꯥ ꯑꯃꯨꯗꯣꯟꯒꯤ ꯈꯨꯠꯇꯨ ꯄꯥꯌꯔꯒꯥ ꯈꯨꯖꯤꯜꯁꯤꯡꯗꯨ ꯌꯦꯡꯏ ꯫ ꯃꯥꯒꯤ ꯃꯇꯧꯗꯨꯗꯥ ꯈꯉꯕꯥ ꯉꯃꯗ꯭ꯔꯗꯨꯅꯥ ꯑꯃꯨꯗꯣꯟꯅꯥ ꯍꯪꯂꯀꯏ,

"ꯀꯩꯗꯧꯔꯒꯦ ?"

"ꯚꯣꯠ ꯊꯥꯗꯈꯤꯕꯗꯥ ꯁꯉꯈꯤꯕꯥ ꯃꯆꯨꯗꯨ ꯀꯣꯛꯀꯕ꯭ꯔꯥ ꯌꯦꯡꯕꯅꯤ ꯫"

ꯑꯅꯤꯃꯛꯀꯤ ꯀꯣꯛꯀ꯭ꯔꯤ ꯫ ꯃꯤꯆꯝ ꯃꯈꯣꯌꯒꯤ ꯈꯨꯖꯤꯜꯗꯤ ꯇꯔꯥꯏꯅꯥ ꯀꯣꯛꯀꯕꯥ ꯃꯆꯨꯅꯥ ꯁꯉꯍꯧꯔꯤ ꯫ ꯅꯣꯡꯌꯥꯏ, ꯑꯃꯨꯗꯣꯟꯈꯣꯌꯒꯨꯝꯕꯒꯤ ꯌꯨꯝꯒꯤ ꯐꯛꯂꯥꯡꯗꯥ ꯚꯣꯠꯀꯤ ꯁꯤꯡꯕꯣꯜꯁꯤꯡꯗꯨ ꯃꯌꯦꯛ ꯂꯥꯅꯥ ꯉꯁꯤꯁꯨ ꯊꯦꯠꯂꯤ ꯫ ꯃꯟꯇ꯭ꯔꯤꯒꯥ ꯃꯤꯆꯝꯒꯥ ꯚꯣꯠ ꯃꯃꯥꯉꯗꯥ ꯂꯩꯅꯈꯤꯕꯥ ꯃꯔꯤꯗꯨꯇꯅꯤ ꯀꯣꯝꯖꯥꯅꯔꯤꯕꯥ ꯫ ꯚꯣꯠ ꯈꯣꯝꯕꯗꯥ, ꯊꯥꯗꯕꯗꯥ ꯕ꯭ꯔꯥꯔ꯭ꯀꯕ ꯃꯁꯦꯜ ꯅꯨꯡꯁꯤꯟꯈꯤꯗꯕꯥ ꯈꯠꯅꯈꯤꯕꯥ, ꯂꯥꯎꯅꯈꯤꯕꯥ, ꯆꯩꯅꯈꯤꯕꯥ, ꯊꯝꯃꯣꯌꯗꯥ ꯊꯔꯨꯝ ꯊꯝꯅꯈꯤꯕꯥ ꯀꯌꯥꯗꯨ ꯄꯨꯝꯀꯣꯛ ꯀꯣꯛꯀ꯭ꯔꯤ; ꯃꯤ ꯈꯔꯗꯤ ꯀꯧꯅꯗ꯭ꯔꯤ ꯫

খন্দ্না পেঞ্জবিবা মন্ত্রীনি । মসিগী হৈনবীসি নোংয়াইদা খ্বাইদগী হেন্না ওন্ন তৈনবনি । অদুনা মন্ত্রীসিনা নোংয়াইবু মতমগী ঈশিং নুংশিৎ শীজিন্নবা হৈতবা খুঙ্গংগী মী অপঙবা, মীরক তিন্দবা হায়দুনা থম্মোয়দা নোক্লে । মপান্থোংদদি থাগৎলি, মথং ভোৎকী চীনফা পুরি ।

করি থল্লুরবনো, নোংয়াইনা মাগী খুজিল য়েংলুরগা অমুদোনগী খুৎতু পায়রগা খুজিলশিংদু য়েংই । মাগী মতৌদুদা খঙবা ঙমদ্রদুনা অমুদোন্না হংলকই ,

"কৈদৌরগে ?"

"ভোৎ থাদখিবদা শঙখিবা মচুদু কোক্লব্রা য়েংবনি ।"

অনীমক্কী কোক্ত্রি । মীচম মখোয়গী খুজিলদি তরাইনা কোক্কবা মচুনা শঙহৌরি । নোংয়াই, অমুদোনখোয়গুম্বগী যুমগী ফক্লাংদা ভোৎকী শিম্বোলশিংদু ময়েক লানা ঙসিসু থেৎলি । মন্ত্রীগা মীচমগা ভোৎ মমাঙদা লৈনখিবা মরীদুতনি কোমজানরিবা । ভোৎ খোম্বদা, থাদবদা ব্রার্কব মশেল নুংশিনখিদবা খৎনখিবা, লাউনখিবা, চৈনখিবা, থম্মোয়দা থরুম থম্নখিবা কয়াদু পুমকোক কোক্ত্রি; মী খরদি কৌনদ্রি ।

ꯃꯈꯣꯌꯒꯤ ꯃꯤꯅꯥ ꯚꯣꯠ ꯀꯥꯕꯗꯥ ꯄꯦꯟꯖꯕꯥ ꯄꯣꯛꯏ ꯫ ꯑꯃꯕꯣꯝꯗꯗꯤ ꯏꯀꯥꯏꯕꯥ ꯅꯪꯖꯒꯦ ꯍꯥꯌꯗꯨꯅꯥ ꯀꯥꯟꯅꯕꯥ ꯂꯩꯇꯅꯥ ꯑꯃꯣꯠꯄꯥ ꯌꯥꯎꯕꯥ ꯊꯨꯃꯣꯛ ꯀꯣꯛꯇꯥ ꯊꯣꯟꯒꯠꯆꯕꯒꯤ ꯊꯧꯗꯧꯗꯨ ꯇꯥꯔꯕꯅꯤ ꯫ ꯑꯁꯨꯝ ꯀꯨꯏꯕꯛꯂꯒꯥ ꯅꯣꯡꯌꯥꯏꯅꯥ ꯃꯥꯕꯨ ꯈꯪꯕꯥ ꯃꯤꯁꯤꯡ ꯎꯟꯅꯕꯗꯥ ꯏꯀꯥꯏꯖꯦ ꯫ ꯈ꯭ꯋꯥꯏꯗꯒꯤ ꯍꯦꯟꯅꯥ ꯏꯀꯥꯏꯔꯤꯕꯗꯤ ꯃꯥꯒꯤ ꯃꯄꯥꯗꯅꯤ ꯫ ꯃꯥꯌꯣꯛꯂꯕꯥ ꯉꯝꯗ꯭ꯔꯤ ꯫ ꯃꯥꯉꯣꯟꯗꯥ ꯃꯄꯥꯅꯥ ꯑꯀꯅꯕꯥ ꯋꯥ ꯉꯥꯡꯗꯦ, ꯂꯛꯂꯗꯦ, ꯍꯧꯈꯤꯕꯥ ꯊꯕꯛꯀꯤ ꯃꯂꯣꯝ ꯄꯨꯊꯣꯛꯇꯦ ꯫ ꯃꯔꯥꯜꯅꯥ ꯃꯄꯣꯠ ꯐꯥꯔꯕꯥ ꯃꯤꯒꯨꯝꯃꯥ ꯃꯥꯇꯅꯥ ꯏꯀꯥꯏꯖꯕꯅꯤ ꯫ ꯃꯇꯝ ꯑꯃꯗꯥ ꯃꯥꯅꯥ ꯆꯥꯕꯥ, ꯊꯛꯄꯥ ꯌꯨꯝꯒꯤ ꯊꯕꯛ ꯀꯌꯥ ꯅꯥꯆꯨꯡꯗꯅꯥ ꯃꯟꯇ꯭ꯔꯤ ꯑꯣꯏꯕꯤꯕꯁꯤꯒꯤ ꯚꯣꯠ ꯈꯣꯝꯈꯤꯕꯅꯤ ꯫ ꯃꯥꯅꯥ ꯀꯥ ꯍꯦꯟꯕꯥ ꯊꯕꯛ ꯀꯌꯥꯁꯨ ꯚꯣꯠ ꯅꯨꯃꯤꯠꯇꯥ ꯇꯧꯈꯤ ꯫

ꯚꯣꯠ ꯃꯃꯥꯡ ꯉꯜꯂꯤꯉꯩꯗꯒꯤ ꯍꯧꯅꯥ ꯅꯣꯡꯌꯥꯏꯅꯥ ꯈꯪꯏ, ꯃꯥꯒꯤ ꯃꯄꯥꯅꯥ ꯃꯟꯇ꯭ꯔꯤ ꯑꯣꯏꯔꯤꯕꯁꯤꯗꯥ ꯚꯣꯠ ꯄꯤꯕꯣꯏ ꯫ ꯑꯇꯣꯞꯄꯥ ꯃꯤꯔꯦꯞ ꯑꯃꯒꯥ ꯏꯍꯥꯟ ꯍꯥꯟꯅꯥ ꯌꯥꯅꯈꯔꯦ ꯫ ꯚꯣꯠꯇꯔ ꯑꯃꯥ ꯃꯤꯉꯣꯟꯗꯥ ꯆꯠꯈꯤꯗꯅꯕꯥ ꯄꯥꯟꯕꯦꯗꯨ ꯁꯤꯖꯤꯟꯅꯕꯒꯤ ꯃꯊꯧ ꯇꯥꯔꯀꯏ ꯫ ꯃꯈꯣꯌꯒꯤ ꯚꯣꯠ ꯊꯥꯗꯐꯝꯁꯤꯗꯥ ꯅꯣꯡꯌꯥꯏꯈꯣꯌꯅꯥ ꯑꯄꯥꯟꯕꯥ ꯇꯧꯏ ꯫ ꯃꯥꯒꯤ ꯃꯄꯥꯗꯨ ꯚꯣꯠ ꯊꯥꯕꯥ ꯂꯥꯛꯂꯒꯥ ꯚꯣꯠ ꯊꯥꯗꯕꯥ ꯐꯪꯗ꯭ꯔꯦ ꯫ ꯃꯤꯍꯨꯠ ꯁꯤꯟꯗꯨꯅꯥ ꯊꯥꯗꯔꯛꯅꯦ ꯫ ꯃꯍꯥꯛ ꯁꯥꯎꯗꯦ; ꯌꯥꯅꯤꯡꯗꯕꯥ ꯎꯠꯇꯦ ꯫ ꯅꯣꯡꯌꯥꯏꯒꯤ ꯃꯅꯥꯛꯇꯥ ꯆꯪꯁꯤꯜꯂꯛꯂꯒꯥ ꯇꯞꯅꯥ ꯍꯥꯌ,

মখোয়গী মীনা ভোৎ কাবদা পেঞ্জবা পোকই । অমবোমদদি ঈকাইবা নংজগে হায়দুনা কান্নবা লৈতনা অমোৎপা য়াওবা থুমোক কোক্তা থোনগৎচবগী থৌদৌদু তারবনি । অসুম কুইবক্লগা নোংয়াইনা মাবু খঙবা মীশিং উন্নবদা ঈকাইজে । খ্বাইদগী হেন্না ঈকাইরিবদি মাগী মপাদনি । মায়োক্লবা ঙমদ্রি । মাঙোন্দা মপানা অকনবা ব্রা ঙাঙদে, লক্লদে, হৌখিবা থবক্কি মলোম পৃথোক্তে । মরালনা মপোৎ ফারবা মীগুম্মা মাতনা ঈকাইজবনি । মতম অমদা মানা চাবা, থকপা য়ুমগী থবক কয়া নাচুংদনা মন্ত্রী ওইবিবসিগী ভোৎ খোমখিবনি । মানা কা হেনবা থবক কয়াসু ভোৎ নুমিৎতা তৌখি ।

ভোৎ মমাঙ ঙল্লিঙৈদগী হৌনা নোংয়াইনা খঙই, মাগী মপানা মন্ত্রী ওইরিবসিদা ভোৎ পীবোই । অতোপ্পা মীরেপ অমগা ইহান হান্না য়ানখ্রে । ভোট্টর অমা মীঙোন্দা চৎখিদনবা পান্বেদু শীজিন্নবগী মথৌ তারকই । মখোয়গী ভোৎ থাদফমসিদা নোংয়াইখোয়না অপান্বা তৌই । মাগী মপাদু ভোৎ থাবা লাক্লগা ভোৎ থাদবা ফংদ্রে । মীহুৎ শিন্দুনা থাদরক্নে । মহাক শাউদে; য়ানীংদবা উৎতে । নোংযাইগী মনাক্তা চঙশিল্লক্লগা তপ্না হায়,

"ꯑꯩ ꯈꯣꯡ ꯍꯥꯝꯕꯤꯡꯉꯩꯍꯩ, ꯅꯈꯣꯌꯒꯤ ꯃꯤ ꯑꯃꯥ ꯑꯩꯒꯤ ꯏꯍꯨꯠ ꯁꯤꯜꯂꯒꯥ ꯃꯅꯨꯡ ꯆꯪꯎ꯫"

ꯃꯇꯝ ꯃꯗꯨꯗꯥ ꯇꯤꯡꯈꯤꯕꯥ ꯄꯥꯝꯕꯣꯝꯗꯨ ꯉꯁꯤꯗꯤ ꯕ꯭ꯔꯥꯍꯟꯗꯣꯛ ꯂꯩꯍꯟꯗ꯭ꯔꯦ꯫ ꯃꯈꯣꯌ ꯅꯍꯥꯁꯤꯡꯅꯥ ꯚꯣꯠ ꯃꯃꯥꯡꯗꯥ ꯃꯟꯠꯔꯤꯗꯨꯕꯨ ꯊꯕ꯭ꯔꯥꯌꯒꯥ ꯃꯥꯝꯅꯥ ꯉꯥꯛ ꯁꯦꯟꯈꯤꯕꯅꯤ꯫ ꯚꯣꯠ ꯀꯥꯔꯕꯥ ꯃꯇꯨꯡꯗꯥ ꯁꯔꯀꯥꯕꯒꯤ ꯂꯥꯟꯃꯤꯁꯤꯡꯅꯥ ꯃꯈꯣꯌꯒꯤ ꯃꯍꯨꯠ ꯁꯤꯟꯈ꯭ꯔꯦ; ꯃꯈꯣꯌꯒꯤ ꯃꯤꯡ ꯐꯥꯎꯕꯥ ꯀꯥꯎꯕꯒꯨꯝꯅꯥ ꯇꯧꯔꯦ꯫ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯅꯣꯡꯌꯥꯏꯅꯥ ꯕ꯭ꯔꯥꯐꯝ ꯑꯃꯗꯤ ꯀꯥꯎꯗ꯭ꯔꯤ꯫ ꯚꯣꯠ ꯀꯥꯕꯥ ꯅꯨꯃꯤꯠꯇꯨꯗꯥ ꯃꯟꯠꯔꯤ ꯑꯣꯏꯔꯤꯕꯁꯤꯅꯥ ꯃꯤꯌꯥꯝ ꯃꯃꯥꯡꯗꯥ, ꯃꯤꯒꯤ ꯑꯕ꯭ꯔꯥ-ꯑꯅꯥ ꯌꯥꯝꯅꯥ ꯈꯉꯒꯅꯕꯥ, ꯃꯤꯒꯤꯗꯃꯛ ꯌꯥꯝꯅꯥ ꯕ꯭ꯔꯥꯖꯒꯅꯕꯥ ꯁꯀꯐꯝ ꯄꯨꯕꯗꯨꯅꯥ ꯍꯥꯌꯈꯤ,

"ꯑꯩꯉꯣꯟꯗꯥ ꯊꯕꯛ ꯇꯧꯅꯕꯒꯤ ꯁꯛꯇꯤꯗꯨ ꯍꯦꯛ ꯂꯩꯕꯒꯥ ꯑꯩꯅꯥ ꯄꯨꯝꯔꯤ ꯇꯧꯔꯒꯥ ꯈꯨꯜ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯇꯣꯇꯤ ꯏꯁꯤꯡ ꯐꯪꯍꯅꯒꯅꯤ꯫ ꯑꯩꯈꯣꯌꯒꯤ ꯂꯩꯁꯥꯕꯤꯁꯤꯡꯅꯥ ꯂꯃꯍꯥꯡꯒꯤ ꯄꯨꯝꯔꯤꯗꯥ ꯏꯔꯨꯖꯕꯗꯥ ꯏꯀꯥꯏ ꯍꯉꯣꯏꯕꯗꯨ ꯍꯟꯗꯛꯇꯒꯤꯗꯤ ꯃꯥꯌꯣꯛꯂꯔꯕꯣꯏ꯫"

ꯃꯥꯒꯤ ꯕ꯭ꯔꯥꯐꯃꯗꯨ ꯊꯕꯛꯇꯥ ꯑꯣꯟꯊꯣꯛꯂꯕꯥ ꯅꯣꯡꯌꯥꯏ ꯑꯃꯗꯤ ꯑꯃꯨꯗꯣꯝꯅꯥ ꯃꯟꯠꯔꯤꯁꯤꯒꯤ ꯀꯥꯇꯔꯗꯥ ꯃꯁꯥꯒꯤ ꯊꯕꯛ ꯊꯥꯗꯣꯛꯂꯒꯥ ꯀꯌꯥꯔꯛ ꯍꯝꯅꯥ ꯂꯥꯛꯈ꯭ꯔꯕꯒꯤ ꯇꯨꯡꯗꯥ ꯉꯁꯤꯁꯨ ꯂꯥꯛꯔꯤ꯫

"ঐ খোঙ হাম্বীংঙৈহৈ, নখোয়গী মী অমা ঐগী ইহুৎ শিল্লগা মনূং চঙউ ।"

মতমদুদা তিংখিবা পাম্বোমদু ঙসিদি ব্রাহন্দোক লৈহন্দ্রে । মখোয় নহাশিংনা ভোৎ মমাঙদা মন্ত্রীদুবু থব্রায়গা মাম্না ঙাক শেনখিবনি । ভোৎ কারবা মতুংদা সরকাবগী লাম্মীশিংনা মখোয়গী মহুৎ শিনখ্রে; মখোযগী মিং ফাওবা কাউবগুম্না তৌরে । অদুবু নোংয়াইনা ব্রাফম অমদি কাউদ্রি । ভোৎ কাবা নুমিত্তুদা মন্ত্রী ওইরিবসিনা মীয়াম মমাঙদা, মীগী অব্রা-অনা য়াম্না খঙগনবা, মীগীদমক য়াম্না ব্রাজগনবা শকফম পুবদুনা হায়খি,

"ঐঙোন্দা থবক তৌনবগী শক্তিদু হেক লৈবগা ঐনা পুম্রি তৌরগা খুল খুদিংগী তোতি ঈশিং ফংহনগনি । ঐখোয়গী লৈশাবীশিংনা লমহাংগী পুম্রিদা ঈরুজবদা ঈকাই হঙোইবদু হন্দক্তগীদি মায়োক্লরবোই ।"

মাগী ব্রাফমদু থবক্তা ওন্থোক্লবা নোংয়াই অমদি অমুদোম্না মন্ত্রীসিগী কাটরদা মশাগী থবক থাদোক্লগা কয়ারক হম্না লাকখ্রবগী তুংদা ঙসিসু লাক্রি ।

ꯇꯧꯔꯛꯀꯅꯤ, ꯇꯧꯔꯛꯑꯣꯏ ꯑꯔꯦꯞꯄ ꯂꯩꯇꯕꯁꯤꯗ ꯃꯟꯇ꯭ꯔꯤꯅ ꯍꯣꯠꯅꯕ ꯌꯥꯕ ꯍꯣꯠꯅꯒꯦ ꯍꯥꯌꯕꯒꯤ ꯄꯨꯛꯅꯤꯡ ꯂꯨꯝꯗꯕ ꯋꯥꯍꯩ ꯈꯔꯅ ꯃꯕꯥꯅꯤꯕꯨ ꯊꯥꯗꯣꯛꯄ ꯌꯥꯔꯤ꯫ ꯂꯥꯛꯂꯕꯅꯤꯅ ꯃꯟꯇ꯭ꯔꯤꯒꯤ ꯋꯥꯐꯝ ꯑꯃ ꯃꯌꯦꯛ ꯁꯦꯡꯅ ꯇꯥꯟꯕ ꯃꯕꯥꯅꯤꯒꯤ ꯄꯥꯜꯂꯤꯗꯨ ꯉꯥꯏꯍꯔꯤ꯫

ꯑꯇꯩ ꯑꯇꯩꯗ ꯑꯁꯨꯝ ꯌꯦꯡꯂꯝꯕꯗꯒꯤ ꯅꯣꯡꯌꯥꯏꯒꯤ ꯃꯤꯠꯌꯦꯡꯗꯨ ꯆꯦꯛꯄꯜ ꯃꯌꯥꯗ ꯇꯨꯡꯂꯤꯕ ꯏꯁꯤꯡ ꯈꯔꯗꯨꯗ ꯏꯀꯖꯔꯤꯕ ꯁꯦꯟꯗꯥꯡꯗꯨꯗ ꯑꯣꯏꯔꯀꯏ꯫ ꯈꯨꯠꯂꯩ ꯊꯨꯅ ꯏꯔꯨꯖꯕꯤꯕ ꯁꯦꯟꯗꯥꯡꯗꯨ ꯃꯥꯒꯤ ꯃꯤꯠꯇꯗꯤ ꯃꯆꯝꯅꯨꯄꯤ ꯂꯩꯁꯥꯕꯤꯗꯨꯅ ꯂꯩꯀꯥꯏꯒꯤ ꯄꯨꯈ꯭ꯔꯤ ꯑꯊꯦꯟꯕꯗꯒꯤ ꯑꯅꯩꯕ ꯏꯁꯤꯡꯗꯨ ꯄꯥꯠꯔ ꯃꯆꯥꯅ ꯀꯜꯂꯒ ꯕꯥꯜꯇꯤꯟꯗ ꯑꯃꯨꯛ ꯍꯩꯖꯤꯜꯂꯒ ꯄꯨꯈ꯭ꯔꯤ ꯃꯄꯥꯟꯗ ꯃꯁꯥ ꯇꯥꯁꯤꯜꯂꯒ ꯏꯔꯨꯖꯕꯗꯨ ꯑꯣꯏꯅ ꯎꯔꯦ꯫ ꯑꯃꯨꯛꯁꯨ ꯏꯁꯤꯡ ꯇꯥꯡꯕ ꯃꯇꯝꯗ ꯅꯣꯡ ꯈꯖꯤꯛꯇꯪ ꯇꯥꯔꯛꯄꯗ ꯅꯣꯡꯌꯥꯍꯤ ꯌꯥꯔꯒ ꯍꯛꯆꯥꯡꯗꯨ ꯊꯨꯡꯅꯕ, ꯅꯝꯅꯕ ꯏꯀꯖꯕꯗꯨ ꯑꯣꯏꯅ ꯎꯔꯛꯂꯤ꯫ ꯅꯣꯡꯌꯥꯏꯗꯨ ꯁꯦꯟꯗꯥꯡꯗꯨꯗ ꯀꯨꯏꯅ ꯌꯦꯡꯕ ꯉꯝꯗ꯭ꯔꯦ꯫ ꯃꯆꯝꯅ ꯏꯀꯥꯏ ꯍꯪꯒꯣꯏꯖꯅ ꯏꯔꯨꯖꯔꯤꯕꯗꯨ ꯃꯕꯨꯡ ꯑꯣꯏꯕ ꯃꯥꯅ ꯀꯔꯝꯅ ꯌꯦꯡꯂꯨꯒꯗꯒꯦ? ꯃꯥꯌ ꯉꯥꯡꯅ ꯅꯣꯝꯕꯗꯨꯅ ꯂꯩꯔꯦ꯫ ꯃꯥꯒꯤ ꯃꯤꯠꯌꯦꯡꯒꯤ ꯃꯇꯨꯡ ꯏꯟꯗꯨꯅ ꯉꯁꯥꯏꯃꯈꯩ ꯌꯦꯡꯂꯝꯂꯤꯕ ꯑꯃꯨꯗꯣꯝꯅ ꯍꯪꯂꯀꯏ;

তৌরক্কনি, তৌরকওই অরেপ্পা লৈতবসিদা মন্ত্রীনা হোৎনবা য়াবা হোৎনগে হায়বগী পূক্নিং লূমদবা ৱাহৈ খরনা মবানীবু থাদোকপা য়ারি । লাক্লবনিনা মন্ত্রীগী ৱাফম অমা ময়েক শেংনা তানবা মবানীগী পাল্লিদু ঙাইহরি ।

অতৈ অতৈদা অসুম য়েংলম্বদগী নোংয়াইগী মীৎয়েংদু চেকপল ময়াদা তুংলিবা ঈশিং খরদুদা ঈকজরিবা শেন্দাংদুদা ওইরকই । খুৎলৈ থুনা ঈরুজবিবা শেন্দাংদু মাগী মীৎতদি মচম্নুপী লৈশাবীদুনা লৈকাইগী পুখ্রি অথেনবদগী অনৈবা ঈশিংদু পাত্র মচানা কল্লগা বালটিন্দা অমুক হৈজিল্লগা পুখ্রি মপান্দা মশা তাশিল্লগা ঈরুজবদু ওইনা উরে । অমুকসু ঈশিং তাঙবা মতমদা নোং খজিক্তং তারকপদা নোংয়াহী য়ারগা হকচাংদু থুংনবা, নম্নবা ঈকজবদু ওইনা উরক্লি । নোংয়াইদু শেন্দাংদুদা কুইনা য়েংবা ঙমদ্রে । মচম্না ঈকাই হঙ্গোইজনা ঈরুজরিবদু মবুং ওইবা মানা করম্না য়েংলুগদগে ? মায় ঙাংনা নোম্বদুনা লৈরে । মাগী মীৎয়েংগী মতুং ইন্দুনা ঙশাইমখৈ য়েংলম্লিবা অমুদোম্না হংলকই;

“ꯁꯦꯟꯗꯥꯡ ꯏꯔꯨꯖꯕꯁꯤ ꯌꯦꯡꯂꯒꯥ ꯅꯃꯥꯏ ꯉꯥꯡꯂꯤꯕꯗꯨꯅꯥ ꯀꯔꯤꯒꯤꯅꯣ ?”

“ꯏꯆꯝꯄꯤꯅꯥ ꯏꯔꯨꯖꯕꯁꯤ ꯑꯩꯅꯥ ꯉꯥꯏꯍꯥꯛ ꯌꯦꯡꯂꯨꯔꯦ꯫ ꯃꯤꯒꯤ ꯃꯃꯥꯡꯗꯥ ꯏꯊꯠ ꯏꯀꯥꯏꯖꯔꯦ꯫”

“ꯁꯦꯟꯗꯥꯡꯁꯤ ꯅꯆꯝꯄꯤ ꯑꯣꯏꯔꯗꯤ ꯅꯉꯁꯨ ꯁꯦꯟꯗꯥꯡ ꯄꯥꯈꯪ ꯑꯣꯏꯔꯦꯅꯦ ?”

“ꯐꯥꯒꯤ ꯅꯇꯦ; ꯅꯉꯁꯨ ꯌꯦꯡꯕꯤꯔꯨꯅꯨ꯫ ꯃꯍꯥꯛ ꯏꯀꯥꯏꯗꯨꯅꯥ ꯏꯔꯨꯖꯕꯥ ꯂꯣꯏꯗꯅꯥ ꯇꯣꯛꯈ꯭ꯔꯅꯤ꯫”

“ꯐꯔꯦ ꯍꯧꯒꯠꯂꯣ, ꯃꯔꯤ-ꯃꯈꯣꯡ ꯁꯝꯗꯕꯥ ꯕ꯭ꯔꯥ ꯉꯥꯛꯇꯥ ꯉꯥꯡꯗꯨꯅꯥ ꯂꯩꯔꯦ꯫ ꯑꯩꯈꯣꯌꯒꯤ ꯄꯥꯜꯂꯤ ꯌꯧꯔꯦ ꯆꯪꯂꯁꯤ꯫”

ꯅꯣꯡꯌꯥꯏꯗꯨ ꯇꯄ꯭ꯂꯥ ꯍꯧꯒꯠꯂꯒꯥ ꯑꯃꯨꯗꯣꯅꯒꯤ ꯃꯇꯨꯡ ꯏꯟꯗꯨꯅꯥ ꯃꯟꯇ꯭ꯔꯤꯒꯤ ꯃꯤ ꯎꯟꯅꯐꯝ ꯀꯥꯗꯥ ꯆꯪꯏ꯫

ꯇꯥꯡ ꯱꯵-꯹-꯲꯰꯰꯲

‘‘শেন্দাং ঈরুজবসি য়েংলগা নমায় ঙাংলিবদুনা করিগীনো ?’’

‘‘ইচম্নুপীনা ঈরুজবসি ঐনা ঙাইহাক য়েংলুরে । মীগী মমাঙদা ইথন্ত ঈকাইজরে ।’’

‘‘শেন্দাংসি নচম্নুপী ওইরদি নঙসু শেন্দাং পাখং ওইরেনে ?’’

‘‘ফাগি নত্তে; নঙসু য়েংবিরুনু । মহাক ঈকাইদুনা ঈরুজবা লোইদনা তোকখ্রনি ।’’

‘‘ফরে হৌগৎলো, মরী-মখোঙ শম্নদবা ব্রা ঙাক্তা ঙাঙদুনা লৈরে । ঐখোয়গী পাল্লি য়ৌরে চঙলসি ।’’

নোংয়াইদু তপ্পা হৌগৎলগা অমুদোনগী মতুং ইন্দুনা মন্ত্রীগী মী উন্নফম কাদা চঙই ।

তাং ১৫-৯-২০০২

[illegible]

[illegible]

ইচ্ছোল শঙবা লিল

মখোয় খুলগী মীফমদু য়াওকরগা পাথৌ য়ূমদা হল্লক্লি । মন্নবসু মম্মা য়ূম য়ৌনবা সাংকল থৌরি । হৌজিক পাঙথোকখিবা মীফমদুদা য়েৎনহংবা মরৈদু নীংশিংলগা পাথৌগী থম্মোয়না নুংঙাইজদে । অদুক চাউবা লম্পাক্তু অনকপা লৈকাই মখোয়গৈতং য়েন্নগনি । অতৈ লৈকাইনা মীৎয়েং চঙবিরক্কনু । ব্রাহেশিংসি পাথৌগী নাকোংনা হৌজিকসু তারি । লম্পাক্তু মখোয়না ঙাক-শেন্নকপদগী অসুক কুইবসি লৈরকপনি । অদুনা মখোয়গী হক চাউনা লৈ । মসিগী ব্রাকৎসি অতৈ লৈকাইগী মীশিংনা য়াদে । হায়রিবা লম্পাকসি সরকারগী লান্মীনা কেম্প শানবা য়েংবা লাক্লম্মে । লান্মীনা নক্লা লৈবসি পাম্বা মীসু লৈ; পামদবা মীসু য়াম্মা লৈ । মখোয়দি হৌরুক্তিবমখে মরুপ্নি শীংনরুরগদি থেংনবা মী খুদিংদা হিংচাবগী শাজৎ চৎলি হায়নৈ । মখোয় লৈহনবগী মহুত্তা খুলগী য়ূমথোঙ খুদিংদা লমদু য়েঙ্খোক্লবসিনা অয়াম্বনা পাম্মে । য়াম্মা থুনা লম্পাক্তু

ꯌꯦꯝꯍꯣꯛꯔꯨꯗꯨꯅꯥ ꯌꯨꯝ ꯁꯥꯍꯧꯗ꯭ꯔꯕꯗꯤ ꯂꯥꯟꯃꯤ ꯂꯩꯔꯒꯅꯤ ꯍꯥꯏꯕꯒꯤ ꯑꯀꯤꯕꯥ ꯈꯨꯟꯖꯥꯁꯤꯡꯗꯥ ꯂꯩꯔꯦ ꯫ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯌꯦꯝꯅꯕꯒꯤ ꯊꯕꯀꯁꯤ ꯂꯩꯈꯥꯏ ꯇꯥꯕꯥ ꯉꯝꯒꯗꯕꯥ ꯃꯥꯟꯗ꯭ꯔꯤ ꯫ ꯃꯈꯥ ꯇꯥꯅꯥ ꯃꯤꯐꯝ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯄꯒꯤ ꯃꯊꯧ ꯇꯥꯔꯤ ꯫

ꯃꯈꯣꯌꯒꯤ ꯀꯣꯝꯍꯣꯡ ꯌꯧꯔꯝꯗꯥꯏꯗꯥ ꯄꯥꯊꯧꯅꯥ ꯁꯥꯏꯀꯜ ꯊꯧꯕꯗꯨ ꯇꯞꯊꯦ ꯫ ꯀꯣꯝꯍꯣꯡ ꯃꯅꯨꯡꯗꯨ ꯅꯥꯛ-ꯌꯦꯠꯇꯥ ꯎ ꯔꯥ ꯌꯥꯝꯅꯥ ꯍꯧꯕꯗꯒꯤ ꯀꯥꯍꯦꯝꯅꯥ ꯃꯃꯏ ꯫ ꯁꯥꯏꯀꯜ ꯊꯧꯕꯥ ꯎꯔꯣꯏ ꯫ ꯃꯈꯣꯡꯅꯥ ꯏꯜꯂꯒꯥ ꯆꯠꯀꯗꯕꯁꯨ ꯑꯀꯤꯕꯥ ꯐꯥꯎꯏ ꯫ ꯏꯈꯣꯜ ꯁꯡꯕꯥ ꯂꯤꯂꯗꯨ ꯆꯠꯂꯝꯅꯕꯗꯤ ꯆꯤꯛꯂꯛꯄꯥ ꯌꯥꯏ ꯫ ꯍꯟꯗꯛꯁꯤ ꯃꯗꯨꯒꯤ ꯂꯤꯂꯗꯨ ꯏꯈꯣꯜ ꯃꯅꯨꯡ ꯁꯤꯟꯕꯥ ꯊꯨꯡꯅꯥ ꯆꯠꯂꯦ ꯍꯥꯏꯅꯩ ꯫ ꯍꯥꯟꯅꯗꯤ ꯀꯔꯤꯁꯨ ꯇꯧꯔꯝꯗꯕꯅꯤ; ꯃꯁꯛ ꯐꯥꯎꯕꯥ ꯎꯔꯝꯗꯦ ꯫ ꯄꯥꯊꯧꯅꯥ ꯑꯉꯥꯡ ꯑꯣꯏꯔꯤꯕꯗꯥ ꯑꯀꯉꯕꯥ ꯂꯤꯜ ꯃꯀꯨ ꯊꯦꯡꯅꯕꯥ ꯌꯥꯎꯈꯤ ꯫ ꯃꯗꯨ ꯎꯕꯗꯥ ꯃꯥꯒꯥ ꯂꯣꯏꯅꯔꯤꯕꯥ ꯑꯉꯥꯡ ꯑꯃꯅꯥ ꯍꯥꯏ,

"ꯃꯁꯤ ꯏꯈꯣꯜ ꯁꯡꯕꯥ ꯂꯤꯂꯒꯤ ꯃꯀꯨꯅꯤ; ꯌꯥꯝꯅꯥ ꯆꯥꯎꯗ꯭ꯔꯥ ?"

ꯑꯉꯥꯡ ꯑꯃꯅꯥ ꯃꯁꯥꯃꯀꯁꯤ ꯌꯥꯝꯅꯥ ꯈꯉꯕꯥ ꯎꯔꯕꯥ ꯃꯤꯒꯨꯝꯅꯥ ꯍꯥꯏ,

য়েম্হোক্রুদুনা য়ূম শাহৌদ্রবদি লান্মী লৈরগনি হায়বগী অকিবা খুঞ্জাশিংদা লৈরে । অদুবু য়েম্নবগী থবকসি লৈখায় তাবা ঙমগদবা মান্দ্রি । মখা তানা মীফম পাঙথোকপগী মথৌ তারি ।

মখোয়গী কোম্হোং য়ৌরমদাইদা পাথৌনা সাইকল থৌবদু তপথে । কোম্হোং মনুংদু নাক-য়েত্তা উ রা য়াম্না হৌবদগী কাহেম্না মমই । সাইকল থৌবা উরোই । মখোঙনা ঈল্লগা চৎকদবসু অকিবা ফাওই । ইখোল শঙবা লিলদু চৎলম্নবদি চীক্লকপা য়াই । হন্দকসি মদুগী লিলদু ইখোল মনুং শিনবা থুংনা চৎলে হায়নৈ । হান্নদি করিসু তৌরমদবনি; মশক ফাওবা উরমদে । পাথৌনা অঙাং ওইরিবৈদা অকঙবা লিল মকূ থেংনবা য়াওখি । মদু উবদা মাগা লোয়নরিবা অঙাং অমনা হায়,

"মসি ইখোল শঙবা লিলগী মকূনি; য়াম্না চাউদ্রা ?"

অঙাং অমনা মশামকসি য়াম্না খঙবা উরবা মীগুম্না হায়,

“ꯑꯩꯗꯤ ꯃꯁꯤꯗꯒꯤ ꯍꯦꯝꯅꯥ ꯆꯥꯎꯕ ꯂꯤꯜ ꯎꯔꯦ ꯫”

“ꯑꯗꯨ ꯑꯣꯏꯔꯕꯁꯨ ꯏꯈꯣꯜ ꯁꯉꯕ ꯂꯤꯜꯂꯅꯥ ꯏꯉꯝ ꯉꯝꯕꯅꯤ ꯫”

ꯃꯁꯛꯇꯤ ꯎꯅꯗ꯭ꯔꯤꯕ, ꯃꯒꯨꯟꯗꯤ ꯄꯥꯎꯅꯤꯜꯈꯣꯜ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯇꯥꯟꯔꯕ ꯂꯤꯜꯗꯨꯒꯤ ꯃꯆꯨ, ꯃꯁꯛ, ꯀꯔꯝꯕ ꯃꯈꯂꯒꯤ ꯃꯔꯃꯗꯗꯤ ꯀꯅꯥꯟꯁꯨ ꯈꯉꯅꯗꯦ; ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯀꯅꯥꯗꯁꯨ ꯆꯤꯛꯇꯦ; ꯃꯥꯉꯅꯕ ꯇꯧꯗꯦ; ꯏꯈꯣꯜꯗꯨ ꯊꯨꯡꯅꯕ ꯀꯣꯌꯅꯥ ꯆꯠꯂꯒꯥ ꯉꯥꯛ ꯁꯦꯜꯂꯤ ꯍꯥꯌꯅꯗꯤ ꯊꯥꯖꯅꯩ ꯫

ꯍꯥꯟꯅꯥ ꯐꯔꯝꯕ ꯂꯤꯜꯗꯨ ꯍꯟꯗꯛꯅꯥ ꯁꯥꯊꯤꯔꯛꯂꯤꯕꯁꯤ ꯆꯌꯣꯜꯃꯨꯛꯀꯤ ꯃꯃꯥꯉꯗꯥ ꯅꯨꯃꯤꯗꯥꯡ ꯌꯨꯝꯗꯥ ꯍꯜꯂꯛꯄ ꯅꯨꯄꯥ ꯑꯃꯒꯤ ꯁꯥꯏꯀꯂꯅꯥ ꯃꯃꯩꯗꯥ ꯇꯛꯂꯨꯕꯗꯒꯤ ꯍꯧꯈꯤꯕꯅꯤ ꯫ ꯅꯨꯃꯤꯗꯥꯡꯗꯨꯗꯒꯤ ꯂꯤꯜꯁꯤꯅꯥ ꯅꯨꯃꯤꯗꯥꯡꯗꯥ ꯏꯈꯣꯜ ꯃꯅꯨꯡꯗꯥ ꯆꯠꯄ ꯃꯤꯕꯨ ꯇꯥꯟꯅꯕ ꯍꯧꯔꯀꯏ ꯫ ꯀꯤꯅꯕꯗꯒꯤ ꯅꯨꯃꯤꯗꯥꯡꯗꯥ ꯃꯤ ꯄꯪꯆꯠ ꯆꯠꯅꯗ꯭ꯔꯦ ꯫

ꯀꯅꯥꯒꯨꯝꯕꯅꯥ ꯂꯤꯜꯗꯨ ꯅꯨꯃꯤꯗꯥꯡꯗꯥ ꯊꯦꯡꯅꯕ ꯌꯥꯎꯏ ꯫ ꯍꯥꯠꯄ ꯉꯝꯕꯒꯤ ꯈꯨꯗꯣꯡꯆꯥꯕꯁꯨ ꯐꯪꯏ ꯫ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯍꯥꯠꯇꯦ, ꯍꯥꯠꯅꯕ ꯐꯥꯎꯕ ꯍꯣꯠꯅꯗꯦ ꯫ ꯍꯥꯠꯅꯕ ꯍꯣꯠꯅꯔꯨꯕ ꯃꯤꯗꯨꯠ ꯅꯠꯇꯅꯥ ꯏꯈꯣꯜꯗꯨꯒꯤ ꯃꯤ ꯄꯨꯝꯕ ꯑꯔꯥ-ꯑꯅꯥ ꯃꯥꯌꯣꯛꯂꯕ ꯌꯥꯏ ꯍꯥꯌꯕꯒꯤ ꯑꯀꯤꯕ ꯂꯩ ꯫ ꯂꯤꯜꯗꯨ ꯍꯥꯠꯂꯕ ꯃꯇꯨꯡꯗꯥ ꯑꯇꯩ ꯂꯤꯜꯁꯤꯡ ꯂꯥꯛꯄ ꯌꯥꯏ; ꯆꯤꯛꯄ ꯌꯥꯏ, ꯂꯥꯏ-ꯇꯤꯅꯒꯤ

“ঐদি মসিদগী হেম্না চাউবা লিল উরে ।”

“অদু ওইরবসু ইখোল শঙবা লিলনা ইঙম ঙম্বনি ।”

মশক্তি উনদ্রিবা, মগুণদি পাউনিলখোল ওইনা তানরবা লিলদুগী মচু, মশক, করম্বা মখলগী মরমদদি কনানসু খঙনদে; অদুবু কনাদসু চীক্তে; মাঙনবা তৌদে; ইখোলদু থুংনবা কোয়না চৎলগা ঙাক শেল্লি হায়নদি থাজনৈ ।

হান্না ফরম্বা লিলদু হন্দক্না শাথীরক্লিবসি চযোলমুক্কী মমাঙদা নুমিদাং য়ুমদা হল্লকপা নুপা অমগী সাইকলনা মমৈদা তক্লুবদগী হৌখিবনি । নুমিদাংদুদগী লিলসিনা নুমিদাংদা ইখোল মনুংদা চৎপা মীবু তান্নবা হৌরকই । কিনবদগী নুমিদাংদা মী পংচৎ চৎনদ্রে ।

কনাগুম্বনা লিলদু নুমিদাংদা থেংনবা য়াওই । হাৎপা ঙম্বগী খুদোংচাবসু ফংই । অদুবু হাৎতে, হাৎনবা ফাওবা হোৎনদে । হাৎনবা হোৎনরুবা মীদুত নত্তনা ইখোলদুগী মী পূম্বা অরা-অনা মায়োক্লবা য়াই হায়বগী অকিবা লৈ । লিলদু হাৎলবা মতুংদা অতৈ লিলশিং লাকপা যাই; চীকপা য়াই, লাই-তিনগী

ꯐꯠꯇꯕ ꯊꯧꯗꯣꯛꯁꯤꯡ ꯊꯣꯛꯂꯛꯄ ꯌꯥꯔꯤ। ꯑꯗꯨꯅ ꯂꯤꯜꯗꯨ ꯊꯦꯡꯅꯗꯅꯕ ꯍꯣꯠꯅꯕꯅ ꯏꯐ ꯐꯔꯦ ꯍꯥꯏꯕꯁꯤ ꯃꯤ ꯂꯣꯏꯅ ꯈꯟꯅꯦ।

ꯄꯥꯊꯧꯗꯨ ꯈꯣꯡꯅꯦꯠ ꯀꯜꯂꯥ ꯑꯣꯠꯂꯒꯥ ꯉꯜꯂꯞ ꯇꯧꯕ ꯀꯣꯟꯊꯣꯡ ꯃꯅꯨꯡꯗꯨꯗꯥ ꯊꯧꯖꯤꯜꯂꯤ। ꯀꯣꯟꯊꯣꯡ ꯃꯅꯨꯡꯒꯤ ꯂꯝꯕꯤꯗꯨ ꯇꯁꯦꯡꯅ ꯎꯗ꯭ꯔꯕꯅꯤꯅ ꯁꯥꯏꯀꯜ ꯃꯃꯥꯏꯗꯨ ꯆꯨꯝꯕ ꯉꯝꯗ꯭ꯔꯦ; ꯐꯦꯔꯦ ꯐꯦꯔꯦ ꯍꯥꯏꯔꯦ। ꯃꯇꯦꯛ ꯈꯔ ꯊꯧꯔꯒꯥ ꯅꯥꯀꯜꯗꯥ ꯈꯥꯔꯤꯕ ꯁꯝꯕꯜꯗꯥ ꯊꯦꯡꯖꯤꯟꯗꯨꯅ ꯇꯨꯔꯦ। ꯇꯨꯕꯒꯤ ꯃꯈꯣꯜꯗꯨ ꯇꯥꯕꯗꯥ ꯃꯈꯣꯏꯒꯤ ꯍꯨꯏꯗꯨ ꯈꯣꯡꯗꯨꯅ ꯆꯦꯅꯁꯤꯜꯂꯀꯏ। ꯉꯥꯏꯍꯥꯛ ꯈꯣꯡꯂꯒꯥ ꯃꯄꯨ ꯃꯁꯛ ꯈꯪꯕꯗꯒꯤ ꯃꯅꯥꯛꯇꯥ ꯆꯪꯁꯤꯜꯂꯀꯏ; ꯃꯔꯩꯅ ꯂꯦꯛꯂꯀꯏ; ꯃꯃꯩꯁꯨ ꯍꯥꯏꯔꯝꯃꯒꯅꯤ। ꯍꯨꯏꯒꯤ ꯃꯇꯧꯗꯨꯗꯥ ꯄꯥꯊꯧꯅ ꯅꯨꯡꯉꯥꯏꯖꯦ, ꯍꯔꯥꯑꯣꯖꯦ। ꯑꯅꯥꯕꯒꯤ ꯆꯩꯅꯥꯈꯣꯜ ꯈꯥꯡꯂꯗꯨꯅ ꯄꯥꯊꯧꯅ ꯈꯜꯂꯤ,

"ꯀꯤꯅꯔꯤꯕ ꯂꯤꯜꯗꯨ ꯍꯨꯏ ꯅꯉꯅ ꯍꯥꯠꯂꯒꯗꯤ ꯏꯐ ꯐꯔꯗꯧꯅꯤ।"

ꯇꯨꯕꯒꯤ ꯑꯃꯗꯤ ꯍꯨꯏ ꯈꯣꯡꯕꯒꯤ ꯃꯈꯣꯜ ꯇꯥꯈꯤꯕꯗꯨꯗꯥ ꯏꯃꯨꯡꯒꯤ ꯃꯤ ꯈꯔ ꯊꯥꯎꯃꯩ ꯄꯨꯔꯒꯥ ꯊꯣꯔꯀꯏ। ꯄꯥꯊꯧꯒꯤ ꯃꯅꯥꯛꯇꯥ ꯆꯪꯁꯤꯜꯂꯛꯀꯨꯅ ꯃꯥꯕꯨ ꯍꯧꯒꯠꯄꯤꯔꯦ। ꯃꯅꯤꯡꯊꯣꯡ ꯐꯥꯑꯣꯅ ꯂꯥꯛꯂꯒꯥ ꯐꯨꯡꯒꯥ ꯃꯅꯥꯛꯇꯥ ꯐꯛ ꯊꯥꯔꯒꯥ ꯄꯥꯊꯧꯗꯨ ꯐꯃꯍꯜꯂꯦ। ꯃꯌꯥꯝ ꯆꯪꯗꯨꯅ

ফত্তবা থৌদোকশিং থোক্লকপা য়ারি। অদুনা লিলদু থেংনদনবা হোৎনবনা ইফ ফরে হায়বসি মী লোয়না খন্নে।

পাথৌদু খোঙনেৎ কল্লা ওৎলগা ঙল্লপ তৌবা কোন্থোং মনুংদুদা থৌজিল্লি। কোন্থোং মনুংগী লম্বীদু তশেংনা উদ্রবনিনা সাইকল মমায়দু চুম্বা ঙমদ্রে; ফেরে ফেরে হাইরে। মতেক খরা থৌরগা নাকলদা খারিবা শম্বলদা থেংজিন্দুনা তুরে। তুবগী মখোলদু তাবদা মখোয়গী হূইদু খোংদুনা চেনশিল্লকই। ঙাইহাক খোংলগা মপু মশক খঙবদগী মনাক্তা চঙশিল্লকই; মরৈনা লেক্লকই; মমৈসু হাইরমগনি। হূইগী মতৌদুদা পাথৌনা নুংঙাইজে, হরাওজে। অনাবগী চৈনাখোল খাঙলদুনা পাথৌনা খল্লি,

"কিনরিবা লিলদু হূই নঙনা হাৎলগদি ইফ ফরদৌনি।"

তুবগী অমদি হূই খোংবগী মখোল তাখিবদুদা ইমুংগী মী খরা থাউমৈ পুরগা থোরকই। পাথৌগী মনাক্তা চঙশিল্লক্কুনা মাবু হৌগৎপিরে। মনীংথোঙ ফাওনা লাক্লগা ফুঙ্গা মনাক্তা ফক থারগা পাথৌদু ফমহল্লে। ময়াম চঙদুনা

ꯑꯁꯣꯛꯄꯁꯤꯡꯗꯨ ꯍꯤꯗꯥꯛ ꯍꯥꯞꯂꯀꯏ꯫ ꯃꯌꯥꯝꯅꯥ ꯇꯧꯔꯤꯕꯗꯨ ꯀꯔꯤꯃꯇ꯭ꯇꯥ ꯅꯥꯆꯨꯡꯗꯅꯥ ꯃꯈꯣꯌꯒꯤ ꯍꯧꯗꯣꯡꯗꯨ ꯐꯨꯡꯒꯥ ꯃꯅꯥꯛꯇꯥ ꯀꯨꯜꯂꯤ꯫ ꯍꯨꯏꯒꯤ ꯃꯇꯧꯒꯥ ꯈꯔꯥ ꯈꯦꯟꯅꯔꯦ꯫ ꯄꯥꯊꯧꯅꯥ ꯈꯜꯂꯀꯏ,

"ꯑꯩꯈꯣꯌ ꯍꯧꯗꯣꯡꯁꯤ ꯎꯆꯤ ꯌꯥꯝꯅꯥ ꯐꯥꯏ; ꯃꯤ ꯆꯤꯛꯇꯕꯥ ꯂꯤꯜꯁꯨ ꯐꯥꯏ꯫ ꯃꯌꯥꯝꯅꯥ ꯀꯤꯟꯔꯤꯕꯥ ꯂꯤꯜꯗꯨꯕꯨꯗꯤ ꯐꯥꯗꯦ, ꯆꯥꯕꯗꯤ ꯍꯥꯌꯅꯥ ꯃꯅꯝ ꯅꯟꯅꯒꯥ ꯑꯍꯥꯎꯕꯗꯃꯛ ꯈꯜꯂꯒꯥ ꯆꯥꯏ꯫"

ꯄꯥꯊꯧꯅꯥ ꯁꯣꯛꯂꯤꯕꯁꯤ ꯂꯤꯜꯗꯨ ꯀꯤꯕꯗꯒꯤꯅꯤ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤ ꯃꯌꯥꯝꯁꯨ ꯈꯉꯦ; ꯄꯥꯊꯧꯒꯤ ꯃꯄꯥꯅꯥ ꯁꯥꯎꯅꯥ ꯆꯩꯔꯀꯏ,

"ꯊꯣꯔꯥꯏꯃꯆꯥꯒꯤ ꯂꯤꯜꯗꯣ, ꯃꯗꯨ ꯍꯥꯠꯂꯒꯗꯥ ꯐꯒꯗꯕꯅꯤ꯫"

ꯄꯥꯊꯧ ꯃꯄꯥꯒꯤꯁꯤ ꯑꯀꯣꯟꯕꯗꯥ ꯇꯥꯏꯅꯕꯅꯤ꯫ ꯄꯥꯊꯧꯅꯥ ꯃꯤꯐꯃꯗꯨ ꯌꯥꯎꯔꯃꯗ꯭ꯔꯕꯗꯤ ꯁꯣꯛꯂꯃꯗꯕꯥ ꯌꯥꯏ꯫ ꯃꯤꯐꯃꯗꯨꯁꯨ ꯂꯥꯟꯅꯤꯅꯥ ꯂꯝꯄꯥꯛꯇꯨ ꯌꯦꯡꯕꯥ ꯂꯥꯛꯂꯃꯗ꯭ꯔꯕꯗꯤ ꯇꯧꯔꯃꯗꯕꯥ ꯌꯥꯏ꯫ ꯄꯥꯊꯧꯒꯤ ꯃꯃꯥꯗꯤ ꯄꯥꯊꯧ ꯃꯄꯥꯒꯤ ꯃꯤꯆꯩꯁꯤ ꯇꯥꯕꯗꯥ ꯄꯥꯈꯠꯂꯦ꯫ ꯍꯥꯌꯔꯀꯏ,

"ꯑꯗꯨꯝꯅꯥ ꯆꯩꯕꯥ ꯍꯧꯅꯗꯦꯗꯥ; ꯑꯩꯈꯣꯌꯕꯨ ꯁꯪꯕꯤꯔꯤꯕꯥ ꯂꯤꯜꯗꯨꯗꯥ ꯏꯔꯥꯜ ꯂꯪꯁꯤꯟꯖꯕꯥ ꯇꯥꯒꯅꯤ꯫"

অশোকপশিংদু হিদাক হাপ্লকই । ময়াম্না তৌরিবদু করিমত্তা নাচুংদনা মখোয়গী হৌদোংদু ফুঙ্গা মনাক্তা কুল্লী । হূইগী মতৌগা খরা খেন্নরে । পাথৌনা খল্লকই,

"ঐখোয় হৌদোংসি উচি য়াম্না ফাই; মী চীক্তবা লিলসু ফাই । ময়াম্না কিনরিবা লিলদুবুদি ফাদে, চাবদি হায়্না মনম নন্নগা অহাওবদমক খল্লগা চায় ।"

পাথৌনা শোক্লিবসি লিলদু কিবদগীনি হায়বসি ময়ামসু খঙএ; পাথৌগী মপানা শাউনা চৈরকই,

"থোরাইমচাগী লিলদো, মদু হাৎলগদা ফগদবনি ।"

পাথৌ মপাগীসি অকোনবদা তাইনবনি । পাথৌনা মীফমদু য়াওরমদ্রবদি শোক্লমদবা য়াই । মীফমদুসু লান্নীনা লম্পাক্তু য়েংবা লাক্লমদ্রবদি তৌরমদবা য়াই । পাথৌগী মমাদি পাথৌ মপাগী মীচৈসি তাবদা পাখৎলে । হায়রকই,

" অদুম্না চৈবা হৌনদেদা; ঐখোয়বু শঙবিরিবা লিলদুদা ইরাল লঙশিঞ্জবা তাগনি ।"

"ꯀꯔꯤꯒꯤ ꯍꯧꯅꯗꯕꯅꯣ ꯃꯥꯒꯤ ꯃꯔꯃꯒꯤꯅꯤ ꯄꯥꯊꯧꯅꯥ ꯁꯣꯛꯂꯤꯕꯁꯤ ꯫ ꯍꯌꯦꯡꯗꯤ ꯅꯣꯡ ꯍꯦꯛ ꯉꯥꯟꯕꯒꯥ ꯑꯉꯥꯡ ꯈꯔꯥ ꯈꯣꯟꯅꯒꯥ ꯃꯗꯨꯒꯤ ꯂꯤꯜꯗꯨ ꯊꯤꯒꯦ ꯍꯦꯛ ꯊꯦꯡꯅꯕꯗꯥ ꯍꯥꯠꯀꯦ ꯫"

ꯄꯥꯊꯧ ꯃꯃꯥꯗꯨ ꯊꯝꯃꯣꯌꯗꯥ, ꯃꯈꯣꯌꯕꯨ ꯉꯥꯛꯄꯤꯅꯕꯥ ꯂꯥꯏ ꯑꯣꯏ ꯑꯣꯏꯗꯦ ꯑꯁꯦꯡꯕꯥ ꯈꯪꯗꯕꯥ ꯂꯤꯜꯗꯨꯗꯥ ꯈꯨꯔꯨꯃꯏ ꯫ ꯀꯔꯤꯒꯨꯝꯕꯥ ꯂꯤꯜꯗꯨꯅꯥ ꯄꯥꯊꯧꯕꯨ ꯆꯤꯛꯂꯕꯁꯨ ꯈꯨꯔꯨꯝꯒꯗ꯭ꯔꯥ ꯈꯪꯗꯦ ꯫ ꯄꯥꯊꯧ ꯃꯄꯥꯅꯥ ꯆꯩꯕꯗꯨꯗꯥ ꯃꯊꯣꯏ ꯀꯥꯔꯕꯥ ꯅꯨꯄꯥꯃꯆꯥ ꯑꯃꯅꯥ ꯍꯥꯌꯔꯀꯏ,

"ꯃꯗꯨꯒꯤ ꯂꯤꯜꯗꯨ ꯅꯍꯥꯜ ꯌꯥꯆꯪꯕꯗꯥ ꯑꯩꯅꯥ ꯍꯣꯀꯤ ꯁꯥꯟꯅꯔꯨꯕꯥ ꯍꯜꯂꯛꯄꯗꯥ ꯊꯦꯡꯅꯔꯕꯅꯤ ꯫ ꯍꯥꯠꯀꯦ ꯇꯧꯕꯗꯥ ꯏꯄꯊꯧꯅꯥ ꯈꯥꯝꯕꯗꯒꯤ ꯇꯣꯛꯍꯧꯕꯅꯤ ꯫"

ꯃꯥꯒꯥ ꯍꯜꯂꯛꯃꯤꯟꯅꯕꯥ ꯃꯄꯊꯧꯅꯥ ꯈꯥꯝꯈꯤ,

"ꯇꯧꯍꯩꯗꯦ ꯃꯁꯤꯒꯤ ꯂꯤꯜꯁꯤ ꯍꯥꯠꯀꯅꯨ ꯃꯥ ꯂꯩꯕꯅꯥ ꯑꯇꯩ ꯍꯨ ꯆꯦꯅꯕꯥ ꯂꯤꯜ ꯏꯈꯣꯜꯁꯤꯗꯥ ꯆꯪꯗ꯭ꯔꯤꯕꯅꯤ ꯫ ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯕꯗꯤ ꯅꯍꯥꯜꯅꯥ ꯈꯨꯗꯣꯡꯊꯤꯕꯥ ꯀꯌꯥ ꯅꯪꯂꯝꯅꯗꯕꯅꯤ ꯫"

ꯃꯕꯥꯅꯤꯅꯥ ꯊꯦꯡꯅꯔꯤꯕꯥ ꯂꯤꯜꯗꯨ ꯑꯁꯦꯡꯕꯥ ꯏꯈꯣꯜ ꯁꯡꯕꯥ ꯂꯤꯜꯗꯨꯔꯥ ꯍꯥꯌꯕꯗꯨꯗꯤ ꯑꯅꯤꯃꯛꯂꯥ ꯈꯪꯕꯥ ꯅꯠꯇꯦ ꯫

''করিগী হৌনদবনো; মাগী মরমগীনি পাথৌনা শোক্লিবসি । হয়েংদি নোং হেক ঙানবগা অঙাং খরা খোন্নগা মদুগী লিলদু থিগে; হেক থেংনবদা হাৎকে ।''

পাথৌ মমাদু থম্মোয়দা, মখোয়বু ঙাকপিনবা লাই ওই ওইদে অশেংবা খঙদবা লিলদুদা খুরুমই । করিগুম্বা লিলদুনা পাথৌবু চীক্লবসু খুরুমগদ্রা খঙদে । পাথৌ মপানা চৈবদুদা মথোই কারবা নুপামচা অমনা হায়রকই,

''মদুগী লিলদু নহাল য়াচঙবদা ঐনা হোকী শান্নরুবা হল্লকপদা থেংনরবনি । হাৎকে তৌবদা ইপস্থৌনা খাম্বদগী তোকহৌবনি '' ।

মাগা হল্লকমিন্নবা মপস্থৌনা খামখি,

''তৌহৈদে মসিগী লিলসি হাৎকনু মা লৈবনা অতৈ হু চেনবা লিল ইখোলসিদা চঙদ্রিবনি । নৎত্রবদি নহালনা খুদোংথীবা কয়া নংলম্নদবনি ।''

মবানীনা থেংনরিবা লিলদু অশেংবা ইখোল শঙবা লিলদুরা হায়বদুদি অনীমক্লা খঙবা নত্তে ।

ꯅꯨꯃꯤꯠꯇꯨꯗꯥ ꯅꯨꯄꯥꯃꯆꯥꯗꯨ ꯍꯥꯏꯔꯞ ꯊꯔꯥꯏ ꯅꯨꯡꯉꯥꯏꯇꯦ꯫ ꯃꯄꯟꯊꯧꯅꯥ ꯈꯥꯝꯈꯤꯕꯗꯨ ꯑꯁꯣꯏꯕꯅꯤ ꯍꯥꯏꯕꯁꯤ ꯐꯣꯡꯗꯣꯔꯀꯏ,

"ꯅꯨꯃꯤꯠꯇꯨꯗꯥ ꯈꯥꯝꯅꯃꯗ꯭ꯔꯕꯗꯤ ꯂꯤꯂꯗꯨ ꯍꯥꯠꯂꯃꯒꯗꯕꯅꯤ; ꯑꯗꯨ ꯑꯣꯏꯔꯕꯗꯤ ꯉꯁꯤ ꯇꯥꯆꯧꯅꯥ ꯁꯣꯛꯂꯤꯕꯁꯤ ꯁꯣꯛꯂꯝꯃꯣꯏ꯫"

ꯃꯥꯒꯤ ꯋꯥꯁꯤ ꯃꯃꯥ ꯅꯠꯇꯅꯥ ꯏꯃꯨꯡꯒꯤ ꯃꯤ ꯂꯣꯏꯅꯥ ꯌꯥꯅꯤꯡꯏ꯫ ꯃꯄꯥꯅꯥ ꯍꯥꯏ,

"ꯃꯕꯨꯛ ꯆꯨꯝꯗꯕꯥ ꯂꯤꯂꯗꯨ ꯃꯊꯪ ꯊꯦꯡꯅꯕꯗꯗꯤ ꯍꯥꯠꯇꯣꯛꯎ ꯏꯆꯥꯁꯤꯗꯤ꯫"

ꯃꯃꯥꯗꯤ ꯄꯥꯈꯠꯂꯦ; ꯈꯥꯝꯖꯤꯜꯂꯀꯏ,

"ꯑꯗꯨꯝꯅꯥ ꯏꯅꯁꯤꯅꯕꯤꯅꯨꯕꯥ; ꯍꯌꯦꯡꯃꯈꯩꯗꯤ ꯉꯁ꯭ꯇꯥꯅꯥ ꯌꯨꯃꯗꯥ ꯍꯟꯖꯤꯟꯅꯔꯀꯎ; ꯈꯨꯗꯣꯡꯊꯤꯕꯥ ꯑꯃꯠꯇꯥ ꯊꯣꯛꯂꯔꯣꯏ꯫"

"ꯊꯕꯛ ꯆꯊꯣꯛꯄꯕꯨ ꯊꯦꯡꯕꯥ ꯉꯝꯕꯥ ꯇꯝꯕꯥ ꯉꯝꯕ꯭ꯔꯅꯦ ?"

ꯃꯄꯟꯊꯧ ꯌꯥꯎꯅꯥ ꯃꯤ ꯈꯔꯥ ꯆꯡꯂꯀꯏ꯫ ꯂꯥꯡꯕꯥ ꯇꯥꯕꯗꯥ ꯂꯥꯛꯄꯥ ꯑꯣꯏꯔꯃꯒꯅꯤ꯫ ꯊꯧꯗꯣꯛꯁꯤ ꯇꯥꯔꯒꯥ ꯃꯇꯨꯡ ꯇꯧꯗꯅꯕꯥ ꯃꯄꯟꯊꯧꯅꯥ ꯍꯥꯏ,

নুমিৎতুদা নুপামচাদু হাইরপ থরায় নুংঙাইতে । মপন্থৌনা খামখিবদু অশোয়বনি হায়বসি ফোঙদোরকই,

‘‘নুমিৎতুদা খাম্নমদ্রবদি লিলদু হাৎলমগদবনি; অদু ওইরবদি ঙসি তাচৌনা শোক্লিবসি শোক্লম্মোই ।’’

মাগী ৱাসি মমা নত্তনা ইমুংগী মী লোয়না য়ানীংই । মপানা হায়,

‘‘মবুক চুমদবা লিলদু মথং থেংনবদদি হাৎতোকউ ইচাসিদি ।’’

মমাদি পাখৎলে; খামজিল্লকই,

‘‘অদুম্না ইনশিনবীনুবা; হয়েংমখৈদি ঙস্তানা য়ুমদা হঞ্জিন্নরকউ; খুদোংথীবা অমত্তা থোক্লরোই ।’’

‘‘থবক চথোকপবু থেঙবা ঙনবা তম্বা ঙম্ব্রনে ?’’

মপন্থৌ য়াওনা মী খরা চঙলকই । লাঙবা তাবদা লাকপা ওইরমগনি । থৌদোকসি তারগা মতুং তৌদনবা মপন্থৌনা হায়,

"ꯅꯍꯥꯜ ꯁꯥꯏꯀꯜꯂꯅꯥ ꯇꯛꯂꯨꯕ, ꯅꯅꯥꯑꯣꯅꯨꯄꯥꯅꯥ ꯍꯥꯠꯀꯦ ꯇꯧꯔꯨꯕꯗꯨꯒꯤ ꯐꯠꯇꯕ ꯃꯍꯩꯅꯤ; ꯃꯇꯨꯡꯗꯗꯤ ꯃꯗꯨꯒꯤ ꯂꯤꯜꯗꯨꯒꯥ ꯌꯦꯛꯂꯒꯦ ꯈꯛ ꯈꯟꯒꯅꯨꯀꯣ꯫"

ꯃꯥꯒꯤ ꯕ꯭ꯔꯥꯁꯤ ꯄꯥꯊꯧꯒꯤ ꯃꯄꯥ ꯑꯃꯗꯤ ꯑꯉꯥꯡꯃꯈꯩꯅꯥ ꯌꯥꯅꯤꯡꯗꯦ꯫ ꯐꯣꯡꯅꯥ ꯌꯥꯅꯤꯡꯗꯦ ꯍꯥꯌꯕꯗꯤ ꯉꯃꯗꯦ꯫

ꯄꯥꯊꯧꯒꯤ ꯑꯁꯣꯛꯄꯗꯨ ꯍꯤꯗꯥꯛ ꯍꯥꯞꯂꯦ, ꯕꯦꯟꯗꯦꯖ ꯌꯦꯠꯂꯦ꯫ ꯑꯁꯣꯛꯄꯗꯨ ꯊꯨꯅꯥ ꯐꯔꯕ ꯌꯥꯏ; ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯒꯥ ꯐꯕꯗꯥ ꯃꯇꯝ ꯀꯨꯏꯅꯥ ꯆꯉꯂꯕ ꯌꯥꯏ, ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯒꯥ ꯂꯥꯏꯖꯧꯗꯨꯅꯥ ꯂꯩꯕꯁꯨ ꯌꯥꯔꯤ꯫ ꯗꯥꯛꯐꯝ ꯑꯃꯗꯤ ꯂꯩꯔꯒꯅꯤ꯫ ꯄꯥꯊꯧꯅꯥ ꯈꯨꯗꯣꯡꯊꯤꯕ ꯅꯪꯕ ꯑꯍꯥꯟꯕꯅꯤ; ꯑꯔꯣꯏꯕ ꯑꯣꯏꯒꯅꯤ ꯍꯥꯌꯕꯒꯤ ꯑꯔꯦꯞꯄ ꯂꯩꯇ꯭ꯔꯤ꯫ ꯂꯩꯔꯤꯕ ꯂꯤꯂꯁꯤ ꯁꯤꯔꯕꯁꯨ ꯑꯇꯣꯞꯄ ꯂꯤꯜ ꯑꯃꯅꯥ ꯃꯍꯨꯠ ꯁꯤꯟꯕ ꯌꯥꯏ꯫ ꯑꯗꯨꯅꯥ ꯏꯉ꯭ꯈꯣꯜꯁꯤꯗꯥ ꯂꯩꯔꯤꯕ ꯃꯤꯁꯤꯡꯅꯥ ꯃꯈꯣꯌꯒꯤ ꯊꯝꯃꯣꯌꯗꯥ ꯐꯥꯑꯣꯔꯤꯕ ꯑꯀꯤꯕꯁꯤꯅꯥ ꯐꯒꯗꯕ ꯅꯨꯃꯤꯠꯇꯨ ꯈꯧꯔꯥꯡꯅꯥ ꯉꯥꯏꯔꯤ꯫

ꯇꯥꯡ ꯸-꯱-꯱꯹꯹꯹

''নহাল সাইকলনা তক্লুবা, ননাওনুপানা হাৎকে তৌরুবদুগী ফত্তবা মহয়নি; মতুংদদি মদুগী লিলদুগা য়েক্লগে খক খনগনুকো ।''

মাগী ব্রাসি পাথৌগী মপা অমদি অঙাংমখৈনা য়ানীংদে । ফোঙনা য়ানীংদে হায়বদি ঙমদে ।

পাথৌগী অশোকপদু হিদাক হাপ্লে, বেণ্ডেজ য়েৎলে । অশোকপদু থুনা ফরবা য়াই; নৎত্রগা ফবদা মতম কুইনা চঙলবা য়াই, নৎত্রগা লাইজৌদুনা লৈবসু য়ারি । দাকফম অমদি লৈরগনি । পাথৌনা খুদোংথীবা নংবা অহানবনি; অরোইবা ওইগনি হায়বগী অরেপ্পা লৈত্রি । লৈরিবা লিলসি শিরবসু অতোপ্পা লিল অমনা মহুৎ শিল্লবা য়াই । অদুনা ইঙ্খোলসিদা লৈরিবা মীশিংনা মখোয়গী থম্মোয়দা ফাওরিবা অকিবসিনা ফগদবা নুমিৎতু খৌরাংনা ঙাইরি ।

তাং ৮-১-১৯৯৯

ꯊꯝꯕꯥꯜꯅꯨꯒꯤ ꯃꯅꯥꯑꯣꯅꯨꯄꯤ

ꯅꯝꯕꯨꯜ ꯇꯨꯔꯦꯜꯒꯤ ꯇꯣꯔꯕꯥꯟ ꯃꯇꯦꯛ ꯑꯃꯥ ꯀꯥꯌꯗꯨꯅꯥ ꯈꯋꯥꯏꯕꯝꯕꯟꯗ ꯀꯩꯊꯦꯜ ꯑꯃꯗꯤ ꯑꯀꯣꯏꯕꯒꯤ ꯂꯝꯁꯤꯡ ꯊꯨꯝꯕꯥ ꯑꯗꯨꯒꯥ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯀꯌꯥꯅꯤ ꯏꯕꯤꯗꯨꯅꯥ ꯂꯩꯕꯁꯤ ꯁꯅꯥꯅꯨꯅꯥ ꯊꯦꯡꯅꯩ। ꯆꯍꯤ ꯑꯃꯥ ꯑꯅꯤꯒꯤ ꯕꯔꯥ ꯅꯠꯇꯔꯦ; ꯆꯍꯤ ꯃꯕꯤ ꯃꯉꯥ ꯂꯤꯁꯥꯡ ꯁꯤꯠꯅꯥ ꯊꯣꯛꯂꯤ। ꯆꯍꯤ ꯑꯃꯗꯥ ꯑꯅꯤ ꯅꯠꯇꯔꯒꯥ ꯑꯍꯨꯝꯔꯛ ꯐꯥꯎꯕꯥ ꯊꯣꯛꯄꯥ ꯌꯥꯎꯈꯔꯦ। ꯀꯨꯝꯁꯤ ꯆꯍꯤꯁꯨ ꯅꯣꯡꯖꯨꯊꯥ ꯌꯧꯗꯔꯤꯉꯩ, ꯇꯥꯡꯒꯥ ꯆꯥꯗꯅꯥ ꯆꯨꯔꯛꯄꯥ ꯅꯣꯡꯖꯨꯅꯥ ꯃꯤꯕꯔꯥ ꯇꯥꯐꯝ ꯑꯣꯏꯔꯦ। ꯂꯥꯏꯕꯛ ꯄꯡꯐ ꯐꯕꯥ ꯅꯝꯕꯨꯜ ꯃꯥꯒꯤ ꯃꯄꯣꯛ ꯅꯇꯇꯦ। ꯏꯀꯉ ꯊꯥꯗꯁꯨ ꯑꯃꯣꯠ-ꯑꯀꯥꯏ ꯆꯤꯊꯅꯕꯥ ꯈꯣꯡꯂꯝꯒꯤ ꯁꯛꯇꯝ ꯂꯧꯍꯜꯂꯤ। ꯂꯨꯕꯥ ꯅꯥꯟꯕꯥ ꯄꯥꯝꯗꯕꯥ ꯀꯣꯛꯂꯥ ꯈꯣꯉ, ꯈꯨꯠꯄꯨ ꯃꯣꯠꯍꯜꯂꯤ; ꯃꯔꯥꯜꯅꯥ ꯈꯣꯉ, ꯈꯨꯠꯇꯥ ꯇꯥꯏꯅꯩ। ꯃꯁꯤ ꯂꯩꯕꯥꯛꯁꯤꯗꯥ ꯆꯠꯅꯩ।

ꯅꯝꯕꯨꯜ ꯇꯨꯔꯦꯜꯒꯤ ꯏꯆꯥꯎꯅꯥ ꯁꯅꯥꯅꯨꯒꯤ ꯏꯃꯨꯡꯒꯤ ꯃꯕꯤ ꯃꯇꯥꯒꯤ ꯃꯤꯑꯣꯏꯁꯤꯡꯗꯥ ꯑꯗꯨꯒꯥ ꯃꯁꯥꯃꯛꯇꯥ ꯑꯀꯥꯏꯕꯥ ꯊꯣꯛꯍꯟꯗꯦ। ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯏꯆꯥꯎꯁꯤꯅꯥ ꯑꯔꯥ-ꯑꯅꯥ ꯃꯥꯌꯣꯛꯂꯍꯜꯂꯕꯥ ꯃꯤꯁꯤꯡꯗꯨꯒꯤ ꯃꯑꯣꯡꯗꯨꯅꯥ ꯃꯥꯕꯨ ꯊꯝꯃꯣꯏ ꯁꯣꯛꯍꯜꯂꯤ; ꯆꯩꯊꯦꯡ ꯑꯃꯥ ꯄꯤꯔꯛꯏ। ꯍꯛꯆꯥꯡ

থম্বালনুগী মনাওনুপী

নম্বুল তুবেলগী তোর্বান মতেক অমা কাযদুনা খ্বাইবম্বন্দ কৈথেল অমদি অকোয়বগী লমশিং থূম্বা অদুগা নুমিৎ কযানি ঈবিদুনা লৈবসি সনানুনা থেংনৈ। চহী অমা অনীগী ব্রা নৎত্রে; চহী মবি মঙা লিশাং শিৎনা থোক্লি। চহী অমদা অনী নৎত্রগা অহুম্রক ফাওবা থোকপা য়াওখ্রে। কুমশি চহীসু নোংজুথা য়ৌদ্রিঙৈ, তাঙ্গা চাদনা চুরকপা নোংজুনা মীব্রা তাফম ওইরে। লাইবক পংফ ফবা নম্বুল মাগী মপোক নত্তে। ঈকঙ থাদসু অমোৎ-অকায় চিথনবা খোংলমগী শক্তম লৌহল্লি। লূবা নানবা পামদবা কোক্লা খোঙ, খূৎপু মোৎহল্লি; মরালনা খোঙ, খূৎতা তাইনৈ। মসি লৈবাকসিদা চৎনৈ।

নম্বুল তুরেলগী ঈচাউনা সনানুগী ইমুংগী মবী মতাগী মীওইশিংদা অদুগা মশামক্তা অকাযবা থোকহন্দে। অদুবু ঈচাউসিনা অব্রা-অনা মায়োক্লহল্লবা মীশিংদুগী মওংদুনা মাবু থম্মোয় শোকহল্লি; চৈথেং অমা পীরকই। হকচাং

ꯀꯌꯥꯠ ꯑꯃꯒꯤ ꯑꯁꯣꯀꯄꯗꯥ ꯑꯇꯦ ꯍꯛꯆꯥꯡꯒꯤ ꯀꯌꯥꯠꯁꯤꯡꯅꯥ ꯑꯅꯥꯕꯥ ꯐꯥꯑꯣꯏ ꯫ ꯃꯤꯁꯨ ꯃꯤꯒꯤ ꯑꯋꯥꯕꯗꯥ ꯊꯝꯃꯣꯏ ꯁꯣꯀꯐꯝ ꯊꯣꯛꯏ ꯫ ꯁꯅꯥꯅꯨꯅꯥ ꯀꯔꯤꯒꯨꯝꯕꯥ ꯈꯔꯥ ꯇꯧꯅꯤꯡꯏ ꯫ ꯚꯨꯃꯁꯤꯟꯅꯔꯤꯕꯥ ꯂꯩꯉꯥꯛꯄꯁꯤꯡ ꯍꯧꯗꯣꯛꯅꯤꯡꯏ ꯫ ꯏꯆꯥꯎ ꯈꯖꯤꯛꯇꯪ ꯊꯣꯛꯄꯗꯥ ꯀꯨꯝꯃꯩꯒꯨꯝ ꯈꯟꯗꯨꯅꯥ ꯑꯉꯥꯡꯗꯒꯤ ꯑꯍꯜ ꯐꯥꯑꯣꯕꯅꯥ ꯆꯠꯂꯤ ꯫ ꯃꯈꯣꯌꯒꯤ ꯃꯐꯃꯗꯥ ꯁꯅꯥꯅꯨꯒꯤ ꯊꯕꯛꯇꯨ ꯃꯔꯤꯡ ꯃꯔꯥꯡꯕꯥ ꯑꯣꯏꯅꯗꯤ ꯊꯣꯛꯂꯒꯅꯤ ꯫ ꯂꯩꯕꯥꯛꯁꯤꯒꯤ ꯃꯤꯁꯤꯡꯗꯤ ꯃꯤꯌꯥꯃꯒꯤ ꯌꯥꯏꯐꯅꯕꯥ ꯕ꯭ꯔꯥꯀꯠ ꯈꯣꯡꯖꯪ ꯆꯪꯁꯤꯟꯕꯗꯤ ꯄꯥꯝꯗꯕꯥ ꯑꯗꯨꯒꯥ ꯃꯗꯨꯕꯨ ꯀꯨꯝꯃꯩꯒꯨꯝ ꯌꯦꯡꯅꯤꯡꯕꯥ ꯃꯤꯅꯥ ꯑꯌꯥꯝꯕꯅꯤ ꯫

ꯅꯝꯕꯨꯜꯒꯤ ꯂꯩꯔꯥꯏ ꯑꯀꯥꯏꯕꯥ, ꯏꯁꯤꯡ ꯀꯝꯅꯥ ꯆꯦꯝꯊꯣꯔꯛꯂꯤꯕꯗꯨꯒꯤ ꯃꯅꯥꯛ, ꯀꯥꯏꯔꯛꯀꯗꯧꯕꯒꯤ ꯂꯩꯀ꯭ꯔꯛ ꯆꯠꯄꯥ ꯍꯧꯔꯕꯥ ꯇꯣꯔꯕꯥꯟꯗꯨꯗꯥ ꯁꯅꯥꯅꯨꯅꯥ ꯂꯦꯞꯂꯤ ꯫ ꯃꯈꯣꯡ ꯃꯈꯨꯠ ꯄꯨꯅꯁꯤꯜꯂꯤ ꯫ ꯐꯅꯦꯛ ꯃꯄꯥꯟ ꯅꯥꯏꯕꯥ, ꯏꯟꯐꯤ ꯁꯦꯠ ꯏꯜꯂꯤ ꯫ ꯃꯅꯥꯛꯇꯥ ꯆꯦ ꯑꯄꯥꯛꯄꯥ ꯑꯃꯥ ꯊꯦꯠꯂꯤ ꯫ ꯃꯗꯨꯗꯥ ꯏꯔꯤ,

“ꯏꯆꯥꯎ ꯑꯁꯤ ꯊꯤꯡꯗ꯭ꯔꯕꯗꯤ ꯏꯊꯟꯇꯥ ꯁꯤꯖꯔꯒꯅꯤ ꯫”

ꯃꯅꯥꯛꯀꯤ ꯂꯝꯕꯤꯁꯤꯗꯥ ꯆꯠꯂꯤꯕꯁꯤꯡꯒꯤ ꯃꯔꯛꯇꯥ ꯈꯔꯅꯥ ꯐꯩ ꯍꯥꯌꯕꯒꯤ ꯊꯥꯒꯠ-ꯋꯥꯍꯩ ꯉꯥꯡꯅꯈꯤ ꯫ ꯌꯦꯡꯕꯗꯃꯛ ꯌꯦꯡꯂꯒꯥ, ꯃꯁꯥꯒꯤ ꯃꯊꯧꯗꯨꯅꯥ ꯃꯔꯨ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯈꯟꯗꯨꯅꯥ ꯀꯔꯤꯁꯨ

কয়াৎ অমগী অশোকপদা অতে হকচাংগী কয়াৎশিংনা অনাবা ফাওই । মীসু মীগী অৱাবদা থম্মোয় শোকফম থোকই । সনানুনা করিগুম্বা খরা তৌনীংই । ভূমশিন্নরিবা লৈঙাকপশিং হৌদোক্নীংই । ঈচাউ খজিক্তং থোকপদা কুম্মেগুম খন্দুনা অঙাংদগী অহল ফাওবনা চৎলি । মখোয়গী মফমদা সনানুগী থবক্তু মরিং মরাংবা ওইনদি থোক্লগনি । লৈবাকসিগী মীশিংদি মীয়ামগী য়াইফনবা ব্রাকৎ খোঙজং চঙশিনবদি পামদবা অদুগা মদুবু কুম্মেগুম য়েংনীংবা মীনা অয়াম্বনি ।

নম্বুলগী লৈরায় অকায়বা, ঈশিং কম্না চেম্থোরক্লিবদুগী মনাক, কায়রক্কদৌবগী লৈক্রক চৎপা হৌরবা তোৰ্বান্দুদা সনানুনা লেপ্লি । মখোঙ মখূৎ পুনশিল্লি । ফনেক মপান নাইবা, ইনফি শেৎ ইল্লি । মনাক্তা চে অপাকপা অমা থেৎলি । মদুদা ইরি,

“ঈচাউ অসি থিংদ্রবদি ইথন্তা শিজরগনি ।”

মনাক্কি লম্বীসিদা চৎলিবশিংগী মরক্তা খরনা ফৈ হায়বগী থাগৎ-ৱাহৈ ঙাঙনখি । য়েংবদমক য়েংলগা, মশাগী মথৌদুনা মরু ওইনা খন্দুনা করিসু ঙাঙলমদনা চৎখিবসু য়াওই । লীলাগী মওংগুম্না উবা কাংবুসু হকচিন্না খন্দনা

ꯆꯠꯅꯕꯁꯨ ꯌꯥꯎꯔꯤ꯫ ꯂꯃꯗꯝꯁꯤꯒꯤ ꯅꯨꯄꯤꯒꯤ ꯊꯝꯃꯣꯌꯗꯥ ꯃꯨꯞꯔꯕ ꯊꯕꯛꯇꯨ ꯃꯥꯌ ꯄꯥꯛꯂꯤꯕ ꯐꯥꯎꯕ ꯅꯤꯡꯍꯟꯅꯗꯦ ꯍꯥꯌꯕꯗꯨ ꯌꯥꯟꯁꯤꯟꯅꯔꯕ ꯕ꯭ꯔꯥꯈꯜ ꯈꯟꯕ ꯃꯇꯃꯁꯤꯒꯤ ꯃꯤꯅꯥ ꯅꯤꯡꯁꯤꯡꯗ꯭ꯔꯦ꯫ ꯂꯩꯃꯥ ꯂꯤꯝꯐꯣꯢꯉꯝꯕꯤꯅꯥ ꯅꯨꯄꯥꯒꯤ ꯁꯛꯇꯃꯗꯥ ꯂꯥꯝꯐꯦꯡꯅꯕ, ꯆꯟꯅꯨ ꯀꯩꯅꯥꯅꯥ ꯃꯩꯗꯥ ꯆꯣꯡꯁꯤꯟꯗꯨꯅꯥ ꯊꯕ꯭ꯔꯥꯌ ꯊꯥꯕ, ꯅꯨꯄꯤ ꯂꯥꯅꯒꯤ ꯏꯈꯦꯡ, ꯆꯥꯛꯂꯥꯝ ꯈꯣꯡꯆꯠꯀꯤ ꯄ꯭ꯔꯃꯣꯗꯤꯅꯤꯅꯥ ꯅꯣꯡꯃꯩ ꯃꯔꯨꯒꯥ ꯃꯥꯌꯣꯛꯂꯕ, ꯖꯨꯟ ꯇꯔꯥꯅꯤꯄꯥꯂꯒꯤ ꯏꯍꯧ, ꯁꯅꯥꯅꯨꯒꯤ ꯈꯣꯡꯖꯪ ꯃꯇꯝ, ꯃꯇꯃꯗꯨꯗꯥ ꯐꯥꯒꯤ ꯇꯥꯔꯃꯒꯅꯤ꯫ ꯊꯧꯗꯣꯛ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯊꯣꯛꯂꯔꯕ ꯃꯇꯨꯡꯗꯗꯤ ꯂꯩꯕꯥꯛꯁꯤꯒꯤ ꯅꯨꯄꯤꯁꯤꯡꯗꯥ ꯇꯨꯖꯨꯡꯕ ꯊꯧꯅꯥ ꯂꯩ ꯍꯥꯌꯕꯗꯨ ꯑꯎꯕꯅꯥ ꯃꯄꯨꯛꯂꯤꯡꯗꯥ ꯊꯥꯒꯠꯄꯅꯤ꯫ ꯌꯥꯏꯔꯤꯄꯣꯛ ꯊꯝꯕꯥꯂꯅꯨ ꯆꯠꯍꯅꯈ꯭ꯔꯦ꯫ ꯍꯧꯖꯤꯛ ꯁꯅꯥꯅꯨꯕꯨ ꯊꯝꯕꯥꯂꯅꯨꯒꯤ ꯃꯅꯥꯎꯅꯨꯄꯤ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯆꯠꯍꯟꯕ ꯆꯠꯍꯟꯗꯕ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤ ꯄ꯭ꯔꯅꯥꯃꯁꯤꯡ ꯁꯥꯕ ꯂꯩꯉꯥꯛꯄꯁꯤꯡꯒꯤ ꯈꯨꯖꯤꯜ ꯊꯧꯔꯥꯡꯗꯥ ꯂꯩꯒꯗꯧꯔꯤ꯫

ꯄꯥꯎꯃꯤꯁꯤꯡ ꯌꯧꯔꯛꯂꯦ꯫ ꯃꯁꯥꯒꯤ ꯄꯥꯎꯆꯦꯗꯨ ꯌꯥꯝꯅ ꯌꯣꯟꯕ ꯁꯤꯡꯅꯕꯒꯤ ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯒꯥ ꯁꯅꯥꯅꯨꯒꯤ ꯈꯣꯡꯖꯪꯕꯨ ꯁꯧꯒꯠꯅꯕꯒꯤ ꯐꯣꯇꯣ ꯅꯝꯕ ꯌꯥꯕ ꯅꯝꯂꯦ꯫ ꯕ꯭ꯔꯥꯍꯪ ꯀꯌꯥ ꯍꯪꯂꯕꯒꯤ ꯃꯇꯨꯡꯗꯥ ꯄꯥꯎꯃꯤ ꯑꯃꯅꯥ ꯍꯪꯂꯀꯏ,

চৎনবসু য়াওরি । লমদমসিগী নুপীগী থম্মোয়দা মৃপ্রবা থবক্তু মায় পাক্লিবা ফাওবা নীংহন্নদে হায়বদু য়ানশিন্নরবা ব্রাখল খনবা মতমসিগী মীনা নীংশিংদ্রে । লৈমা লিম্ফোইঙম্বীনা নুপাগী শক্তমদা লাম্ফেংনবা, চনু কৈনানা মৈদা চোংশিন্দুনা থব্রায় থাবা, নুপী লানগী ঈখেং, চাক্লাম খোঙচৎকী প্রমোদিনিনা নোংমৈ মরূগা মায়োক্লবা, জুন তরানিপালগী ঈহৌ, সনানুগী খোঙজং মতম, মতমদুদা ফাগি তারমগনি । থৌদোক ওইনা থোক্লরবা মতুংদদি লৈবাকসিগী নুপীশিংদা তুজুংবা থৌনা লৈ হায়বদু অউবনা মপূক্লিংদা থাগৎপনি । য়াইরিপোক থম্বালনু চৎহনখ্রে । হৌজিক সনানুবু থম্বালনুগী মনাওনুপী ওইনা চৎহনবা চৎহন্দবা হায়বসি প্রনামসিং শাবা লৈঙাকপশিংগী খুজিল থৌরাংদা লৈগদৌরি ।

পাউমীশিং য়ৌরক্লে । মশাগী পাউচেদু য়াম্না য়োনবা শিংনবগী নৎত্রগা সনানুগী খোঙজংবু শৌগৎনবগী ফোটো নম্বা য়াবা নম্লে । ব্রাহং কয়া হংলবগী মতুংদা পাউমী অমনা হংলকই,

"ꯆꯪꯁꯤꯟꯕꯤꯔꯤꯕ ꯈꯣꯉꯖꯪꯁꯤ ꯃꯥꯏ ꯄꯥꯛꯀꯅꯤ ꯈꯟꯕꯤꯕꯔꯥ ?"

"ꯑꯆꯠ-ꯑꯑꯣꯛꯄ ꯎꯔꯤꯕ, ꯄꯥꯎꯃꯤꯁꯤꯡꯅ ꯂꯥꯛꯄꯤꯔꯤꯕꯁꯤ ꯃꯥꯏ ꯄꯥꯛꯄ ꯍꯧꯔꯕꯅꯤ ꯫"

ꯄꯥꯎꯃꯤ ꯑꯃꯅ ꯍꯪꯂꯀꯏ,

"ꯈꯣꯉꯖꯪꯁꯤ ꯅꯠꯇꯕ ꯑꯇꯩ ꯄꯥꯝꯕꯩ ꯂꯩꯇꯦ ꯈꯟꯕꯤꯕꯔꯥ ?"

"ꯀꯥꯟꯅꯕꯒꯤ ꯃꯔꯨꯃꯗ ꯃꯤꯌꯥꯃꯒꯤ ꯁꯦꯕꯥ ꯇꯧꯔꯤꯕꯁꯤꯡꯒꯤ ꯃꯥꯌꯣꯛꯇ ꯊꯕꯔꯥꯏ ꯁꯤꯟꯅꯔꯒ ꯁꯦꯕꯥ ꯇꯧꯕꯁꯤ ꯃꯇꯝꯁꯤꯗ ꯗꯔꯀꯥꯔ ꯌꯥꯝꯅ ꯑꯣꯏꯔꯦ ꯈꯟꯖꯦ ꯫"

ꯑꯇꯣꯞꯄ ꯄꯥꯎꯃꯤ ꯑꯃꯅ ꯍꯪꯂꯀꯏ,

"ꯑꯗꯣꯃꯒꯤ ꯈꯣꯉꯖꯪ ꯑꯁꯤ ꯔꯥꯖꯅꯤꯇꯤꯒꯤ ꯏꯊꯤꯜ ꯆꯪꯏ ꯍꯥꯌꯅꯩ; ꯃꯁꯤꯗ ꯀꯔꯤ ꯍꯥꯌꯕꯤꯅꯤꯡꯕꯒꯦ ?"

"চঙশিনবিরিবা খোঙজংসি মায় পাক্কনি খনবিব্রা ?"

"অচৎ-অওক্পা উরিবা, পাউমীশিংনা লাকপিরিবসি মায় পাকপা হৌরবনি ।"

পাউমী অমনা হংলকই,

"খোঙজংসি নত্তবা অতৈ পাম্বৈ লৈতে খনবিব্রা ?"

"কান্নবগী মরুমদা মীয়ামগী সেবা তৌরিবশিংগী মায়োক্তা থব্রায় শিন্নরগা সেবা তৌবসি মতমসিদা দরকার য়াম্না ওইরে খঞ্জে ।"

অতোপ্পা পাউমী অমনা হংলকই,

"অদোমগী খোঙজং অসি রাজনিতিগী ঈথিল চঙই হায়নৈ; মসিদা করি হায়বিনীংবগে ?"

"ꯃꯗꯨꯝꯃꯥ ꯍꯥꯏꯅꯔꯤꯕꯗꯨ ꯃꯇꯤꯛ ꯆꯥꯗꯕꯥ ꯔꯥꯖꯅꯤꯇꯤ ꯇꯧꯕꯁꯤꯡꯒꯤ ꯏꯊꯤꯜ ꯆꯟꯆꯂꯕꯅꯤ꯫"

ꯄꯥꯎꯃꯤ ꯑꯃꯅꯥ ꯍꯪꯏ,

"ꯂꯩꯕꯥꯛꯁꯤꯗꯥ ꯂꯩꯔꯤꯕꯥ ꯃꯤꯁꯤꯡꯅꯥ ꯃꯤꯌꯥꯝꯒꯤꯗꯃꯛ ꯄꯦꯟꯗꯕꯒꯤ ꯕ꯭ꯔꯥꯀꯠꯄꯁꯤ ꯑꯉꯥꯡꯅꯥ ꯆꯥꯛ ꯑꯣꯏꯅꯕꯒꯤ ꯊꯧꯗꯣꯎꯝꯃꯥ ꯊꯣꯛꯄꯁꯤ ꯑꯩꯈꯣꯌꯅꯥ ꯇꯣꯌꯅꯥ ꯊꯦꯡꯅꯈ꯭ꯔꯦ; ꯃꯗꯨ ꯊꯣꯛꯇꯟꯕꯥ ꯀꯔꯤ ꯆꯦꯀꯁꯤꯟ ꯊꯧꯔꯥꯡ ꯂꯩꯕꯤꯕꯒꯦ?"

"ꯃꯊꯥ ꯇꯥꯕꯗꯤ ꯑꯩꯒꯤ ꯊꯕꯛꯁꯤ ꯌꯦꯡꯕꯤꯔꯒꯥ ꯐꯖꯕꯒꯤ ꯐꯖꯅꯥ, ꯑꯊꯤꯕꯒꯤ ꯊꯤꯅꯥ ꯄꯥꯎꯗꯝꯕꯤꯔꯣ꯫"

ꯅꯨꯄꯤ ꯄꯥꯎꯃꯤ ꯑꯃꯅꯥ ꯍꯪꯂꯀꯏ,

"ꯁꯣꯝꯒꯤ ꯈꯣꯉꯖꯪꯁꯤ ꯎꯔꯒꯥ ꯂꯩꯕꯥꯛꯁꯤꯒꯤ ꯅꯨꯄꯥꯁꯤꯡ ꯑꯁꯤ ꯃꯍꯥꯛꯅꯤ; ꯅꯨꯄꯤꯁꯤꯡꯅꯥ ꯃꯆꯪꯅꯤ ꯍꯥꯏꯅꯥ ꯈꯟꯖꯕꯥ ꯌꯥꯔꯔꯥ?"

"ꯃꯗꯣꯝꯗꯥ ꯃꯤꯠꯌꯦꯡꯗꯨ ꯌꯦꯡꯕꯤꯗ꯭ꯔꯕꯁꯨ ꯅꯨꯄꯤ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤꯗꯤ ꯃꯃꯥꯒꯤ ꯁꯛꯇꯝꯅꯤ; ꯑꯔꯥ-ꯑꯅꯥ ꯑꯔꯕꯥ ꯈꯨꯗꯤꯡꯕꯨ ꯃꯆꯥ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯂꯧꯔꯒꯥ ꯑꯔꯥꯕꯗꯨ ꯀꯣꯛꯂꯕꯥ ꯍꯣꯠꯅꯕꯅꯤ ꯍꯥꯌꯅꯥ ꯌꯦꯡꯕꯤꯌꯨ꯫"

"মদুম্মা হায়নরিবদু মতীক চাদবা রাজনিতি তৌবশিংগী ঈথিল চঞ্চলবনি।"

পাউমী অমনা হংই,

"লৈবাকসিদা লৈরিবা মীশিংনা মীয়ামগীদমক পেন্দবগী ব্রাকৎপসি অঙাংনা চাক ওইনবগী থৌদোওম্মা থোকপসি ঐখোয়না তোয়না থেংনখ্রে; মদু থোক্তনবা করি চেকশিন থৌরাং লৈবিবগে?"

"মথা তাবদি ঐগী থবকসি য়েংবিরগা ফজবগী ফজনা, অথীবগী থীনা পাউদম্বীরো।"

নুপী পাউমী অমনা হংলকই,

"সোমগী খোঙজংসি উরগা লৈবাকসিগী নুপাশিং অসি মহাক্নি; নুপীশিংনা মচঙনি হায়না খঞ্জবা য়াররা?"

"মদোমদা মীৎয়েংদু য়েংবিদ্রবসু নুপী হায়বসিদি মমাগী শক্তম্নি; অরা-অনা অরবা খুদিংবু মচা ওইনা লৌরগা অরাবদু কোক্লবা হোৎনবনি হায়না য়েংবিয়ু।"

ꯇꯥꯜꯂꯛꯁꯤꯗꯥ ꯄꯨꯂꯤꯁ ꯀꯥꯡꯕꯨ ꯌꯧꯔꯛꯂꯦ꯫ ꯑꯀꯤꯕꯥ ꯁꯛꯇꯝ ꯎꯠꯂꯗꯨꯅꯥ ꯁꯅꯥꯅꯨꯅꯥ ꯂꯦꯞꯂꯤꯕꯥ ꯃꯐꯝꯗꯨꯗꯥ ꯆꯦꯟꯁꯤꯜꯂꯀꯏ꯫ ꯐꯨꯒꯦ ꯍꯥꯠꯀꯦ ꯍꯥꯌꯕꯒꯤ ꯃꯑꯣꯡꯅꯤ꯫ ꯈꯔꯥ ꯅꯛꯁꯤꯜꯂꯛꯄꯒꯤ ꯑꯗꯨꯗꯥ ꯁꯅꯥꯅꯨꯅꯥ ꯂꯥꯎꯅꯥ ꯍꯥꯌꯔꯀꯏ꯫

“ꯀꯅꯥꯃꯠꯇꯥ ꯆꯪꯁꯤꯜꯂꯛꯀꯅꯨ; ꯑꯃꯠꯇꯪ ꯍꯦꯛ ꯆꯪꯁꯤꯜꯂꯛꯄꯗꯥ ꯑꯩꯍꯥꯛ ꯏꯁꯤꯡꯗꯥ ꯆꯣꯡꯊꯒꯗꯕꯅꯤ, ꯑꯩꯕꯨ ꯍꯥꯠꯄꯥ ꯁꯛꯀꯗꯕꯅꯤ꯫”

ꯄꯨꯂꯤꯁꯁꯤꯡꯗꯨ ꯆꯪꯁꯤꯅꯕꯥ ꯉꯝꯗ꯭ꯔꯦ꯫ ꯅꯥꯀꯣꯏꯅꯅꯥ ꯊꯦꯝꯏ꯫ ꯁꯅꯥꯅꯨꯒꯤ ꯐꯤꯔꯦꯞꯇꯥ ꯑꯍꯣꯡꯕꯥ ꯂꯩꯇꯦ꯫ ꯅꯣꯡꯗꯤ ꯇꯥꯔꯤ, ꯏꯁꯤꯡ ꯆꯥꯎꯕꯥ ꯍꯦꯜꯂꯛꯔꯤ꯫ ꯃꯥꯅꯥ ꯂꯦꯞꯂꯤꯕꯥ ꯂꯩꯔꯥꯏꯗꯨꯁꯨ ꯂꯩꯀ꯭ꯔꯛ ꯆꯠꯄꯥ ꯍꯦꯅꯒꯠꯂꯛꯔꯤ꯫

ꯁꯅꯥꯅꯨ ꯊꯦꯝꯅꯕꯥ ꯂꯩꯕꯥꯛꯁꯤꯒꯤ ꯃꯟꯇ꯭ꯔꯤ, ꯐꯝꯅꯥꯏꯕꯁꯤꯡꯅꯥ ꯄ꯭ꯔꯅꯥꯃꯁꯤꯡꯒꯤ ꯁꯛꯇꯝ ꯂꯧꯗꯨꯅꯥ ꯂꯥꯛꯂꯤ꯫ ꯃꯥꯒꯤ ꯈꯣꯡꯖꯪꯁꯤꯗꯥ ꯌꯥꯎꯁꯤꯅꯒꯦ ꯍꯥꯌꯕꯗꯤ ꯇꯧꯗꯦ꯫ ꯄꯨꯛ ꯊꯤꯅꯕꯒꯤ ꯂꯥꯏꯅꯥꯗꯥ, ꯐꯅꯕꯥ ꯍꯤꯗꯥꯛ ꯊꯥꯕꯗꯪ ꯍꯩꯕꯥ, ꯍꯧꯔꯛꯐꯝꯗꯤ ꯀꯣꯛꯂꯕꯥ ꯂꯥꯏꯦꯡꯕꯗꯤ ꯍꯩꯇꯕꯥ ꯗꯥꯛꯇꯔꯁꯤꯡꯒꯤ ꯃꯑꯣꯡꯗꯨ ꯃꯈꯣꯌꯅꯥ ꯇꯧꯔꯤ꯫ ꯁꯅꯥꯅꯨꯒꯤꯗꯃꯛ ꯑꯔꯥꯕꯥ ꯐꯣꯡꯕꯤꯔꯝꯕꯥ ꯃꯤꯌꯥꯝꯁꯨ ꯇꯞꯅꯥ ꯅꯥꯊꯩꯈꯤꯕꯒꯨꯝꯅꯥ ꯇꯧꯔꯦ꯫ ꯑꯔꯥꯕꯥ, ꯈꯨꯗꯣꯡꯊꯤꯕꯥ ꯊꯥꯞꯇꯛ, ꯅꯨꯡꯉꯥꯏꯕꯥ, ꯀꯥꯟꯅꯕꯥ ꯌꯦꯟꯅꯈꯥ ꯍꯥꯌꯕꯗꯨꯒꯤ ꯔꯥꯈꯂꯗꯨꯅꯤ꯫ ꯃꯁꯤꯗꯥ ꯁꯅꯥꯅꯨꯅꯥ ꯔꯥꯔꯧꯗꯦ, ꯈꯣꯡꯖꯪꯁꯤꯗꯥ ꯃꯤꯌꯥꯃꯒꯤ ꯃꯇꯦꯡ ꯂꯧꯔꯣꯏ ꯈꯟꯗꯨꯅꯥ ꯃꯗꯣꯝ ꯆꯪꯁꯤꯅꯈꯤꯕꯅꯤ꯫ ꯃꯃꯥꯅꯥ ꯃꯆꯥ ꯌꯣꯛꯄꯕꯨ ꯂꯟꯅꯣꯟꯕꯒꯨꯝꯕꯔꯥ ?

তাল্লকসিদা পুলিস কাংবু য়ৌরক্লে । অকিবা শক্তম উৎলদুনা সনানুনা লেপ্লিবা মফমদুদা চেনশিল্লকই । ফুগে হাৎকে হায়বগী মওংনি । খরা নকশিল্লকপগী অদুদা সনানুনা লাউনা হায়রকই,

‘‘কনামত্তা চঙশিল্লক্কনু; অমত্তং হেক চঙশিল্লকপদা ঐহাক ঈশিংদা চোংথগদবনি, ঐবু হাৎপা শক্কদবনি ।’’

পুলিসশিংদু চঙশিনবা ঙমদ্রে । নাকোইননা থেমই । সনানুগী ফিরেপ্তা অহোংবা লৈতে । নোংদি তারি, ঈশিং চাউবা হেল্লক্রি । মানা লেপ্লিবা লৈরায়দুসু লৈক্রক চৎপা হেনগৎলক্রি ।

সনানু থেম্নবা লৈবাকসিগী মন্ত্রী, ফম্নাইবশিংনা প্রনামসিংগী শক্তম লৌদুনা লাক্লি । মাগী খোঙজংসিদা য়াওশিনগে হায়বদি তৌদে । পূক থিনবগী লায়নাদা, ফনবা হিদাক থাবদং হৈবা, হৌরকফমদি কোক্লবা লায়েংবদি হৈতবা ডাক্তরশিংগী মওংদু মখোয়না তৌরি । সনানুগীদমক অরাবা ফোঙবিরম্বা মীয়ামসু তপ্না নাথৈখিবগুম্না তৌরে । অরাবা, খুদোংথীবা থাপ্তক, নুংঙাইবা, কান্নবা য়েন্নখা হায়বদুগী রাখলদুনি । মসিদা সনানুনা রারৌদে, খোঙজংসিদা মীয়ামগী মতেং লৌরোই খন্দুনা মদোম চঙশিনখিবনি । মমানা মচা য়োকপবু লন্নোনবগুম্বরা ?

ꯁꯅꯥꯅꯨꯒꯤ ꯍꯛꯆꯥꯡꯗꯨ ꯑꯅꯥꯕꯒꯥ ꯅꯛꯁꯤꯟꯅꯕꯀꯩ ꯫ ꯅꯝꯕꯨꯜꯒꯤ ꯏꯆꯦꯜꯗꯤ ꯉꯥꯎꯕꯥ ꯍꯦꯟꯒꯠꯂꯛꯂꯤ ꯫ ꯂꯩꯔꯥꯏꯒꯤ ꯂꯩꯀꯔꯛꯁꯨ ꯃꯌꯤ ꯂꯥꯎꯕꯥ, ꯁꯥꯡꯕꯥ ꯍꯦꯟꯒꯠꯂꯛꯂꯤ ꯫ ꯀꯅꯥꯁꯨ ꯃꯥꯒꯤ ꯈꯣꯡꯖꯪꯁꯤꯗꯥ ꯁꯀꯛ ꯌꯥꯔꯗ꯭ꯔꯤ ꯫ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯅꯨꯄꯤ ꯂꯥꯟꯗꯥ ꯏꯈꯦꯡ ꯇꯥꯈꯤꯕꯤꯁꯤꯡ, ꯆꯥꯛꯂꯥꯝ ꯈꯣꯡꯆꯠꯀꯤ ꯄ꯭ꯔꯃꯣꯗꯤꯅꯤ, ꯆꯥꯎꯚꯜ, ꯅꯤꯂꯃꯅꯤ, ꯌꯥꯏꯕꯤꯄꯣꯛ ꯊꯝꯕꯥꯜꯅꯨꯗꯤ ꯃꯅꯥꯛꯇꯥ ꯄꯔꯦꯡ ꯁꯥꯅꯥ ꯂꯦꯞꯂꯗꯨꯅꯥ ꯍꯥꯏꯔꯀꯩ,

"ꯑꯩꯈꯣꯌꯅꯥ ꯆꯠꯈꯤꯕꯥ ꯂꯝꯕꯤꯁꯤꯗꯥ ꯅꯪꯅꯥ ꯇꯨꯡ ꯏꯜꯂꯛꯄꯁꯤ ꯑꯣꯝꯐꯣꯛꯂꯥ ꯍꯕꯥꯑꯣꯏ ꯫ ꯅꯪꯒꯤ ꯈꯣꯡꯖꯪꯁꯤꯕꯨ ꯄꯨꯛꯅꯤꯡ ꯊꯧꯒꯠꯄꯥ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯑꯩꯈꯣꯌꯁꯨ ꯉꯁꯤꯗꯒꯤ ꯅꯅꯥꯛꯇꯥ ꯂꯩꯔꯒꯥ ꯁꯔꯨꯛ ꯌꯥꯔꯒꯅꯤ ꯫"

ꯊꯝꯕꯥꯜꯅꯨꯅꯥ ꯃꯥꯒꯤ ꯀꯣꯛꯇꯥ ꯅꯨꯡꯁꯤꯅꯥ ꯈꯨꯠꯅꯥ ꯅꯥꯟꯕꯤꯔꯗꯨꯅꯥ ꯍꯥꯏ,

"ꯏꯕꯦꯝꯃꯥ, ꯅꯪꯗꯤ ꯑꯩꯒꯥ ꯍꯦꯛ ꯄꯣꯛꯃꯤꯟꯅꯕꯤ ꯏꯅꯥꯑꯣꯅꯨꯄꯤꯅꯤ ꯫ ꯌꯥꯏꯇꯣꯡ ꯊꯝꯗꯣꯡꯕꯁꯤꯡꯅꯥ ꯁꯦꯝꯕꯥ ꯈꯨꯖꯤꯜ ꯊꯧꯔꯥꯡꯅꯥ ꯃꯤꯆꯝ ꯑꯩꯈꯣꯌꯕꯨ ꯑꯣꯠ-ꯅꯩꯗ꯭ꯔꯤꯉꯩ, ꯃꯤꯌꯥꯃꯒꯤ ꯃꯍꯨꯠ ꯁꯤꯟꯗꯨꯅꯥ ꯁꯤꯖꯕꯁꯤꯅꯥ ꯏꯐ-ꯐꯔꯕꯅꯤ ꯫"

ꯅꯣꯡ ꯇꯥꯔꯤ, ꯅꯝꯕꯨꯜꯒꯤ ꯏꯆꯦꯜ ꯉꯥꯎꯔꯤ, ꯂꯩꯔꯥꯏꯒꯤ ꯂꯩꯀꯔꯛ ꯂꯥꯎꯕꯥ, ꯁꯥꯡꯕꯥ ꯍꯦꯟꯅꯛꯂꯤ ꯫ ꯁꯅꯥꯅꯨꯁꯨ ꯑꯗꯨꯝ ꯂꯦꯞꯄ꯭ꯔꯤ ꯫

ꯇꯥꯡ ꯱꯸-꯵-꯲꯰꯰꯵

সনানুগী হকচাংদু অনাবগা নকশিন্নবকই । নম্বুলগী ঈচেলদি ঙাওবা হেনগৎলক্লি । লৈরায়গী লৈক্রকসু মযী লাওবা, শাংবা হেনগৎলক্লি । কনাসু মাগী খোংজঙসিদা শকক য়ারদ্রি । অদুবু নুপী লান্দা ঈখেং তাখিবীশিং, চাক্লাম খোঙচৎকি প্রমোদিনি, চাউভল, নিলমনি, য়াইবিপোক থম্বালনুদি মনাক্তা পরেং শানা লেপ্লদুনা হায়রকই,

"ঐখোযনা চৎখিবা লম্বীসিদা নঙনা তুং ইল্লকপসি ওম্ফোক্লা হবাওই । নঙগী খোঙজংসিবু পূক্লিং থৌগৎপা ওইনা ঐখোয়সু ঙসিদগী ননাক্তা লৈরগা শরুক যারগনি ।"

থম্বালনুনা মাগী কোক্তা নুংশিনা খূৎনা নানবিরদুনা হায়,

"ইবেম্মা, নঙদি ঐগা হেক পোকমিন্নবী ইনাওনুপীনি । য়ায়তোং থমদোংবশিংনা শেম্বা খুজিল থৌরাংনা মীচম ঐখোয়বু ওৎ-নৈদ্রিঙৈ, মীয়ামগী মহুৎ শিন্দুনা শিজবসিনা ইফ-ফরবনি ।"

নোং তারি; নম্বুলগী ঈচেল ঙাওরি; লৈরায়গী লৈক্রক লাওবা, শাংবা হেন্নক্লি । সনানুসু অদুম লেপ্প্রি ।

তাং ১৮-৫-২০০৫

ꯁꯤꯄꯥꯏꯔꯛꯄꯥ

ꯄꯥꯎꯆꯦ ꯄꯥꯕꯤꯕꯥ ꯏꯇꯣꯝꯆꯥꯗꯥ ꯃꯉꯥꯜꯂꯦꯅꯥ ꯆꯥ ꯄꯤꯔꯦ꯫ ꯊꯕꯛ ꯆꯤꯟꯕꯒꯤ ꯃꯑꯣꯡꯗꯥ ꯄꯁꯊꯗꯅꯥ ꯍꯥꯏꯔꯛꯏ,

“ꯉꯁꯤ. ꯏꯕꯦꯝꯃꯒꯤ ꯄꯔꯤꯛꯁꯥ ꯍꯧꯕꯅꯤ. ꯈꯔꯥ ꯊꯤꯟꯕꯤꯌꯨ꯫ ꯍꯣꯔꯦꯜ ꯂꯧꯕꯗꯤ ꯑꯩ ꯂꯧꯖꯔꯒꯦ꯫”

ꯆꯥ ꯊꯛꯄꯥ ꯍꯧꯔꯗꯨꯅꯥ ꯏꯇꯣꯝꯆꯥꯅꯥ ꯍꯥꯏ.

“ꯊꯤꯟꯕꯁꯨ ꯅꯉꯅꯥ ꯑꯗꯨꯝ ꯊꯤꯜꯂꯣꯗꯥ; ꯑꯩꯗꯤ ꯁꯪꯉꯣꯏꯅꯦ꯫”

“ꯁꯪꯅꯕꯥ ꯇꯧꯕꯤꯌꯨ; ꯑꯍꯧꯕꯥ ꯅꯨꯃꯤꯠꯁꯤꯗꯤ ꯃꯣꯏꯕꯥꯕꯥꯅꯥ ꯊꯤꯟꯕꯅꯥ ꯏꯕꯦꯝꯃꯗꯥ ꯈꯨꯗꯣꯡꯆꯥꯒꯗꯕꯥ ꯃꯥꯜꯂꯤ꯫”

ꯏꯇꯣꯝꯆꯥ ꯄꯨꯂꯤꯁ ꯏꯟꯁꯄꯦꯛꯇꯔꯅꯤ. ꯀꯃꯥꯟꯗꯣ ꯀꯥꯡꯕꯨꯅꯤ꯫ ꯃꯤꯌꯥꯝꯃꯥ ꯀꯔꯤꯒꯨꯝꯕꯥ ꯃꯔꯝ ꯑꯃꯥ ꯅꯠꯇꯔꯒꯥ ꯑꯃꯒꯤꯗꯃꯛꯇꯥ ꯃꯥꯕꯨ ꯁꯛ ꯈꯉꯅꯩ꯫ ꯁꯛ ꯈꯉꯗꯕꯥ ꯃꯤꯁꯨ ꯃꯥꯒꯤ ꯃꯤꯡ. ꯇꯧꯕꯥ ꯉꯝꯕꯒꯤ ꯊꯕꯛꯁꯤꯡ ꯇꯥꯅꯔꯦ꯫

সীপাইরকপা

পাউচে পাবিবা ইতোমচাদা মঙাল্লেনা চা পীরে। থবক চিনবগী মওংদা পস্থদনা হায়রকই,

‘‘ঙসি, ইবেম্মগী পরিক্ষা হৌবনি, খরা থিনবিয়ু। হোরেল লৌবদি ঐ লৌজরগে।’’

চা থকপা হৌরদুনা ইতোমচানা হায়,

‘‘থিনবসু নঙনা অদুম থিল্লোদা; ঐদি শংঙোইনে।’’

‘‘শংনবা তৌবিয়ু; অহৌবা নুমিৎসিদি মোইবাবানা থিনবনা ইবেম্মদা খুদোংচাগদবা মাল্লি।’’

ইতোমচা পুলিস ইন্সপেক্তরনি, কমান্দো কাংবুনি। মীয়াম্মা করিগুম্বা মরম অমা নৎত্রগা অমগীদমক্তা মাবু শক খঙনৈ। শক খঙদবা মীসু মাগী মিং, তৌবা ঙম্বগী থবকশিং তানরে।

ꯄꯔꯤꯛꯁꯥ ꯃꯐꯝꯗꯨꯗꯥ ꯃꯆꯥꯅꯨꯄꯤꯁꯤ ꯃꯥꯅꯥ ꯊꯤꯜꯂꯕꯗꯥ ꯄꯔꯤꯛꯁꯥꯒꯤ ꯃꯊꯧ ꯇꯧꯔꯤꯕꯥ ꯑꯣꯖꯥꯁꯤꯡ, ꯑꯇꯩꯁꯤꯡꯗꯨꯅꯥ ꯃꯆꯥꯅꯨꯄꯤꯕꯨ ꯂꯨꯅꯥ ꯇꯧꯕꯤꯕꯥ ꯌꯥꯏ ꯫ ꯃꯆꯥꯅꯨꯄꯤꯒꯤ ꯃꯤꯠ ꯃꯥꯌ ꯑꯣꯏꯒꯗꯕꯥ ꯃꯇꯦꯡ ꯀꯌꯥ ꯇꯧꯕꯤꯔꯛꯀꯅꯤ ꯍꯥꯌꯕꯒꯤ ꯑꯆꯦꯠꯄꯥ ꯊꯥꯖꯕꯗꯨ ꯃꯉꯥꯜꯂꯦꯗꯥ ꯂꯩ ꯫ ꯑꯗꯨꯅꯥ ꯁꯣꯌꯗꯅꯥ ꯊꯤꯟꯕꯤꯟꯕꯥ ꯍꯥꯌꯖꯔꯀꯏ; ꯄꯔꯤꯛꯁꯥ ꯃꯐꯝꯗꯨꯁꯨ ꯇꯥꯛꯂꯀꯏ ꯫

ꯏꯇꯣꯝꯆꯥꯗꯨ ꯌꯥꯔꯦ ꯫ ꯃꯥꯗꯤ ꯃꯥꯒꯤ ꯑꯅꯤꯡꯕꯗꯨ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯂꯕꯥ ꯍꯣꯠꯅꯕꯗꯥ ꯑꯌꯥ ꯑꯌꯥꯕꯥ ꯄꯥꯝꯕꯩꯁꯤꯡ ꯁꯤꯖꯤꯟꯅꯩ ꯫ ꯆꯤꯜꯂꯕꯥ ꯃꯤꯔꯛꯇꯥ ꯆꯠꯂꯤꯉꯩ ꯃꯤꯉꯣꯟꯗꯥ ꯊꯦꯡꯕꯥ ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯒꯥ ꯈꯣꯉꯅꯥ ꯅꯦꯠꯄꯁꯤ 'ꯁꯣꯌꯈ꯭ꯔꯦ' ꯍꯥꯌꯕꯥ ꯕ꯭ꯔꯥꯍꯦꯁꯤ ꯑꯃꯨꯛꯇꯥ ꯁꯤꯖꯤꯟꯅꯔꯛꯇꯤ ꯫ ꯃꯁꯤꯅꯥ ꯃꯥꯒꯤ ꯊꯕꯛꯇꯥ ꯑꯄꯅꯕꯥ ꯄꯤꯅꯕꯅꯤ ꯍꯥꯌꯅꯥ ꯈꯜꯂꯤ ꯫ ꯃꯥꯒꯤ ꯕ꯭ꯔꯥꯈꯜꯂꯣꯟꯁꯤꯅꯥ ꯉꯁꯤ ꯃꯆꯥꯅꯨꯄꯤꯅꯥ ꯄꯔꯤꯛꯁꯥ ꯊꯥꯕꯗꯥ ꯃꯥꯅꯥ ꯌꯨꯅꯤꯐꯣꯔꯝ ꯁꯦꯠꯂꯒꯥ ꯃꯥꯒꯤ ꯈꯣꯡꯕꯨꯒꯥ ꯂꯣꯌꯅꯅꯥ ꯆꯠꯀꯗꯧꯔꯤꯕꯅꯤ ꯫ ꯈꯔꯥ ꯉꯝꯅꯥ ꯌꯧꯅꯤꯡꯕꯗꯒꯤ ꯏꯇꯣꯝꯆꯥꯅꯥ ꯍꯥꯌ,

"ꯈꯔꯥ ꯉꯝꯅꯥ ꯆꯠꯀꯦ, ꯆꯥꯛ ꯊꯣꯡꯉꯨꯔꯣ ꯫"

ꯃꯉꯥꯜꯂꯦꯗꯨ ꯆꯥꯛ ꯊꯣꯡꯅꯕꯥ ꯆꯠꯈ꯭ꯔꯦ ꯫ ꯏꯇꯣꯝꯆꯥꯅꯥ ꯆꯥ ꯊꯛꯂ, ꯄꯥꯎꯆꯦ ꯃꯈꯥ ꯇꯥꯅꯥ ꯄꯥꯍꯧꯏ ꯫ ꯃꯆꯥꯅꯨꯄꯤꯒꯤ ꯄꯔꯤꯛꯁꯥꯒꯤ ꯃꯔꯃꯗꯁꯨ ꯈꯜꯂꯤ ꯫ ꯃꯐꯝꯗꯨꯗꯥ ꯂꯩꯔꯝꯕꯥ ꯃꯤꯁꯤꯡꯗꯨꯅꯥ

পরিক্ষা মফমদুদা মচানুপীসি মানা থিল্লবদা পরিক্ষাগী মথৌ তৌরিবা ওজাশিং, অতৈশিংদুনা মচানুপীবু লুনা তৌবিবা য়াই । মচানুপীগী মীৎ মায় ওইগদবা মতেং কয়া তৌবিরক্কনি হায়বগী অচেৎপা থাজবদু মঙাল্লেদা লৈ । অদুনা শোয়দনা থিনবিনবা হায়জরকই; পরিক্ষা মফমদুসু তাক্লকই ।

ইতোমচাদু য়ারে । মাদি মাগী অনীংবদু পাঙথোক্লবা হোৎনবদা অয়া অয়াবা পাম্বৈশিং শীজিন্নৈ । চিল্লবা মীরক্তা চৎলিঙৈ মীঙোন্দা থেংবা নৎত্রগা খোঙনা নেৎপসি 'শোয়খ্রে' হায়বা ব্রাহেসি অমুক্তা শীজিন্নরক্তি । মসিনা মাগী থবক্তা অপনবা পীনবনি হায়না খল্লি । মাগী ব্রাখল্লোনসিনা ঙসি মচানুপীনা পরিক্ষা থাবদা মানা য়ুনিফোর্ম শেৎলগা মাগী খোঙবুগা লোয়ননা চৎকদৌরিবনি । খরা ঙম্না য়ৌনীংবদগী ইতোমচানা হায়,

"খরা ঙম্না চৎকে, চাক থোংঙুরো ।"

মঙাল্লেদু চাক থোংনবা চৎখ্রে । ইতোমচানা চা থক্ল, পাউচে মখা তানা পাহৌই । মচানুপীগী পরিক্ষাগী মরমদসু খল্লি । মফমদুদা লৈরম্বা মীশিংদুনা

ꯃꯉꯣꯟꯗꯥ ꯇꯧꯔꯛꯀꯗꯕꯁꯤꯡꯗꯨ ꯈꯜꯂꯨꯔꯒꯥ ꯏꯇꯣꯝꯆꯥꯗꯨ ꯊꯝꯃꯣꯏꯗꯥ ꯅꯨꯡꯉꯥꯏꯖꯔꯃꯜꯂꯦ, ꯃꯣꯃꯣꯟ ꯅꯣꯛꯀꯤ꯫

ꯃꯆꯥꯅꯨꯄꯤꯗꯨ ꯈꯔꯥ ꯑꯣꯟꯅꯥ ꯊꯤꯟꯕꯤ꯫ ꯂꯩꯔꯝꯕꯥ ꯁꯦꯀꯌꯨꯔꯤꯇꯤꯁꯤꯡꯅꯥ ꯃꯉꯣꯟꯗꯥ ꯏꯀꯥꯏꯈꯨꯝꯅꯕꯥ ꯎꯠꯂꯀꯏ꯫ ꯑꯣꯖꯥꯁꯤꯡꯒꯥ ꯁꯛ ꯈꯪꯅꯩ; ꯃꯆꯥꯅꯨꯄꯤꯗꯨ ꯃꯌꯥꯝꯗꯥ ꯁꯛ ꯇꯥꯀꯏ꯫ ꯑꯣꯖꯥ ꯑꯅꯤꯗꯤ ꯍꯔꯥꯑꯣ-ꯇꯌꯥꯝꯗꯕꯒꯨꯝꯅꯥ ꯎꯏ꯫ ꯃꯈꯣꯌ ꯑꯅꯤꯗꯨ ꯃꯥꯅꯥ ꯃꯁꯛ ꯈꯪꯏ꯫ ꯆꯍꯤ ꯈꯔꯒꯤ ꯃꯃꯥꯡꯗꯥ ꯃꯥꯒꯤꯗꯥ ꯌꯥꯝꯅꯥ ꯇꯣꯌꯅꯥ ꯂꯥꯀꯈꯔꯦ꯫ ꯑꯔꯥꯕꯥ ꯁꯀꯐꯝ ꯄꯨꯔꯗꯨꯅꯥ ꯎꯄꯥꯏ ꯂꯩꯇꯕꯒꯤ ꯃꯑꯣꯡꯗꯥ ꯀꯌꯥꯔꯛ ꯍꯥꯌꯖꯔꯀꯈꯔꯦ꯫ ꯑꯣꯖꯥ ꯑꯃꯒꯤꯅꯥ ꯃꯆꯥꯅꯨꯄꯥ, ꯑꯃꯒꯤꯅꯥ ꯃꯅꯥꯑꯣꯅꯨꯄꯥꯗꯨ ꯂꯥꯟꯍꯧꯕꯒꯥ ꯃꯔꯤ ꯂꯩꯅꯩ ꯍꯥꯌꯕꯒꯤ ꯃꯔꯥꯜꯗꯥ ꯏꯇꯣꯝꯆꯥꯅꯥ ꯂꯨꯆꯤꯡꯂꯒꯥ ꯐꯥꯈꯤ꯫ ꯃꯄꯥꯟꯗꯥ ꯃꯤ ꯂꯣꯌꯅꯥ ꯂꯩꯍꯜꯂꯒꯥ ꯄꯨꯂꯤꯁ ꯑꯃꯅꯥ ꯏꯃꯨꯡꯗꯥ ꯊꯤ-ꯍꯨꯝꯏ꯫ ꯏꯀꯨꯏ-ꯀꯨꯏꯗꯅꯥ ꯅꯣꯡꯃꯩ ꯑꯃꯥ ꯄꯨꯈꯣꯔꯀꯏ꯫ ꯂꯥꯟꯍꯧꯕꯥ ꯑꯣꯏꯕꯒꯤ ꯅꯠꯇꯔꯒꯥ ꯃꯇꯦꯡ ꯄꯥꯡꯕꯒꯤ ꯄꯔꯃꯥꯟ ꯑꯣꯏꯔꯦ꯫

ꯑꯣꯁꯤꯗꯤ ꯇꯉꯥꯏꯐꯗꯅꯥ ꯏꯇꯣꯝꯆꯥꯅꯥ ꯑꯣꯖꯥ ꯑꯅꯤꯗꯨꯗꯥ ꯆꯥꯟꯅꯕꯥ ꯍꯧꯕꯥ ꯇꯥꯔꯦ꯫ ꯃꯁꯥꯒꯤ ꯑꯣꯏꯖꯕꯥ ꯊꯤꯕꯥ, ꯀꯥꯟꯅꯕꯥ ꯌꯦꯡꯕꯥ ꯃꯤꯗꯤ ꯃꯐꯝ ꯃꯇꯃꯒꯤ ꯃꯇꯨꯡ ꯏꯟꯅꯥ ꯁꯛꯂꯣꯟ ꯍꯣꯡꯏ꯫ ꯑꯣꯖꯥ ꯑꯅꯤꯗꯨꯒꯤ ꯃꯅꯥꯛꯇꯥ ꯆꯪꯁꯤꯜꯂꯒꯥ ꯈꯨꯠ ꯁꯣꯛꯀꯏ; ꯅꯣꯛꯂꯤꯡꯗꯅꯥ ꯅꯣꯀꯐꯦꯠ ꯇꯧꯔꯒꯥ ꯍꯥꯌ,

মাঙোন্দা তৌরক্কদবশিংদু খল্লুরগা ইতোমচাদু থম্মোয়দা নুংঙাইজরমাল্লে, মোমোন নোক্কি।

মচানুপীদু খরা ওন্না থিনবি। লৈরম্বা সেক্যুরিটিশিংনা মাঙোন্দা ঈকাইখুম্নবা উৎলকই। ওজাশিংগা শক খঙনৈ; মচানুপীদু ময়ামদা শক তাকই। ওজা অনীদি হরাও-তয়ামদবগুম্না উই। মখোয় অনীদু মানা মশক খঙই। চহী খরগী মমাঙদা মাগীদা য়াম্না তোযনা লাকখ্রে। অব্রাবা শকফম পুরদুনা উপাই লৈতবগী মওংদা কয়ারক হায়জরকখ্রে। ওজা অমগীনা মচানুপা, অমগীনা মনাওনুপাদু লানহৌবগা মরী লৈনৈ হায়বগী মরালদা ইতোমচানা লুচিংলগা ফাখি। মপান্দা মী লোয়না লৈহল্লগা পুলিস অমনা ইমুংদা থি-হুমই। ইকুই-কুইদনা নোংমৈ অমা পুখোরকই। লানহৌবা ওইবগী নৎত্রগা মতেং পাংবগী প্রমান ওইরে।

ওসিদি তঙাইফদনা ইতোমচানা ওজা অনীদুদা চান্নবা হৌবা তারে। মশাগী ওইজবা থিবা, কান্নবা য়েংবা মীদি মফম মতমগী মতুং ইন্না শক্লোন হোংই। ওজা অনীদুগী মনাক্তা চঙশিল্লগা খুৎ শোকই; নোক্লীংদনা নোকফেৎ তৌরগা হায়,

“ꯑꯣꯖꯥ, ꯍꯧꯈꯤꯕꯁꯤꯡꯗꯨ ꯔꯥꯕꯧꯅꯕꯥ ꯌꯥꯗꯦꯀꯣ꯫ ꯏꯊꯛ ꯊꯣꯡꯕꯒꯤ ꯑꯣꯔꯗꯕ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯄꯗꯥ ꯊꯧꯗꯣꯛꯇꯨ ꯊꯣꯛꯈꯤꯕꯅꯤ꯫”

ꯑꯣꯖꯥ ꯑꯅꯤꯗꯨ ꯁꯤꯟꯐꯃꯒꯤ ꯃꯥꯌ ꯉꯥꯛꯂꯤꯕꯔꯥ ꯊꯣꯏꯅꯥ ꯄꯨꯛꯔꯧ ꯕꯥꯕꯧꯕꯥ ꯇꯧꯗꯅꯥ ꯈꯨꯠ ꯁꯣꯛꯏ, ꯑꯁꯥꯎꯕꯥ ꯎꯇꯦ꯫ ꯑꯣꯖꯥ ꯑꯃꯗꯤ ꯄꯨꯛꯂꯤꯡ ꯈꯖꯤꯛꯇꯨꯡ ꯅꯨꯡꯁꯤꯕꯒꯤ ꯕꯥꯉꯥꯡꯗꯥ ꯍꯥꯌꯕꯀꯏ,

“ꯁꯥꯕꯈꯣꯌꯒꯤ ꯊꯛꯁꯤ-ꯈꯥꯁꯤꯗꯨ ꯉꯥꯛꯂꯕꯥ ꯍꯣꯠꯅꯕꯗꯥ ꯃꯤꯆꯝ ꯀꯌꯥꯗꯤ ꯄꯨꯟꯁꯤ ꯃꯃꯤ ꯁꯥꯟꯅꯦ꯫”

ꯕꯥꯍꯩꯁꯤ ꯃꯂꯣꯃꯒꯤ ꯕ꯭ꯔꯥꯉꯥꯡꯗꯤ ꯑꯣꯏꯕꯃꯗꯕꯥ ꯌꯥꯏ꯫ ꯏꯇꯣꯃꯆꯥꯒꯤ ꯃꯐꯃꯗꯗꯤ ꯂꯃꯟ ꯈꯨꯟꯅꯕꯒꯤ ꯂꯡꯖꯤꯜꯒꯨꯝꯏ꯫ ꯃꯤ ꯆꯤꯛꯂꯕꯥ ꯂꯤꯂꯅꯥ ꯑꯎꯕꯥ ꯃꯤ ꯈꯨꯗꯤꯡꯕꯨ ꯌꯦꯛꯂꯕꯒꯨꯝ ꯎꯏ꯫ ꯃꯥꯉꯣꯟꯗꯥ ꯇꯥꯏꯅꯕꯥ ꯉꯝꯍꯧꯗꯕꯒꯤ ꯃꯆꯥꯅꯨꯄꯤꯗꯥ ꯁꯣꯌꯗꯅꯃꯛꯀꯤ ꯑꯣꯖꯥ ꯑꯅꯤꯁꯤꯅꯥ ꯂꯃꯟ ꯈꯨꯟꯅꯛꯂꯒꯅꯤ꯫ ꯌꯥꯕꯒꯗꯤ ꯃꯆꯥꯅꯨꯄꯤꯒꯤ ꯃꯅꯥꯛꯇꯥ ꯐꯜꯂꯒꯥ ꯄꯔꯤꯛꯁꯥ ꯊꯥꯕꯥ ꯂꯣꯏꯕꯥ ꯐꯥꯑꯣꯕꯥ ꯂꯩꯅꯤꯡꯂꯀꯏ꯫ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯍꯅꯕꯥ ꯇꯥꯏ, ꯄꯔꯤꯛꯁꯥ ꯍꯧꯒꯗꯧꯔꯦ꯫ ꯕꯣꯔꯗꯀꯤ ꯃꯤꯁꯤꯡꯁꯨ ꯌꯧꯔꯛꯂꯦ꯫

''ওজা, হৌখিবশিংদু রাবৌনবা যাদেকো । ইথক থোংবগী ওর্ডব পাঙথোকপদা থৌদোক্তু থোকখিবনি ।''

ওজা অনীদু শিনফমগী মায় ঙাক্লিব্রা থোইনা পূক্রৌ বাবৌবা তৌদনা খূৎ শোকই, অশাউবা উত্তে । ওজা অমদি পৃক্লিং খজিক্তুং নুংশিবগী বাঙাঙদা হাযবকই,

''সাবখোযগী থকশি-খাসিদু ঙাক্লবা হোৎনবদা মীচম কযাদি পুন্সি মমি শান্নে ।''

বাহৈসি মলোমগী ব্রাঙাঙদি ওইবমদবা য়াই । ইতোমচাগী মফমদদি লমন খুন্নবগী লংজিলগুমই । মী চীক্লবা লিলনা অউবা মী খুদিংবু যেক্লবগুম উই । মাঙোন্দা তাইনবা ঙমহৌদবগী মচানুপীদা শোয়দনমক্কী ওজা অনীসিনা লমন খুন্নক্লগনি । যাবগদি মচানুপীগী মনাক্তা ফল্লগা পরিক্ষা থাবা লোইবা ফাওবা লৈনীংলকই । অদুবু হনবা তাই, পবিক্ষা হৌগদৌরে । বোর্ডকী মীশিংসু যৌরক্লে ।

ꯃꯆꯥꯅꯨꯄꯤꯅꯥ ꯐꯟꯔꯤꯕꯥ ꯀꯥꯗꯨꯗꯥ ꯑꯣꯖꯥ ꯑꯅꯤꯗꯨꯅꯥ ꯌꯥꯝꯅꯥ ꯇꯣꯏꯅꯥ ꯌꯦꯡꯁꯤꯜꯂꯦ ꯫ ꯑꯇꯩ ꯑꯉꯥꯡꯁꯤꯡꯗꯗꯤ ꯑꯗꯨꯝꯅꯥ ꯀꯨꯞꯅꯥ ꯌꯦꯡꯁꯤꯟꯗꯦ ꯫ ꯃꯆꯥꯅꯨꯄꯤꯗꯤ ꯄꯩꯅꯥ ꯐꯝꯕꯥ ꯌꯥꯗꯦ, ꯐꯝꯃꯤꯟꯅꯕꯗꯥ ꯌꯦꯡꯕꯥ ꯌꯥꯗꯦ, ꯑꯇꯩꯅꯥ ꯍꯡꯂꯛꯀꯕꯁꯨ ꯃꯥꯒꯤ ꯃꯔꯥꯜ ꯑꯣꯏꯍꯜꯂꯤ ꯫ ꯑꯁꯨꯝꯅꯥ ꯃꯈꯜ ꯀꯌꯥꯒꯤ ꯈꯨꯔꯧ ꯊꯥꯡꯅꯥ ꯄꯔꯤꯛꯁꯥ ꯊꯥꯔꯛꯄꯅꯥ ꯁꯥꯏꯟꯁ ꯊꯣꯛꯄꯥ ꯅꯨꯃꯤꯠꯇꯥ ꯃꯆꯥꯅꯨꯄꯤꯅꯥ ꯁꯛꯇꯝ ꯑꯃꯥ ꯌꯦꯛꯂꯤꯉꯩꯗꯥ ꯑꯣꯖꯥ ꯅꯍꯥꯗꯨꯅꯥ ꯃꯥꯒꯤ ꯆꯦꯗꯥ ꯃꯨꯟꯅꯥ ꯌꯦꯡꯂꯒꯥ ꯍꯡꯂꯀꯏ,

"ꯀꯔꯤꯒꯤꯅꯣ ꯅꯉꯅꯥ ꯁꯤꯜꯂꯤꯕꯗꯤ ? ꯀꯗꯥꯌ ꯆꯦꯗꯨ ꯄꯤꯔꯀꯎ ꯫"

ꯃꯆꯥꯅꯨꯄꯤꯗꯨ ꯏꯉꯛ ꯉꯛꯅꯥ ꯌꯦꯡꯂꯀꯏ ꯫ ꯑꯣꯖꯥꯗꯨꯅꯥ ꯈꯣꯉꯖꯦꯜ ꯀꯜꯂꯞꯅꯥ ꯍꯥꯌꯔꯀꯏ,

"ꯍꯧꯒꯠꯂꯨ, ꯅꯉ ꯄꯔꯤꯛꯁꯥ ꯊꯥꯕꯥ ꯌꯥꯔꯔꯣꯏ ꯫"

ꯄꯥꯎꯈꯨꯝ ꯆꯦꯗꯨ ꯄꯥꯌꯈꯠꯂꯒꯥ ꯐꯔ-ꯐꯔꯥ ꯀꯜꯂꯤ ꯫ ꯃꯆꯥꯅꯨꯄꯤꯅꯥ ꯌꯦꯛꯂꯤꯕꯥ ꯁꯛꯇꯝꯗꯨꯒꯥ ꯃꯥꯟꯅꯕꯥ ꯁꯛꯇꯝ-ꯆꯦ ꯑꯃꯥ ꯇꯥꯔꯀꯏ ꯫ ꯇꯥꯉꯥꯗꯨꯗꯥ ꯕꯣꯔꯗꯀꯤ ꯃꯤꯗꯨꯁꯨ ꯑꯣꯖꯥ ꯑꯍꯜꯗꯨꯒꯥ ꯆꯉꯁꯤꯜꯂꯀꯏ ꯫ ꯃꯆꯥꯅꯨꯄꯤꯅꯥ ꯀꯤꯔꯄ ꯇꯧꯅꯥ ꯍꯥꯌꯖꯔꯀꯏ,

"ꯑꯣꯖꯥ, ꯑꯩꯗꯤ ꯃꯗꯨꯗꯒꯤ ꯁꯤꯜꯂꯒꯥ ꯌꯦꯛꯄꯥ ꯅꯇꯦ ꯫"

ꯑꯣꯖꯥ ꯅꯍꯥꯗꯨꯅꯥ ꯀꯤꯍꯅꯕꯒꯤ ꯕ꯭ꯔꯥꯉꯥꯉꯗꯥ ꯍꯥꯌ,

"ꯀꯃꯗꯤ ꯑꯍꯥꯡ: ꯀꯗꯥꯏ ꯅꯪ ꯍꯥꯌꯕꯗꯨ ꯅꯪꯒꯤ ꯍꯧꯖꯤꯛꯇꯤ ꯫"

মচানুপীনা ফন্রিবা কাদুদা ওজা অনীদুনা য়াম্না তোয়না য়েংশিল্লে । অতৈ অঙাংশিংদদি অদুম্না কৃপ্না য়েংশিন্দে । মচানুপীদি পৈনা ফম্বা য়াদে, ফম্মিন্নবদা য়েংবা য়াদে, অতৈনা হংলক্কবসু মাগী মরাল ওইহল্লি । অসুম্না মখল কয়াগী খুরৌ থাংনা পরিক্ষা থারকপনা সাইন্স থোকপা নুমিৎতা মচানুপীনা শক্তম অমা য়েক্লিঙৈদা ওজা নহাদুনা মাগী চেদা মুন্না য়েংলগা হংলকই,

"করিগীনো নঙনা শিল্লিবদি ? কদায় চেদু পীরকউ ।"

মচানুপীদু ইঙক ঙক্না য়েংলকই । ওজাদুনা খোঞ্জেল কল্লপ্না হায়রকই,

"হৌগৎলু, নঙ পরিক্ষা থাবা য়াররোই ।"

পাউখুম চেদু পায়খৎলগা ফর-ফরা কল্লী । মচানুপীনা য়েক্লিবা শক্তমদুগা মান্নবা শক্তম-চে অমা তারকই । তাঞ্জাদুদা বোর্ডকী মীদুসু ওজা অহলদুগা চঙশিল্লকই । মচানুপীনা কিরপ তৌনা হায়জরকই,

"ওজা, ঐদি মদুদগী শিল্লগা য়েকপা নত্তে ।"

ওজা নহাদুনা কিহনবগী ব্রাঙাঙদা হায়,

ꯃꯆꯥꯅꯨꯄꯤꯅꯥ ꯐꯅꯥ ꯃꯔꯥꯜ ꯂꯩꯇꯦ ꯍꯥꯌꯖꯔꯕꯁꯨ ꯄ꯭ꯔꯃꯥꯟ ꯂꯩꯔꯕꯅꯤꯅꯥ ꯄꯔꯤꯛꯁꯥꯗꯒꯤ ꯇꯥꯝꯊꯣꯛꯂꯦ; ꯆꯍꯤ ꯑꯍꯨꯝꯗꯤ ꯄꯔꯤꯛꯁꯥ ꯊꯥꯕꯥ ꯌꯥꯔꯔꯣꯏ। ꯃꯆꯥꯅꯨꯄꯤꯅꯥ ꯀꯞꯆꯔꯤꯕꯥ ꯄꯤ ꯇꯥꯔꯤꯕꯗꯨꯒꯤ ꯀꯥꯝꯐꯝ ꯂꯩꯍꯟꯕꯤꯗ꯭ꯔꯦ। ꯃꯇꯝ ꯑꯃꯗꯥ ꯑꯔꯥꯕꯥ ꯁꯀꯐꯝ ꯎꯠꯈꯤꯕꯥ ꯑꯣꯖꯥ ꯑꯅꯤꯗꯨ ꯍꯧꯖꯤꯛꯇꯤ ꯃꯈꯥ ꯂꯥꯑꯣꯅꯥ ꯀꯥꯊꯣꯛꯂꯛꯀꯥ ꯅꯣꯛꯂꯤ। ꯃꯥꯌ ꯄꯥꯛꯄꯒꯤ ꯍꯔꯥꯑꯣ ꯇꯌꯥꯟꯂꯤ। ꯍꯧꯈꯤꯕꯥ ꯃꯇꯝꯗꯥ ꯏꯇꯣꯃꯆꯥꯒꯤ ꯃꯃꯥꯡꯗꯥ ꯇꯨꯐꯛ-ꯇꯨꯐꯥꯏ ꯆꯟꯅꯥ ꯂꯦꯞꯈꯤꯕꯥ ꯑꯣꯖꯥ ꯑꯅꯤꯗꯨ ꯍꯧꯖꯤꯛꯇꯤ ꯃꯈꯣꯏ ꯄꯣꯡꯅꯥ ꯂꯦꯞꯂꯤ।

ꯃꯉꯥꯜꯂꯦꯅꯥ ꯏꯇꯣꯃꯆꯥꯒꯤ ꯈꯨꯠꯇꯒꯤ ꯄꯥꯎꯆꯦꯗꯨ ꯂꯧꯔꯒꯥ ꯍꯥꯌꯔꯀꯏ,

"ꯑꯣꯍꯣꯛꯀꯥ ꯄꯨꯛꯅꯤꯡ ꯆꯉꯅꯥ ꯄꯥꯔꯦꯗꯀꯣ।"

ꯕ꯭ꯔꯥꯈꯂꯒꯤ ꯇꯥꯏꯕꯉꯗꯒꯤ ꯅꯥꯊꯦꯔꯗꯨꯅꯥ, ꯌꯥꯅꯤꯡꯗꯕꯒꯤ ꯕ꯭ꯔꯥꯉꯥꯉꯗꯥ ꯍꯥꯌꯔꯀꯏ,

"ꯏꯕꯦꯝꯃꯁꯤ ꯅꯉꯅꯥ ꯑꯗꯨꯝ ꯊꯤꯂꯣ; ꯑꯗꯨꯒꯅꯦ ꯄꯔꯤꯛꯁꯥ ꯃꯐꯝꯗꯥ ꯑꯩꯒꯤ ꯑꯉꯥꯡꯅꯤꯀꯥ ꯍꯥꯌꯔꯨꯅꯨ।"

ꯇꯥꯡ ꯳꯰-꯴-꯲꯰꯰꯵

""নচীন থীনু; নঙগী চে মরক্তা চেজেৎ য়াওরম্মিসিদি ?""

মচানুপীনা ফনা মরাল লৈতে হায়জরবসু প্রমান লৈরবনিনা পরিক্ষাদগী তাম্থোক্লে; চহী অহুমদি পরিক্ষা থাবা য়াররোই । মচানুপীনা কপচরিবা পি তারিবদুগী কামফম লৈহনবিদ্রে ।মতম অমদা অরাবা শকফম উৎখিবা ওজা অনীদু হৌজিক্তি মখা লাওনা কাথোক্লগা নোক্লি । মায় পাকপগী হরাও তয়াল্লি । হৌখিবা মতমদা ইতোমচাগী মমাঙদা তুফক-তুফাই চন্না লেপখিবা ওজা অনীদু হৌজিক্তি মখৌ পোঙনা লেপ্লি ।

মঙাল্লেনা ইতোমচাগী খূৎতগী পাউচেদু লৌরগা হায়রকই,

""ওহোক্কা পুক্নিং চঙনা পারেদকো ।""

ব্রাখলগী তাইবঙদগী নাথৈরদুনা, য়ানীংদবগী ব্রাঙাঙদা হায়রকই,

""ইবেম্মসি নঙনা অদুম থিল্লো; অদুগনে পরিক্ষা মফমদা ঐগী অঙাংনিকা হায়রুনু ।""

তাং ৩০-৪-২০০৫

ꯇꯣꯡꯍꯟꯅꯤꯡꯗꯕ ꯃꯔꯤ

ꯑꯉꯧꯇꯣꯟꯅ ꯏꯕꯦꯂꯩꯕꯨ ꯀꯧꯕ ꯂꯥꯛꯂꯒ ꯏꯕꯦꯂꯩꯈꯣꯌꯒꯤ ꯀꯣꯝꯂꯣꯡ ꯌꯧꯗꯅ ꯍꯟꯕꯁꯤ ꯃꯔꯤ, ꯃꯉꯥꯔꯛ ꯁꯨꯔꯦ। ꯅꯣꯡꯃꯅ ꯑꯍꯤꯡꯆꯨꯞꯄ ꯇꯨꯝꯗꯕꯃꯈꯩ ꯕ꯭ꯔꯥꯈꯜ ꯈꯜꯂꯒ ꯑꯌꯨꯛ ꯑꯉꯅꯕꯗ ꯏꯕꯦꯂꯩ ꯀꯧꯕ ꯂꯥꯀꯏ। ꯀꯣꯝꯂꯣꯡ ꯅꯀꯁꯤꯜꯂꯨꯕ ꯉꯝꯗꯅ ꯍꯜꯂꯤ। ꯅꯣꯡꯃꯅ ꯅꯨꯃꯤꯗꯥꯡꯕ꯭ꯔꯥꯏꯔꯝꯗ ꯊꯧꯅ ꯄꯨꯝꯕ ꯄꯨꯈꯣꯛꯀꯨꯅ ꯌꯨꯝꯗꯒꯤ ꯊꯣꯔꯛꯀꯅꯤ; ꯏꯕꯦꯂꯩꯈꯣꯌꯒꯤ ꯀꯣꯝꯂꯣꯡ ꯅꯀꯁꯤꯜꯂꯛꯄꯗ ꯌꯨꯝꯗꯒꯤ ꯐꯔꯛꯄ ꯊꯧꯅꯗꯨ ꯍꯦꯛꯇ ꯃꯥꯡꯈꯤ। ꯅꯣꯡꯃꯅ ꯅꯨꯡꯊꯤꯜ ꯑꯇꯩ ꯃꯤ ꯂꯩꯔꯝꯃꯣꯏ ꯈꯟꯕ ꯃꯇꯝꯗ ꯆꯠꯀꯅꯤ; ꯃꯗꯨꯗꯁꯨ ꯀꯣꯝꯂꯣꯡ ꯂꯥꯟꯁꯤꯟꯕ ꯉꯝꯗꯅ ꯍꯜꯂꯤ; ꯉꯥꯏꯍꯥꯛ ꯐꯥꯎꯕ ꯀꯣꯝꯂꯣꯡ ꯃꯌꯥꯗ ꯂꯦꯞꯄꯝꯗꯅ ꯍꯜꯂꯀꯏ। ꯉꯁꯤꯁꯨ ꯈꯟꯕꯃꯈꯩ ꯈꯜꯂꯒ ꯏꯕꯦꯂꯩꯕꯨ ꯀꯧꯕ ꯂꯥꯛꯂꯤ। ꯃꯍꯥꯛ ꯉꯁꯤ ꯐꯥꯎꯕꯗ ꯑꯇꯣꯞꯄ ꯅꯨꯄꯥꯗ ꯌꯨꯝ ꯄꯥꯟꯗ꯭ꯔꯤ। ꯃꯁꯤ ꯃꯥꯒ ꯍꯟꯖꯤꯟꯅꯒꯗꯕꯒꯤ ꯑꯣꯏꯔꯃꯒꯅꯤ। ꯕ꯭ꯔꯥꯈꯂꯁꯤꯅ ꯑꯉꯧꯇꯣꯟꯕꯨ ꯊꯧꯅ ꯍꯥꯞꯀꯠꯂꯤ। ꯇꯥꯏꯕꯪ ꯖꯤꯕꯒꯤ ꯐꯔꯝꯕ ꯊꯧꯅꯥꯅ ꯀꯔꯤꯒꯨꯝꯕ ꯃꯔꯝꯗꯒꯤ ꯃꯊꯟꯇ ꯁꯤꯊꯔꯀꯏ। ꯑꯉꯧꯇꯣꯟꯒꯤ ꯐꯔꯝꯕ ꯊꯧꯅꯥꯁꯤꯁꯨ

তংহন্নীংদবা মরী

অঙৌতোন্না ইবেলৈবু কৌবা লাক্লগা ইবেলৈখোয়গী কোম্লোং য়ৌদনা হনবসি মরি, মঙারক শুরে। নোংমনা অহিংচুপ্পা তূমদবমখৈ ব্রাখল খল্লগা অয়ুক অঙনবদা ইবেলৈ কৌবা লাকই। কোম্লোং নকসিল্লুবা ঙমদনা হল্লি। নোংমনা নুমিদাংব্রাইরমদা থৌনা পূম্বা পুখোক্কুনা য়ূমদগী থোরক্কনি; ইবেলৈখোয়গী কোম্লোং নকশিল্লকপদা য়ূমদগী ফরকপা থৌনাদু হেক্তা মাঙখি। নোংমনা নুংথিল অতৈ মী লৈরম্মোই খনবা মতমদা চৎকনি; মদুদসু কোম্লোং লানশিনবা ঙমদনা হল্লি; ঙাইহাক ফাওবা কোম্লোং ময়াদা লেপ্পমদনা হল্লকই। ঙসিসু খনবমখৈ খল্লগা ইবেলৈবু কৌবা লাক্লি। মহাক ঙসি ফাওবদা অতোপ্পা নুপাদা য়ূম পান্দ্রি। মসি মাগা হঞ্জিন্নগদবগী ওইরমগনি। ব্রাখলসিনা অঙৌতোনবু থৌনা হাপকৎলি। তাইবঙ জীবগী ফরম্বা থৌনানা করিগুম্বা মরমদগী মথন্ত শিথরকই। অঙৌতোনগী ফরম্বা থৌনাসিসু ইবেলৈগী কোম্লোং

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

য়ৌসিল্লকপদা শিথরক্কে । মতম অমদা হিংচাবগী থম্মোয়গুম্না কনখিবা অঙৌতোনগী থম্মোয়দু ঈকাইবগী চীংজাউ ওল্লক্কে । অঙৌতোম্না চীংজাউসি কারগা লাম্হোক্লগে খনবা মীৎকুপ্তা মহাক্না হায়খিবদু নীংশিংলকই । মাগী খ্বাইদগী শাথীনা য়েক্লরবা মীদা হায়বগুম্না অঙৌতোম্না ইবেলৈদা হায়খি,

‘‘ঐগী অনীংবসি নঙনা কায়হনগনু; নঙনা মরম ওইদুনা ঐগী ঈ মরী খমহনবদু নঙ পাদ্রা ?’’

ইবেলৈদু খুমদে; মানা তৌরিবা থবক্তু তুমিন্না তৌরি । অঙৌতোম্না মখা তারকই,

‘‘অদুম্না পঙশিন্নবনা করিসু কাম্নরোই । নঙ হৌজিকমক চৎকদ্রা চৎলোইদ্রা ?’’

ইবেলৈগী মনাক্তা নক্না চঙশিল্লক্লগা হঞ্জিন হঞ্জিন কিহন্দুনা হংলকই । খুমদবা য়াদ্রদুনা ইবেলৈনা তপ্না খুন্নকই,

"ꯅꯅꯥꯛꯇꯥ ꯑꯩꯍꯥꯛ ꯂꯩꯕꯁꯤ ꯏꯌꯥꯃꯛ ꯌꯥꯗꯔꯥ ?"

"ꯌꯥꯗꯦ; ꯑꯩꯒꯤ ꯑꯁꯦꯡꯕ ꯅꯨꯄꯤꯗꯨꯅ ꯅꯉꯒ ꯄꯨꯝꯅ ꯂꯩꯃꯤꯟꯅꯤꯡꯗꯦ ꯫ ꯂꯝꯂꯥꯟꯕꯤ ꯅꯉꯅ ꯏꯅꯥꯛꯇ ꯂꯩꯔꯒ ꯌꯦꯛꯂꯕꯒꯤ ꯂꯝꯕꯤ ꯁꯦꯃꯒꯅꯨ ꯫"

ꯏꯕꯦꯂꯩꯕꯨ ꯑꯉꯧꯇꯣꯝꯅ ꯃꯅꯥꯛꯇꯒꯤ ꯆꯠꯊꯤꯟꯕ ꯇꯥꯜꯂꯤꯕꯁꯤ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯐꯅ ꯌꯥꯝꯅ ꯌꯥꯝꯂꯦ ꯫ ꯆꯍꯤ ꯃꯉꯥ ꯌꯨꯝꯕꯥꯝꯅꯤꯝꯅꯔꯛꯂꯕꯤ ꯃꯍꯥꯀꯁꯤ ꯕꯁ ꯇꯣꯡꯕꯗ ꯐꯝꯐꯝ ꯑꯃꯗ ꯉꯥꯏꯍꯥꯛ ꯐꯝꯃꯤꯟꯅꯕꯤ ꯅꯨꯄꯤꯗꯨꯒꯨꯝꯂꯦ ꯫ ꯃꯄꯨꯔꯣꯏꯕ ꯑꯃꯗꯒꯤ ꯍꯦꯟꯖꯔꯣꯏ ꯈꯟꯖꯔꯤꯕꯤ ꯅꯨꯄꯤꯖ ꯀꯅꯥꯒꯤ ꯃꯐꯝꯗ ꯃꯄꯨꯔꯣꯏꯕꯅ ꯇꯥꯝꯊꯣꯛꯂꯕ ꯃꯔꯩ, ꯆꯛꯔꯤ ꯇꯧꯔꯀꯄꯁꯤꯗꯒꯤ ꯍꯦꯟꯕ ꯊꯝꯃꯣꯌ ꯁꯣꯛꯂꯤꯡꯉꯥꯏꯕꯨ ꯂꯩꯔꯃꯒꯗ꯭ꯔꯥ ? ꯄꯨꯛꯂꯤꯡ ꯐꯥꯊꯕ, ꯚꯥꯕ ꯇꯥꯟꯅꯕ ꯍꯣꯠꯅꯕ ꯅꯠꯇꯅ ꯄꯥꯝꯕꯦ ꯂꯩꯇꯦ ꯈꯅꯕꯅ ꯏꯕꯦꯂꯩꯗꯨ ꯇꯨꯃꯤꯟꯅ ꯂꯩ ꯫ ꯃꯁꯤ ꯑꯉꯧꯇꯣꯟꯗ ꯀꯔꯦꯝ ꯀꯊꯥꯏꯅꯕꯒꯨꯝꯅ ꯊꯣꯛꯏ ꯫ ꯑꯁꯨꯝꯅ ꯂꯩꯔꯒ ꯃꯥꯅ ꯆꯉꯁꯤꯜꯂꯤꯕ ꯈꯣꯡꯖꯡꯁꯤꯗꯒꯤ ꯍꯟꯗꯣꯛꯂꯗꯕꯁꯨ ꯅꯠꯇꯦ ꯫ ꯃꯥꯒꯤ ꯑꯅꯤꯡꯕꯅ ꯂꯝꯖꯤꯡꯈꯤꯕꯗꯒꯤ ꯃꯌꯥꯏ ꯀꯥꯔꯕ ꯑꯉꯧꯇꯣꯝꯅ ꯍꯥꯌ,

"ꯅꯉꯕꯨ ꯐꯨꯗꯨꯅ ꯇꯥꯂꯍꯅꯒꯅꯨ; ꯈꯔꯥ ꯊꯨꯅ ꯆꯠꯈ꯭ꯔꯣ; ꯑꯩꯒꯤ ꯅꯨꯡꯉꯥꯏꯕ ꯌꯨꯝꯕꯥꯟꯗꯨ ꯁꯦꯝꯅꯒꯦ ꯫"

"ননাক্তা ঐহাক লৈবসি ইয়ামক য়াদব্রা ?"

"য়াদে; ঐগী অশেংবা নুপীদুনা নঙগা পূম্না লৈমিন্ননীংদে । লম্লানবী নঙনা ইনাক্তা লৈরগা য়েক্লবগী লম্বী শেমগনু ।"

ইবেলৈবু অঙৌতোম্না মনাক্তগী চৎথিনবা তাল্লিবসি নুমিৎ ফনা য়াম্না য়াম্লে । চহী মঙা য়ুম্বাম্নীম্নরক্লবী মহাকসি বস তোংবদা ফম্ফম অমদা ঙাইহাক ফম্মিন্নবী নুপীদুগুম্লে । মপুরোইবা অমদগী হেঞ্জরোই খঞ্জরিবী নুপীজা কনাগী মফমদা মপুরোইবনা তাম্থোক্লবা মরৈ, চক্রি তৌরকপসিদগী হেনবা থম্মোয় শোক্লীংঙাইবু লৈরমগদ্রা ? পূক্লিং ফাথবা, ভাব তাননবা হোৎনবা নত্তনা পাম্বে লৈতে খনবনা ইবেলৈদু তুমিন্না লৈ । মসি অঙৌতোন্দা করেম কথাইনবগুম্না থোকই । অসুম্না লৈরগা মানা চঙশিল্লিবা খোঙজংসিদগী হন্দোক্লদবসু নত্তে । মাগী অনীংবনা লমজিংখিবদগী ময়াই কারবা অঙৌতোম্না হায়,

"নঙবু ফূদুনা তালহনগনু; খরা থুনা চৎখ্রো; ঐগী নুংঙাইবা য়ুম্বান্দু শেম্নগে ।"

ꯃꯔꯥꯜ ꯂꯩꯇꯕ ꯃꯤꯗ ꯃꯔꯥꯜ ꯊꯉꯖꯤꯟꯕꯗ ꯁꯥꯎꯔꯀꯄ ꯌꯥꯏ : ꯁꯥꯎꯔꯕꯗꯤ ꯑꯉꯝ ꯑꯔꯥꯏ ꯈꯉꯗꯅ ꯑꯣꯟꯁꯤꯟꯅꯗꯨꯅ ꯉꯥꯡꯅꯔꯛꯀꯅꯤ, ꯆꯩꯅꯔꯛꯀꯅꯤ, ꯈꯠꯅꯔꯛꯀꯅꯤ ꯫ ꯃꯗꯨꯃꯛ ꯊꯣꯀꯄꯗꯨ ꯑꯉꯧꯇꯣꯝꯅ ꯄꯥꯝꯃꯤ ꯫ ꯏꯕꯦꯂꯩꯗꯤ ꯅꯨꯡꯁꯤ ꯆꯥꯟꯅꯕ ꯂꯩꯕꯗꯨ ꯄꯥꯝꯃꯤ ꯫ ꯃꯁꯤ ꯑꯣꯏꯅꯕ ꯂꯣꯝꯄ꯭ꯂꯣꯛꯀꯕꯤ, ꯄꯥꯡꯗꯕꯤ, ꯃꯁꯥꯕꯨ ꯃꯃꯜ ꯂꯩꯇꯕꯤ ꯑꯣꯏꯍꯟꯖꯔꯤ: ꯄꯨꯝꯅꯃꯛ ꯃꯥꯕꯨ ꯐꯅꯕ ꯃꯄꯨꯔꯣꯏꯕꯅ ꯉꯥꯡꯕꯅꯤ, ꯆꯩꯕꯅꯤ ꯈꯜꯂꯛꯂꯤ ꯫ ꯑꯉꯧꯇꯣꯝꯅ ꯃꯥꯒꯤ ꯈꯣꯡꯖꯪꯗꯨ ꯀꯅꯁꯤꯜꯂꯗꯨꯅ ꯍꯥꯏ,

"ꯅꯪ ꯑꯃꯨꯛ ꯍꯟꯅ ꯅꯌꯨꯝ ꯄꯥꯟꯕ ꯈꯉꯂꯣꯏ ꯍꯥꯏꯕꯒꯤ ꯆꯤꯡꯅꯕ ꯑꯣꯏꯔꯒꯅ ꯅꯪꯕꯨ ꯂꯧꯕꯤꯒꯦ ꯍꯥꯏꯕ ꯅꯨꯄꯥ ꯑꯃ ꯑꯩ ꯊꯤꯕꯤꯔꯛꯀꯦ ꯫"

"ꯇꯣꯛꯑꯣꯕ; ꯇꯥꯕꯗ ꯇꯨ ꯆꯨꯡꯕ ꯕ꯭ꯔꯥ ꯉꯥꯛꯀ ꯉꯥꯡꯏ ꯫"

"ꯑꯗꯨꯗꯤ ꯅꯁꯥꯅ ꯈꯉꯅ ꯏꯅꯥꯛꯀꯤ ꯆꯠꯈ꯭ꯔꯣꯗꯅ ꯫ ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯒꯗꯤ ꯅꯪꯕꯨ ꯍꯨ ꯄꯤꯖꯔꯀꯄ ꯌꯥꯏ; ꯏꯂꯦꯛꯠꯔꯤꯛꯀ ꯆꯤꯡꯍꯜꯂꯀꯄ ꯌꯥꯏ; ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯒꯅ ꯑꯣꯛꯀꯕ ꯅꯨꯄꯥ ꯊꯥꯖꯤꯜꯂꯒ ..."

"ꯌꯥꯔꯦ ꯇꯣꯛꯄꯤꯔꯣ; ꯑꯩ ꯇꯥꯕ ꯉꯝꯗ꯭ꯔꯦ ꯫"

মরাল লৈতবা মীদা মরাল থঙজিনবদা শাউরকপা য়াই; শাউরবদি অঙম-অরাই খঙদনা ওনশিন্নদুনা ঙাঙনরক্কনি, চৈনরক্কনি, খৎনরক্কনি । মদুমক থোকপদু অঙৌতোম্না পামই । ইবেলৈদি নুংশি-চান্নবা লৈবদু পামই । মসি ওইনবা লোম্প্লোক্কবী, পাঙদবী, মশাবু মমল লৈতবী ওইহঞ্জরি; পূম্নমক মাবু ফনবা মপুরোইবনা ঙাঙবনি, চৈবনি খল্লক্লি । অঙৌতোম্না মাগী খোঙজংদু কনশিল্লদুনা হায়,

"নঙ অমুক হন্না নয়ূম পানবা খঙলোই হায়বগী চিংনবা ওইরগনা নঙবু লৌবিগে হায়বা নুপা অমা ঐ থিবিরক্কে ।"

"তোকওবা; তাবদা তু চুংবা ব্রা ঙাক্কা ঙাঙই ।"

"অদুদি নশানা খঙনা ইনাক্কগী চৎখ্রোদনা । নৎত্রগদি নঙবু হূ পীজরকপা য়াই; ইলেক্ট্রিক্কা চিংহল্লকপা য়াই; নৎত্রগনা ওক্কবা নুপা থাজিল্লগা ..."

"য়ারে তোকপিরো; ঐ তাবা ঙমদ্রে ।"

“ꯇꯥꯕꯗꯥ ꯋꯥꯕꯥ ꯋꯥꯍꯩꯗꯒꯤ ꯑꯁꯦꯡꯕꯥ ꯊꯕꯛꯇꯥ ꯑꯣꯡꯈꯣꯔꯛꯂꯤꯡꯉꯩ ꯆꯠꯈꯔꯣ ।”

ꯏꯕꯦꯂꯩꯗꯨ ꯈꯨꯟꯅꯛꯂꯦ । ꯃꯥꯌ ꯅꯣꯝꯕꯗꯨꯅꯥ ꯇꯨꯃꯤꯟꯅꯥ ꯂꯩ । ꯁꯣꯔ ꯐꯥꯎꯕꯥ ꯍꯣꯟꯗꯕꯒꯤ ꯁꯀꯐꯝꯅꯤ । ꯉꯥꯏꯍꯥꯛ ꯂꯩꯔꯒꯥ ꯑꯉꯧꯇꯣꯟꯗꯥ ꯌꯦꯡꯂꯒꯥ ꯇꯣꯝꯕꯥ ꯃꯑꯣꯡꯗꯥ ꯍꯥꯌꯔꯀꯏ,

“ꯑꯩ ꯆꯠꯂꯒꯦ, ꯄꯨꯟꯁꯤꯒꯤ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯆꯠꯂꯒꯦ ।”

ꯆꯦꯡꯅꯥ ꯆꯥꯛ ꯑꯣꯟꯈꯋꯕꯗꯤ ꯐꯅꯥ ꯀꯪꯍꯜꯂꯕꯁꯨ ꯆꯦꯡ ꯑꯣꯟꯗꯦ; ꯆꯒꯋꯤꯡꯗꯤ ꯑꯣꯜꯂꯤ । ꯃꯁꯤ ꯏꯕꯦꯂꯩꯅꯥ ꯈꯪꯏ; ꯑꯉꯧꯇꯣꯟꯗꯤ ꯈꯜꯂꯨꯗꯦ । ꯄꯨꯛꯂꯧ-ꯄꯥꯔꯧꯗꯅꯥ ꯆꯠꯈꯤ; ꯑꯉꯧꯇꯣꯟꯗꯥ ꯃꯤꯡꯗꯥ ꯊꯤꯍꯜꯂꯃꯗꯦ, ꯀꯔꯤꯒꯨꯝꯕꯥ ꯃꯈꯂꯒꯤ ꯑꯋꯥ-ꯄꯣꯠꯂꯨꯝꯅꯥ ꯅꯜꯂꯃꯗꯦ ।

ꯃꯇꯝꯗꯨꯗꯥ ꯏꯕꯦꯂꯩꯅꯥ ꯑꯔꯣꯟ-ꯋꯥꯐꯝ ꯑꯃꯥ ꯊꯝꯈꯤ । ꯃꯗꯨ ꯑꯉꯧꯇꯣꯝꯅꯥ ꯉꯁꯤꯗꯤ ꯈꯪꯂꯛꯂꯦ । ꯃꯗꯨꯅꯥ ꯅꯤꯡꯉꯝꯗ-ꯋꯥꯈꯜ ꯄꯣꯛꯂꯀꯨꯅꯥ ꯑꯅꯧꯕꯥ ꯈꯣꯡꯊꯥꯡ ꯑꯃꯃꯨꯛ ꯊꯥꯡꯂꯛꯂꯤ । ꯃꯇꯝ ꯑꯃꯒꯤ ꯃꯥꯒꯤ ꯃꯔꯥꯜꯗꯨ ꯏꯕꯦꯂꯩꯒꯤ ꯑꯔꯣꯟ-ꯋꯥꯐꯝꯗꯨꯅꯥ ꯑꯣꯏꯍꯟꯕꯅꯤ ꯍꯥꯌꯕꯒꯤ ꯇꯛꯁꯤ ꯁꯣꯟꯕꯁꯨ ꯀꯔꯤꯒꯨꯝꯕꯗꯥ ꯌꯥꯎꯔꯀꯏ । ꯏꯕꯦꯂꯩ ꯃꯁꯥꯟꯗꯤ ꯃꯗꯨ ꯂꯥꯟꯗꯦ ꯈꯟꯈꯤ; ꯍꯧꯖꯤꯛꯁꯨ ꯂꯥꯟꯗꯦ ꯈꯜꯂꯤ । ꯃꯍꯥꯛ ꯃꯌꯨꯝ ꯄꯥꯜꯂꯕꯤ ꯅꯨꯄꯤ ꯑꯃꯥ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯃꯁꯥꯒꯤ

“তাবদা ব্রাবা ব্রাহৈদগী অশেংবা থবক্তা ওঙ্খোরক্লিঙৈ চৎখ্রো ।”

ইবেলৈদু খুন্নক্লে । মায় নোম্বদুনা তুমিন্না লৈ । শোর ফাওবা হোন্দবগী শকফম্নি । ঙাইহাক লৈরগা অঙৌতোন্দা য়েংলগা তোম্বা মওংদা হায়রকই,

“ঐ চৎলগে, পুন্সিগী ওইনা চৎলগে ।”

চেংনা চাক ওনখ্রবদি ফনা কংহল্লবসু চেং ওন্দে; চগ্রিংদি ওল্লি । মসি ইবেলৈনা খঙই; অঙৌতোন্দি খল্লুদে । পূক্লৌ-পারৌদনা চৎখি; অঙৌতোন্দা মিংদা থীহল্লমদে, করিগুম্বা মখলগী অব্রা-পোৎলূম্না নল্লমদে ।

মতমদুদা ইবেলৈনা অরোন-ব্রাফম অমা থমখি । মদু অঙৌতোম্না ঙসিদি খঙলক্লে । মদুনা নীংঙমদ-ব্রাখল পোক্লকুনা অনৌবা খোঙথাং অমমুক থাংলক্লি । মতম অমগী মাগী মরালদু ইবেলৈগী অরোন-ব্রাফমদুনা ওইহনবনি হায়বগী তকসি শোনবসু করিগুম্বদা য়াওরকই । ইবেলৈ মশানদি মদু লান্দে খনখি; হৌজিকসু লান্দে খল্লি । মহাক ময়ূম পাল্লবী নুপী অমা ওইনা মশাগী

ꯐꯤꯕꯦꯞꯇꯨꯒꯤ ꯈꯣꯡꯐꯝ ꯈꯖꯤꯛꯇꯁꯨ ꯁꯣꯌꯗꯦ ꯫ ꯆꯍꯤ ꯃꯔꯤ ꯍꯦꯟꯅꯥ ꯌꯨꯝ ꯄꯥꯅꯃꯤꯟꯅꯔꯕꯁꯨ, ꯂꯥꯢ ꯀꯌꯥ ꯈꯨꯔꯨꯝꯅꯔꯕꯁꯨ, ꯃꯕꯥꯅꯤꯒꯤ ꯃꯆꯥ ꯐꯪꯗ꯭ꯔꯦ ꯫ ꯃꯁꯤꯗꯥ ꯏꯕꯦꯂꯩ ꯅꯤꯡꯗꯣꯜ ꯄꯣꯝꯗꯦ ꯫ ꯃꯅꯥꯛꯇꯥ ꯃꯄꯨꯔꯣꯢꯕꯥ ꯏꯆꯥꯎ-ꯆꯥꯎꯅꯥ ꯂꯩꯔꯤ ꯫ ꯃꯥꯒꯤ ꯄꯨꯛꯂꯤꯡ ꯅꯨꯡꯁꯤꯅꯤꯡꯉꯥꯢ ꯃꯔꯝꯗꯨ ꯁꯥꯒꯠꯅꯕꯥ ꯊꯧꯕꯥꯡꯗꯦ ꯫ ꯃꯤꯑꯣꯏꯕꯅꯥ ꯑꯍꯜ ꯑꯣꯏꯕꯥ ꯃꯇꯝꯒꯤꯗꯃꯛ ꯃꯆꯥ ꯃꯁꯨꯕꯨ ꯄꯩꯁꯤꯟꯕꯥ ꯂꯟ-ꯊꯨꯝ ꯑꯣꯏꯍꯜꯂꯤ ꯫ ꯃꯁꯤꯗꯥ ꯏꯕꯦꯂꯩꯅꯥ ꯃꯤꯍꯧꯗꯕꯥ ꯉꯃꯏ ꯫ ꯐꯖꯕꯥ ꯄꯨꯛꯆꯦꯜ, ꯆꯥꯌꯣꯛ-ꯅꯥꯎꯌꯣꯛ, ꯂꯩꯃꯤꯟꯅꯕꯥ ꯀꯌꯥꯁꯤꯅꯥ ꯃꯤꯑꯣꯏꯕꯒꯤ ꯃꯆꯥ-ꯃꯁꯨ, ꯃꯕꯤ-ꯃꯇꯥ ꯕ꯭ꯔꯥꯠꯍꯟꯗꯕꯥ ꯌꯥꯢ; ꯂꯥꯢꯄꯣꯛ ꯑꯣꯏꯈꯤꯕꯥ ꯃꯤꯑꯣꯏꯁꯤꯡꯒꯤꯗꯤ ꯏꯆꯥ, ꯃꯤꯆꯥꯒꯤ ꯈꯦꯟꯅꯗꯦ; ꯃꯤꯆꯉꯁꯨ ꯕ꯭ꯔꯥꯠꯇꯦ; ꯃꯁꯤ ꯏꯕꯦꯂꯩꯅꯥ ꯅꯤꯡꯁꯤꯡꯏ ꯫ ꯑꯗꯨꯅꯥ ꯑꯉꯧꯇꯣꯝꯅꯥ ꯃꯆꯥ ꯐꯪꯅꯕꯥ ꯗꯥꯛꯇꯔꯒꯤ ꯃꯇꯦꯡ ꯂꯧꯅꯕꯥ ꯍꯥꯌꯔꯛꯄꯗꯥ ꯏꯕꯦꯂꯩꯅꯥ ꯄꯨꯛꯂꯤꯡ ꯆꯉꯁꯤꯟꯗꯦ ꯫ ꯑꯉꯧꯇꯣꯝꯅꯥ ꯀꯝꯅꯥ ꯊꯦꯟꯅꯛꯂꯕꯗꯥ ꯏꯕꯦꯂꯩꯅꯥ ꯍꯥꯌ,

"ꯍꯧꯖꯤꯛ ꯍꯤꯡꯃꯤꯟꯅꯔꯤꯕꯥ ꯄꯨꯟꯁꯤ ꯃꯔꯦꯜꯁꯤꯗꯥ ꯑꯁꯨꯝ ꯂꯩꯔꯁꯤꯕꯥ ꯫"

"ꯑꯃꯨꯛꯇꯪꯗꯤ ꯗꯥꯛꯇꯔꯗꯥ ꯌꯦꯡꯊꯣꯛꯁꯤ ꯫ ꯑꯁꯣꯌꯕꯥ ꯌꯥꯎꯔꯝꯅꯕꯁꯨ ꯆꯨꯝꯊꯣꯛꯂꯒꯥ ꯏꯆꯥ ꯐꯪꯗꯧꯔꯤꯕꯅꯤ ꯫"

ফিবেপ্তুগী খোঙফম খজিক্তস্ শোয়দে । চহী মরি হেন্না য়ুম পানমিন্নরবসু, লাই কয়া খুরুম্নরবসু, মবানীগী মচা ফংদ্রে । মসিদা ইবেলৈ নিংদোল পোমদে । মনাক্তা মপুরোইবা ইচাউ-চাউনা লৈরি । মাগী পূক্লিং নুংশিনীংঙাই মরমদু শাগৎনবা থৌবাংদে । মীওইবনা অহল ওইবা মতমগীদমক মচা মশুবু পৈশিনবা লন-থুম ওইহল্লি । মসিদা ইবেলৈনা মীহৌদবা ঙমই । ফজবা পূকচেল, চাযোক-নাউযোক, লৈমিন্নবা কয়াসিনা মীওইবগী মচা-মশু, মবী-মতা ব্রাৎহন্দবা যাই; লাইপোক ওইখিবা মীওইশিংগীদি ইচা, মীচাগী খেন্নদে; মীচঙস্ ব্রাৎতে; মসি ইবেলৈনা নীংশিংই । অদুনা অঙৌতোম্না মচা ফংনবা ডাক্তরগী মতেং লৌনবা হায়রকপদা ইবেলৈনা পূক্লিং চঙশিন্দে । অঙৌতোম্না কম্না থেন্নক্লবদা ইবেলৈনা হায়,

"হৌজিক হিংমিন্নরিবা পুন্সি মরেলসিদা অসুম লৈরসিবা ।"

"অমুক্তংদি ডাক্তরদা য়েংথোকসি । অশোয়বা য়াওরম্নবসু চুমথোক্লগা ইচা ফংদৌরিবনি ।"

"ꯑꯁꯣꯏꯕꯗꯨꯅꯥ ꯃꯔꯝ ꯑꯣꯏꯔꯒꯥ ꯏꯕꯥꯅꯤꯒꯤ ꯄꯨꯟꯁꯤ ꯃꯔꯤꯁꯦ ꯀꯥꯏꯍꯟꯕꯁꯨ ꯌꯥꯏ꯫"

"ꯃꯗꯨꯝꯅꯥ ꯅꯄꯨꯛꯅꯤꯡ ꯄꯤꯀꯊꯒꯅꯨ; ꯍꯧꯖꯤꯀꯁꯤ ꯆꯥꯎꯈꯠꯂꯕꯅꯤ; ꯗꯥꯛꯇꯔꯅꯥ ꯁꯣꯏꯗꯅꯥ ꯏꯆꯥ ꯐꯪꯍꯟꯕꯥ ꯉꯝꯒꯅꯤ꯫"

ꯑꯉꯧꯇꯣꯝꯅꯥ ꯍꯥꯏꯃꯟꯕꯗꯒꯤ ꯌꯦꯡꯂꯦ꯫ ꯃꯈꯜ ꯀꯌꯥꯒꯤ ꯆꯥꯡꯌꯦꯡ ꯇꯧꯔꯦ꯫ ꯔꯤꯖꯜꯇ ꯂꯧꯕꯗꯨ ꯏꯕꯦꯂꯩꯅꯥ ꯆꯠꯂꯤ; ꯃꯥꯅꯥ ꯆꯠꯀꯦ ꯍꯥꯏꯕꯅꯤ꯫ ꯔꯤꯖꯜꯇꯀꯤ ꯕ꯭ꯔꯥꯔꯣꯂꯗꯥ ꯑꯉꯧꯇꯣꯟꯗꯨ ꯊꯕ꯭ꯔꯥꯏ ꯅꯨꯡꯉꯥꯏꯇꯦ꯫ ꯃꯕꯥꯅꯤꯒꯤ ꯃꯁꯥꯗꯥ ꯑꯁꯣꯏꯕꯥ ꯂꯩ; ꯃꯆꯥ ꯐꯪꯂꯔꯣꯏ꯫ ꯃꯤꯠꯀꯨꯞꯄꯨꯗꯥ ꯑꯇꯣꯞꯄꯥ ꯅꯨꯄꯤ ꯑꯃꯒꯥ ꯌꯨꯝꯕꯥꯟꯃꯤꯟꯅꯔꯕꯗꯤ ꯃꯆꯥ ꯐꯪꯒꯗ꯭ꯔꯥ ꯍꯥꯏꯕꯒꯤ ꯕ꯭ꯔꯥꯍꯪ ꯑꯃꯥ ꯑꯉꯧꯇꯣꯅꯒꯤ ꯄꯨꯛꯅꯤꯡꯗꯥ ꯍꯪꯖꯦ꯫ ꯑꯃꯨꯀꯁꯨ ꯏꯕꯦꯂꯩꯅꯥ ꯃꯥꯉꯣꯟꯗꯥ ꯊꯟꯅꯤꯕꯥ ꯆꯟꯅꯕꯥ ꯑꯆꯦꯠꯄꯥ ꯃꯔꯤꯗꯨ ꯈꯜꯂꯒꯥ ꯃꯆꯥ ꯌꯥꯎꯗꯅꯥ ꯍꯤꯡꯕꯗꯨꯅꯥ ꯐꯔꯕ꯭ꯔꯁꯨ ꯈꯜꯂꯤ꯫ ꯑꯁꯨꯝꯅꯥ ꯆꯌꯦꯠꯅꯕꯥ ꯑꯅꯤꯁꯤꯒꯤ ꯃꯔꯛꯇꯥ ꯆꯍꯤ ꯑꯃꯃꯨꯛ ꯂꯩꯃꯤꯟꯅꯔꯦ꯫ ꯏꯈꯪ-ꯈꯪꯍꯧꯗꯅꯥ ꯃꯤꯒꯤ ꯊꯧꯏꯅꯁꯤꯟꯗꯒꯤ ꯑꯉꯧꯇꯣꯝꯅꯥ ꯏꯕꯦꯂꯩꯕꯨ ꯃꯤꯔꯥꯏꯔꯛꯂꯦ; ꯅꯨꯄꯤ ꯑꯃꯥ ꯄꯨꯔꯛꯂꯦ꯫ ꯏꯕꯦꯂꯩꯕꯨ ꯃꯅꯥꯛꯇꯥ ꯂꯩꯍꯟꯗꯨꯅꯥ ꯃꯄꯨꯔꯣꯏꯕꯒꯤ ꯁꯦꯒꯥ ꯇꯥꯡꯖꯕꯒꯤ ꯂꯥꯏꯕꯛꯇꯨ ꯐꯪꯍꯟꯕꯤꯈꯤꯗ꯭ꯔꯦ꯫

ꯑꯉꯧꯇꯣꯝꯅꯥ ꯑꯇꯣꯞꯄꯥ ꯅꯨꯄꯤꯒꯥ ꯌꯨꯝꯕꯥꯟꯃꯤꯟꯅꯔꯒꯥ ꯃꯆꯥ ꯐꯪꯒꯅꯤ ꯈꯜꯂꯝꯕꯥ ꯃꯉꯂꯥꯟꯗꯨꯗꯤ ꯇꯥꯏꯕꯪꯗꯥ ꯑꯣꯝꯂꯣꯛꯄꯥ ꯌꯥꯈꯤꯗ꯭ꯔꯦ꯫ ꯍꯥꯟꯅꯒꯤ ꯗꯥꯛꯇꯔꯗꯨꯒꯥ ꯇꯥꯟꯅꯔꯨꯕꯗꯥ ꯍꯥꯏꯔꯀꯏ,

"অশোয়বদুনা মরম ওইরগা ইবানীগী পুন্সি মরীসে কায়হনবসু য়াই।

"মদুম্না নপৃক্লিং পীকথগনু; হৌজিকসি চাওখৎলবনি; ডাক্তরনা শোয়দনা ইচা ফংহনবা ঙমগনি।"

অঙৌতোম্না হায়মনবদগী য়েংলে। মখল কয়াগী চাংয়েং তৌরে। রিজল্ট লৌবদু ইবেলৈনা চৎলি; মানা চৎকে হায়বনি। রিজল্টকী ব্রারোলদা অঙৌতোন্দু থব্রায় নুংঙাইতে। মবানীগী মশাদা অশোয়বা লৈ; মচা ফংলরোই। মীৎকুপ্পুদা অতোপ্পা নুপী অমগা য়ূম্বানমিন্নরবদি মচা ফংগদ্রা হায়বগী ব্রাহং অমা অঙৌতোনগী পূক্লিংদা হংজে। অমুকসু ইবেলৈনা মাঙোন্দা থন্নিবা চন্নবা অচেৎপা মরীদু খল্লগা মচা য়াওদনা হিংবদুনা ফরব্রসু খল্লি। অসুম্না চয়েৎনবা অনীসিগী মরক্তা চহী অমমুক লৈমিন্নরে। ইখঙ-খঙহৌদনা মীগী থৌঈনশিন্দগী অঙৌতোম্না ইবেলৈবু মীরাইরক্লে; নুপী অমা পুরক্লে। ইবেলৈবু মনাক্তা লৈহন্দুনা মপুরোইবগী সেগা তাংজবগী লাইবক্তু ফংহনবিখিদ্রে।

অঙৌতোম্না অতোপ্পা নুপীগা য়ূম্বানমিন্নরগা মচা ফংগনি খল্লম্বা মঙলান্দুদি তাইবঙদা ওম্লোকপা য়াখিদ্রে। হান্নগী ডাক্তরদুগা তান্নরুবদা হায়রকই,

"ꯁꯣꯝꯗꯤ ꯏꯆꯥ ꯐꯪꯂꯔꯣꯏ ꯑꯁꯣꯌꯕ ꯂꯩꯕꯅꯤ। ꯍꯥꯟꯅꯒꯤ ꯏꯕꯦꯝꯃꯗꯨꯗꯤ ꯑꯁꯣꯌꯕ ꯂꯩꯇꯕꯅꯤ । ꯃꯥꯉꯣꯟꯗꯁꯨ ꯑꯁꯣꯌꯕ ꯂꯩ ꯍꯥꯌꯕꯤꯌꯨ ꯀꯟꯅꯥ ꯇꯀꯄꯗꯨꯗꯥ ꯏꯈꯤꯕꯅꯤ ।"

ꯕ꯭ꯔꯥꯍꯩꯁꯤ ꯇꯥꯕꯗꯥ ꯑꯉꯧꯇꯣꯅꯒꯤ ꯃꯁꯥꯗꯨ ꯉꯥꯏꯍꯥꯛꯇꯨꯡꯗꯤ ꯂꯧꯁꯤꯡ ꯃꯥꯡꯕꯒꯨꯝꯅꯥ ꯇꯧꯏ। ꯅꯍꯥꯜꯕ꯭ꯔꯥꯏ ꯏꯕꯦꯂꯩꯅꯥ ꯗꯥꯛꯇꯔꯗꯥ ꯆꯠꯂꯣꯏꯍꯁꯤ ꯍꯥꯌꯕꯗꯨ ꯌꯥꯔꯝꯂꯕꯗꯤ ꯈꯨꯗꯤꯡꯃꯛ ꯐꯔꯃꯒꯅꯤ ꯈꯜꯂꯛꯂꯦ। ꯃꯤꯑꯣꯏꯕꯗꯤ ꯃꯥꯡꯂꯣꯝꯗꯥ ꯆꯉꯁꯤꯜꯂꯨꯕꯗꯨ ꯇꯨꯡꯍꯟꯅꯥ ꯍꯜꯂꯛꯂꯨꯗꯦ; ꯃꯥꯌ ꯑꯣꯝꯅꯣꯛꯂꯒꯥ ꯍꯜꯂꯀꯄꯗꯤ ꯌꯥꯏ। ꯑꯉꯧꯇꯣꯟꯗꯨ ꯍꯥꯟꯅꯒꯤ ꯄꯨꯟꯁꯤ ꯃꯔꯦꯜꯗꯨꯗꯥ ꯍꯟꯖꯤꯟꯅꯤꯡꯂꯦ।

ꯑꯉꯧꯇꯣꯟꯗꯨ ꯏꯕꯦꯂꯩꯈꯣꯌꯒꯤ ꯌꯨꯝ ꯅꯀꯁꯤꯜꯂꯀꯏ। ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯆꯤꯡ ꯀꯥꯔꯤꯕ ꯃꯤꯅꯥ ꯆꯤꯡꯗꯣꯜ ꯅꯀꯁꯤꯜꯂꯛꯂꯤꯕꯃꯈꯦ ꯆꯤꯡ ꯀꯥꯕꯒꯤ ꯈꯣꯡꯖꯦꯜ ꯇꯄꯊꯔꯀꯄꯒꯨꯝ ꯃꯥꯁꯨ ꯇꯄꯊꯔꯀꯏ। ꯑꯔꯣꯏꯕ ꯈꯣꯡꯊꯥꯡꯅꯤ ꯈꯜꯂꯥ ꯊꯣꯔꯀꯄꯗꯨ ꯍꯧꯖꯤꯛꯇꯤ ꯊꯧꯅꯥ ꯐꯕ ꯏꯉꯝ ꯉꯝꯂꯛꯂꯦ। ꯏꯔꯨꯝ ꯂꯨꯝꯂꯕ ꯃꯈꯣꯡ ꯑꯅꯤꯗꯨ ꯊꯥꯡꯅꯤꯡꯒꯨꯝ ꯊꯥꯅꯤꯡꯗꯒꯨꯝ ꯇꯧꯅꯥ ꯆꯠꯂꯗꯨꯅꯥ ꯑꯉꯧꯇꯣꯝꯅꯥ ꯈꯜꯂꯀꯏ,

"ꯃꯥꯅꯥ ꯆꯠꯂꯃꯗꯥꯏꯗꯥ, ꯄꯨꯟꯁꯤꯒꯤ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯆꯠꯂꯒꯦ ꯍꯥꯌꯔꯝꯕꯗꯨꯕꯨ ꯍꯧꯖꯤꯛꯁꯨ ꯅꯤꯡꯁꯤꯡꯂꯃꯈꯤꯒꯗ꯭ꯔꯥ ?"

ꯇꯥꯡ ꯲꯳-꯲-꯲꯰꯰꯰

" সোমদি ইচা ফংলরোই অশোয়বা লৈবনি। হান্নগী ইবেম্মদুদি অশোয়বা লৈতবনি। মাঙোন্দসু অশোয়বা লৈ হায়বিয়ু কন্না তকপদুদা ইখিবনি।"

ব্রাহৈসি তাবদা অঙৌতোনগী মশাদু ঙাইহাক্তুংদি লৌশিং মাঙবগুম্না তৌই। নহালব্রাই ইবেলৈনা ডাক্তরদা চৎলোইহসি হায়বদু য়ারম্লবদি খুদিংমক ফরমগনি খল্লক্রে। মীওইবদি মাঙলোমদা চঙশিল্লুবদু তুংহন্না হল্লক্রুদে; মায় ওম্নোক্লগা হল্লকপদি য়াই। অঙৌতোন্দু হান্নগী পুন্সি মরেলদুদা হঞ্জিন্নীংলে।

অঙৌতোন্দু ইবেলৈখোয়গী য়ুম নকশিল্লকই। অদুবু চীং কারিবা মীনা চীংদোল নকশিল্লক্লিবমখে চীং কাবগী খোঙজেল তপথরকপগুম মাসু তপথরকই। অরোইবা খোঙথাংনি খল্লা থোরকপদু হৌজিক্তি থৌনা ফবা ইঙম ঙম্লক্রে। ইরুম লুম্লবা মখোঙ অনীদু থাংনীংগুম থানীংদগুম তৌনা চৎলদুনা অঙৌতোম্না খল্লকই,

"মানা চৎলমদাইদা, পুন্সিগী ওইনা চৎলগে হায়রম্বদুবু হৌজিকসু নীংশিংলমখিগদ্রা ?"

তাং ২৩-২-২০০০

ꯈꯨꯗꯣꯜꯄꯣꯠ

ꯅꯍꯥꯂꯃꯈꯩ ꯇꯤꯟꯕꯥ ꯃꯤꯁꯤꯡꯗꯒꯤ ꯉꯁꯤ ꯑꯌꯨꯛ ꯇꯤꯟꯕꯅꯥ ꯍꯦꯜꯂꯤ । ꯏꯀꯨꯏ-ꯀꯨꯏꯗꯅꯥ ꯃꯟꯇ꯭ꯔꯤꯁꯤꯅꯥ ꯄꯥꯌꯕꯥ ꯗꯤꯄꯥꯔꯠꯃꯦꯟꯇꯀꯤ ꯊꯧꯃꯤ ꯐꯅꯥ ꯌꯥꯝꯅꯥ ꯂꯧꯒꯗꯧꯔꯤ । ꯆꯍꯤ ꯈꯔꯒꯤ ꯃꯃꯥꯡꯗꯁꯨ ꯈꯔꯥ ꯂꯧꯈꯔꯕꯅꯤ । ꯋꯥꯅꯣꯝꯕꯥ ꯃꯤꯁꯤꯡ ꯂꯥꯛꯂꯔꯤ । ꯃꯟꯇ꯭ꯔꯤꯁꯤ ꯃꯥꯒꯤ ꯀ꯭ꯕꯥꯇꯔꯗꯥ ꯃꯤ ꯌꯥꯝꯅꯥ ꯂꯥꯛꯂꯤꯕꯃꯈꯩ ꯍꯔꯥꯑꯣꯏ; ꯃꯥꯒꯤ ꯏꯃꯨꯡꯒꯤ ꯃꯤꯁꯤꯡꯁꯨ ꯅꯨꯡꯉꯥꯏꯖꯩ । ꯉꯥ ꯌꯥꯝꯅꯥ ꯃꯣꯡꯕꯥ ꯎꯔꯒꯥ ꯏꯁꯤꯡꯄꯁꯤꯡꯅꯥ ꯍꯔꯥꯑꯣꯏ ।

ꯃꯅꯨꯡꯒꯤ ꯑꯆꯤꯛꯄꯥ ꯀꯥꯗꯥ ꯃꯤ ꯑꯃꯃꯃ, ꯑꯅꯤꯅꯤ ꯀꯧꯁꯤꯟꯗꯨꯅꯥ ꯋꯥꯔꯤ ꯁꯥꯅꯔꯝꯕꯗꯨ ꯇꯣꯛꯈ꯭ꯔꯦ, ꯃꯟꯇ꯭ꯔꯤ ꯆꯈꯣꯛꯀꯗꯧꯔꯤ । ꯃꯤꯌꯥꯝꯅꯥ ꯐꯝꯂꯤꯕꯥ ꯀꯥꯗꯨꯗꯥ ꯊꯣꯔꯛꯂꯒꯥ, ꯈꯨꯠ ꯂꯣꯝꯅꯔꯗꯨꯅꯥ ꯏꯀꯥꯏ-ꯈꯨꯝꯅꯩ । ꯚꯣꯠ ꯃꯃꯥꯡꯗꯥ ꯈꯨꯔꯨꯝꯕꯒꯤ ꯂꯣꯝꯅꯈꯤꯕꯗꯨꯒꯥ ꯍꯧꯖꯤꯛ ꯂꯣꯝꯅꯔꯤꯕꯥ ꯈꯨꯠꯁꯤꯒꯥ ꯃꯑꯣꯡ ꯃꯥꯟꯅꯗ꯭ꯔꯦ; ꯋꯥꯍꯟꯗꯣꯛꯁꯨ ꯈꯦꯟꯅꯔꯟꯅꯒꯅꯤ । ꯃꯇꯝꯗꯨꯒꯤꯅꯥ ꯚꯣꯠ ꯅꯤꯕꯥ ꯍꯧꯖꯤꯛꯀꯤꯁꯤꯅꯥ ꯈꯨꯖꯣꯛ ꯁꯥꯕꯥ ꯑꯣꯏꯔꯝꯕꯥ ꯌꯥꯏ । ꯆꯧꯈ꯭ꯔꯤꯗꯥ ꯐꯝꯂꯒꯥ ꯃꯌꯥꯝꯅꯥ ꯂꯥꯛꯄꯒꯤ ꯃꯔꯃꯗꯨ ꯃꯊꯪ ꯃꯊꯪ ꯍꯪꯂꯀꯏ ।

খুদোলপোৎ

নহালমখৈ তিনবা মীশিংদগী ঙসি অয়ুক তিনবনা হেল্লি । ইকুই-কুইদনা মন্ত্রীসিনা পায়বা ডিপার্টমেন্টকী থৌমী ফনা য়াম্না লৌগদৌরি । চহী খরগী মমাঙদসু খরা লৌখ্রবনি । ব্রানোম্বা মীশিং লাক্লরি । মন্ত্রীসি মাগী ক্বাটরদা মী য়াম্না লাক্লিবমখৈ হরাওই; মাগী ইমুংগী মীশিংসু নুংঙাইজে । ঙা য়াম্না মোংবা উরগা ঈশিংপশিংনা হরাওই ।

মনুংগী অচিকপা কাদা মী অমমম, অনীনি কৌশিন্দুনা ব্রারী শানরম্বদু তোকখ্রে, মন্ত্রী চখোক্কদৌরি । মীয়াম্না ফম্লিবা কাদুদা থোরক্লগা, খূৎ লোম্নরদুনা ঈকাই-খুম্নে । ভোৎ মমাঙদা খুরুম্বগী লোম্নখিবদুগা হৌজিক লোম্নরিবা খূৎসিগা মওং মান্নদ্রে; ব্রাহন্দোকসু খেন্নরন্নগনি । মতমদুগীনা ভোৎ নিবা হৌজিক্কীসিনা খুজোক শাবা ওইরম্বা য়াই । চৌক্রিদা ফম্লগা ময়াম্না লাকপগী মরমদু মথং মথং হংলকই।

ꯃꯤꯑꯣꯏ ꯈꯔꯅꯥ ꯆꯤꯕꯣꯟ ꯆꯤꯕꯣꯟ ꯉꯥꯡꯅꯕꯝꯕꯗꯒꯤ ꯑꯐꯣꯡꯕ ꯕꯥꯕꯤ ꯑꯣꯏꯕꯀꯩ꯫ ꯀꯅꯥꯅꯥ ꯊꯝꯅꯝꯕꯅꯣ ꯈꯡꯅꯍꯧꯗ꯭ꯔꯕ ꯉꯁꯥꯏꯗꯒꯤ ꯂꯩꯕꯛꯄ ꯏꯟꯆꯤ ꯅꯤꯄꯥꯜꯃꯨꯛꯀꯤ ꯀ꯭ꯌꯥꯕꯣꯏꯠ ꯑꯣꯏꯕ ꯑꯊꯥꯕ ꯆꯦꯒꯤ ꯎꯄꯨ ꯑꯃꯥ, ꯃꯌꯥꯝꯅꯥ ꯐꯝꯂꯤꯕ ꯀꯥꯗꯨꯒꯤ ꯀꯥꯆꯤꯟ ꯑꯃꯗ ꯂꯩꯔꯤ꯫ ꯃꯊꯛꯇ ꯃꯌꯦꯛ ꯂꯥꯅꯥ ꯏꯔꯤ,

"ꯊꯥꯖꯃꯥꯟꯕꯤꯗ ꯈꯨꯗꯣꯂꯖꯕ꯫"

ꯍꯪꯅꯕꯗ ꯎꯄꯨꯗꯨꯕꯨ ꯄꯨꯕꯛꯄ ꯃꯤꯁꯛꯇꯨ ꯊꯣꯔꯛꯂꯦ꯫ ꯅꯨꯄꯥ ꯑꯃꯅꯥ ꯆꯤꯡꯅꯕꯄ ꯇꯧꯅꯥ ꯍꯥꯌꯔꯀꯩ,

"ꯃꯅꯨꯡꯗ ꯕꯣꯝꯀ ꯌꯥꯑꯣꯔꯃꯗꯣꯏꯖꯥꯎꯂꯥ꯫"

ꯃꯥꯒꯤ ꯕ꯭ꯔꯥꯁꯤꯗ ꯃꯌꯥꯝꯗꯨ ꯈꯪꯀꯤ ꯀꯤꯔꯛꯇꯨꯅꯥ ꯐꯝꯅꯝꯕꯗꯒꯤ ꯐꯤꯡꯅꯥ ꯍꯧꯒꯠꯂꯩ꯫ ꯀꯥꯅꯨꯡꯗꯒꯤ ꯊꯣꯛꯂꯛꯔꯀꯩ꯫ ꯃꯁꯤꯒꯨꯝꯕ ꯃꯔꯤ ꯃꯈꯣꯡ ꯈꯡꯗꯕ ꯎꯄꯨꯕꯨ ꯑꯆꯧ-ꯑꯁꯥꯡꯒꯤ ꯏꯃꯨꯡꯗ ꯄꯤꯔꯛꯄ ꯍꯥꯡꯗꯣꯛꯂꯨꯕꯗ ꯕꯣꯝ ꯌꯥꯑꯣꯔꯝꯕꯒꯤ ꯕ꯭ꯔꯥꯊꯣꯛ ꯃꯤꯌꯥꯝꯅꯥ ꯇꯥꯅꯔꯦ꯫ ꯃꯤ ꯄꯨꯝꯅꯃꯛꯀꯤ ꯈꯨꯗꯥꯡ ꯅꯠꯔꯒꯥ ꯊꯕꯛꯀꯤ ꯃꯤꯍꯨꯟꯗꯨ ꯄꯥꯌꯔꯨꯗ꯭ꯔꯕꯁꯨ ꯈꯪꯏ, ꯁꯥꯏꯗ꯭ꯔꯃꯗ ꯆꯩꯅꯥ ꯈꯠꯄꯒꯨꯝꯅꯥ ꯇꯧꯔꯃꯒꯅꯤ꯫

মীওই খরনা চিবোন চিবোন ঙাঙনবম্বদগী অফোঙবা বাবী ওইবকই। কনানা থম্নম্বনো খঙনহৌদ্রবা ঙশাইদগী লৈবকপা ইঞ্চি নিপালমুক্কী ক্যাবোইট ওইবা অথাবা চেগী উপু অমা, ময়াম্না ফম্লিবা কাদুগী কাচিন অমদা লৈরি। মথক্তা ময়েক লানা ইরি,

"থাজমানবীদা খুদোলজবা।"

হংনবদা উপুদুবু পুবকপা মীশক্তু থোরক্লে। নুপা অমনা চিংনবপ তৌনা হায়রকই,

"মনুংদা বোমক য়াওরমদোইজাৎলা।"

মাগী ব্রাসিদা ময়ামদু খংকি কিরক্তুনা ফম্নম্বদগী ফিংনা হৌগৎলৈ। কানুংদগী থোক্লরকই। মসিগুম্বা মরী মখোঙ খঙদবা উপুবু অচৌ-অশাংগী ইমুংদা পীরকপা হাংদোক্লুবদা বোম য়াওরম্বগী ব্রাথোক মীয়াম্না তানরে। মী পূম্নমক্কী খুদাং নৎত্রগা থবাক্কী মিহুন্দু পায়রুদ্রবসু খঙই, সাইদ্রমদা চৈনা খৎপগুম্না তৌরমগনি।

ꯕꯣꯝ ꯑꯦꯛꯁꯄꯥꯔꯠ ꯀꯧꯈ꯭ꯔꯦ। ꯃꯤꯌꯥꯝꯗꯨꯗꯤ ꯈꯔꯥ ꯈꯔꯥ ꯆꯈꯣꯔꯛꯄꯅꯥ ꯀ꯭ꯋꯥꯇꯔꯒꯤ ꯃꯄꯥꯟꯗꯥ ꯂꯩꯅꯕꯁꯨ ꯌꯥꯎꯔꯦ। ꯄꯥꯛꯊꯔꯒꯁꯨ ꯂꯩꯅꯔꯤ। ꯅꯥꯀꯣꯡ ꯃꯦꯟꯕꯁꯨ ꯌꯥꯎꯔꯤ। ꯂꯩꯔꯤꯕꯁꯤꯡꯒꯤ ꯕ꯭ꯔꯥꯈꯜꯗꯥ ꯂꯥꯛꯀꯗꯧꯔꯤꯕꯥ ꯕꯣꯝ ꯑꯦꯛꯁꯄꯥꯔꯠꯁꯤꯡꯗꯨ ꯖꯄꯥꯟ ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯒꯥ ꯔꯁꯤꯌꯥꯗꯒꯤ ꯂꯥꯛꯀꯗꯕꯒꯨꯝꯅꯥ ꯃꯇꯝ ꯆꯪꯂꯤꯕ꯭ꯔꯥ ꯈꯟꯅꯔꯦ। ꯃꯟꯠꯔꯤꯒꯤ ꯊꯕꯛꯂꯤꯅꯥ ꯃꯈꯣꯌꯁꯨ ꯈꯨꯠꯂꯩ ꯊꯨꯅꯥ ꯂꯥꯛꯀꯗꯧꯔꯤꯕꯅꯤ। ꯉꯥꯏꯔꯤꯕꯥ ꯀꯥꯡꯕꯨꯟꯗꯤ ꯀꯨꯏꯕꯣꯏꯇ ꯅꯤꯡꯏ। ꯕꯣꯝ ꯑꯦꯛꯁꯄꯥꯔꯠꯁꯤꯡ ꯌꯧꯔꯛꯂꯦ। ꯂꯥꯟꯐꯝꯒꯤ ꯊꯕꯛꯀꯨꯝꯅꯥ ꯊꯕꯛ ꯇꯧꯔꯀꯏ। ꯃꯤꯌꯥꯝꯅꯥ ꯀꯤꯅꯔꯤꯕꯥ ꯎꯄꯨꯗꯨ ꯌꯥꯝꯅꯥ ꯇꯞꯅꯥ ꯄꯨꯊꯣꯔꯀꯏ। ꯈꯔꯥ ꯁꯥꯐꯒꯗꯕꯥ ꯃꯐꯝꯗꯥ ꯆꯦꯛꯁꯤꯟꯅꯥ ꯎꯄꯨꯗꯨ ꯍꯥꯡꯗꯣꯛꯄꯥ ꯍꯧꯔꯦ। ꯀꯨꯝꯃꯦ ꯌꯦꯡꯂꯤꯕꯥ ꯃꯌꯥꯝꯗꯨ ꯆꯦꯛꯁꯤꯟꯕꯥ ꯌꯥꯅꯥ ꯆꯦꯛꯁꯤꯜꯂꯗꯨꯅꯥ ꯌꯦꯡꯅꯔꯤ।

ꯎꯄꯨꯗꯨ ꯍꯥꯡꯕꯥ ꯂꯣꯏꯔꯦ। ꯕꯣꯝ ꯑꯦꯛꯁꯄꯥꯔꯠ ꯑꯃꯅꯥ ꯎꯄꯨꯗꯨ ꯃꯅꯤꯡ ꯃꯃꯥꯡ ꯑꯣꯠꯂꯛꯂꯒꯥ ꯃꯅꯨꯡꯗꯥ ꯌꯥꯎꯔꯤꯕꯁꯤꯡꯗꯨ ꯂꯩꯃꯥꯏꯗꯥ ꯍꯦꯗꯣꯛꯀꯏ। ꯀꯨꯞꯄꯣ ꯄꯔꯦꯡ ꯑꯅꯤ, ꯆꯦꯡ ꯈꯔꯥ, ꯂꯐꯣꯏ ꯂꯐꯥꯡ ꯑꯃꯥ, ꯀ꯭ꯋꯥ ꯃꯅꯥ ꯃꯔꯤ ꯑꯃꯃꯝ, ꯍꯩ-ꯂꯩ ꯈꯔꯥ ꯑꯃꯗꯤ ꯏꯅꯚꯦꯂꯣꯞ ꯑꯃꯥ ꯇꯥꯔꯀꯏ। ꯄꯨꯝꯅꯃꯛꯁꯤ ꯎꯕꯗꯥ ꯁꯤꯗ꯭ꯔꯦ ꯈꯟꯗꯨꯅꯥ ꯁꯣꯔ ꯆꯅꯤꯡ ꯇꯥꯅꯥ ꯍꯣꯜꯂꯕꯥ ꯃꯤꯌꯥꯝꯗꯨ ꯆꯪꯁꯤꯟꯅꯔꯛꯂꯦ। ꯃꯟꯠꯔꯤꯁꯨ ꯆꯤꯡꯂꯦꯟꯅꯕꯥ ꯃꯟꯠꯔꯤꯒꯤ ꯈꯣꯡꯆꯠꯇꯥ ꯃꯤꯌꯥꯝꯗꯨꯒꯤ ꯃꯥꯡꯗꯥ ꯆꯠꯂꯤ; ꯃꯊꯣꯏ ꯀꯥꯔꯕꯥ ꯕ꯭ꯔꯥꯉꯥꯡꯗꯥ ꯉꯥꯎꯏ,

বোম এক্সপার্ট কৌখ্রে। মীয়ামদুদি খরা খরা চখোরকপনা ক্বাটরগী মপান্দা লৈনবসু য়াওরে। পাকথরগসু লৈনরি। নাকোং মেনবসু য়াওরি। লৈরিবশিংগী ব্রাখলদা লাক্কদৌরিবা বোম এক্সপার্টশিংদু জপান নৎত্রগা রসিয়াদগী লাক্কদবগুম্না মতম চঙলিব্রা খম্নরে। মন্ত্রীগী থবক্লিনা মখোয়সু খুৎলৈ থুনা লাক্কদৌরিবনি। ঙাইরিবা কাংবুনদি কুইবোইত নীংই। বোম এক্সপার্টশিং য়ৌরক্লে। লানফমগী থবক্কুম্না থবক তৌরকই। মীয়াম্না কিনরিবা উপুদু য়াম্না তপ্না পুথোরকই। খরা শাফগদবা মফমদা চেকশিন্না উপুদু হাংদোকপা হৌরে। কুম্মে য়েংলিবা ময়ামদু চেকশিনবা য়ানা চেকশিল্লদুনা য়েংনরি।

উপুদু হাংবা লোইরে। বোম এক্সপার্ট অমনা উপুদু মনীং মমাঙ ওথোক্লগা মনুংদা য়াওরিবশিংদু লৈমায়দা হৈদোকই। কুপ্পো পরেং অনী, চেং খরা, লফোই লফাং অমা, ক্বা মনা মরূ অমমম, হৈ-লৈ খরা অমদি ইনভেলব অমা তারকই। পূম্নমকসি উবদা শিদ্রে খন্দুনা শোর চনীং তানা হোল্লবা মীয়ামদু চঙশিন্নরক্লে। মন্ত্রীসু চীংলেন্নবা মন্ত্রীগী খোঙচৎতা মীয়ামদুগী মাঙদা চৎলি; মথোই কারবা ব্রাঙাঙদা ঙাঙই,

“ꯅꯈꯣꯏ ꯑꯁꯨꯛ ꯌꯥꯝꯅ ꯃꯤ ꯂꯩꯔꯒ ꯎꯄꯨꯁꯤ ꯄꯨꯔꯛꯄꯁꯨ, ꯊꯟꯅꯕꯁꯨ ꯎꯍꯧꯗ꯭ꯔꯤꯕꯁꯤ ꯀꯩꯗꯧꯗꯨꯅ ꯂꯩꯀꯔꯕꯒꯦ ? ꯅꯈꯣꯏ ꯄꯨꯝꯅꯃꯛ ꯇꯪꯈꯥꯏ ꯁꯤꯔꯕ ꯃꯤꯊꯤꯕꯣꯡ ꯉꯥꯛꯇꯅꯤ ꯫”

ꯃꯥꯒꯤ ꯁꯟꯇ꯭ꯔꯤꯁꯤꯡꯗ ꯑꯣꯟꯁꯤꯜꯂꯒ ꯃꯈꯥ ꯇꯥꯔꯀꯏ,

“ꯅꯈꯣꯏꯅ ꯃꯐꯝꯁꯤꯗ ꯂꯩꯔꯤꯕꯁꯤ ꯂꯩꯇꯦꯡꯒꯤ ꯅꯠꯇꯦ ꯫ ꯁꯔꯀꯥꯔꯒꯤ ꯇꯣꯂꯣꯕ ꯐꯪꯂꯤꯕꯗꯨ ꯅꯁꯥꯒꯤ ꯏꯃꯨꯡ ꯊꯥꯛꯂꯕ ꯅꯠꯇꯦ ꯫ ꯅꯈꯨꯠꯇ ꯄꯥꯏꯔꯤꯕ ꯅꯣꯡꯃꯩꯗꯨ ꯅꯄꯨꯛꯁꯤ ꯀꯟꯅꯕ ꯅꯠꯇꯦ ꯫ ꯃꯁꯤ ꯈꯪꯅ ꯅꯊꯧ ꯇꯧ ꯫”

ꯊꯥꯖꯃꯥꯟꯕꯤꯗ ꯑꯃꯨꯛ ꯆꯩꯔꯀꯏ,

“ꯅꯨꯄꯤꯃꯆ ꯅꯪꯁꯨ ꯁꯪꯒ ꯆꯥꯎꯔꯦ ꯫ (ꯚꯣꯠ ꯃꯌꯥꯗꯗꯤ ꯁꯪꯒ ꯆꯥꯎꯕꯁꯤ ꯄꯥꯝꯈꯤꯕꯅꯤ) ꯫ ꯃꯊꯣꯡ ꯃꯔꯝ ꯈꯪꯗꯕ ꯃꯤꯒ ꯇꯤꯟꯅꯕꯗꯒꯤ ꯅꯃꯥ ꯅꯄꯥ ꯑꯩꯈꯣꯏꯕꯨ ꯃꯥꯏ ꯈꯨꯍꯟꯕꯗꯒꯤ ꯍꯦꯟꯗꯣꯛꯂꯨꯅ ꯊꯕ꯭ꯔꯥꯏ ꯐꯥꯑꯣꯕ ꯃꯥꯡꯍꯟꯗꯧꯔꯤ ꯫”

ꯇꯥꯔꯤꯕ ꯏꯟꯚꯦꯂꯕꯇꯨꯒꯤ ꯃꯊꯛꯇ ꯏꯔꯤ,

“ꯊꯥꯖꯃꯥꯟꯕꯤꯅ ꯏꯃꯥ ꯏꯄꯥꯕꯨ ꯅꯨꯡꯁꯤꯔꯕꯗꯤ ꯆꯤꯊꯤꯁꯤ ꯏꯗꯣꯝ ꯄꯥꯕꯤꯌꯨ ꯫”

ꯏꯟꯚꯦꯂꯕ ꯃꯅꯨꯡꯗ ꯆꯤꯊꯤ ꯅꯠꯇꯅ ꯑꯇꯩ ꯈꯨꯗꯣꯡꯊꯤꯕꯒꯗꯕ ꯌꯥꯑꯣꯔꯃꯒꯗꯕ ꯃꯥꯟꯗ꯭ꯔꯦ; ꯀꯤꯅꯤꯡꯉꯥꯏ ꯑꯣꯏꯗ꯭ꯔꯦ ꯫ ꯊꯥꯖꯃꯥꯟꯕꯤꯅ ꯆꯤꯊꯤꯗꯨ ꯃꯊꯟꯇ ꯄꯥꯕꯗ ꯃꯌꯥꯝꯁꯨ ꯅꯨꯡꯁꯥ ꯊꯤꯗ꯭ꯔꯦ ꯫ ꯆꯤꯊꯤꯗꯨ ꯂꯧꯊꯣꯛꯂꯒ ꯆꯤꯡꯅꯅ ꯄꯥꯔꯀꯏ,

“নখোয় অসুক য়াম্বা মী লৈরগা উপুসি পুরকপসু, থন্নবসু উহৌদ্রিবসি কৈদৌদুনা লৈকরবগে ? নখোয় পূম্নমক তংখায় শিরবা মীথীবোং ঙাক্তনি ।”

মাগী সন্ত্রীশিংদা ওনশিল্লগা মখা তারকই,

“নখোয়না মফমসিদা লৈরিবসি লৈতেংগী নত্তে । সরকাবগী তোলোব ফংলিবদু নশাগী ইমুং থাক্লবা নত্তে । নখুৎতা পায়রিবা নোংমৈদু নপুক্সি কন্নবা নত্তে। মসি খঙনা নথৌ তৌ ।”

থাজমানবীদা অমুক চৈরকই,

“নুপীমচা নঙসু শঙ্গ চাউরে ।(ভোৎ ময়াদদি শঙ্গ চাউবসি পামখিবনি) মথোং মরম খঙদবা মীগা তিন্নবদগী নমা নপা ঐখোয়বু মায় খুহনবদগী হেন্দোক্লুনা থব্রায় ফাওবা মাঙহন্দৌরি ।”

তারিবা ইনভেলবতুগী মথক্তা ইরি,

“থাজমানবীনা ইমা ইপাবু নুংশিরবদি চিঠিসি ইদোম পাবিয়ু ।”

ইনভেলব মনুংদা চিঠি নৎতনা অতৈ খুদোংথীগদবা য়াওরমগদবা মান্দ্রে; কিনীংঙাই ওইদ্রে । থাজমানবীনা চিঠিদু মথন্ত পাবদা ময়ামসু নুংশা থিদ্রে । চিঠিদু লৌথোক্লগা চিংননা পারকই,

ꯈꯥꯖꯃꯥꯟꯕꯤ,

ꯂꯩꯇꯦ ꯂꯥꯏꯔꯕ ꯎꯄꯥꯏ ꯀꯪꯗ꯭ꯔꯕ ꯃꯤꯅꯥ ꯑꯉꯝ-ꯑꯔꯥꯏ ꯈꯪꯗꯅꯥ ꯇꯧꯕ ꯊꯕꯛꯇꯨꯝꯅꯥ ꯑꯩꯒꯤꯁꯤꯕꯨ ꯈꯜꯂꯕꯗꯤ ꯑꯩꯒꯤ ꯂꯥꯏꯕꯛ ꯊꯤꯕꯒꯤ ꯃꯈꯪ ꯍꯦꯜꯂꯥ ꯊꯤꯔꯕꯅꯤ । ꯅꯨꯄꯤꯗꯤ ꯃꯃꯥꯅꯤ; ꯃꯃꯥꯗꯤ ꯃꯆꯥꯒꯤ ꯑꯋꯥꯕꯗ ꯁꯔꯨꯛ ꯌꯥꯕꯤꯕꯅꯤ । ꯅꯪꯁꯨ ꯑꯩꯒꯤ ꯏꯅꯥꯑꯣ, ꯏꯆꯜꯁꯤꯡꯒꯤ ꯑꯋꯥꯕꯗ ꯁꯔꯨꯛ ꯌꯥꯍꯟꯅꯤꯡꯏ । ꯑꯩꯒꯤꯁꯤ ꯗꯣꯛꯇꯔ ꯑꯃꯅꯥ ꯃꯥꯒꯤ ꯀꯦꯟꯗ꯭ꯔꯒꯤ ꯑꯦꯝ. ꯑꯦꯜ. ꯑꯦꯒꯤ ꯃꯆꯥꯅꯨꯄꯤꯗ ꯅꯤꯖꯕꯗꯨ ꯅꯠꯇꯦ । ꯋꯥꯐꯝꯁꯤ, ꯑꯣꯏꯍꯟꯕꯤꯅꯤ ꯍꯥꯌꯗꯨꯅꯥ ꯂꯧꯈꯤꯕ, ꯑꯣꯏꯕꯗꯤ ꯑꯣꯏꯍꯟꯕꯤꯈꯤꯗ꯭ꯔꯕ ꯑꯩꯒꯤ ꯊꯕꯛꯀꯤ ꯁꯦꯜꯐꯝꯗꯨ ꯅꯪꯒꯤ ꯋꯥꯕꯅꯥ ꯍꯟꯗꯣꯛꯄꯤꯗꯕꯗꯒꯤ ꯍꯧꯔꯛꯄꯅꯤ । ꯁꯣꯌꯗꯅꯥ ꯊꯕꯛ ꯍꯥꯞꯂꯤꯅꯤ ꯍꯥꯌꯗꯨꯅꯥ ꯃꯤꯍꯧꯏꯍꯟꯕꯤꯔꯃꯗ꯭ꯔꯕ ꯑꯩꯍꯥꯛ ꯁꯦꯜꯐꯝꯗꯨ ꯄꯤꯔꯃꯑꯣꯏ । ꯁꯦꯜꯗꯨ ꯂꯧꯔꯃꯗ꯭ꯔꯕ ꯁꯦꯜ ꯍꯟꯂꯕ ꯃꯇꯝ ꯀꯨꯏꯅꯥ ꯊꯕꯛ ꯁꯤꯡꯅꯥ ꯑꯣꯛꯂꯔꯃꯑꯣꯏ । ꯃꯤ ꯑꯇꯩꯅꯥ ꯄꯤꯅꯕ ꯁꯦꯜꯐꯝꯗꯨ ꯃꯥꯒꯤ ꯑꯀꯅꯕ ꯋꯥꯔꯀꯔ ꯑꯩꯉꯣꯟꯗ ꯄꯤꯕꯨ ꯍꯥꯌꯔꯃꯗ꯭ꯔꯕꯗꯤ ꯑꯩꯈꯣꯌꯒꯤ ꯏꯉ꯭ꯈꯣꯜ ꯕꯟꯗꯥꯟ ꯊꯜꯂꯃꯑꯣꯏ । ꯑꯩꯕꯨ ꯊꯕꯛ ꯇꯧꯅꯤꯡꯕꯒꯤ ꯋꯥꯈꯜ ꯅꯪꯒꯤ ꯋꯥꯕꯅꯥ ꯂꯣꯛꯍꯜꯂꯃꯗ꯭ꯔꯕꯗꯤ [illegible]

খাজমানবী,

লৈতে লাইরবা উপাই কংদ্রবা মীনা অঙম-অরাই খঙদনা তৌবা থবক্তুম্না ঐগীসিবু খল্লবদি ঐগী লাইবক থীবগী মখঙা হেল্লা থীরবনি । নুপীদি মমানি; মমাদি মচাগী অৱাবদা শরুক য়াব্বিবনি । নঙসু ঐগী ইনাও, ইচল্‌শিংগী অৱাবদা শরুক য়াহল্লীংই । ঐগীসি ডোক্তর অমনা মাগী কেন্দ্রগী এম, এল, এগী মচানুপীদা নিজবদু নত্তে । ৱাফমসি, ওইহনবিনি হায়দুনা লৌখিবা, ওইবদি ওইহনবিখিদ্রবা ঐগী থবক্কী শেলফমদু নঙগী ৱাবানা হন্দোকপিদবদগী হৌরকপনি । শোয়দনা থবক হাপ্লিনি হায়দুনা মীহৌইহনবিরমদ্রবা ঐহাক শেলফমদু পীরমওই । শেলদু লৌরমদ্রবা শেল হল্লবা মতম কুইনা থবক শীংনা ওক্লরমওই । মী অতৈনা পীনবা শেলফমদু মাগী অকনবা ৱার্কর ঐঙোন্দা পীখু হায়রমদ্রবদি ঐখোয়গী ইঙ্খোল বন্ধান থল্লমওই । ঐবু থবক তৌনীংবগী ৱাখল নঙগী ৱাবানা লোকহল্লমদ্রবদি

[illegible]

[illegible]

[illegible]

ঐহাক য়ুম ইঙ্খোল লৈতবা মীশক ওইরমওই । নখোয় ইমুংগী নুংঙাই য়াইফবদা য়াওরিবা মচাকশিংদু লৈবদা ঐখোয় ইঙ্খোলগী শেলফমদু য়াওখ্রবনি । ঐ ইথক্তগীদি অরাইবনি । মীগী মীনাই ওইদুনা নংখ্রগা চাক্ল দুনা অমোং অকায় মরক্তা চারবসু, থক্লবসু, ভুক্লবসু হিংবা য়াই, শিখিবা য়াই ।

থাজমানবীগী মীৎতা কৈথেলগী অঙাওবগুম্না নুপাসিনা অমোং-অকায় মরক্তা হিপ্লদু উরি । অমুক্না চমোংনরবা ফিজেৎতা পোৎ হোনবদু উরি । অমুকসু লম্বীগী নাকন্দা হয়ীং ব্রা ব্রা ইন্দুনা শিরিবদু উই ।

ঐনা মরম ওইদুনা পোকপদগী ইঙ্খোলসিদা লৈরক্লবা অহল ওইরবা ইমা, ইপা, ইনাও, ইচলশিংদু লৈফম লৈত্রে । মখোয় শুমাঙ মতোন্দা থাবা খোঙনেংফম ওইবা নুংদু নাত্তে; চাকখুমদা খিনবা লৈকাং চারবা শীং ওইবা যারবা উপুদু নাত্তে ।

ꯊꯥꯖꯃꯥꯟꯕꯤꯒꯤ ꯃꯤꯠꯃꯥꯡꯗꯥ, ꯏꯔꯤꯕꯥ ꯃꯍꯥꯛꯁꯤꯅꯥ ꯃꯥꯡ ꯊꯥꯔꯒꯥ ꯃꯥꯒꯤ ꯏꯃꯨꯡꯒꯤ ꯃꯤꯁꯤꯡꯗꯨ ꯅꯝꯕꯣ ꯄꯣꯔꯒꯥ ꯌꯥꯎꯕ ꯏꯟꯅꯕꯥ ꯃꯈꯣꯌꯒꯤ ꯀ꯭ꯋꯥꯇꯔꯗꯥ ꯂꯥꯛꯄꯗꯨ ꯎꯔꯀꯏ ꯫

ꯑꯩꯅꯥ ꯆꯤꯊꯤꯁꯤꯕꯨ ꯏꯔꯤꯕꯁꯤ ꯅꯉꯕꯨ ꯀꯤꯍꯟꯕꯥ ꯅꯠꯇꯦ; ꯅꯨꯄꯤꯕꯨ ꯏꯀꯥꯏꯈꯨꯝꯅꯕꯗꯨ ꯑꯩ ꯄꯥꯝꯃꯤ ꯫ ꯑꯩ ꯃꯤꯑꯣꯏꯅꯥ ꯄꯣꯀꯏ, ꯆꯥꯎꯔꯀꯏ, ꯍꯤꯡꯂꯤ; ꯑꯗꯨꯝꯅꯥ ꯍꯤꯡꯈꯤꯒꯅꯤ ꯊꯣꯏ ꯫ ꯁꯥ ꯑꯣꯟꯅꯕꯥ ꯃꯤꯅꯥ ꯇꯧꯕꯥ ꯊꯕꯛꯇꯨ ꯇꯧꯔꯝꯂꯒꯥ ꯁꯤꯈꯤꯕꯥ, ꯃꯇꯝꯒꯤ ꯁꯦꯛꯂꯥꯕꯥ ꯃꯛꯂꯤꯗꯥ ꯄꯥꯔꯥ ꯑꯃꯥ ꯇꯦꯝꯕꯤꯅꯕꯥ ꯅꯉꯕꯨ ꯈꯣꯡꯒꯣꯌꯅꯕꯗꯨ ꯑꯩ ꯄꯥꯝꯗꯦ ꯫ ꯃꯔꯝꯗꯤ ꯃꯄꯥꯒꯤ ꯃꯔꯥꯜ ꯃꯆꯥꯅꯨꯄꯤꯗꯥ ꯇꯥꯏꯅꯕꯥ, ꯅꯨꯄꯤꯒꯤ ꯏꯖꯠ ꯁꯣꯀꯍꯟꯕꯥ ꯑꯩ ꯌꯥꯅꯤꯡꯗꯦ ꯫

ꯊꯥꯖꯃꯥꯟꯕꯤꯒꯤ ꯕ꯭ꯔꯥꯈꯂꯗꯥ ꯅꯨꯄꯥꯁꯤꯅꯥ ꯃꯥꯕꯨ ꯐꯥꯕꯥ, ꯀꯣꯏꯔꯣꯠ ꯂꯣꯠꯄꯥ, ꯃꯩꯔꯥ ꯄꯥꯌꯕꯤ, ꯄꯨꯂꯤꯁ, ꯈꯨꯠꯂꯥꯏ ꯄꯥꯌꯕꯥ ꯃꯤꯔꯣꯠ ꯀꯥꯡꯕꯨꯁꯤꯡꯅꯥ ꯃꯈꯣꯌꯕꯨ ꯐꯥꯅꯕꯥ ꯊꯤꯕꯥ, ꯃꯃꯥ ꯃꯄꯥꯗꯥ ꯃꯆꯥꯒꯤ ꯂꯩꯐꯝ ꯇꯥꯛꯇꯕꯒꯤ ꯑꯣꯠ-ꯅꯩꯕꯥ, ꯃꯩꯔꯥ ꯄꯥꯌꯕꯤꯅꯥ ꯃꯔꯨ ꯀꯣꯛꯄꯥ,

থাজমানবীগী মীৎমাঙদা, ইরিবা মহাকসিনা মাঙ থারগা মাগী ইমুংগী মীশিংদু নম্বো পোরগা য়াওং ইন্নবা মখোয়গী ক্বাটরদা লাকপদু উরকই ।

ঐনা চিঠিসিবু ইরিবসি নঙবু কিহনবা নত্তে; নুপীবু ঈকাইখুম্নবদু ঐ পামই । ঐ মীওইনা পোকই, চাউরকই, হিংলি; অদুম্না হিংখিগনি থৌই । শা ওন্নবা মীনা তৌবা থবক্তু তৌরম্লগা শিথিবা, মতমগী শেক্লাবা মক্লীদা পারা অমা তেম্বীনবা নঙবু খোঙগোয়নবদু ঐ পামদে । মরমদি মপাগী মরাল মচানুপীদা তাইনবা, নুপীগী ঈজৎ শোকহনবা ঐ য়ানীংদে ।

থাজমানবীগী ব্রাখলদা নুপাসিনা মাবু ফাবা, কোইরোৎ লোৎপা, মৈরা পায়বী, পুলিস, খূৎলায় পায়বা মীরোৎ কাংবুশিংনা মখোয়বু ফানবা থিবা, মমা মপাদা মচাগী লৈফম তাক্তবগী ওৎ-নৈবা, মৈরা পায়বীনা মরু কোকপা,

ꯁꯦꯜꯒꯤ ꯐꯥꯏꯟ ꯇꯧꯕꯥ, ꯄꯨꯂꯤꯁꯅꯥ ꯐꯥꯔꯒꯥ ꯃꯈꯨꯠ ꯄꯦꯟꯅꯕꯥ ꯐꯨꯕꯥ, ꯖꯦꯜꯗꯥ ꯊꯝꯕꯥ; ꯃꯤꯔꯣꯠꯁꯤꯡꯅꯥ ꯐꯥꯔꯒꯥ ꯈꯣꯡꯗꯥ, ꯈꯨꯠꯇꯥ, ꯀꯣꯛꯇꯥ ꯅꯣꯡꯃꯩꯅꯥ ꯀꯥꯞꯄꯥ ꯀꯌꯥꯁꯤ ꯊꯜꯂꯀꯢ꯫ ꯅꯨꯄꯥꯁꯤꯒꯤ ꯑꯁꯤꯕꯥ ꯍꯀꯆꯥꯡꯒꯤ ꯃꯅꯥꯛꯇꯥ ꯃꯃꯥ, ꯃꯄꯥ, ꯃꯅꯥꯎ, ꯃꯆꯜꯁꯤꯡꯅꯥ ꯊꯝꯃꯣꯢ ꯁꯣꯛꯂꯥ ꯀꯞꯄꯁꯨ ꯎꯔꯀꯢ꯫

ꯑꯩꯒꯤꯁꯤ ꯅꯉꯕꯨ ꯊꯦꯝꯕꯗꯤ ꯅꯠꯇꯦ꯫ ꯍꯧꯖꯤꯛ ꯑꯊꯨꯕꯥ ꯃꯇꯝꯗꯥ ꯅꯉꯣꯟꯗꯒꯤ ꯀꯨꯝꯃꯩ ꯄꯥꯔꯪ (ꯑꯩꯅꯥ ꯄꯤꯕꯤꯕꯗꯨꯗꯒꯤ) ꯑꯩꯍꯥꯛ ꯄꯥꯝꯍꯩ꯫ ꯅꯪꯒ꯭ꯔꯒꯥ ꯑꯩꯒꯤ ꯏꯃꯨꯡꯒꯤ ꯃꯤ ꯂꯣꯌꯅꯃꯛ ꯑꯃꯨꯛꯇꯗꯥ ꯁꯤꯟꯅꯕꯥ ꯄꯥꯝꯕꯩ ꯑꯃꯥ ꯅꯉꯅꯥ ꯁꯤꯟꯕꯗꯨ ꯄꯥꯝꯍꯩ꯫

ꯅꯍꯥꯛꯀꯤ

ꯂꯨꯈꯥꯝ꯫

ꯊꯥꯖꯃꯥꯟꯕꯤꯗꯨ ꯆꯔꯥꯡ-ꯈꯣꯢꯔꯥꯡꯅꯕꯥ ꯕ꯭ꯔꯥꯈꯜ ꯈꯜꯂꯗꯨꯅꯥ ꯇꯨꯃꯤꯝꯅꯥ ꯂꯦꯞꯂꯤ꯫ ꯆꯤꯊꯤꯗꯨ ꯃꯈꯨꯠꯅꯥ ꯆꯦꯠꯅꯥ ꯄꯥꯢꯔꯤ; ꯂꯦꯝꯃꯟꯅꯥ ꯇꯥꯔꯤꯕꯥ ꯄꯣꯠꯁꯤꯡ ꯑꯗꯨꯗꯁꯨ ꯌꯦꯡꯂꯀꯢ꯫

ꯇꯥꯡ ꯸-꯳-꯲꯰꯰꯰

শেলগী ফাইন তৌবা, পুলিসনা ফারগা মখূৎ পেন্নবা ফূবা, জেলদা থম্বা; মীরোৎশিংনা ফারগা খোঙদা, খূৎতা, কোক্তা নোংমৈনা কাপ্পা কয়াসি থল্লকই। নুপাসিগী অশিবা হকচাংগী মনাক্তা মমা, মপা, মনাও, মচলশিংনা থম্মোয় শোক্লা কপ্পসু উরকই।

ঐগীসি নঙবু থেম্বদি নত্তে। হৌজিক অথুবা মতমদা নঙোন্দগী কুম্মৈ পারং (ঐনা পীবিবদুদগী) ঐহাক পামহৈ। নংগ্রগা ঐগী ইমুংগী মী লোয়নমক অমুক্তদা শিননবা পাম্বৈ অমা নঙনা শীনবদু পামহৈ।

নহাক্কী

লুখাম।

থাজমানবীদু চরাং-খোইরাংনবা ব্রাখল খল্লদুনা তুমিম্না লেপ্লি। চিঠিদু মখূৎনা চেৎনা পায়রি; লেম্মননা তারিবা পোৎশিং অদুদসু য়েংলকই।

তাং ৮-৩-২০০০

16/49/Man



খুন্দ্রাকপম রাধেশ্যাম, খু: ১৯৬১গী ওক্তোবর তাং ৭ তা ঙাইরাংবম (ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক)দা তাইবঙদা খোঙদাই। অপোকপা মনি (স্কুলগী ওজা), অপোকপী কুঞ্জরানি অনীগী মচানুপা (অহুম) মচানুপী (মরি) পূন্না তরেৎকী মনুংদা মরিশুবনি। লাইশ্রম নীঙ্গোল বিনাগা যূম্বানবগী লম্বীদা খোঙদামিন্নদুনা মচানুপা অনী, মচানুপী অমা লৈরে। ডি,এম, কলেজদগী সাইন্স গ্রেজুয়েৎ ওইরবা মতুংদা হাই স্কুলগী ওজা ওইরি। সাহিত্যবু নুংশিজবা অমা ওইনা নোহাখোলগী জেনেরেল সেক্রেটরি (টার্ম অহুম্লক); প্রোগেসিব রাইতর্স এসোসিয়েসন মণিপুর, প্রোগেসিব পব্লিকেসন সোসাইতি, হৈরাঙ্গোইথোংগী লাইফ মেম্বর ওইরি।

অইবগী ফোঙলবা লাইরিকশিং :

১। ইশং কারবা নুং (ৱারী মচা, ১৯৯১)
২। কায়নবা অহানবা শরুক (নোভেল, ১৯৯২)
৩। মীতৈগী কংলা শা (শৈরেং, ১৯৯৫)
৪। কূগী লৈতেং (নোভেল, ১৯৯৫)
৫। ঙসীনা ঙরাংবু কৌরক্লে (ৱারী মচা, ১৯৯৬)
৬। কায়নবা অনীসুবা শরুক (নোভেল, ১৯৯৭)
৭। ৱাকৎ পুবী লৈচিল (শৈরেং, ১৯৯৯)
৮। য়েক্লবা (লীলা, ২০০২)
৯। চূমথাঙগী লাইবক (নোভেল, ২০০৫)
১০। কোচি (ৱারী মচা, ২০০৭)

— নোহাখোল